
ঐখোয় হিংখিসি





লৈশেম্বা নাওরেম

ঐখোয় হিংখিসি

লৈশেম্বা নাওরেম
(হান্নগী মিং : নাওরেম নীলকুমার সিংহ)

Eikhoi Hingkhishi :

A perspective on The Identity of Meetei (i.e. Manipuri)

By Leishemba Naorem (formerly Naorem Nilkumar Singha)

Abu Dhabi, U.A.E.

অফোংবা ঃ রমনচন্দ্র নাওরেম,
কোলোমপোক্পী, জাবিরোন
পি.ও. - মিরিরগুল,
হাইলাকান্দি, আসাম. ৭৮৮১৬৮

লাইরিক মশিং ঃ ৫০০ (চামঙা)

নম্ফম ঃ মঙাল প্রেস, লাইশ্রমখুন
নতুনবাজার, রাজ্যেশ্বরপুর
হাইলাকান্দি, আসাম. ৭৮৮১৬৮

অহান্বা ফোংবা ঃ আগষ্টকী চৈথা ১৫, ২০১০ ইং

মমল ঃ লুপা ১২০.০০

কৎচবা

[illegible] পোমাই [illegible]
[illegible] খোরৈ [illegible] লুনদা
[illegible] খানদা
[illegible] মউ [illegible]
[illegible] মনদা
[illegible] ফিনা [illegible]
[illegible] কনম [illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible] খুমা [illegible]
[illegible] মথৌনী মনা [illegible]
[illegible]

ঐখোয হিংখিসি

ঐখোয় হিংখিসি

য়াওফম তাকপা

অইবগী ৱারোল

অৱা নো পাং ভারতকী খা নাংপোক চাংসনগী মীওইবশিং ... লৌকলে ... (সভ্যতা) অসোয়বা খুদোংদা ভমদুনা ... ফানখ্রে ... লৈবাকশিং অমসুং মীতৈ লৈবাক্কী মীতৈ কোবা ফুকপানি। খু ... মা ... (৪৩০০ B.C) মমাংদগীনা মী ওইবনা খুনা ... চম্পনি খুদম ... চিংদম তৌজবগুমদুনা হাডাবিনাইহযান ... লোইনখ্রবা, ... মতমগী ... শ ... ঙখ্রে ... ১৪০০ অদুগী মতমদগী পাল্লকখিবগী পুরাবী, অমাদ ... ওইদুনা থৃঃ ৩০০ দগী পাল্লকখিবগী পুরাবীনা মবা চেৎনা ... নৈখ্রবা মীতৈগী সভিলাইজেসন্নি। হৌজিক্কী অৱাং নোংপোক ... লৈবা লৈখায় (রাজ্য) কয়াশিগী মনুংদা মশাগী নাৎ, ... পুরাবী, লোল, মযেক খুদিংমক্তা মচা খায়না লৈজবিবা অমত্তা ... ফুকপানি। হৱম মাসনা মালেমগী নোংপোক থংবা মীওই ... লুপকী কাঙবু ওইরিবা ফুকপসিনা অৱাং নোংপোক ভারতা ... পীমনুংদা খাগ্দগী ইনাক খুনবা মনাৎকী পুকৈ লৈজে হাযবদা হায়মনবা যোক্লোয।

লৌইগুম্বসুং মতমগী ঈচেলদা নিংখায়বা নাইদনা লৈবক্লিবা যুরূপ অসিনা লৈঙাকলোন (রাজনীতি) গী মৰৈ কযাদা - নিংথৌ লৈঙাক্কগী মযোল চোংদুনা মউ লিংখ্রবগী মতুংদা, লোয়নমগী ঈচাও লাখোবক্তুনা মীখল লৈঙাক্তা থুংলবগা লোযননা নাৎকী লোযলমদা ... লুপ লুপাশনখ্রবা মহোপ কাইববা যুক পাসিনা গ্লোবেলাইজেসন থু লেববা মতমদাদি মালেমগী শকযেক্কগী (Map) ফিদা মাংখিগদ্রা চাযবগী অচৌবা ৱাহং অমা হৌজিক হৌজকমক মৈজাওবী হোনা ... লকলর্কলি।

মসিগী মক ... ওইবা মৱমাদ নাৎকী লোয়লমনা মবা চেৎনা ... দগী নিংগাশংনা ... থোকত্রবা খুনাইসিনা নিওকলাচবেলগী ... মমনা খুংনবদসু মশক ... ইবা ঈচেল অমা ওইনা লেপ্পা ... মদগ মই অমসুং মযুগী ... অমবদগী হৌমিনবকখ ... পুয়া ... মী ... মনাও ... চানিনা

কাউথোকনরকপদগী ঙমখৈ থেংনা শীংনরক্তুনা মৈত্রবাকপু মকুপ তানা নিঙখাযবকপগী ফিবম য়ৌবকলি। লোযননা খ্বাইদগী মরু ওইবা চেকশিনজহৌগদবদি - মলেসশিংদগী মতোন লোম্না তমজহৌববা মহাসাগব অমগী লৈঙাকলোযশিংনা হৌশিংনা লক্লবগুম, নাৎকী লোযলম শন্দোকপদা মহৈ যাল্লবশিংনা ফিজংগী মকমদা থুপখ্রবসু, খুবক্কী ঈ ওইবিবা কাংলুপ মচা অমনা অবোৎপা থৌনা খরা ফংবদগী মীতৈগী সভ্যতা অমবু পুংখোপ খোপচিনগদবগী থৌবাং তৌবিক্লিবর্সিনি। মীৎনা উবা ঙমখৈগী শীংনবদুদগী চীকনা লাকশিল্লকলিবা মীতৈ লৈবাক্কী সভ্যতা, নাৎ, পুব্লাবী, লোল খুদিংমক্তা মহীক শন্দোবক্লিবা লাযনা অসিনা খ্বাইদগী তমথীবা হেল্লবি।

মীতৈগী শক্তাক্কী চাওববা মচল ওইবিবা হীবমশিধু পীক্লবা লাইবিক অসিদা নৈনবা ওইথোক্তে হাযবসি খঙনা খঙনা শুপ্নতগী লংজিন অমতং ওইগদ্রা খনজদুনা মযামগী মফমদা থমজগে হাযনা হোৎনজকবর্তনি। অইবনা কোপিবাইটকী পথাপ খঙনা খঙনা লাইবিক কযাদগী লৌখৎল্লা কযা লাইবিকসিদা হাপর্চাববসি, অইবশিংগা খুৎশম্ন বা ঙমজহৌদবনা, মীতৈগী শক্তাকপু মপুং ফানা উৎনবা হোৎনবকপদা লংজখ্রবা ইবার্লনি। শোযখিবা অর্মাদ লান্না উকবা যাওবম্রবসু তবাগী নুংশি মীৎযেংনা ঙাকপিযু হাযনা চঙজবি।

হৌখিবা চহীদা লাক্লম্বা খোঙলাকতুদগী হীবর্মাসদা ইনিংবগী ইস্কুল অমনা থা খবগী লীকখ্রবা মতমদা আবুধাবীদা ইবগা থাখ্রবগী মতুংদা ঐগী নুংশিজববা হনাও ইবুঙো অপান লাইশ্রম, মঙাল প্রেসকী মাযকৈদগী অমসুং ওঝা নাওবিযা অমুসনানা যেংশিনবিবমদুনা অব্লাবা মশাক খংদনা হোৎনবিখিবগী তমক তৌবিমল খংবা উৎচবি।

ঐনা মহৈবোয ওইরিঙৈদা ইর্জখিবা অহান্বা লাইবিক অমসুং হন্দক্কী লাইবিক অসিবু ফোংদোকপীনিবা ঐগী ইপাবুং বমনচন্দ্র নাওবেমগী মফমদা চাওববা লমন তোনশিনজবে। ঐগী পীক্লবা ইমুং-বিজযা নাওবেম ওংবীনা লাইবিকশিবু ইবদা মতেং পাংবিখিবা অমদি পাবিদুনা ব্লাযেক (বানান) নচিংবা যেংশিনবিখিবা অমসুং পীক্লবা অঙাং অনি নতাসা অমদি লেম্বানা পাবুং লাইবিক ইবি হাযববদি তুমিন্না লৈথোকখিবদু নৎলমদ্রবদি লাইবিকশি পুথোকপা ওইথোক্লম্রোয।

মীতৈগী পুৱারীবু, মক ওইনা মীতৈ লৈবাক্কী মপান্দা, অমাদ শক্তাক্তা ওইবা ক্লিবা নুংনাংবাশ-সি থাজত্তং খঙামিন্নদুনা খুংশম্নগা থৌদাং পুমিন্নবা অন্নবাদ [illegible] হোৎনজনা [illegible] বাল্লে হায়না সৌজগান।

মীতৈ [illegible] অমাদ মীতৈ [illegible] খুংশীবম্বা লৈমা [illegible] অমাদ [illegible]

[illegible]

জুলাই, ২৩, ২০১১ লৈশেম্বা নাওরেম
আবুধাবী ([illegible])

ঐখোয় হিংখিসি

চহী লিশিং কযাগী মমাংদগী মবীংজেন লৈনা পালকখিবা মীতৈ হাযবা যুকপসি (জাতি / Nation) ঙসিসু হিংলি , হযেংসু হিংখিসি। ঐখোয ইশানা ''মৈতৈ / মীতৈ / মণিপুরী'' হাযনা শক্তাকচবা অদুগা মীতোপনা ''মণিপুরী'' হাযনা খঙবিবা যুকপসি পুরাবীগী (ইতিহাস / History) তাক্কক কযাদা অরাবগী চৈথেং কযা য ংদুনা মুৎপা যাকববা চিববা ফিবম কযাদগী লাম্ৰোবক্কুনা ঙসিসু ইশাগী অবেপ্লা শক্তম (Identity) বু ঙাকচনবা লাইনীং অদুবুদি মীতৈ মচা খুদিংমক্কা চেংনা থম্মোযদা থমলি। যেক কযাগী ইফুৎ ওইখ্রবা, কাংলুপ কযান তিনখ্রবা মীতৈ হাযবা যুকপসিগী হৌবকফমদি মমাংগৈঙদগী ''মৈত্রবাক / মীতৈলৈবাক / কংলৈপাক'' হাযনা খংনবকপা হৌজিকনা ''মণিপুর'' হাযনা খংনবিবা লমদম অসিনা ওইদুনা লাকলি ।

লৈকোযলোনগী মতুং ইন্না, ভারতকী অরাংনোংপোক ঙমখৈদা, লমদমসিনা (মৈত্রবাক্সা) লৈবিবসি (অক্ষবেক্ষা) latitude 23 92⁰-25 79⁰N অমসুং (দ্রাঘিমা) longitude 92 97⁰-94 75⁰L তা লৈ। লমদমসিগী অরাংদা নাগাল্যান্দ, খাদা মিজোরাম, নোংচুপতা অসাম অমসুং নোংপোক থংবদা বর্মা (মযানমার) গা ঙমদাইনদুনা ভারতকী অরাং নোংপোক্কী ঙমখৈ ওইদুনা লৈবি। লমদম অসিগী মীওইবশিংগী চৎনবোল অমদি পুরাবীনা খা নোংপোক এসিযাগী মীহোবোল অমদি পুরাবীদা অচৌবা খুদোল তমদুনা থোযদোক্না শিংথানিঙাই ওইবা শকক যাদুনা লার্কসি ।

কুনমাইথোইশুবা চহীচাশদা যুকপশিগী খুনাংগী ফিবম যেংলুববদি মখাশী অসুম্না উবা ফংই, মদুদি অলু অহেন পাম জবা মীতৈ ঐখোযসি অযাম্বনা খুঙ্গংদা লৈজববসু সিটি নত্রগা টাউনশিংদসু মযেং

তাদনা লৈ। মৈত্রবাক্কী ইম্ফাল অমদি টাউন কযাদা অসামগী গুৱাহাটী, শিলচব, হাইলাকান্দি অমদি অতৈ টাউন কযাদা, ত্রিপুরাদা, বাংলাদেশকী ঢাকা অমদি টাউন কযাদা, বর্ম্মাদা, ইন্দিয়াগী সিটি দিল্লি, পুনে, মুম্বাই, অতৈ সহব কযাদা অসিত নত্তনা অমেবিকাগী সিটি কযাদা, ডুবাইদা, জপানদা, ইংল্যন্দ অমদি অতৈ মালেমগী লৈবাক কযাদা পাকনা শন্না মীতৈশিংনা যুমলিংদুনা লৈখ্রে।অসুম্না মীতৈশিংগী পুন্সি মবেলদি হৌজিক্কী মালেমগী চাউখৎলবা সিটি অমগা চপ মান্ননা লৈ হাযবা যাই। লোযননা অযাম্বা মীতৌশিংনা খুন্দাবিবা খুঙ্গংগী পুন্সি মবেলসু সিটিগী পুন্সি মবেলদগী থোইদোক্না মযেং তাই হাযববদি অবানবা ওইগনি। ইপা ইপুনা শাবম্বা যুম উবা ফংলকত্রে, অনৌবা মতমগী যুমশা ঙাক্তনা অযার্বনি। লম্বী থোং হান্নদগী যাম্না শাথিনা হেন্না ফগৎলে, কম্পিউটাব, ইনতাবনেট, টেলিফোন, ইলেকট্রিকসিটি, মুউজিক সিসটেম লোযনা ইপা ইপুনা খংখিদবা ঙাক্নোন। লৌউবগী চৎনবী পুমহোং হোংখ্রে, শোইবিক তম্বগী সিসটেম অমসুং কাবিকুলাম পুমহোং হোংখ্রে, ইপা ইপুনা মাংঙি হাযবম্বা খংখিদবা লোল ইংবেজী খুঙ্গং খুদিংদা তম্বা যাবে। যুমথোং খুদিংদা তম্বা যাবে। যুমথোং খুদিংদা গভর্নমেন্টকী নত্রগা প্রাইভেট নত্রগা এনার্জিও গী থবক সুদবা মীথেম অমত্তা লৈতে, নত্রবদি হীংবা ঙম্লকত্রে। লাইবিক হৈতবা মী অমত্তা মীতৈ খুনাইদা লৈতে হাযবা যাবক্লে। মসি চাউখৎপগী অযৌবা খুদমনি হাযদবা ঙম্লোই। থোংবাৎ অসিগী মাযকৈ হোংবসু ঙমলোই অদুগা মসিমক্না তুংগী ওইবক্কদবা লমদাং অদুমকনি হাযবা তাই। তৌইগুম্বসুং খুনাইসিগী মনিং থুংদবা পেনদবা খর্বাদ লৈতবা নত্তে, খুনাই খুদিংমত্তংসু লৈবগুম্না। হাযখ্রিবসিখক্তনা খুনাইসিগী অবান খুভর্মান হাযবদি যাদ্রি।

অদুবু মঙ মঙবদি য়াইদনা, অতৈসু ওইবা যাবা খবা মঙ ওইনা মঙদুনা যেংসি। মীতৈ হায়বা ফুক্নপসি লৈবাক মচা তাই (civilized)। মখোযনা খুন্দাকবা, যুমলিংলুবা মফম খুদিংমক্তা তমজনিঙাইগী তমজনিঙাই ঙাক্তনি। মখোযগী হৌবকযর্মনি হাযরিবা মৈত্রবাকতু লাইবৈবাকনি হার্যাববদু হাযয ম থোকই, মালেমগী মীযাম্না য়াফম থোকই।

সনানা ঈংগী শিংপা, লুপানা মফেন কাবা লাইবৈবাকনি। মখোয়গী ফিজেৎ চাকচাদি মখোইগী লাইনিংথৌ লাইবেম্বীগী ফিজেৎনি হার্যবিবদু অঙকপা য ংনা যক্তে, মালেমগী মীওই খুদিংমক্তা শিজিন্নফমবু থোকই। মখোয়গী মনাও, চংনবোল, থৌগননোন, মীওইববু ইকাই খুম্নবা তমজনিঙাইনি। মখোয়না পুন্সিবু অদুব্বী মতিক লুনা তৌজে, মী খুদিংমকপু চপ মান্ননা হিংমিন্নে। হবান টীনথী লৈত্রবা, ইং তপ্লবা লৈঙাকলোন করম্নবু তৌবিবা। লিন্না হংোয় চাংবা নমদমনি মখোয়গী লোল, ময়েক পুযা, পুদিন (কোর্বৈর খোবিবোন/সাহিত্য) অঙকপা ফংনা অনৌবা গ্লোবলাইজেশন ফমদি সাইস্বা [illegible] চুনবা শেমলিবা মীওইববু, তাংবংপানবু, মালেমবু, [illegible]বানববু [illegible] খুদো [illegible] থোক্লগদবদগী কনদনা যেংকথংনবা [illegible] মীযাববু অইংবগী (শান্তি peace) [illegible] মীওইবা [illegible]কপৰ্ব (ডার্ম) লাইবব [illegible]

[illegible] মালেমগী [illegible] খুদিং [illegible]

[illegible]

করিগুম্বদা ফুরুপতু গী শক্তম (Identity) মাংখ্রবদি ফুরুপতুগী মীওইশিংনা হিংদুনা লৈরবসু, অশিবা মীনা কাতুৎ কারন চৎপগা করিমতা খেৎনদ্রে হায়বা যাই।

হিংবা খক্তনা অহিংবা ওইনা লৌবা যাদ্রবা মীওইবগী মপোক্তা, মতীং থোক্লা হিংজনবগীদমক, ঐখোযগী শক্তাকপু ঙাক্তুনা থম্বা ঙমলিব্রা হাযবসিগীদমক মীতৈগী খঙহৈববা ওঝাশিংনা, থিঙ্ক তেঙ্কনা অহিং তুমদনা চহী লীশিং কযাদগী ৱান যোখৎচবক্লবা সভ্যতাসিবু মমি শামখ্রগনি হাযনা মীপাইনবিবসিন্বু করম্না মীরাইনা লৌফম থোকপগে। মবম অদুনা চাউখৎলবা লৈবাক্কী মীওইশিংনা শুরিবদুদগী চাউখৎলর্কলিবা ভারতকুম্বা লৈবাক্তা শকক চাম্ম হেন্না শুফম থোকপদগী, অমুক্কা হেন্না মীতৈগুম্বা (Identity crisis) শক্তাক্কী উংখৎনবা লৈবাক্লবা ঐখোযনা শকক চাম্ম হেন্না হোৎনফম থোক্লি। হাযবদি মীতৈ মাগশিংগী মখৌদাংদি শকক চনি হেন্না হোৎনফম থোক্লি।

ঐখোযগী লাইবক থীবদি, কুনমাথোইশুবা চহীচাশিদা, মীচঙ নত্তনা হিংবা যাদ্রবা, মীযাম্না লৈঙাকপা ভাবতবর্ষদা অনৌ অনৌবা চৎন-পথাপ (Constitutional Amendment) শেমলিবসিদা করম্না শকক যাদুনা হিংবগী ফংফম থোকপাশিং তান্নরুবগী মহুত্তা, চহী লীশিং কযাগী মমাংদগী ফিরেপ নাইনা লৈবগদবশিং হাযবদি শক্তাকপু (Identity), ঙাস অমুক নৌহৌনা মাদুনা থিগৎলিবসিনি। তৌবগীদি হোৎনবগী অমুক খেঙবা নাইদবগুম, ঐখোযগী চারোল শুরোলগীদমক্তদি ঙসিনা অথোযবা মতম ওইফম থোক্রা?

ঐখোযগী শক্তমবু মশক খংবা হায়বসি ঐখোযগী ইপা ইপুশিংগী লীকলম লীচৎপু মশক খংজবদুবু নত্রা? থিরুদবদগী খংদুনা লৈত্রমালে হাযনা নুংনাংলুবগী ৱাতনি, থিজিল্লুরগা খঙলকলগদি শোযদনা চাউথোকচনিঙাই ঙাক্তনি, মীতৈ সিভিলাইজেসন (সভ্যতা) দি।

মীতৈ ঐখোয়সি চহী লিশিং ৩ (অহুম) দগী হেন্না, মরিযাফম্বালচা (১৩৭৯ B.C) গী মতমদগীনা নোংদা লাইরেন পাখংবগী মতম (৩৩ AD)

ফাওবগী পুৱারী মমাংগী মতম (prehistory), অদুগা মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবগী মতমদগীনা মৈদিংঙু বোধচন্দ্র সিংনা (ইং ১৯৪৯) পাল্লম্বা, হাযবদি মৈত্রবাক্না ভারত্তা তিনদ্রিঙৈ মমাংগী মতমগী নিংথৌরোলগী অইবা পুৱারী চৈথারোল কুম্বাবনচিংবা পুয়াদা ময়েক লানা ইদুনা মীতৈগী পুৱারীবু সনাগী ময়েক্না ইদুনা লেঙবা য়াদ্রবা চুক ওইনা থমলি। মীতৈ হাযবা ফুরুপসি পুৱারীগী ঈচেলগী ঈথৈ কয়াদা মীওইবা কাংলুপ কয়ানা ইতিন্দুনা মশা মবেং ফন্না শারেপ ফাখ্রবা খুনাইনি। লাই হরাওবগী ফিন্দম্না ঙসি ফাওবা চীঙমী অমদি তম্মী অনিমকপু লৈশেমঙৈদগী হৌনা মৈত্রবাক / কংলৈবাক্তা ইচিন-ইনাও ওইনা হিংমিন্নরকখি হাযবসি তাক্লি। মীতৈগী পুযা ''লৈশেমলোন'' অমদি ''শকোক থীরেন'' না তাকলিবদি য়েক তরেৎকী হৌবকফমদি লাইনিংথৌ সোবারেনগী মচা মশু ওইনা মীতৈ লৈবাক্তগী হৌমিন্নরকখিবনি হাযবসি লাইরোন ওইনা থম্মীরি। ''পোইবৈতোন খুন্থোকপা'' পুযাদা তাকলিবদি মৈত্রবাক্তগী মীওই কয়ানা মালেমগী মফম কযাদা চত্তুনা মীওইবা কাঙলুপ কযা শন্দোকখি হায়বসিনি। ''কৈযোই কৈযাৎ'' পুযাগী মতুং ইন্না মচিন মনাও অনিগী মরক্তা হায়বদি চীঙমীনসু তম্মী ওইনা যেক শলাই খাইনা মীতৈদা তিনখিবা, তম্মীনসু চীঙমীদা তিনখিবগী ৱাফম তাক্লি। পূৱারীগী চিরবা তাঙ্কক কয়াদা চীঙমী ইচিন ইনাওশিংগী মতেং নত্তনা মৈত্রবাক্কী নিংথৌশিংনা মৈত্রবাকপু কনদুনা থম্বা ওইথোকখিদে। ঙল্লিঙৈগী মতমদা যেক তরেৎনা কোনুং অমমম ওইনা পাল্লকখিনগী ৱাবী মোইরাং কংলৈবোলনচিংবদা ময়েক লান ঊবা ফংখিঙ। অদুমকপু মীতৈ অমদি মৈত্রবাকপু যেক তরেৎনা অমত্তা ওইনা চহী লিশিং কযাগী মমাংদগী মৈদিংঙু নোংদা লাইবেন পাখংবগী মতমদগী অমত্তা ওইনা চেৎনা চান্না থৌগনমিন্নবকখি হাযবসি অঙোমগী লুচিংবা পুরৈরোম্বা, লুৱাঙগী লাঙবা লাঙমাইবা, মঙাঙগী লুচিংবা অপানবর্নচিংবশিংনা নোংদা লাইবেন পাখঙবগী মপাঙ্গল কনখৎহনখিবদু শিংথানিঙাইবা ওই। মসিত নত্তনা পোইবৈতোনগী মচন নুপী লাইস্নানা নোংদা লাইবেন পাখংবগী লৈমরেন ওইনা ঙাম্থোযখিবদু মীতৈ ফুরূপ (জাতি) না যুমলিংবদা চাওববা খুদোল ওইখি হাযদবা ঙম্রোই।

মতম কুইনা মীতৈ নিংথৌশিংনা যুমথংনবা অমদি মচিনমনাও, মবি- মতা ওইরিবিবা যেক কাংলুপশিংগী মনুংদা লান তৌবদগী লাহোরক্লুনা মৈত্রবাক্কী ৱাংমদা পাক শন্দোকপগী মিৎযেং থমখিবসি মৈদিংঙু নিংথৌ খোম্বগী মতম ফাওবদা মঙলান ওইখ্রবসু মচানুপা ক্যাম্বগী হাক্তকতগীদি (১৪৬৭-১৫০৮), সনাগী পুখম অমত্তা কবো (পোং) নিংথৌগা লুক হামিন্নখ্রবনি। কবোগী লমদম কযাসু মৈত্রবাক্কী মনুং চনখি অমসুং কবোগী মীওই কয়ানা মীতৈদা যুমনাক শাগে নাইনা তিনখিবগী ৱাফমসু লৈনি। মাসবু কবোলোন হায়বদি নোংপোক হাবমলোনদা তাক্লি। মতমদুগী মপাঙ্গল কনখৎলকলিবা নিংথৌ ওইবদগী ভাবতবর্ষগী মীওই কযানা মীথুংলবা ওইনা লৈখিবদগীদি মীতৈগী ফুকপ (Nation / জাতি)তা মশা মবেং ফৰা হেনগৎলকখি। অসুম্না মীতৈগী বামোন ওইনা হৌমিন্নবকখিবগী মীহৌবোলবু ''বামোন খুম্লোকপ'' নচিংবা পুযানা তাকলি। তৌইগুম্বসু° মতম কুইনা মীতৈগী শক্তক ওইনা লাকখ্রবা কবো লমদমবু মৈদিংঙু গম্ভীবসিংনা ইং ১৮২৬ তা অৱা (বর্ম্মীস) শিংবু মৈত্রবাক্তগী তাম্লোকখ্রবগী মতুংদা, বৃটিশশিংনা যানদাবু যানচে (Treaty) দা অৱাশিংদা অমুক হন্দোকখিবদুনা তাইশিনবা যাদ্রবা মলোম অমগুম অৱাশিংগা লৈহৌখি।

নিংথৌশিংগা যাবা ৱাফম অমনা মৈদিংঙু খাগেম্বগী মতমদা (খৃঃ ১৫৯৭ ১৬৫২) মনাওনুপা সানোংবগা তৌখিবা লানগী মতুংদগী, মৈত্রবাক্তা যুমলিংখ্রবা পাঙ্গল ইচিন ইনাওংনা অমুক্কা হেন্না মীতৈগী খুনাইবু মকা লামহনদুনা ''মীতৈ পাঙ্গল'' হাযনা হৌমিন্নরকখিবগী ৱাফম ''নোংশামৈ'' পুযানচিংবনা তাক্লি।

ঙাসিদগী চহী ৩০০ (চহুম) মুক্কী মমাংদা (খৃঃ ১৭০৯), খা নোংপোক এসিযাগী নিংথৌবেল ওইনা লৌনববা, ভাবতকী পুৱারীগী নিংথৌবেল অশোককুম্রবা, মৈত্রবাক্কী পুৱারীদা ঙমখৈ থেংনা মঙক হাযগৎলম্বা, মৈদিংঙু পামহৈবনা (গবিবনিৱাজ) মৈত্রবাক অমদি অকোযবদা লৈবিবা লৈবাক খুদিংমকপু মহাক্কী খুদুম মখাদা থমখিবদু পুৱারীত নত্তনা মহাক্কী মীযাম্না, মতম্না লৈবিবমখৈ চাউথোকচবিবদু

চাউথোকফম থোক্ত্রা । নিংথৌবেল অশোককুম পোলোযদা লাইনীং লম্বী থিবকখিবদুদি খন্ননিঙাই ওইখি। মহাক্না পুযা মৈ থাদুনা অনৌবা লাইনীং লৌজদুনা অনৌবা মীৎযেংগা লোযননা ''মৈত্রবাক'' পু ''মণিপুব'' হাযনা মিংথোলদুনা মপান লৈবাক্কী (ভাবতবর্ষ) মীযামগা খুৎশম্লনা নোংচুপ থোঙ হাংলুবদু হৌজিক্তি তোঙান তোঙানবা মিৎযেংদা নৈনবা হেনগৎলকখি। হ্রনিংথৌগী যাথং লৈখা ত্তাহনবা ঙমদবদগী লেবাক মীযাম্না খাংখিবা অব্লাবা পুব্লাবীগী অঙকপা তাঙ্কক মমা ওইখি।

পুযা মৈ থাবগী চহী ১০০ (চাম) মুক্কী মতুং, ঙসিদগীনা চহী ১৮০ গী মমাংদা খৃঃ ১৮১০ ১৮২৬ ফাওবা, চহী তবেৎ খুনতাকপদা অব্লাশিংনা মৈত্রবাকপু মীওৎ মীনৈখিবদু মালেমগী পুব্লাবীদা জেনোসাইদ ওহনা লৌখর্বান। ঈনা লোখো চেনখ্রবা পুব্লাবীগী তাঙ্কক অসিদা মৈত্রবাক্কী মীশিং ৫৫,০০০ (লিশিং যাংখৈমঙা) দগী লিকথাখিদুনা মীশিং ১০,০০০ (লিশিং তরা) তমক ওাইখলদুদা, সুপনতগী মীশিং ৩,০০০ (লিশিং অহুম) খকতনা নহা (Adult) ওইনা হিংহৌখি। হৌজিক ফাওবদা অকি তুত্যংবত্তনা মিৎতগী পি মরীব অমা ফাওবা শিন্থবদা কিখ্রবা পুব্লাবীগী তাঙ্কক অর্মনি। মৈত্রবাক্কী নিংথোশিংনা মপাঙ্গল কনখৎলকপগা লোযননা যুমথংনবা লৈবাকশিংগা বর্ম্মা / অব্লা, কছাড়, তেখাউ / অসাম, ত্রিপুবা / তখেন, রুবো / পোং নচিংবগা ঙাইবি শোল্ল ওইবর্কাখিবদগী লৈনবর্কাখিবা মবীদগী শন্দোবর্কাখিবা মীশিংদগী চহী তবেৎ খুল্লাকপদা শন্দাবর্কাখিবা মীশিংনা ওমখৈ লৈতনা হেৰ্নাখি হাযবসি কাউবা যাববোইদবা ফুঙ্গা ব্লাবীগুম্ন া মীতৈ খুদিংমক্কী থম্মোযদা লৈখ্রর্বান।

মৈদিংঙু গম্ভীবাসংনা অব্লাবু তাম্হোকতুনা, মবৈবাকপু কনজখিবগী অপেনবগা লোযননা, মপা মপু হাক্তক্তা মযাং কামরূপী লানফা ওইনা পুবকখিবা মীওই কযাবু মীতৈ খুনাইদা তিল্লু যাদদুনা লৈবকখ্রবশিংবু ''মযাং কলিসা'' হাযনা খংনখি। মখোযবু ''বিষ্ণু'' গী মীংথৈ পীদুনা তোঙান্না থমখিবদু পনবা যাবা পুব্লাবীগী ত্তাঙ্কক অর্মনি। ''সঙ্গায ফম্মাং'' পুযাদা ''কালিশালোন'' পুযানা মযেক লান ইবি।

''মৈতিংঙু গম্ভীবসিং স্না হাকতক্তা শোক ১৭৪৯ (খৃঃ ১৮২৭) দা মযাং কালিসাবু বিষ্ণু কৌদুনা নগুন থাংহল্লি।''

-মৈহৌবলোন সঙ্গাই ফম্মাং, কালিশালোন, (লাঃ ১৬৭)

ঙসিদগীনা চহী ১১৮ মমাং, ইং ১৮৯৭ তা, চহী তরেৎ খুন্তাকপদগীনা চহী ৭০ মতুং, মীরোল অমগী মতম যৌফাৎতনা, মী খুজোক অমত্তা ঙাইকরবা মীতৈশিংনা, মালেমবু লোই চনখ্রবা বৃটিশশিংগী মফমদা মপুন্সিবু কথোকপা নত্তনা মরৈবাক্কী মনিং তম্ববুদি পীবা ঙমখিদে। অদুনবু মায পাকপা ঙম্নরোই খঙলবা মীতৈগী অথৌবশিংনা খোঙজোমগী তোর্বান্দা মবৈবাক নিংবশিংগী লাইফম শেমখ্রবা মৈত্রবাকনি।

পাওনা মেঙ্গোর -

'' ....মখোযগী মকর্নদি যৌবে। ঐখোযগী মকর্নদি যৌবা ঙমদবে হাযনা পাও অহুমলক হাযখিবমু পিরকতে। অদুদা পাওনা মেঙ্গোবনা হায - লৈবাক মচাশা মরুনদি যৌবে চেন্দুনা শিবদি ফত্তে, . . । ঐখোয পুম্নমকসু হিংলবোই। মাইসু ওল্লবোই হাযদুনা থাঙ অনি পাযদুনা হোৎচিনখিএ । .....''

-চৈথাবোল কুম্বাবা, লাঃ ৪৯২

লানদা মাযথীরবগী মতুংদগীদি, চহী লিশিং কযাগী মমাংদগী নিংথৌ পা দুনা লাকখ্রবা মৈত্রবাকপু, বৃটিশশিংনা চহী ৮ তা সুবিবা নীংথেম চুডাচা দবু মমীংগীত ওইনা নিংথৌ ফম হাপলগা মখুত চাবা বাজদরবা অমা শেমদুনা পুংনৌ নৌবা লৈঙাকলোন অমা শেমখিবদগীদি মৈত্রবাক্কী পুন্নাবীদা শক্লোন যাম্বা হৌবকখি। মতম অসিদগী হৌনা মযেক লাববা লৈথি অমগুম, মপাঙ্গল কল্লবা নিংথৌ অমগী লীচংগী পবীংনা তাকপগুম্না চুমদ্রিং চুম্বা মীৎযেং অমনা লৈবাক অমদি খুনাইগী মশক লেপ্পা ওইখোকখিদে। মালেম

পুম্বনা পোথাবা লৈতনা জগোয শাবিবা , বৃটিশশিংনা থীল্লিবা পুঙজাওদুগী পুঙলোন্দা মৈত্রবাকসু ৱানা ময়ামগী মতুং ইনবা তাখি। কাঙ্গৎ চাবম্বা নিংথৌনা মলেসশিংদা কাঙ্গৎ কৎপা তাববদি লৈবাক্তুগী মীযাম্না অৱাবা নংবদি মশানা তাববা ৱাফমনি। মৈত্রবাক্কী লাইবক থীখিবদি, মীতৈবাবু অমদি ব্রহ্মসভানা নিংথৌগী মকম থুপনা লৈবগা, খুনাইগী া ৎনবোলগী মথক্তা যুমফম ওইবগা, নাকোযননা লৈঙাকলোন্দা খুৎ থিংজিন্দুনা জবিমনা ওইনা খোমগৎপা সেনভম লৈবাক মীযাম্না পুবা ঙমলকখিদবদু কানবা যাদবা পুৱাবীগী তাঙ্কক ঊর্মনি। বৃটিশশিংগা লোযননা থুংলাখিবা ভাবতবর্ষগী লল্লোনবা (মাবৱাবী) শিংনা মনীংতম্না লল্লোনবগী হকতু লান্না শিজিন্নদুনা মৈত্রবাক্কী পোথোকপু ৩০নবা মপানদা থাদোকপগী থৌদৌদগী াক তাংাকতুনা মীতৈ ইমা ওইবীশিংনা পুবকখিবা ঈহৌ ''নুপী লান'' মালেমগী নুপী ওইবীশিংগী থৌনা অমদি তমজনিঙাই ওইবগী খুদর্মনি।

নিংথৌকোনগী পাণ্ডিত লোযশঙদগা নত্তনা খুনাইগী মীযাম্নসু মলোনা লাইবিক লেম্লবগী মঙাল ফংলকপদগী পুবকখিবা যাকাযবোন (রেনেসান্স, Renaissance), তশেংনমক মীতৈ পুৱাবীগী পুংনৌ নোবা চৰী (যুগ) অহানবা খোংথাংনি হায়না লৌবা যাই। ইং ১৯৩৩ দা, ''মণিপুরী মহাসভা'' কাযনথংদা ''নিখিল মণিপুরী মহাসভা'' হাযনা থংনখিবা লুপ অমা নিংখৎতুনা মীতৈ দাইসপোবা (হাযবদি মৈত্রবাক, অসাম, বর্মা, বাংলাদেশ) গী অপুনবা খোংচৎ অমা চৎপা হৌবকখিবদু থোযদোকনা মীতৈ যুংকপ (জাতি) গী লাইবক লেপনিঙাই ওইবা লুপ অর্মনি।

লুপ অসিনা ইবৈবাক্কী শকতাক (Identity) ঙাকচনবগীদমক গৌড়ধর্ম্মবু মৈত্রবাক্কী অমত্তা ঙাইববা লাইনীং ওইনা লাওথোকপা, ইমালোন্না (মীতৈলোন) না লাইবিক তম্বগী ঈহৌ, মীতৈ মযেকপু অমুক নৌহৌনা শিজিন্ননবা হোৎনবকখিবা, মীতৈ পুৱাবীবু অমুক নোনা মবীকচুম্না ইথোকপা, মীতৈগী ইনাৎপু যোখৎনবা হোৎনবকখিবা অমসুং ৱাফমশিং অসিবু মহাসভাগী ৱাবেপ ওইনা লৌখিবশিংদু তশেংনমক মীতৈ সভ্যতাগী

অনৌবা ফীবেপ লেপনবা অকনবা থৌদাংনি। লাইবক থীবদি অনৌবা যাকাযবোল (Renaissance) কী তাঙ্কক অসিদা, মৈত্রবাক্কী যুমফমবু অমুক নৌহৌনা বেদ, আর্য অমদি সংস্কৃতকী মথক্তা যুমফম ওইরুবদুনি। তৌইগুম্বসু ঙকন ওইখিবদি, মতম অসিমক্তদা ইং ১৯১০ দা লাইনিংহন নাওবিয়া যুলোনা লুচিংদুনা মীতৈগী কলচবেল লিববেলিজমগী ঈহৌ হৌবর্কখিবদুনি হাযদবা যাবোই। মহাক্কী লমজিং মখাদা মীতৈগী লোল, মযেক, লাইনীং লাইশোন, পুরাণী, চেংনবোল খুদিংমক মীতৈগী যেলহৌঙৈগী (ইন্দিজেনস) কী মথক্তা যুমফম ওইরকখিবদুনি।

তৌইগুম্বসুং মালেমগী অচোবা ঈথিলনা থুংলাখবদগী লোনগী লোনবুং ওইখ্রবা মৈত্রবাক্কী মনাইবক্তা, মীতৈ খুদি মক্ত তোখাযনা মবোমদোম হিংজনবা খোংচং চোখ্ল অনিশুবা লা [illegible] মদা মলেমশিংনা ইং ১৮৯১ দা ভারত [illegible] চপা মৈত্রবাক্তা পাল্লগী বৃটিশশিংনা [illegible] মীতৈগী মান [illegible] মাণপুরনা [illegible] [illegible]

নাইদবা মতমগী ঈচেলদা মৈত্রবাক্কী মবাইবক লেপচখ্রবনি। চহীসিগী ওক্টোবর ১৫ দা, ইনিংথৌ বোধচন্দ্রনা মণিপুরগী পোলোগ্রাউন্দা লাউথোকখিবা অনৌবা লৈঙাকলোনগী খোঙচৎতুদগীদি মৈত্রবাক্কী মীওই খুদিংমক্কা মবৈবাক ঙাকচবগী মথৌদাং লৌবা হৌখ্রবনি। অদুনা

"You are the true wealth of the Nation."

হায়বা মথৌদাংদু মশক খংবা তাবকখি।

আর্য, দ্রাবীর অমসুং জাৎ (সুদ্র) গী চাউরবা উংখৎনবা লৈববা ভারতবর্ষদা অল্লাংনোংপোকতগী মৈত্রবাক (মণিপুর) না তিল্লুবদি মশিং লীকপা ট্রাইব কাঙলুপ অমা ওইনা উবিখি। মোঙ্গলোযদ কাঙলুপনি হায়বা ফাওবা তানিংখিদে, খোল্লাও খুঁদিংমক দিল্লি যৌনবা লাওবদা অল্লাবগী শকক হেনগৎলকখি। অসুম্না মৈত্রবাক্কা দিল্লিগী খুথাঙ লৈঙাক ওইবা হৌবকপদগীদি, নিংথৌ লৈত্রে খংলকলবা খুবক্কী ঈনা লাই শাব হৌবকখি। বৃটিশশিংদগী মমুৎ তান ওমহৌববা ভারতনা ''যৈনহল্লগা লৈঙাকপা Divide and Rule '' হায়বা পোবমদু চৎপা হৌবকখি। মনাৎকী লোযলম লীংখৎপগী মঙজাও মঙলম্বা নোংচুপলোমগী ইচিন ইনাও কযানা মায পাক্লবোই খংলকলবগী মতুংদগীদি শীঙ ইনশিনবা যাওদবসু নত্তে।

বৃটিশশিংগী মতমদগী লাইনীং অমাদ ইনাৎকী চৎনবোলদা থাপতোকনবকপদগী চীঙমী ইচিন ইনাওশিংগা ফন শাথনা কাউথোকনবকতুনা ঙাসিদ মথম মতমদা মৈত্রবাক্কী ঙমখৈ ঙাকপদা অচৌবা ল্লাহং কযা লাকপা হোবকখি। মৈত্রবাক অমদি মৈত্রবাক্কী মপানদা খুন্দাখ্রবা ইচিন ইনাওশিং হায়বদি মীতৈ, মীতৈ বামোন, মীতৈ পাঙ্গল, চীঙমী তম্মী ইচিন ইনাওশিংনা মীতৈ অমদি মৈত্রবাক্কী অবেপ্পা শক্তাকপু (Identity) বু ঙাকচনবা কদায যৌনা খুৎশমননা শকক যামিল্লবি হংবা ল্লাহং ওইবকখি। মতাং অসিদা ফুঙ্গা ল্লাবী অমা নিংশিংলকখি।

ফুঙ্গা ৱারী অমা -

থায়না মমাংঙৈদা নিংথৌমচা অমগা মন্ত্রীমচা অমগা লৈবাক অমগী নিংথৌ কোনুংদা লৈরম্মী। মখোয় অনি য়াম্না লুনা তিন্নবা মরুপ ওইরম্মী। মখোয় অনিমক্না মপুং মরৈ ফান চাউরক্লবদা, নিংথৌ মচাদুগী য়ুমপানবগী থৌরাং মপাবুঙ নিংথৌদুনা শিল্লাংবিরম্মী। নিংথৌমচা ওইবগী হৌনবী লৈবাক পুঙজাও থীন্দুনা, খ্বাইদগী হেন্না মশক মতৌ ফজরবী নিংথৌমচানুপী অমা থিদুনা লুহোংবীরম্মী। অসুম্ন া মতম খরা লৈরক্লগা, মন্ত্রীমচাদুগী মপুকনিংদা মশক মতৌ ফজরবী নিংথৌমচাগী মতালোযদুবু মিতাবা হৌরকখি অমসুং করম্না লুনা তিন্নরিবা মরুপকী নুপীবু লৌবা যাগদগে হাযনা যাম্না কন্না খনখিবম্মী। নোংমদি মন্ত্রীমচাদুনা নিংথৌ মচাদা হাযখিরম্মী - ''ইতাও ঐখোয অনিমক হৌজিক্তি চাউরক্লবনিনা মহৈ মশিং খরা তমশিদনা।'' নিংথৌমচাদুসু হরাও হরাও যাখিরম্মী। মন্ত্রীমচাদুগী থৌশিন মতুং ইন্না, মখোয় অনিমক নিংথৌ কোনুংদগী নুমিৎ কযামরুম চান থক্লবগী পোৎয়োম্নচিংবা নম্বো তৌদুনা, মহৈ তম্নবগীদমক খোংশানবা হৌবকখি। মখোয অনিনা অযুক অঙনবদগী খোংশানলকপশিনা নুমিদাংৱাই যৌরক্লবা ফাওবদা খুঙ্গং, সহর,নগব, কযা লান্দুনা লাকখিরম্মী। অহানবগী নুমিত্তু মখোয অনিনা চৎপদা চাওরবা লৌবুক অমা লাম্বোক্লগা থুংলবদা খুঙ্গঙ যৌবা ঙমহৌদদুনা উমং অমদা পোথাখিরম্মী। নোঙাল্লগা মথংগী নুমিত্তসু পোৎযোমদা যাওবিবা অচা অথকশিংদু খবা চারগা অমুক খোংশানবা হৌরকখি। অসুম্না নুমিৎ কযানি খোংশাল্লকপসিনা, মপাবুঙ নিংথৌগী পাকচাওববা লৈবাক্কী ঙমখৈ যৌবকখি। মখোয অনিনা চৎপসি ৱারক্লদুনা নোংমদি নুমিদাংৱাইগী মতম যৌরক্লবদা পীক্লবা খুঙ্গঙ অমদা, মচা-মশু লৈজদবা হনুবা হনুবী অমগী মযুমদা থুংখিবম্মী। চীঙ লেল্লবা নহা ওইরিবা নুপা অনিনা যাম্না নোম্লুক্লা অহিং অমতং যাবেকচগে হাযবা যাৱাদু তাবদা হনুবা হনুবী মতৈ মনাও অনিনা যাম্না হবাওনা তরাম্না

ওকখিবনী মোইহাক পোথাদুনা ৱাবী-ৱাতাই শান্নাংগীদি নহা অনিনা থিংকলিবসি কবিনো হাযবদু হনুবা হনুবী অনিনা মুন্না খংবা ঙমখি। হনুবীদুনা নুমিদাংগী চান-থক্লবা থৌবাং তৌদুনা মখোয পুন্না মপুক পেন্না হাওনা চামিন্নখি। মদু ফাওবদা হনুবা হনুবীদা মখোয অনি নিংথৌমচা অমদি মন্ত্রীমচানি হাযবদুদি তাকথোক্লমদে। নুমিৎ চুপ্পা চৎলকপগী অৱাবদুনা মখোয অনিদি নুঙাইনা তুমথখিবনী। হনুবীদুনা মপুবোইবা হনুবদা মমাংঙৈদা শান্নবঙা মহৈদু নিংশিংনবা হাযজবনী। অসুম্না হনুবীনা অহন ওইববা হনুবগী কাউগনবা ৱাখলদুবু নিংশিংনবা সেবা তৌবকপদুনা নুমিদাং থেংলক্লবা মতমদা হনুবদুগী ৱাখলদা খংহৌদনা মহৈগী লাইৱাদু খংনিং নিংশিংলকখি। মদুদা হনুবা হনুবীদু হবাওবনা মতোন লোমখি। নোংঙাল্লগা হনুবনা নহা অনিদুদা মহাক্কী হৈজবা মহৈ তমবিগনি হাযনা খংহনবদগীদি, মখোয অনিদু মথংগী নুমিৎ অদুগসু লৈথখিবনী। নুমিদাং ওইবক্লদুনা পুংমম মমলক্লবা মতমদা হনুবনা নহা অনিদুবু শুক্লবা উমং মোংশোং অমদা পুবগা মহৈগী লাইবোন তমবিখিবনী। নিংথৌমচা অদুনা সনাগী তেনৱা অদুগা মন্ত্রীমচাদুনা সনাগী শজি ওনবা তমখি। মখোয অহুম্মক মোংশোংদগী মযুমদা হল্লকখিবনী। নোংঙাল্লগা নহা অনিদুনা মখোযগী মশেংবা মশক তাকপদগী হনুবা হনুবীদু অমুক্কা হেন্না হবাওখিবনী। চৎলমদাইগী মতমদা মখোযদা যাওবকপা সনা লুপানাচিংবা কযাদু হনুবা হনুবীদা মহৈ তম্বগী দক্ষিনা ওইনা কৎখিবনী। অসুম্না মহৈ তম্বা লোযবদুনা, মখোয অনি অমুক্কা হন্না কোনুংদা হল্লকখিবনী। খবা চৎলগা উমং মোংশোং অগা উবকপদুদা মন্ত্রীমচানা নিংথৌমচাদা হাযখিবনী - ''ইন্দাও। ঐখোযনা তমলকলিবা মহৈশি অমুকতংদি চাংযেং তৌসিদনা।'' নিংথৌমচাদুসু হবাও হাবাওনা যাখিবনী। উমংদুগী মযাযদা চঙশিল্লগা, মন্ত্রীমচাদুনা নিংথৌমচাদুদা হান্না চাংযেং তৌনবা হাযবকখি। নিংথৌমচানসু যাখি। হনুবদুনা থোকপিবকপা মতুং

ইন্না নিংথৌ মচাদুনা অঙোবা ফি অমা থাবগা লোংনা হিপলগা লাইবোন তৌদুনা লোযবকপদদি, খংহৌদনা নিংথৌমচাদুগী থব্রাযনা সনাগী তেনব্রা ওংথিদুনা, হকচাংনুংদগী পাখথোব ক্লুনা ঊশা অমদগী ঊশা অমদা কোযপাই পাইদুনা তোংনা হৌবরাখি। তানজা অসিদা মঙ্গাম [illegible] নিংথৌমচাগী হ[illegible] [illegible]ংদা [illegible] নিংথৌ ম[illegible] শ[illegible] [illegible]খি। অদুদগী মঙ্গা [illegible] পা [illegible] লাকখি। সনাগী তেনব্রা [illegible] নিংথৌমচানা [illegible] মঙ্গ্রীমাচাগী মফমদা অপুম্বা তৌ [illegible] খায়না কয়াবক হন্না চাযজাখি। ঊপায [illegible] নিংথৌমচানা সনাগী তেনব্রা [illegible] "তেতে। তেতে", "তেতে। তেতে।" [illegible] [illegible] মঙ্গ্রীমচাগী মতুং ইল্লকখি। অমসুং [illegible] [illegible] [illegible] নহাকসি [illegible] নপুক [illegible]।" অসুম্বা মঙ্গা [illegible] নিংথৌমচাগী শক্লম [illegible] কোনুংদা থুংলাখি। তেনব্রা [illegible] নিংথৌমচা [illegible] [illegible] কোনুং[illegible] [illegible] কোযপাব পায[illegible] তোংদুনা লৈখি। কোনু[illegible] [illegible] মঙ্গা[illegible] [illegible] হনমীল্লবর্গ[illegible]বনো হংনদা "[illegible]" [illegible] [illegible] মক পেন্নখিদে, নিংথৌমচাগী [illegible] [illegible] [illegible]হবক পাগী মতমদা নিংথৌমচাগী [illegible] [illegible] পুদুনা [illegible] শোকপা থোবকখি। মতাংমসা। [illegible] তেনব্রা অমা যুংইনা যু হনা থোংলবাদুদা নিংথৌমচাগী নুপী[illegible] [illegible] [illegible] তিংখোকতুনা তেনব্রাদা চাযখিবর্মী "[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] নহাক্কী কাব নানিং থুংদবা [illegible] [illegible] নিংথৌগী ঈমতম্বু [illegible]ইববাদি, ইনাক্তা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]" কুইনা মপাং কাম্নবগা নিংথৌ [illegible] তেনব্রা [illegible] মতাংলোমগী মপামবোমদা তোংলগা [illegible] [illegible] [illegible] ব্রাথী পুম্নমক লৈখি। অমসুং মতাংলোমগী [illegible] কবি [illegible] চাযবা তাবপাখি। ব্রাথী [illegible] নিংথৌম[illegible] [illegible]লোমনা

পৃথ্রীদগী কাবক্লগা শাজিন্নবা মশানৌগী মফমদা থোৎনা মেঙনা হ°গৎলখি ''হে ইশানৌ। নহাক্লা মহৈ তমগনি হাযনা মতম কুইনা লংফৈদা চৎলুবিবদু কবি তন্নকপগেনে?'' ব্লাহৈদু তাবদা খমবন চাউবা মন্ত্রীমচাদুনা থোঙ পুম্নমক লোনশিল্লু কনাসু উবা যাদে হাযনা ত্যাকপিবকখি। হাযবগুম্না নি°থৌমচা শাবিবা মন্ত্রীমচাদুনা ফি অঙৌবগী মথক্তা হিপলগা লাইবোন তৌদুনা লোযবকপদা সনাগী শজি ওইনা চেন চোংদুনা শান্নবা হৌবর্কখি। তাঞ্জা অসিদা সদংখাকতা তুমিন্না লুমদুনা ত্যোংদুনা লৌবিবা সনাগী তেনব্লানা খং হৌদনা খংপাই পাইশিল্লকতুনা নিংথৌমচাগী মশাগী হকচাং মনুংদা অমুক হন্না হাঞ্জনজবা ঙমখি। মতম কুইনা ব্লান খাঙলুববা নিংথৌমচানা অশাওবগা লোযননা মহাক্কী লুখুমদা যানদুনা থান্নবা থাংশাংদু শৎতোক্তুনা সনাগী শজিদু মতুপ মতুপ কযা থোক্লা ককতুনা হাৎখি। অসুম্না নিংথৌ মচা অমদি মহাক্কী মত্যালোয অনিনা যেকনা তিংখং লৈতনা নুঙাইনা পানদুনা চাখি।''

ব্লাবীসিগী পাউত্যাক কবিনো?

পাওতাকর্তি

''মীগী মবন পান্নবদি নপুন্সি মাঙগনি হায়বনি।''

নিংথৌমচানা মবাইবক থীখিবগুম্না, ইফ ফজনা লৈজবম্বা মীতৈগী শক্তাকপু (Identity) হৌজিক ''যায'' মুন্নবদগী হেনবা ফিভম অমা যৌবক্লবসিনা মথক্কী ফুঙ্গা ব্লাবীসি নিংশিংদবা ঙমদে।

মতম কুইনা ইনিংথৌশিংগী সনা হাক্তকতগী মীতৈ ওইযু যাখিদ্রবা, মীতৈলোন (মণিপুরী লোন) ঙাংঙু যাখিদ্রবা, মযাং কালিসা হাযনা খংনবা, পুব্লাবীগী মতুং ইন্না ১৮ শুবা চহীচাদা মৈত্রব্লাক্তা মতম খবা লৈবম্বা, চহী তবেৎ খুন্তাকপদা মখোযগী হৌবকফম বেঙ্গললোমদা চেল্লকপদা কছাড,ত্রিপুবা, বাংলাদেশকী মফমশিংদা খুন্দাখ্রবা, বেঙ্গলী / কামরূপী হাযবা কাঙলুপতুনা খংহৌদনা ইং ১৯৫৯ দগী মীতৈ (মণিপুবী) গী মাযোক্তা

মখোয়না মশাবু ''বিষ্ণু ... '' হায়না শক্তাবতুনা মীতৈ ... হৌবকখি। ... অমদা মী... ... নাপাখুংলবা খুদমকপু ... চান্ন খুন্দাহল্লুবদগী, ভুর্সিদ মী... ... ইসাভলাইংজসন, ... মখোয়না মীতৈ লোন (মণিপুরী লোন) ... ''মীতৈ মণিপুরী'' ... ''বিষ্ণুপৃযা মণিপুরী'' হায়না মান খোলনা খাযদোক্তুনা উৎপা হৌনখি মদুগী পান্নে ওইনা থিবকপদা ভমখৈ খংখিদুনা মৈত্রবাক (মণিপুর) বু মখোযনা বেদগী মতমদগী পাল্লক্তুনা লৈবন্নদু কাযনথংদা নোংপোকথোমদগী থুংলখিবা মীচেননা (মীতৈনা) মখোযবু হান্নোবকপান হায়জিল্লকখি।

ইনিংথৌ চীংথংখোম্বগী (মহারাজ ভাগ্যচন্দ্র) সনা হাতুংকতা হৌদোকখিবা মীতৈ জগোযবু (মণিপুরী নৃত্য কলা রাস) মখোযনা রাধা কৃষ্ণগা লোয়ননা পোকমিন্নবকতুনা শান্নমিন্নবকখিবা মনাৎনি হায়না শন্দোকপা হৌবকখি। ভবাংত ''লমাংদো'' হায়না খংনবা মৈত্রবাক্কী লমদমবু ''বিষ্ণুপুর'' হায়না ওথোকখিবদুবু মখোযনা ব্রহ্ম বিষ্ণুগী মতমদগী লৈবক্নবা লমদমনি, মফমসিদগী বেদ হৌবকখিবনি হায়না জনদুনা, মখোযনা অদুগুম্বা মফমদুদগী হৌবকপনা ''বিষ্ণুপৃযা'' কৌখিবনি হায়না কন্না আহং তুমদনা ইদুনা অনৌবা মৈত্রবাক্কী পুন্নাবী (মণিপুর ইতিহাস) অমা পুংশেম শেমজিল্লকলি। থিওবি অসিদা যুমথংনবা ইচন ইনাওশিংনা ফিজংগী মকুমদা কন্না থৌবি চিংদুনা লীলাগী ফম্বাক্কী কুম্মে নুঙাইনবা হোৎনবি। মীতৈনা আর্য ওন্নিংলুবদগী অতোম্বাপু শর্মানচিংবগী থিওবিদা, শেমজিনখিবা পুন্নাবীগী তেকচাকতুনা, নোংচুপলোমগী ইচন ইনাওশিংনা খঙনা খঙনা মনাৎকী লোযলম শন্দোকপদা নুঙাইববা খুৎলাই ওইনা শিজিন্নবক্তুনা শাজিন্নবা থিওবিদা National Highway ওইনা পুন্নাবীগী লম্বী অঙকপা ফংনা ন্নাংনা ''মৈত্রবাকপু'' ''মণিপুর'' হায়না খোঞ্জেল্লকতুনা ইন্দিযাগী ভমখৈ অমদি শক্তাকপু (Identity) ভাকপদা নুঙাইনবা শিল্লি।

ইচাওগুম্না ভাকপা ভমদনা চেনশিল্লকলিবা তমথীববা অন্নাবা অমনা কবম্না ইমাবোনবু 'ই...' ... হায়বা সিনি। ইং. ১৯২১ দা কলিকতা তেংবানবা মহৈরোন '' ... '' (University) না

মীতৈলোনবু (মণিপুরী লোন) শকখংবিখ, ইং ১৯৯২ দা ভারতকী চৎনপথাপ (Constitution) দা চনশিনবিখি, লোযননা ইং ১৯৫৬ গী অদুগাইদগী, ওসিদগী চহী ৫০ (যাঙ্খ্রে) মুক খকতগী মমাংদগী, ইমাবোন মীতৈলোন্না মহৈ তমজবা ফংবা হৌবকখিবদুগী মীবাইবক্কুনা, ঙসিদি মীতৈলোনবু সংস্কৃত কুম্বা অশিবা লোন ওইবগদ্রা হায়না মীপাইনবি। মতম কুইনা তানজবকপদগী ফংজবকপা ইমাবোনবু, চহী ৫০ খক্কুগী মনুংদা আস যেংবকলবদি, ঙাকহৌদ্রগাদি খংহৌদনা সংস্কৃত লোলগুম ওইখিবদা ওকনিঙাই লেতে।

মীতৈগী মসৈবংশংনা অমুম্বা শেখাবরম্মী

লাইনিংহন নাওরিয়া ফুলো (১৮৮৮-১৯৪১) না অমুম্বা শেখাবরম্মী

মীতৈগী ফননবনি
মীতৈগী কাননবনি ।।
মীতৈবোন লোনলাস, মীতৈবোন ফংলাস ।
মীতৈবোন নুংশিজে, মীতৈবোন পামমুজে ।
মীতৈবোন নিংজে মীতৈবোন কোনঝনজে ।
মীতৈগী ফননবনি
মীতৈগী কাননবনি ।।
ইপাগী মবোনানি, ইপুগী যাথংনি ।
ইমানা তাকপনি, ইমানা পীবনি।
ইমানা খোকপনি, ইমানা কোনবনি।
মীতৈগী ফননবনি
মীতৈগী কাননবনি ।।
ইবোননা সোনজগে ইবোননা সকচগে ।
ইবোননা হাযজগে ইবোননা কৌজগে ।
ইবোননা সাজগে ইবোননা সেমজগে ।
মীতৈগী ফননবনি
মীতৈগী কাননবনি ।।

মীতৈগী মবোননি মীতৈগী মবননি।
মীতৈগী লাইব্রানি মীতৈগী লম্বীনি।
মীতৈগী হকচাংনি মীতৈগী থৌরাযনি।
মীতৈগী ফনবনি
মীতৈগী কাননবনি ॥

অসৈবরেন খ্বাইরাকপম চাউবা সিংহ (১৮৯৬-১৯৫১) না অসুম্না শৈথাবিবম্মী -

''লাযববী ইবোন্নি
খঙদবনা হাযবানি
মৈতৈ ক্রবি লাকাখনি।''

অসৈবরেন লমাবম কমল সিংহ (১৮৯৯-১৯৩৪) না অসুম্না শৈথাবিবম্মী

''মতম কুইনগী ম[illegible]।
লেঙশিল্লকে হমা মৈতৈ [illegible]
মৈতৈ [illegible]হৎ [illegible]ন্দব মন[illegible]।
যেন্দায [illegible] লেহাপ্পুনা
কং লৈস ইমাগী [illegible]

অসুম্না মীতৈগী অসৈবশিংনা [illegible] মুক্কী মমাং[illegible] পিবোযনা শৈথাবিবম্বদু, [illegible] মদুগা [illegible]বোলনা [illegible] খল্লুনদু, মঙলানগুম্না ওইখাখগদ্রা মিপা[illegible] [illegible] মদে [illegible] [illegible] [illegible]দোক্লম্ম পেনদবদু অসিমু নোংঙৌ[illegible] [illegible]

' নঙনা পোকপা [illegible] মথম [illegible] [illegible]
মী ওইরবদি [illegible] থৌগন [illegible]
[illegible]গী মমা [illegible] [illegible] ক্রা[illegible] বে ''

অবোইবদা ব্রাবেং অসিবু তাশিন খোমজিল্লকপদা থাদোকপা যাদবা মক ওইবা নুংনাংনিঙাই ওইবা ব্রাফমদি "মীতৈ সভ্যতা" অসিমক অমসুং মহাক্কী লোয়নবা লোল, নাৎ, লৈবাক, পুরাবীনচিংবা খুদিংমক্তা চনৈনশিল্লক্কুনা মীতৈগী শক্তাকপু (Identity) চমমনহাল্লবসিনি। সনানা ময়ুং কাবা লুপানা মযেক তম্বা লাইবৈবাক্তা হিংনিংদবা কনাশু লৈতে। অদুবু অরাবনা থল্লবা মালেমসিদা লাইবৈবাক শেমগদৌবিবসিদা মীওই ঐখোয়তানা। মীওইবনা মীওইববু নুংশিনবকতবদগী থোকনলিবা ইবাংতনা নিংখোননা লাইবৈবাক শেম্বা ঙমদ্রবসি, ময়ুং মযেক চৎনগদবা সনা লুপাদু ব্রাৎপনা নত্তে, ঙসিগী মালেমনা মীপাইবিবাসি। মীওইবনা মীওইববু নুংশিনবাদা, অইংববু লৈবদি চাডখংপগী ইফ্লু … কর্কান। মবম অদুনা মীওইবগী মহাসাগরদা নিল্লববা মীতৈ ঐখোয়সু - "ঐখোয় কনানো" হায়বাসি মযেক শেংনা খংবগী তঙাযফদবা অমা লৈবনা নত্রা?

"ঐখোয় হিংদবা যাদে, ঐখোয় হিংদুনা লৈখিসি !" ।

ঐখোয় কনানো

লমদম অমসুং মীওই

ওল্লিবৈগী মতমদগীনা ওসি ফাওবদা ''মীতৈ'' ঐখোযবু অমদি ''মীতৈ লৈবাক'' পু তোঙান তোঙাম্বা মীওই কাঙলুপশিংনা তোঙান তোঙান্না মীংথোনবিরম্লগুম্না. মীতৈ ঐখোযনসু তোঙান তোঙান্না মীওই কাঙলুপশিংবু তোঙান তোঙান্না মীংথোল্লম্মী।

মীতৈলৈবাক্কী মীংথোলশিং

হৌজিক্কী ''মণিপুর'' হায়না খংনবিবা লমদমসি যেনাহৌঙেদগী মীতৈ ঐখোযনা ''কংলৈপাক'', ''মীতৈলৈপাক'', ''মশাবাক'' হায়না খঙনবকখি। পুযা কযা অমদি ''শকোক লমলেন'' গী মতুং ইন্না লৈবাক্সিগী মীংথোল তোঙান তোঙান্না লৈরম্মী। মদুদি হয়া ''কংলৈপাক কোইরেং পোইরৈ নমথক শরোন পুঙ'' নত্রগা ''তৌম্লি ... ''. খুনু চকনা ''মীয়া পোংথোক লম'', ... ''... লৈকোইরেং'' অমসুং কোন্ন চক্না ''মুবাপল্লি'' হায়না ... । সনামহী লাইকন পুযাশীগী মতুং ইন্না, চহীচা ১৮ দা, মৈদিংঙু পামহৈবা গরীবনিৱাজ সা হাক্কুম্ভা ''মীতৈলৈবাক'' পু ''মণিপুর'' হায়না কোর্কখি, লোযননা লৈবাকসিগী মফম কয়াবুসু ... কী মীংথোলদা ওহল্লে।

মৈতৈলৈবাকপু অমদি মহাক্কী মীয়ামবু মপান লৈবাক্কী মীওইশিংনা তোঙান তোঙান্না অসুম্না খংনখি, মদুদি বর্মীসাশিংনা মীতৈবু ''কথে'' নত্রগা ''পোনা'', শান (তাই) শিংনা ''কসে'', কছাড়ী অমসুং বেঙ্গলীশিংনা ''মোগলাই'', অসামীশিংনা ''মেকেলী'', চাইনীজশিংনা ''ইসাও-পো-লো-মেন'' আর্সনি।

অদুগা মীতৈ ঐখোযনা মপান লৈবাক্কী মীওইশিংবু তোঙান তোঙান্না অসুম্না খংনখি, মদুদি চাইনীজশিংবু মীতৈনা ''খাগী'', বর্মীজশিংবু ''অৱা'', শান (তাই) শিংবু ''কবো'', অসামীজশিংবু ''তেখাউ'' কুকীবু ''খোংজায'', বৃটিশবু ''মলেস'' নত্রগা ''উন

অঙৌবা / মঙৌবা'', লেঙৌশিংবু মমাংঙৈদা ''পাঙ্গল'' মতুংদা ''মযাং''। মদুগা হৌজিক্কি 'পাঙ্গল'' অমসু 'মযাং' মীংসি অতৈ কয়াদসু শাজিন্নবে।

পুরারী মমাংগী মৈত্রবাক

লৈফমগী মওং (Geography) গী মতুংদা ইন্না মৈত্রবাক (মণিপুর) সি নোংপোক নুংশিথংবা হিমালয়গী খাংথংবা থংবা মায়কৈদা লৈ অমসুং মশিনা ব্রহ্মপুত্র অমদি নীংথিখোং তুরেল (চিন্দুইন) গী অপাক অনৌবু খাইদোক্লুনা থমলি। খা নোংপোক থংবা এসিয়াগী নাং (Culture) কা অমদি মীহোৎবোংগী ওইবা হৌবকয় মবু মশাক থংদা ভারতবর্ষগী অরাং নোংপোক্কী লমদমনা মরু ওইবা শরুক য়ান খাইলগনদ অমসুং মযানমাব (অরা / বর্মা) না শাংনবা (চিন্দুইন) দগী হৌনা নুংঙী চক (যুগ) কী মতম হৌবকখি লাগা মাগ না মৈত্রবাকসু BRONZE যুগনগী হৌমিন্নবকখি।

অরীবা নুঙগী মতম

খাংগুই লৈখুন (Cave) অখুলাগী কিঃ ১১ অথাপ্পদা অপার বর্মাগা মদাইননা থাওখুইদা লৈখুন্না লৈখুন মবীদুদগী Archeologist শিংনা থোদুনা লৈবকশিংদগী ফংনবকখিবা যুগ, শকগী খুংগং খুংলাইনাগী শিংদগী মযম মাসিদা খুং মমাং ৩৫০ দগী নুঙগী মতমগী মা ওইশি লৈবম্মী হায়না খঙবা ঙমখি। মাসিত নত্তনা পনবা খাবা সতৈনুং শাম অমগী লৈখুনশিংদি হুনাংঙ লৈখুন, পুকল লৈখুন অমদি তেঙনোপালদা লৈবা নাংখুঙখ্যান।

অনৌবা নুঙগী মতম

হাউবনহিয়ান মনাং হাউবনহিয়ান মনাং হাযা ববাস ডিযোনামগী অরাং খুংদা লৈবা হাউবনহিয়ান খুঙ্গংগী Mesolithic চংনরোল অদুবুনি।

থারোন লৈখুন

মৈত্রবাক্কী তমেঙলোঙ জিল্লা থারোনদা য় নখিবা লৈখুন মঙাসিনা মফম আসদা হাউবিনহিয়ান মনাংকী মীওইশিং লৈবম্মা হায়বাসগী মবীক চুম্বা থাদম ওইনা লেপখি। নংয়ালসি থাই য্যানা, বর্মা অমদি খা নোংপোক

[illegible] বা [illegible]

[illegible] ologist [illegible]

[illegible]

[illegible] longitude [illegible] latitude [illegible]

[illegible] কী মকোন’ [illegible]

সে ফপী মরো [illegible] নুমগী [illegible]
চৈংশাক পরেঙগী নুঙ্গা মারে। মদুগা মথমাসদা লৈবক্তা নুঙগী খুংচুখুংলাইশিংসি থাইল্যান্দ, [illegible] মালয়শিয়া, ফিলিপাইন, বর্মানাচংবা লৈবাকশিংদা খৃঃ মমাং ১০ ০০০ - ৮০০০ দগী লৈবক্তা খুংচুখুংলাইশিংদুগা মান্নবনি। মতম অদুনা [illegible] শিংনী মরম থামদ্রবদা খৃঃ মমাং ৫০০০ - ৪০০০ দগীনি হায়না থাজনে।

নাপচীক

ইস্ফালগী খা থংবদা লৈবা মীতৈ খুন্দ বা চুংগা মনাক্তা বর্মা শং গাংগ হুখিবা নীঙ্গথৌ তুবেলগী যেং থংবদা লৈবা চীং অমদা খৃঃ মমাং [illegible] দগী লৈবকলবা অনৌবা নুঙগী মতমগী নাপচীক হায়রিবা অসি। মসিদগী যংলকখিবা খুংচু খুংলোই অমাদি অকায় অতোয়শিং অসি থাইল্যান্দগী স্পীরিট কেভ, বর্মাগী পুদুপাটিন, ভিয়েতনামগী হায়নদি যানগী পোৎশকশিং অদুগা মান্নে। মরম অদুনা মেরবাক্কী নাপচীক মফমশিংদা খৃঃ মমাং ২০০০ দগীনা চাইনীজনা তাংদগী অনৌবা নুঙগী মতমগী মীওইশিং খুংলখি হায়না থাজনবি।

পুরারীগী চৈহৌ (Proto History)

কাংবা মতমগী নিংথৌবোল ঃ

কাংবলোননাচিংবা পুযাগী মতুং ইন্না [illegible] লালা পাখঙবন মেরবাক্কী অরাং নোংচুপংগী লৈবা কৌবু চীংগোন্দা মপোক লাঙোনখি হায়না থাজনৈ। মতমদুদা মেরবাক্কী মীংদি ‘[illegible] কোকতোন লৈকোয়লেন’’ কৌবনি। মতমাসদা চাকভানাচিংবা [illegible] পাল্লবগী বাবা লৈরি। কাংবনা পোকলক্তা মচা মাপনগী মীংদি [illegible] তৈমা যাঙ্গা [illegible]দাট,

উরেনখুবা, উরেন হনবা অমসুং লাংবনি, মখোয়শিংদু তোঙান তোঙানবা মফমদা থোকতুনা লৈবাক শেমদুনা পানখি। মহাক্কী চারোন শুরোনশিংগী মনুংদা শিংথাবা য়াবদি মলিয়া ফম্বালচানি অমসুং মহাক্কী মতমসি চাওরাকনা খৃঃ মমাং ১৩৯৭ দনি হায়না লেপ্পী। লোয়ননা মতমসিদগী মীতৈগী কুম্বালোন (Calendar) পাবা হৌখি। থীরেন লৈয়াত, শকোক লমলেন্নচিংবা পুয়া কয়ান নিংথৌসিগী মরীক চুম্বা পুৱারী কয়া তাকপিরি। মহাক্কী মথংদা নিংথৌ ১৮ মুকনা মখা তান পানদুনা নোংদমহন অমসুং তাউহুইরেঙ অনীনা পুন্না পানমিন্নখিবগী ৱারী ''নুমিৎ কাপ্পা'' পুয়াদ: শৈথারি। পুয়াসি মীতৈগী খ্বাইদগী লীরবা পুয়া অমসুনি হায়না থাজনৈ অমসুং মসিগী শৈথাবু মীতৈগী লাইরোন ওইনা হৌজিকসু শিজিন্নরি। মতমসিদগী সনামহী নিংনবগী ৱাফম লৈরি। তাউহুইরেঙগী মখা তাথরকপদা খুনুংচক্তা পানখিবা নিংথৌশিংগী মীংদি - নুঙমু কাংবা, নুঙহুইরেঙ, নুঙতারেন, মীচাকু, লৈতাঙলা, পোঙলিঙহনবা, লৈহিঙ গুম্বা, কৈফাবা, তাইবঙচনবা, মাচোঙ, অপানবনি। অদুগা লাঙব চকতা পানখিবা নিংথৌ কয়াগী পুৱারীসু থীরেন লৈয়াত্তা ময়েক লানা ইরি।

মসিগী মথং তারকপদা, কাংবলোন পুয়াগী মতুং ইন্না পাল্লকখিবা নিংথৌশিংদি - ককশুবা, তোনকোনবা, পিতিঙকোয়, লম্বীচা, মোপাইবা, পুথিবা, কুপত্রেঙ অমসুং সেনত্রেঙনি। ককশুবগী মতমদা নীঙনরম্বা লাইদি সনামহী হায়না থাজনৈ, মহাক্না লাঙোলদা লৈরিবা সনামহীগী লাইশঙসি শারম্বনি হায়না থাজনৈ। মতমসিদগী মীতৈগী নোঙদোনলোন হায়বদি নুমিৎ, থা, থৱানমিচাকনচিংবগী, অহানবা মঙ্উ লিংখিবনি হায়না থাজনরি।

তোনকোনবগী মতমদা মীতৈশিংসি অশিবা পোলোযবদা ফুম্বা অমসুং লৌ-ইঙখোল কোয়বা হৌদোকলম্মী হায়না থাজনরি। লৈথক-লৈখারোননচিংবা পুয়াগী মতুং ইন্না কুপত্রেঙ অমসুং সেনত্রেঙ মচিন মনাও অনিসি লাইনিংথৌ সনামহী অমদি পাখঙবগী সায়োননি হায়না থাজনৈ। পুথিবগী মতমদা লাঙ্গোল পুথোকখিবনি হায়না থাজৈ। পিতিঙকোয়দি সনামহীগী সায়োননি হায়রিবা নোঙপোক নিংথৌ লাৎলম্বগী ৱারী থেংনৈ।

মসিগী মতুঙদা মৈত্রবাক্তা চাউরবা ইচাউ অমা থোক্লুনা মতম কুইনা নিংথৌ পানদনা লৈরম্বদগী কাইনথংদা নোংদা লাইরেন পাখঙবনা ফম্বাল তোংখি।

চৈথারোল কুম্বাবনচিংবা পুয়াগী মতুং ইন্না অচেৎপা যুম্ফম লৈরবা মৈত্রবাক্কী পুরারীগী তাক্কক অহুম থোক্না খায়দোকপা য়াই-

- **অরীবা মতম**
- **ময়ায় মতম**
- **অনৌবা মতম**

মৈত্রবাক্কী পুরারীগী অরীবা মতম

মীতৈগী পুযা কয়াদা য়েক শলাই তরেৎনা হৌবকপগী রারী কয়া লৈরি। চৈহৌদা মৈত্রবাক্তা য়েক কযা হাযবদি মঙাঙ, লুরাঙ, অঙোম, খাবা, ঙানবা, সরাঙথেম, লৈশাংথেম, চেঙলৈ, হৌরোক কোনথৌ, মানতিঙ মরা, লিলা খোঙনাঙ, চাকপা, মোইরাঙ অসিনচিংবনা পাল্লম্বদগী কাযনথঙদা - লুরাঙ, খুমন, অঙোম, মঙাঙ, খাবা, মোইবাঙ, হৈরেন খুনজাম, সরাঙ লৈশাংথোম (চেঙলৈ) ওইনা মচা খাযনা পানখিবগী পুরারী, পুয়া কয়ানা তাকলি।

মৈদিংঙু নোঙদা লাইরেন পাখঙবা (খৃঃ ৩৩ - ১৫৪)

চৈথারোল কুম্বাবা, চাদা লাইহুই, খাগেম্বা যাঙবী, পাখঙবা নোঙ্গারোল, লৈশেমলোন শকোক, লৈথক লৈখারোন, হায়রিবা পুয়াশিংসিনা মতিক চাবা খুদম পান্দমগা লোয়ননা তাকলিবদি মৈদিংঙু নোঙদা লাইরেন পাখঙবনা ইহান হান্না য়েক কয়ানা পুল্লবা মীতৈ ফুরূপ (জাতি / Nation) অমা শেমদুনা নিংথৌজা কৌবা নিংথৌ শাগৈ অমা লীংখৎতুনা কংলাদ ফম্বাল তোংবগী থৌরম পাংথোকতুনা মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ওইখি। মথক্তা পনখিবা পুযাশিংসিনা মহাক্কী মপোক লাঙোনলকপগী তোঙান তোঙানবা রাখল্লোন কযা পীরি।

সঙলেন পুবা পুয়াগী মতুং ইন্না যাইবীরোকনা লৈবাকসিগী নিংথৌ ওইনবা অঙাং অমতং পীনবিয়ু হায়না নুমিৎ লাইগী মফমদা নিজবদগী থৌজান ওইনা পুরৈরোম্বগী মফমদা শিন্নরকপদগী পুরৈরোম্বনা লৈচিনগী

য়েরুম অমা নোংলকতগী মচিন্না চেল্লকতুনা যাইবীরোকতা শিন্নরবদা, মী অমত্তা খংহনদনা হন্নচীঙদা য়োকতুনা থমখি। যেরুমদুদগী পাখঙবা পোকখি অমসুং মহাকংপু য়োকপিনবা মমা পিরিনুসু যাওরকখি।

চৈথারোল কুম্বাবগী মতুং ইন্না মহাক্কী ফম্বাল তোংখিবগী মতমসি খৃঃ ৩৩ দনি হায়না লেপ্পী। মতাং অসিদা পনবা যাবা তাঙ্কক অমনা পোইরৈতোন খুম্ভোকপগী মতুং ইন্না, মহাক্না খমনুং শন্নাদগী খুম্ভোকলকতুনা শিদয়াই- নাদযাই থিরকপদা মৈত্রবাক্কী লমদম কযা ফাওদুনা পোইরৈ লমদম মৈত্রবাকসিদা থুংলখি। তৌইগুম্বসুং নিংথৌ শাগৈ অমা শেমগৎতুনা পাল্লম্বগী ব্লারীদুদি মরা চেৎনা থম্বা ঙমখিদে। পোইরৈতোনগী মচন নুপী লাইস্নানা নোংদা লাইরেন পাখঙবগী কোনুংদা লৈমরেন ওইনা ঙাম্ভোইখি। যেক কযাগী লুচিংবশিং অঙোমগী লুচিংবা পুরৈরোম্বা, লুন্নাঙগী লুচিংবা লাঙব লাঙমাইব অমসুং মঙাঙগী লুচিংবা অপানবনা ঙাকশেন্দুনা নিংথৌজা শাগৈ লিংখৎখি। মহাক্কী মতমদগী মৈদিংঙু হায়বা মীংথোলসিনা নিংথৌশিংবু ইকাই খুম্নবা হৌরকখি।

মৈদিংঙু পাখঙবগী মতমদগী মীতৈগী চারৌ মৌবৌনবগী চৎন-পথাপ যেক-শলাই, মুঙনবা, পেনদিন্নবা, সাইরুক তিনবা, পি-তিনবানচিংবা শেমদুনা মচা খায়না থম্লকখি।

হয়াচকতা মপা মপুশিংনা শান্নরম্বগী মতুং ইন্না, লাইস্নাগী অকনবা মতেংগা লোয়ননা পানা অনি খাযদোকতুনা শগোল কাংজৈ শান্নবা হৌদোক্তুনা ইনাৎকী অচেৎপা য়ুম্ফম অমসু লীংখৎখি। মহাক্কী মতমদগী লাইফম সঙলেন, কুচু সঙলেন, খানবা সঙলেন, নহারূপ সঙলেন, পচা লোয়শঙ লীঙখৎতুনা লৈঙাকলোনগী ইনফ্রাস্ট্রাকচার মপুং ফান শেমগৎখি। মহাক্কী মতমদগী উমংলাই লাৎনবা হৌরকখি হায়না থাজনরি।

মৈদিংঙু খুইয়োই তোমপোক (খৃঃ ১৫৪-২৬৪) (পূঙ পুথোক্লম্বা)

মৈদিংঙু পাখঙবগী মতুংদা মহাক্কী মচানুপা খুইযোই তোমপোকনা খৃঃ ১৫৪ দা ফম্বাল তোংখি। মহাক্কী মতমদগী মৈত্রবাকতা পূঙ পুথোকতুনা হরাও

কুম্মৈদা, লানদা, খুনাইগী থৌবম কযাদা পূঙ শিজিন্নবা হৌখি। মসিতা নত্তনা কোন-শেঞ্জেংনচিংবা পুথোকতুনা শেনবুঙ শিজিন্নবা হৌখি। মসিনা নোংপোক্কী লৈবাকশিং- থাইল্যান্দ, বর্মাগা খুনাই চৎনবোলদা নকনবা মবী কযা লৈনৈ হায়না খঙবা ঙম্মী।

মৈদিংঙু তাউথিংমাং (খৃঃ ২৬৪-৩৬৪),(তুতেংবা)

মপাবুঙ খুইযোই তোমপোকনা মচিন মনাও অনি - যোইমোংবা, তাউথিংমাং অমদি মচন নুপী লাইবোকলেম্বী থম্বীবম্মী। অদুবু মনাও তাউথিংমাংনা ফম্বাল তোংখি। মচিন মনাও অনিনা মৈত্রবাক্কী তূ-খোং, তুবেল অমদি লোক্চাকর্নাচংবা শেংদোকতুনা লৌউবগী ফিবম অমদি ঈশিংগী ঈখায ঈাবলগী ফিবম ফগৎহন্দুনা মৈৎবাকপু ইচাওদগী কন্নবা হোৎনখি। তুতেংলোন্নচিংবা পুযানা মচিন মনাও অনিগী অঙকপা থৌনাবু মবীক চুম্না শেথাবি। কাকযেন মীঙম্বনা মনাও তাউথিংমাংবু চেনদুনা পুখ্রবদা মযামবা যোইমোংবনা কনদুনা পুবকলগা ঔগ্রী শকখিবগী ৱাবী লৈবি।

মৈদিংঙু খুই নিংঙোনবা (খৃঃ ৩৬৪-৩৭৯)

মপাবুঙনা লৌখদ্রবগী মতুংদা মহাক্না ফম্বাল তোংখি। মপাবুঙগী তুতেংবগী থৌবমদা মহাকনসু মখা চৎথখি। লোযননা মহাক্কী মতমদা মেবা থাদা মেবা মেনতোংবা হাযবদি লাললৈমাবু ঈবাৎপা হৌদোকখি হাযনা লৌনবি।

ইনিংথৌসিগী মথংদা লাকখিবা চাবোল শুবোলদি মৈদিংঙু পেংসিবা (খৃঃ ৩৭৯-৩৯৪), মৈদিংঙু কাওখংবা (খৃঃ ৩৯৪-৪১১), মৈদিংঙু নাওখম্বা (খৃঃ ৪১১ ৪২৮) নি।

মৈদিংঙু নাওফংবা (খৃঃ ৪২৮ - ৫১৮)

মপাবুঙ নাওখম্বনা লৌখদ্রবদা মৈদিংঙু নাওফংবনা ফম্বাল তোংখি। ''কংলা হোবা'' পুযাগী মতুং ইন্না ইনিংথৌসিনা কংলাগী মথোল তবেৎ ৱাঙবা সঙ শাখ হাযনা লেপ্পী। নোংচুপলোমগী লাইহানংবা অমা লাকতুনা হনিংথৌবু খুদুম চনগদগী হোৎনবম্মী। লাইনিংবসিবু যুম্ফম যেংহন্দুনা কংলাগী সঙ হৌবগীদমক যুম্বীগী উখুন তৌকবদা ঈ থোবকখি। মদুদা মাযচৌ অশাংবম লাইবনা পাখঙবগী শহুম ফংবা মফম ফংবদগীনি হাযনা ইনিংথৌদা হঙৎলখি। মাযচৌ লাইবনা লাই তাইনদুনা ঈ থোকলিবদুবু খকহনখি অমসুং নৌনা অমুক যুম্ফম অমা যেংদুনা কংলাগী সঙ হৌখি।

মতৌ অসুম্না ইনিংথৌনা মীথুংলবা লাইনিংবদুগী মরা লৌখিদে। তৌইগুম্বসুং মসিনা মপানগী লাইনিংবশিংনা মৈত্রবাক্তা মীৎযেং তাবগী অহানবা থৌদোক অমা ওইখি। অসুম্না মাযটৌ অশাংবম লাইবনা ''কং শা গৌবা'' হাযবা পুযাসি ইখিবম্মী।

মৈদিংঙু সমৈরাং (খৃঃ ৫১৮-৫৬৮)

মহাকপু মৈত্রবাক্কী যেক তবেৎকী লৈপাকশিংবু অমত্তা ওইনা পুনশিনবগী থৌবাঙ পাযখৎখিবা অহানবা নিংথৌনি হাযনা পুরাবীশ্ববা (Historian) শিংনা লৌই। মহাক্কা অঙোম নিংথৌগা লান তোদুনা মাযথীবা পাববগী মতুংদা অঙোম নিংথৌদগী কাঙ্গ্লা চাবা হোখি। অসুম্না মহাক্না মপাঙ্গল কনখৎলকপনা চীঙলম মবীংগী খুঙ্গঙবুসু খুদুম চনবা হৌখি হাযবসি খোংবু ইনসকৃপসন দগী মযেক শেংনা খংবা ঙমই।

মৈদিংঙু উরাকোন্থৌবা (খৃঃ ৫৬৮-৬৫৮)

মপাবুঙ সমৈরাংগী মতুংদা মৈদিংঙু উরাকোন্থৌবনা খুমং যেক্কা অনকপা মবী থমদুনা মপাঙ্গল কনখৎনবা হোৎনখি। নৌনা থিগৎপদগী যংনবকখিবা মীতৈ মযেক ''ঊঁ'' হাযবা শোমেংগী শেংনমীৎাশংদুদগী লেপ্পা ঙম্না হানিংথৌসিনী সনা হাকককগী মৈতবা কাংশেন পুথোকত্তুনা শাজনবা হৌখি হাযবাসনি। চৈথাবোল কুম্বাবগী মতুংদা শান্না শাংলবা মতম শনিংথৌসিনা পাল্লম্নবসু মহাক্কী মখংদা চহী ৫ কংলাদা নিংথৌ কাখি।

মৈদিংঙু নাওথিংখোং (খৃঃ৬৬৩-৭৬৩)

যৌগনখোন কনবা, লাইথক লাইশ্ব থরাব যাংবা অমসুং চৈথাক কনবা মপাবুঙ উরাকোন্থৌবগী কোনুং থাদোক্লুনা চহী তরা (১০) শুবকপদা লোংমাইজিং হাগী শেংলোম লংমাইদা চেনথদুনা লোথং মপাবুঙনা লৈখিদ্রবগা চহী মখা (৫) মতুংদা মৈদিংঙু নাওথিংখোং না হলকত্তুনা কংলাদা নিংথৌ খৎলকখি। সনাহা কা অসিদা মপান যমপা যাদিবর্মাগী পোঙ লৈবাক্কী সমলু ঙগা খুৎশম্নখি।

খুনাইগী লুহোং খোংদোংবগী থৌবম, লাইরিক শম্বা হৌদোকপা, থেশিবা পোৎলোইবদা ফুম্বগী চৎনবী, কোবী কোম্পাক শাজনবা হৈবম্বা, মপানগী নিঙোল লুহোংখিবা অসিনচিংবা কযাদা খুমাং চাউশিনলম্মী।

মৈদিংঙু খোংতেকচা (খৃঃ ৭৬৩ ৭৭৩)

মপা ম নাওবা লাংবা লাকপা মপাদা লানথোকপা মে নাওবা মৈদিংঙু তেকচানা মথাওনা লাংবা চুপাবা চাকখি মরম খুদা নীরা থাবা কৈথেলগী লম্বী লাকপা মচুখী মদগী মরমগী খুদম ...লা মতম্বা লৈশাবাদা লানথোকপা পানগা... মৈদিংঙু কৈরেনচা (খৃ ৮ ৭), মৈদিংঙু ... (খৃ ৭ ৮২১) মৈদিংঙু অয়াংবা (খৃ ৮) মৈদিংঙু ... (খৃ ৮২০ ৮৪৩), মৈদিংঙু ... ইপান থাবা (খৃ ৮৪৩ ৯৬৯), মৈদিংঙু যাংলৌ নরেগা কেযাবা (খৃ ৯৬ ৯৮ ...) মৈদিংঙু ইরেংবান (খৃঃ ৯৮৪ ১০ ৭৪)।

মথওনা পনাখিবা নিংথৌশিং ... কনাশিংগী ... পৌশিংগী মনুংদা লোন কয়া ... অমম্ ... কয়া ... মম্ পুবকখি।

ইনিংথৌ ... কৈ ... কয়া ... হায়নসু ... মহাক্রীম মদামাং ... নাইনা ... খোদোবখিবনি হায়নসু ... নৈ

মৈদিংঙু ... বনা ... মখৌ ... যেকানা ... মঙ্গল ... মহাক্রা লৈবাক মবা ... পানা ...

মৈদিংঙু লোইয়ুম্বা (খৃঃ ১০৭৪ ১১২২)

মেরবাক্রী পুবাবাদা মৈদিংঙু লোইয়ুম্বগী ... অমম্ ... কপু মীশিংগী ... পথাপ ... কপা ... মহাক্রা ... পৌশা গী বা ... ম্যুনা মেরবাক্রী ... মম্ ... মহাক্রা ... মম্ ... শবী ... নবীদু ... শাসুক ... দোতা ... লাশিংদা ... মুঠনা ... হায়েবর্মা ...

তাথবকপা, নিংথৌশিংনা চহী-চাবোল (সেন্চুবি) কয়া চৎনখিবগী। মীতৈগী অহানবা অইবা চৎন পথাপ (Constitution) ওইবিবা "লোয়ম্বা সিনযেন" হাযাবিবা পুযাসদা অগৌবা লৈঙাকলোনগী লূপ তবেৎ হায়বদি খোঙচালুপ, [illegible]ইমাইলুপ, অঙৌবা লূপ, লৈচোন লাকপা তোলোঙ খোম্বা লূপ, খুবাইলুপ, [illegible] লূপ অমসু খাগুজেন লূপ [illegible] খোদোকচুনা খৃঃ [illegible] দা মীতৈগী শাগোশ[illegible]গী মাগী মাগী থৌরমশিং শিন্নবগী রায়মহী। [illegible] লুপাশিংসি মীতৈগী লাইখুনাদন লোলূপতগী [illegible] অহা[illegible], [illegible], খাবম [illegible] পোৎশোংবা পানা অদুগা [illegible] চায়না [illegible]।

পুযাসদা [illegible] মতুং ইন্না মীতৈগী যুমনাক [illegible] দা [illegible] [illegible] শাগী শিনফম শিন্নমবশিনা [illegible] মীতৈ[illegible] [illegible] লেকপদা [illegible] চাদেখৎলগী [illegible] যুমনাক [illegible] মেতনাক্কী [illegible] [illegible] খর [illegible], [illegible], [illegible], [illegible], [illegible], [illegible] [illegible] শিনখি। যুমনাক [illegible] [illegible] (land) [illegible] শিনফম [illegible] মসুম [illegible] মেতনাক্কী [illegible] [illegible]।

মৈদিংঙু লোইতোঙবা (খৃঃ ১১২২-১১৫০)

[illegible] মৈদিং[illegible] [illegible] [illegible] মেতনাক্কী [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] ইরান[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পালগী। লোইতোঙবসুং [illegible] ইরানথানাগা রায়ন [illegible] খুমন [illegible] মৈদিংঙু ইরান থাবনা অমুক [illegible] খৃঃ ১১[illegible] ১১৩০ [illegible] পানখি। অদুম ওইনমক [illegible] খুমনশিংগা [illegible] [illegible] চমখিদে।

মৈদিংঙু থরানথাবা (খৃঃ ১১৯৫-১২৩১)

মৈদিংঙু থরানথাববু অযাঙ সবীচোঙবা হায়না খংনৈ। মহাক্কী মতমদগী খুমন লমদমবু মপুং ফানা মৈত্রবাক্কী মনুং চন্বা হৌখি। মসিত নত্তনা [illegible]ঙগী লমদম কয়াসু মৈত্রবাক্কী মনুং চনখি। পুরারীশিংবা (Historian) খরনা মৈদিংঙু লোয়ুম্বগী মতমবু অবীবা মতমগী লোয়নকপা ময়ায় মতমগী হোনকপনি হায়নবসু অযাম্বনদি মৈদিংঙু থরানথাবগী অবীবা মতমগী [illegible]মনোইবা নিংথৌনি হায়না লৌই।

মৈত্রবাক্কী পুরারীগী ময়ায় মতম

মথা [illegible]না পাল্লকখিবা নিংথৌশিংদি মৈদিংঙু [illegible] লানথাবা (খৃঃ ১২৩১- ১২৪২), মৈদিংঙু [illegible] থাই [illegible] খৃঃ [illegible] ১২৪৭), মৈদিংঙু পুরানথাবা (খৃঃ ১২৪৭- ১২৬৩) নি।

মৈদিংঙু [illegible] লানথাবনা [illegible] লমাদা [illegible] নাখি অমসুং ময়াদুদগী থুম পুরোকখি। মহাক্কা [illegible] চকপনাচংবাশিংগী খুঙ্গঙ কয়ামকয়াসু খুদুম চনখি।

মৈদিংঙু পুরানথাবা (খৃঃ ১২৪৭ - ১২৬৩)

ইনিংথৌসিগী ম্নাহাক্কগী "নিংথৌবোল লঙ্গবা" হায়বা পুযাদা ইখিবনি হায়না লৌই। পুযাসিগী মতুং ইন্না মহাক্কী অহানবা মীংদি পোইরৈবে নিংথৌহনবা হায়না কৌবম্মী। মহাক্কী মতমদা খুমন লুপচংবশিংগা লান তৌখি অমসুং মদুনা খুমনগী অবোইবা লাননি হায়না লৌই।

মৈদিংঙু খুমোম্বা (খৃঃ ১২৬৩ - ১২৭৮)

পুরানথাবনা লৈখিদ্রবদা মনাওনুপা মৈদিংঙু খুমোম্বনা নিংথৌ ফম্বাল কাখি। নিংথৌজা শাগৈনা যেকশিংগী মনুংদা লান তৌবম্বদু তোকতুনা মপানগী লম অৱা (বর্ম্মা) গী মথক থংবদা লৈবা শানশিংনা খুন্দাবা মীতৈনা "কবো" হায়না খংনবা লমদমবু লান্দাদুনা খুদুম চনবা হৌখি। মহাক্কা থাঙ্গাল, মবাম অমসুং চাঁওশোংনচিংবশিংগী খুঙ্গঙ কয়াসু লৌশিনখি।

ইনিংথৌ খুমোম্বগী মখা তানা পানখিবা নিংথৌশিংদি - মৈদিংঙু মোইরাম্বা (খৃঃ ১২৭৮-১৩০২), মৈদিংঙু থাংবী লাম্বাবা (খৃঃ ১৩০২-১৩২৪), মৈদিংঙু কোংযাম্বা (খৃঃ ১৩২৪ ১৩৩৫) নি। মপাবুঙ খুমোম্বনা লৈখিদ্রবগী মতুংদা মোইরাম্বনা নিংথৌ ওইখি অমসুং মোইরাং লুচিংবশিংগা লান তৌখি। মহাক্কী মতুংদা মচানুপা থাঙবী লাম্বাবগী মতমদদি মপুং ফান লান ঙমদুনা মোইরাং নিংথৌগী মচানুপীগা লুহোংদুনা লৈবাক্কী মপাঙ্গল কনবা হেনগৎখি।

নোংচুপ টাঁঙলমগী কোংযাং খুঞ্জাবু ঙমখিবদগী থাঙবী লাম্বাবগী মচানুপা সনা অহোংববু কোংযাং হায়না খংনখি। মৈদিংঙু কোংযাংবনা খৃঃ ১৩২৪ ১৩৩৫ ফাওবা মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ওইখি। মহাক্কী মতমদা নোংচুপলোমদগী থোংনাং হায়না খংনবা (নিংথৌবোল লম্বুবগী মতুং ইন্না) অদুগা মযাং হায়না খংনবা (চৈথাবোল কুম্বাবগী মতুং ইন্না) বেঙ্গলদগী মুসলিমশিংনা তাম্বোরকখিবা মীচেন কাঙলুপ অমনা মৈত্রবাক্তা লানজংলকখিবদু ইঙেনচৌঙগী লানফমদা মাযথীবা পীদুনা লানফা ওইনা মীওয ২০০ (চনিমুক) পুবকখিবদু লমাংদোংদা থমখি।

মখা তানা পানখিবা নিংথৌগী চারোল-শুবোলদি - মৈদিংঙু তেলহৈবা (খৃঃ ১৩৩৫ ১৩৫৫), মৈদিংঙু তোনাবা (খৃঃ ১৩৫৫ ১৩৫৯), মৈদিংঙু তবুংবা (খৃঃ ১৩৫৯ ১৩৯৪), মৈদিংঙু লাইবেনবা (খৃঃ ১৩৯৪ ১৩৯৯) অমসুং মৈদিংঙু পুনাসবা (খৃঃ ১৪০৪ ১৪৩২) নি। নিংথৌশিংসিগী মতমদা মরামনাচংবা মৈত্রবাক্কী নোংচুপ থংবা খুঞ্জা কযাবু লৌশিনখি। ইনিংথৌ পুনসিবনা তাঙখুলনাচংবা টাঁঙগী লমদম কযাবু খুদুম চন্দুনা মৈত্রবাক্কী মপাঙ্গল কনখৎহনখি।

মৈদিংঙু নিংথৌখোম্বা (খৃঃ ১৪৩২-১৪৬৭)

মৈত্রবাক্কী পুন্নারীদা মহাকপু মপাগী মতিক চাববা মচা হায়না শিংথানৈ অমসুং মহাকপু তমু ঙম্বা হায়নসু খংনৈ। নিংথৌবোল লম্বুবগী মতুং ইন্না মহাক্কী মীং চবাইবোংবসু কৌই। মৈত্রবাক্কী অল্লাংনোংপোক

অমসুং অল্লাং নোংচুপতা পাক শন্দোকখিবগা লোযননা খা-নোংপোক অমসুং খা-নোংচুপ হায়বদি কবোগী লমদমবু লৌশিনবগী থৌরাং তৌখি। মসিনা মরম ওইদুনা মহাকনা তমুগী কবো লুচিংবগী লৈমরেনবু শরৌ তৌদুনা হাৎখি অমসুং মোইরাংগী লমদম কয়াবু তমু লুচিংবগা লোয়ননা লান্দাদুনা লৌশিনখি। মসিত নত্তনা কবো লমদমগী অকলা অমসুং অরাও লাউচিঙফেট পুসু লৌশিনখি।

খ্বাইদগী মথৌনা লৈবী অমদি নুংশিনিঙাই ওইবগী থৌদোকতি মহাক্কী লৈমা লিম্বোযঙম্বীনা, মপুরোইবা নিংথৌখোম্বনা অকলাদা লান চৎখ্রিঙৈদা, তাঙখুলশিংনা লান্দারকপদা নিংথৌ ফিজেৎ শেৎতুনা নিংথৌখোম্বা শাদুনা লান তৌরগা তাঙখুল লুচিংববু ফারবগী মতুংদা তাঙখুলগী লম অযাম্বা লৌশিনখিবদুনি।

মৈদিংঙু ক্যাম্বা (খৃঃ ১৪৬৭-১৫০৮)

লৈবাক্কী ঙমখৈ শন্দোকপদা অমদি লান্মীগী মপাঙ্গলদা থোইদোকনা শিংথানরিবা মৈত্রবাক্কী নিংথৌদ মৈদিংঙু নিংথৌখোম্বা অমসুং মহাক্কী মচিক চারবা মচানুপা মৈদিংঙু ক্যাম্বনি। লান্দা থৌরগা মপাবুং অমাদি মরীংজেল খাবী হৈশিংলবী লীম্বোযঙম্বীবু মমা ওইনা ফংজখিবদুনা মৈদিংঙু ক্যাম্বনা (খৃঃ ১৪৬৭-১৫০৮) লৈঙাকলোন্দা থোযদোকনা হৈশিংখি। মশাগী চহীনা ২৪ শুরকপদা নহা ওইনা নিংথৌ ওইদুনা পোঙ (কবো) নিংথৌগা মরূপ শান্নদুনা কিয়াঙ কৌবা কবোগী কাঙলুপ অমবু খুদুম চনখি। মদুদগী হান্নগী মীং থাঙবাই নিংথৌবদগী ক্যাম্বা হাযনা খংনখি। পোঙ নিংথৌগা অদুক্কী মতিক লুনা তিন্নখি মদুদি সনাগী পুখম অমত্তদা লুক হাম্মিন্নবগী ৱারী লৈরি। ''পোঙ মীতৈ লমযেন লাইবিক'' পুযাগী মতুং ইন্না নিংথৌ অনিনা খাযদোকনখিবা লৈবাক অনিগী ঙমখৈ লৈখিবদুনা পুযাসিবু মীতৈগী অহানবা মপান লৈবাক্কা ইনখিবা য়ানচে (treaty) অমনি হাযনা শিংথানৈ। ইনিংথৌসিগী হাক্তকতগী ''চৈথারোল কুম্বাবা'' পুযাসি ইবা হৌখিবনি হাযনা লৌই অমসুং পুয়াসিনা মীতৈগী পুৱারীগী যুম্ফম ওইখি।

খৃঃ ১৫০৮ দা থোংনাং, মযাং হাযনসু খংনবা অদুগা পুন্নাবীশুবশিংনা হৌজিক্কী কছাড়ী নত্রগা ত্রিপুবী হাযনা কৌবা কাঙলুপ অমনা মৈত্রবাক্তা লানজংলকখিবদু মাযথীবা পীদুনা লানফা ওইনা মীওই কযাসু পুবকখি। মপাঙ্গল কনবা নিংথৌ ওইবম্বনা মপান লমদগী লাকখিবা মীওই কযানা মৈত্রবাক্তা মতমদুগী শাইদাংফম ওইখি। মক ওইনা ভাবতবর্ষগী মফম কযাদগী গুজবাট, কানপুব, আসাম, সিলেট, নন্দগ্রামনচিংবশিংদগী মুসলিমশিংগী চৈথেংদগী মীওই কযা লাকতুনা মৈত্রবাক্তা খুন্দাদুনা মীতৈগী কাংলুপ ওইনা মীতৈ যুমনাক কযা অমা ওইখি অমসুং মীতৈ বামোন ওইনা হৌমিন্নবকখি। মসিনা ইহান হানবা মীতৈবু তির্নাশনবা কাঙলুপ ওইনা পুন্না হিংমিন্নবগী মক হুনবা হৌখি।

মহাক্না মৈদিংঙু লোযাম্বনা হৌদোক্লম্বা পানাগী খাযদোকপদু অমুক্কা হেন্না মচা খাযনা শেমদোক্লম্মী। বামোন খুম্বোককী মতুং ইন্না ইনিংথৌশিগী সনা হাক্তকতগী হিন্দুগী লাইশিংবু লাৎপা হৌবকখিবগা লোযননা যুমনাক কযা ফুবাইলাংপম, লাইবিক যেংবমনচিংবা যুমনাক কযা ওইখিবগী ৱাফম তাকলি।

ইনংথৌ ক্যাম্বাগী মতুংদা খৃঃ ১৫০৮ দগী খৃঃ ১৫৬২ ফাওবগী মনুংদা চহী চাবোল তঙ্খাযসিগী মনুংদা নিংথৌ তককনা মৈদিংঙু কোইবেম্বা (খৃঃ ১৫০৮ ১৫১২), মৈদিংঙু লমক্যাম্বা (খৃঃ ১৫১২ ১৫২৩), মৈদিংঙু নোংইন ফাবা (খৃঃ ১৫২৩-১৫২৪), মোদিংঙু কবোম্বা (খৃঃ ১৫২৪ ১৫৪২), মৈদিংঙু তাঙজম্বা (খৃঃ ১৫৪২ ১৫৪৫), মৈদিংঙু চলাম্বানা (খৃঃ ১৫৪৫ ১৫৬২) মথং শিৎনা ফম্বাল তোংখি। তৌইগুম্বসুং ইমুং মনুংগী তঙ তাদবনা মবম ওইদুনা মপাঙ্গল কনখৎপা ঙমখিদবনা মৈত্রবাক্কী পুন্নাবীদা থোইদোক্লা অহোংবা অমদি শিংথানিঙাই ওইখিদে।

ইনিংথৌ কবোম্বগী স্না হাক্তকতা খৃঃ ১৫৩৬ তা ললোনবগী লম্বী অমা অপাব আসামদা ইহান হান্না হাংদুনা অহোমশিংগা (তেখাউ) খুৎশমনখি। মীতৈ চনুবা খোংনানবী কৌবী অমা অহোম নিংথৌদা থাজদুনা মকপ ওইখি অমসুং খুদোল ওইনা শামু অমা, তেখাওলূনচিংবসু মীতৈ নিংথৌদা পীবকখি।

মপাবুঙ কবোম্বনা লৈখিদ্রবদা মৈদিংঙু তাঙজম্বনা খৃঃ ১৫৪২-১৫৪৫ নিংথৌ ফম্বাল কাবমলবসু ঙন্না লৈখিদবনা মৈদিংঙু ক্যাম্বাগী মনাও নুপা সানোংবগী মচানুপা চলাম্বনা খৃঃ ১৫৪৫-১৫৬২ নিংথৌ ওইখি। ইনিংথৌসিগী স্না হাক্তকতা নোংচুপলোমগী মীওই কযানা মৈত্রবাক্তা লাক্লুনা খুন্দাখি। ভাবতবর্ষগী গোড হাযবা মফমদগী লাকখিবশিং মীওই অমগী মচা নুপা কঘুনাথ হাযবা মীওই অমা কোনোক থেঙ্গ্রাগা মরূপ শানখি। বঘুনাথনা ঙন্না লৈখিদ্রবদা মহাক্কী অনিশুবা তালোযদু কোনোক থেঙ্গ্রানা লৌখি।

মৈদিংঙু মুংয়াম্বা (খৃঃ ১৫৬২-১৫৯৭)

মতম শাংনা তুকথকবগা নিংথৌশিংগী মতুংদা মৈদিংঙু মুংযাম্বগী মতমদগীদি অমুক হন্না মরাই কাওখৎলবশি। মহাক্কী মতমদা, খৃঃ ১৫৬৫ দা কবোগী মুঙখোঙ মুংযাং নৌশিন্দুনা নোংমৈ, মনাগী শকম-লানবা ওইনা মীওই কয়া পুনকখি। মতমাসদগী মহাক্কী হান্নগী মিং [illegible] নোংমৈ ক্যাম্বদগী মুংযাম্ব হাযনা খংনখি। খৃঃ১৫৭১, ১৫৭৮, ১৫৮২, ১৫৯১ কযাদা হন্না কবোদা লান্দাদুনা কবোগী লম কয়াসকম নৌশিনখি অমসু মৈত্রবাক অমাগী কবোগী [illegible]খেংগী মি [illegible] শিং লোকনখি। মতমসিদগী মৈত্রবাক্তা নোংমৈ থুংলখি হাযনা থাজনৈ। লোযননা কোব্র অমদি চী ৬লমগী লানথম কযাদা মচানুপা খাগেম্বনু পুন্নুনা লানগী [illegible] কযাসু তৌখিবা। খা নোংচুপ লমদগী থোংনাং (বোদো / কাছাড়ী) শিংনা লান্দাবকপদুবু মাযথীবা পীখি অমসুং ইনিংথৌ মুংযাম্বগী তালোয কাহনৌ চীঙপোম্বীনা লীলোযঙম্বীগুম্না লান্দা শকক্যাখি। স্না হাও ক [illegible]মাসদগী হিযাং তানবা চহীগী হযাং কুম্মে ওইনা হৈদোকখি।

মৈদিংঙু খাগেম্বা (খৃঃ ১৫৯৭ ১৬৫২)

মৈত্রবাক্কী পুরাবীদা যুকপচী যুর্মালংবা (Nation Builder) হাযনা খংনবা ইনিংথৌসিনা মপাবুঙগী মযমদগী থাঙ তা, তেন, লানগী লালোং, লৈঙাকলোন, রাযেনলোন খুদিংমক্তা মরীক চুম্না তমখিবদুনা মপাবুঙনা শেমগৎলম্বা লৈবাক্কী মফম খুদিংমক অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবা

যাম্না কন্না হোৎনখি। মপান লমদগী লান্দাবকখিবা মুসলিম, কছাড়ী, কবো লমদগী শান পুম্নমকপু মাযখিবা পীদুনা মবৈবাকপু ঙাকখি, লোযননা মবমদমগী কাঙলূপ মচা কযাবুসু লাকশিন্দুনা থম্বা ঙমখি। কবোগী শান, ত্যমু, সমজোক, কিযাং, খমবৎনচিংবা কিযাম্বগী হাক্তকতগী লৌশিনখ্রবসু মপুঙ ফানা লাকশিনবা ঙমখিদবদু মুংয়াম্বা অমদি খাগেম্বগী মতমদদি মপুং ফানা লাকশিনবা ঙমাখি।

খৃঃ ১৬৩১ দা খাগী (চাইনা) গী মক ওইবা খুঙ্গঙগী লুচিংবা চাউফা হোংদৈবু মাযথীবা পীবদগী মহাকপু খাগী ঙম্বা হাযনা খংনখি। খৃঃ ১৬৪৮, ১৬৫১ দা অন্নাশিংনা অনিবক হন্না লান্দাবকপদু মাযখিবা পীখি। মনাওনুপা অনি চীঙশোম্বা অমসুং সানোংবনা হিযাং তান্নবদা হি কাযবগী নুঙাইনবকতবদগী মনাও সানোংবনা শাওদুনা কছাড়ীগী মফমদা চেনখি। খৃঃ ১৬০৬ তা মনাওনুপা সানোংবনা সবৌ তৌদুনা কাছাড়ী অমদি মুসলিমশিংগা লোযননা লান্দাবকপদু মাযথীবা পীদুনা মনাওনুপাবু ফাহৌখি অমসুং থেমজিনদুনা লৈঙাকপদা যাওহনখি। লানফমদুদা ফাবকখিবা মীওহ কযামদি মনাশুনা, যোৎশাবা, শগোল শামু শেনবা, দোলাই পুবা শিনফম কয়াগী মীওহশিংনি। মখোযবু শিনফম কয়া পীদুনা লৈবাক্কী শেনফম চাওখৎনবা থৌদাং পীখি। মখোযসু মীতৈ নিঙোলশিংগা লৌন-লৈনদুনা মীতৈগী কাঙলুপ অমা ওইনা লৌমিন্নবকখি। মখৌ অমসুম্না পুকচেল চাউবা নিংথৌ অমা ওইনা খুনাইগা লৈবাক মচা খুদিংমকপু মান্নবা মিৎযেংনা যেংদুনা মীথুংলবশিংবু খুন্দাহনদুনা মীতৈ বামোন অমসুং মীতৈ পাঙগল ওইনা হৌমিন্নবকখি হাযবসি বামোন খুছোক, নোংশামৈ পুযানচিংবনা তাকলি। মহাক্না দোলাই ত্োংদুনা লৈবাক মীযামগী মমাংদা লেংথোকতুনা মীযামগী অফ নুঙায যেংশিনবসু তৌবম্মী। খুৎশু খুৎলাই, নোংমৈ অমদি শেনমীৎনচিংবা শাবগী ফেক্টবীসু থমলম্মী। মহাক্কী মতমদা শেনমীৎ নীংথনা পুথোকতুনা লৈবাক মীযামদা শিজিন্নহনবা হৌখি। মহাক্কী মতমগী শেনমীৎ কযা হৌজিকসু পুথোকনবক্লি।

মহাক্কা লাইনিং লম্বীদা থব্বায় য়াওরম্বনা মীতৈগী য়েলহৌ লাইনিংবু চাউখৎনবা হোৎনরম্মী হায়বসি ''থিরেন লৈয়াৎ'' অমসুং ''কাইবরোন'' পুয়াদা ময়েক লানা ইরি। খাগেম্বা লাংজৈ পুয়ানা তাকলিবদি, মহাক্কা সনামহীবু তেঙবানবা মপুনি হায়না থাজরম্মী। মহাক্কী কোনুংদা য়ায় (রত্ন) তরুক ওইনা ঙানখিবা মায়চৌশিংদি - অপোইমচা, খাইদেম তোম্বা, কোনোক থেঙ্গ্রা, সলাম সনা, য়ুমনাম তোম্বা, লাঙ্গোল লুখোয়নি। নোংদোনলোন (astrology) দা খংহৈরবা কোনোক থেঙ্গ্রানা কংলাগী য়ুম্ফম হৌবগী অফবা পুঙফম অমা পীখি অমসুং পুঙজা অদুমকতদা উরেপ য়ুংলবদি সনাগী লফুথরো শাৎকনি হায়না তাকপিখি। তৌইগুম্বসুং থৌরমদু লোইরবগী মতুংদা সনাগী লফুথরো শাৎলকখিদবদুদা নিংথৌনা শাওরদুনা অশিবগী চৈরাক পীনবা য়াথং পীখি। মতম অদুমক্তদা পাঙগল অমনা নিংথৌগী মফমদা সনাগী লফুথরো অমা কৎলখি। নিংথৌনা ঙকনা মরম হংবদা কোনোক থেঙ্গ্রানা হায়বা পুঙজা অদুমকতদা থাহৌবদগী সনাগী লফুথরোসি শাৎলকপনি হায়না তাকলকখি। নিংথৌনা হায়দোকখিবা চৈরাক হনজিনদুনা কোনোক থেঙ্গ্রাবু কৌরুবদদি, মহাক মথম্মোয় পেনদদুনা ইম্ফাল তুরেলদা চোংথদুনা মথব্বায় কৎখি।

মহাক্কী মতমবু মীতৈ পুদিন (সাহিত্য) গী চাউখৎপগী খম থেংবা সনা ফুদোংলবা মতম (golden age) নি হায়না লৌই। থিরেন লৈয়াৎ পুয়াদা মীতৈগী নাৎকী লাইনিং, ব্বাঙুরোন্নচিংবা থব্বায় অমদি হকচাং অনিগী মরীবু তাকলি। খৃঃ ১৬৩৩ দা নুমিৎলাই নোংসাবগী লাইশঙ শাখি অমসুং লাইহরাওবসু পাংথোকখি। নিংথৌবু লাইয়িঙথৌ হায়না ইকাই খুম্নবগী চৎনবী হৌখি। মীতৈ পুয়া অয়াম্বদি অইবগী মীং অমদি চহী ইরমদবনা মতম লেপ্পদা অব্বাবা ওই। অদুবু মহাক্কী মতমদা ইরম্বা পুয়াশিংদি- ''খাগেম্বা য়ুমলেপ''- মীতৈগী লৈশেমলোন (cosmogony) তাকলি, ''নোংশাবা লাইহুই'' দা - নুমিৎলাই নোংশাবগী হৌরকপগী ব্বারী য়াওরি, ''লৈথক-লৈখারোন'' দা মীতৈগী লাইশিংগী ব্বারী অমসুং মীহৌরোনগী ব্বারী তাকলি, ''থব্বানমিচাক খেনজোংলোন'' সি কোনোক থেঙ্গ্রাগী খুদোলনি

হায়না থাজনৈ অমসুং নোংদোনলোনগী ৱাফম তাকলি, ''থাবোন''- মীতৈ থাচৎশিংগী হৌবকপগী ৱাবী যাওবি, ''পান্থোযবী ৱাবোন'' দা পান্থোযবীগী ৱারী যাওবি, ''সিংখন-লাখন''- মাযচৌ তরুকনা পুন্না ইখিবনি হায়না থাজনৈ অমসুং লানগী লালোং তাকপা পুযানি, ''কাইববোন''- তুংগী লাইবাউ পীবা পুযানি, ''খাগেম্বা শিংকক'' তসু তুংলমচৎকী পাউদম পীবা পুযানি।

মবম অদুনা খাগেম্বগী মতমবু মৈত্রবাক্কী পুৱারীদা মবাই কাংখৎলকলিবা নিংথৌকোনগী সনাগী চকনি (যুগ) হায়না লৌই।

মৈদিংঙু খুঞ্জাওবা (খৃঃ ১৬৫২-১৬৬৬)

মতিক মঙাল লৈরবা মপাবুঙনা লৈখিদ্রবদা মৈদিংঙু খুঞ্জাওবনা খৃঃ ১৬৫২-১৬৬৬ ফাওবা মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ওইখি। লৈবাক মবা তপ্না মপাবুঙনা শেমগৎলম্বা লেবাক্কী নিংথৌ ওইখি হায়দুনা খুঞ্জাওবা কৌখিবনিসু হায়নাব। খৃঃ ১৬৫৩, ১৬৫৯ দা সমজোতসু লান্দাকই অমসুং পোং চৈ কয়াসু পুবর্কাখ। মতম কযাদগী কবোগী শান শাগৈবু মৈত্রবাক্কী মংুং চন্না লৈখ্রবসু অৱানা বুধ লাইনীং চৎপা অদুগা মৈত্রবাক্লা মীতৈ যেলহৌ লাইনিং চৎলম্বনা অপুনবা খুনাইগী লীচিং অমা পুবকপা ঙমখিদে অমসুং মদুনা মরম ওইদুনা মৈত্রবাক্কী নিংথৌশিংনা লানজংদুনা পুনসিন্নবা হোৎর্নাখি।

মপাবুঙ খাগেম্বনা শেমগৎলম্বা কংলাগী হোজংদা থাঙ্গপাৎ তৌদুনা অমুক্কা হেন্না ফজনবা শেমগৎলম্মী। ইনিংথৌসিগী স্না হাক্তকতা কছাড়দগী মীওই কযাসু মৈত্রবক্তা লাকখি অমসুং মৈত্রবাক্কী মীওই মশীং য়াম্না তেখাও (অসাম), তখেন (ত্রিপুরা) দা চৎখি।

মৈদিংঙু পাইখোম্বা (খৃঃ ১৬৬৬-১৬৯৭)

খুঞ্জাওবনা লৈখিদ্রবদা মহাক্কী মনাও তোনাবগী মচানুপা পাইখোম্বনা খৃঃ ১৯৬৬ তা নিংথৌ ফম্বাল কাখি। মহাক্কী অহানবা মীংদি পোইবৈখুনখোম্বনি, পাইখু লমনুংসিবু ঙমখি হায়দুনা পাইখোম্বা হায়না খংনখি। মহাক্কী মতমদা অহনলুপ, নহালূপ, খাবম অমসুং লাইফম পানাবু

হেন্না থৌদাং শিন্নদুনা লৈঙাক পাঙ্গল কনখৎহনখি। মপানগী লম মরু ওইনা ভারতবর্ষগী মফম কয়াদগী ব্রাহ্মণ, ললোনবা কয়া লাকখি। কৈশাম চনু তঙখোনবী কৌবী অমবু কাছাড়ী নিংথৌদা থাজখি। মদুগী মহুৎ ওইনা শামু অমা পীরকখি। মহাক্কী মতমদা লৈবাক ব্লায়েনদা অশিবগী চৈরাক, মনাতোন ককপনচিংবা অকনবা চৈরাক থমল্মী ।

মৈদিংঙু চরাইরোংবা (খৃঃ ১৬৯৭-১৭০৯)

তরানিপানশুবা চহী চারোলনা হৌগৎলকপদা মৈত্রবাক্কী তম্পাক্তা মতিক লৈরবা নিংথৌ কয়া ফংজখিবদুনা লৈবাক্কী খুনাইলোন, লাইনিং, শেনবালোন (economics), লৈঙাকলোনদা অচৌবা ঈহৌ অমগা লোয়ননা অহোংবদা খুদোল তমখিবা নিংথৌশিংদুদি - মপা, মচা অমসুং মশুনুপা ওইরিবা - চরাইরোংবা, পামহৈবা অমসুং চীংথংখোম্বনি।

পাইখোম্বনা লৈখিদ্রবদা, মহাক্কী মনাওনুপা তোনসেনঙম্বগী মচানুপা চরাইরোংবনা খৃঃ ১৬৯৭ তা মশাগী চহীনা ২৫ শুরকপদা নিংথৌ ওইখি। লৈবাক মরা তপনা পানখি লোয়ননা চীঙলমগী মফম কয়াদা লান্দাদুনা লাকশিনদুনা থম্বা ঙমখি। মহাক্না খৃঃ ১৭০০ তা চীঙগী খুলাকপশিং য়াওনা লৈবাক্কী অচৌবা হরাও কুম্মৈ পাংথোকতুনা মরূপ ওইবগী মরী থম্নবা হোৎনখি। অচেৎপা লৈঙাকলোনগা লোয়ননা অকনবা ব্লায়েন চৈরাক থম্লম্মী। খৃঃ ১৭০৫ দা হুরানবগী মরাল লৈরবশিংবু ঙবোং খাও নমদুনা সুগনুগী তুরেলদা থাদখি। অব্বা (বর্মা) গী নিংথৌদা মচানুপী চকপা মখাও ঙম্বীবু থাজবীদুনা লৈবাক অনিগী মনুংদা নুংশিনবা মরী থম্নবা হোৎনখি। তৌইগুম্বসুং মহাক্না পামজবদু মহৈ য়ানবা ঙমখিদে।

মহাক্না খৃঃ ১৭০৪, য়ুমশাকৈশা, শজিবুগী মঙানিদা (৫) পুরীদগী (ভারতবর্ষ) লাকখিবা কৃষ্ণচারীয়া কৌবা ব্রাহ্মণ অমগী মফমদগী বৈষ্ণব লাইনিং লৌদুনা মৈত্রবাক্কী পুব্বারীদা অহানবা লাইনিং হোংবগী ঈহৌগী মরূ হুনবা হৌখি। লোয়ননা সংস্কৃত লোনগী ঈহৌ ওইনা ইনিংথৌনা ইহান হান্না মশাগী মীংবু পিতামবর সিং হায়না থোনবা হৌখি। অদুম ওইনমক মপা মপুশিংগী থাজনরম্বা লাইনিংবু থৌওইদবদি তৌখিদে, মীতৈ লাইশিং-

পাম্বোযবী, সনামহীনচিংবগী লাইশঙ কযা শাগৎলম্মী অমসুং সনা, শেঞ্জেংনচিংবনা লাইশিংগী শক্তম শাদুনা লাৎখি। মসিগা লোযন লোয়ননা কৃষ্ণগী লাইশঙসু শাবা হৌখি। অতৈগী থৌইনশিনদগী মনাওনুপা লোয়াম্বনা ফম্বাল মুনগদগী হোৎনরকপদু খঙলকপদগী মনাওনুপা অমদি লোযনবশিংবু অশিবগী চৈরাক পীখি। মশাগী চহীনা ৩৭ শুরকপদা, লৈঙাকপগী চহী ১৩ শুরকপদা, খৃঃ ১৭০৯ দা তুসুক চীঙমীসিংনা লালহৌবিবদু নমথবগী লান চৎলুবদগী হল্লকপদা লম্বীদা নম্বুল তুরেলগী তোবর্বান্দ অথাক অরাও তাদুনা লাইকন্নরিঙৈদা মহাক্কী মচানুপা পামহৈবগী মকুবোক্কী থৌশিন্না পামহৈববু মপাদা তানা লেঙদুনা হাৎহনখি।

অসুম্না বৈষ্ণব লাইনিংগী মহৈদগী ভারতবর্ষগা নকনবা মরী হেনগৎলকখি, ব্রাহ্মণশিং কযা লাক্তুনা মৈত্রবাক্তা খুন্দা লৈতাবা হেনগৎলকখি। মায়কৈ অমরোমদনা অৱা (বর্ম্মা) শিংগা মরী তৎনরকতুনা নুঙাইনদবা হেনগৎলকখি।

মৈদিংঙু পামহৈবা (গরিবনিৱাজ, খৃঃ ১৭০৯-১৭৪৮)

মপাবুঙ মৈদিংঙু চরাইরোংবনা লৌবা মমাসিজ মরীগী মনুংদা খ্বাইদগী লৈমরেন অহন সাপম নিঙোল নুংথীল চাইবীগী মচানুপা অহন পামহৈবনা মচিন মনাও মঙাগী মনুংদা অহননি। মহাক্না ফম্বাল তোংদ্রিঙৈগী মমাংদা খৃঃ ১৬৯৬ তা মমা লৈখিদে অমসুং মহাক্কী নহা ওইরিঙৈগী পুন্সিদি মকেঙ থাঙ্গল চীঙদা কোনুংদগী থাপনা চাউরকখি। মহাক খৃঃ ১৬৯০ দা পোকখি। মহাক্কী তোঙান তোঙানবা মীং কয়া লৈরম্মী - ''থোঙনাঙ ময়াম্বা'', ''পামহৈবা'', মুসলিমসিংনা পীবা মীংনা ''গরিবনিৱাজ'' অদুগা হিন্দুগী মিংথোলনা ''গোপাল সিং' কৌখি।

লাম্মীগী পাঙ্গল মরাই কাঙখৎলকপা

১৮ শুবা চহী চারোলগী অহৌবদা অৱাং নোংপোক ভারত অমসুং বর্ম্মাগী মনুংদা মহাক্কুম্না মপাঙ্গল কনবা নিংথৌ লৈরমদে। মহাক্না লান্দাখিবশিংবু শরূক অহুম থোকনা খাযদোকই - অহানবদা খৃঃ ১৭১০-১৭১৭, অনিশুবদা খৃঃ ১৭২৭-১৭৩৩, অহুমশুবদা

খৃঃ ১৭৪৫ - ১৭৪৮ নি। অহানবা অমসুং অনিশুবগী তাঙ্ককশিদা মরু ওইনা চীঙলমশিংদু তাঙখুল, অনাল, মাহৌ, মরীং, তবাও, মোযোন মফম কযাবু মহাক্কী খুদুম মখাদা থমখি অমসুং মরূপ ওইনা মতুংগী লান কযাদা মতেং পাংহনখি। মতেং পাংবা লাকখিদবা কযাবুসু চৈরাক পীখি। মহাক্না চীঙলম কযাবু খুদুম চল্লবগী মতুংদা কবোগী সমজোকপু তরেৎলক হন্না - ১৭১৭, ১৭১৮, ১৭২০, ১৭২২, ১৭৩৭, অমসুং ১৭৪৮ দা লান্দাখি। খৃঃ ১৪৭০ দগী কবোবু মৈত্রবাক্কী খুদুম চন্দুনা থমখ্রবা অমসুং মপাবুঙনা মচন নুপী চকপা মখাও ঙম্বীবু অন্না নিংথৌদা থাজদুনা নুংশিনবা মবী থমগদবগী হোৎনবম্বা ফাওবদা মচন নুপীবু নুংশিনা লুনা তৌবিদবদগী মপাবুঙনা পামহৈবন্নু ম্নাদা লমন খুম্বগী ন্নাফম ফাওবা তাকপিবম্লবনি। অসুম্না শীংদুনা লৈবিঙৈদা অন্না নিংথৌ তানিঙানন্নেনা পামহৈবগী মচানুপী পীযু হাযনা লাকখিবদু অমুক্না হেন্না লান তৌবগী খুদোং চাবা লৌখি। খৃঃ ১৭২৩ দা অবা অমদি তখেন নিংথৌ অনি পুন্না লান্দাবকপদু মাযথীবা পীদুনা হন্দোকহনখি। খৃঃ ১৭২৭ অমসুং ১৭৩৩ দা তখেন্দা লান্দাদুনা মাযপাকলর্কশিবগী ন্নাবীবু ''চৈখাবোল কুম্বাবা'' অমদি ''তখেল ঙম্বা'' পুযাদা শৈথাদুনা চুক ওইনা লৈখি।

খৃঃ ১৭৩৮ দা অমুক হন্না নীংথি তুবেল লান্দুনা লান্মী ২০,০০০ হেন্না লোযনদুনা অন্নাদা লান্দাকই। মদুগী মাযোক ওইনা অন্না লান্মী ৮৫,০০০ না ঙাক শেল্লম্বদুগী মথক্তসু মহাক্না মায পাকতুনা লাকখি। মদুদগী সনাগী বুধগী শক্তম (মুর্ত্তি) পুবকখি অমসুং পাগোদা (বর্ম্মীসশিংগী লাইশঙ) কযাসু থুগাযখি। মতুংদা অন্না নিংথৌনা মহাক্কী মচানুপী সত্যমালাবু লুহোংবগী ন্নাকৎলখি। মদুদা গবিবনিন্নাজনা থাজদদুনা অন্নাগী নিংথৌ যৌনা মশানা চৎতুনা হংলুরবগী মতুংদা তশেংনা অফবা মবী থমনিংবদগীনি খংলবগী মতুংদা মচানুপীবু অন্না নিংথৌদা থাজবিখি।

মহাক্কী মতমগী লান্মীশিংদি মীতৈ খুদিংমক - খোংলান্মী, শগোল লান্মী, হিহোনবা লান্মী, থাং - তা, অবাম্বাই, অসিনচিংবা হৈবা ওইবম্মী। মতমদুগী মীতৈগী যুমথোং খুদিংদা শগোল অনি / অহুমদি লোযনবম্মী অমসুং লালূপ শেমগৎতুনা নীংথিনা ঙাকশেল্লম্মী। অবাম্বাইনা ১৮ শুযা চহী চাবোলগী খ্বাইদগী শাথিবা খুৎলাই ওইখি।

অসুম্না মৈদিংঙু পামহৈবগী স্না হাক্তকতা লাম্মীগী মপাঙ্গল নোংদোন শোকনা কনখৎখি অমসুং মৈত্রবাক্কী ঙমখৈ নোংপোক্তা কবো তম্পাক, নোংচুপতা কছাড় (থোংনাং), ত্রিপুরা (তখেন) ফাওবা পাকনা শম্ দাকখি। মপাঙ্গল কল্লবা নিংথৌরেলসিগী লৈঙাকলোম্দতা নত্তনা মনাৎ অমদি লাইনিংদা অচৌবা অহোংবা অমা পুরকখি। মতমসিদা ঔরঙ্গজেবনা ভারত পুম্বা নৈখাযরকপদুনা মসিগী মমি তাদবা থাপলবা অল্লাং-নোংপোক্কী চীঙলমদা ব্রাহ্মীন কযানা লাকতুনা মৈত্রবাক্তা মখোযগী মনাৎপু শন্দোক্ল বগী হোৎনরকখিবদু মতম অসিদদি মহৈ যাম্বা ঙমখি। মদুগী মথক্তসু মৈত্রবাকতি অপুনবা অমদি তিনশিনবা খুনাই কাঙলুপ ওইখ্রবনি। মতৌ অসুম্না তম্পাক্তা মীতৈশিংনা মশাগী অরিবা লাইনিং, চীঙলমদা চীঙমীশিংনা মখোযগী মহৌশাগী থাজনবী, কবোদনা বুধ লাইনিং চৎখ্রবনি। মৈদিংঙু চবাইবোংবনা খৃঃ ১৭০৪ দা বৈষ্ণব লাইনিং লৌখ্রবনি, ঙন্না লৈখিদবনা নাৎ অমদি লাইনিংগী অহোংবদু লৈবাক গীযামদা পীবা ঙমহৌদবগী ব্লাতনি।

হিন্দু লাইনিংদা লাইমীং লৌবা

পনবা যাবা ব্লাফম অমনা থংনবা লৈবাকশিং অহোম নিংথৌকোনদনা বৈষ্ণব লাইনিং, অল্লাদনা বুধ লাইনিং লৌখিবগা লোযননা মীতোপকী নাৎপু পামজবসি মতমদুগী লেমজনিঙাই ওইবা অনৌবা চৎনবীগী লমজেল অমা ওইরমব্রা হাযবসি খন্নবা যাই।

চৈথাবোল কুম্বাবগী মতুং ইন্না পামহৈবনা খৃঃ ১৭১৭, ওক্তোবর থাদা গুরু গোপালদাসকী মফমদগী বৈষ্ণব লাইনিংদা লাইমীং লৌখি। মতুংদা গোপালদাস খৃঃ ১৭২০ দা মবৈবাকতা (ভারতবর্ষ) হনখি। সনামহী লাইকন পুযানা তাকলিবদি ইনিংথৌনা লৌখিবা লাইনিংসি মাধবচাবযাগী বৈষ্ণব লাইনিংনি। মসিগী মতুংদা ঔবঙ্গজেবকী মীওৎ মীনৈ নংলবা, সিলেটকী নরসিংতিলা হাযবিবা মফমদগী শান্তিদাস মহন্ত বৈবাগীনা খৃঃ ১৭২৮ তা মৈত্রবাক্তা থুংলখি। মহাকপু নিংথৌকোনগী মীথুংলবা ওইনা

থমখি অমসুং কায়নথংদা মাঙোন্দগী রামান্দী লাইনিংদা অমুক লাইমীং লৌখি। গোপালদাসনা হনখ্রবগী মতুং শান্তিদাসনা থুংলবগী মতুংদগীদি অনৌবা লাইনিং শন্দোকপগী ঈহৌসি খঙকন কনসিনখি। নিংথৌরেল পামহৈবনা লান্দা মথৌনা লৈবা অমদি মপাঙ্গল কনখৎলকপগা লোয়ননা খুনাইগী অচৌবা অহোংবা পুরকপদা থোয়দোকনা চিংননিঙাই ওইখিদে। মসিগী খুদোং চাবসিনা মীথুংলবা লাইনীংবশিংগী মীৎয়েং লায়না মায় পাকপা ঙমখি। মীতৈগী য়েলহৌঙৈগী লাইশিং - নোঙসাব, পাম্বোয়বীনচিংবশিংবু ব্রাহ্মনশিংদা লাৎহনখি, অদুগা মীতৈ মাইবশিংবু ইরাৎহনখিদে, উমংলাই মাপনবু থুগায়খি। খৃঃ ১৭২৫, ফাইরেলগী ২০, নোংমাইজিং নুমিত্তা লৈমা নিংথৌশিংগী নিংশিং খুভমগী শঙগী মথক্তা থল্লিবা লূশিংদুবু থুগায়দুনা লৌথোকলগা মৈ থাখি। মদুগী উৎতুনা নীংথি তুরেলদা থাদখি।

লাইফম থুগায়বা

খৃঃ ১৭২৬ তা কৃষ্ণগী লাইশঙ শাখি লোয়ননা মীতৈনা লাৎনরম্বা উমংলাই মাপন- লাইনিংথৌ, পাম্বোয়বী, সনামহী, সোরারেননচিংবগী শক্তম অমদি লাইফমবু থুগায়রগা মোংবাহনবা চীঙদা ফুমজিনখি অমসুং মফমদুদা হনুমানগী লাইশঙ শাখি। অসুম্না থুগায়বগী থৌরম মথং মথং চৎথরকপদা হৈবোক চীঙগী হীয়াংথাং লাইরেম্বীগী লাইফমদা চৎলুবদা লাইরেম্বীনা তান্নরকপদগী থুগায়বা ঙমখিদে হায়না পুয়ানা তাকলি। মতুংদা সনামহীগী থুগায়রুবা লাইফমদুবু অমুক হন্না খৃঃ ১৭৩৩ দা শান্তিদাসনা নিংথৌদা হাযদুনা শাহনখিবনি হায়না কুম্বাবদা পল্লি।

পুয়া মৈথাবা

শান্তিদাসকী থৌয়িনশিনদগী খৃঃ ১৭২৯, ৱাকচীংগী ২৩ নিদা, অয়ুক্কী পুং ৯-১০ তাবদা মৈত্রবাক্কী পুয়া অয়াম্বা চাওরাক্লা ১২৩ রোম কংলা উত্রা মমাংদা পৈখৎতুনা, লৌরেম্বা খোংনাং থাবনচিংবগী পাউতাক পাউমেন তাদনা, মী পোলোয়বগী মওংদা মৈ থাখি। মদুগী পেনদবদগী মায়চৌ খোংনাং থাবা মীয়াম মমাংদগী থুপখি। মৈ থাখ্রিবা পুয়াগী মিংদি -

তাওরোইনাই যাঙবী, পাখঙবা যাঙবী, পাখঙবা নাওযোম, সনামহী নাওযোম, সনামহী লাইহুই, সকো লমলেন, পাখঙবা থীবেন, লৈথক লৈখাবোন, থিবেন লৈয়াৎ, খুনুং শিংকাপ, থীবেন, সকোক থীবেন, তাউবোইনাই পিচা, পাখংবা লাইহুই, সনামহী লৈখন নোংখন, লৈখা নোংখাবোল, লৈচিনলোন যুম্বী, নোংলোন যুম্বী, নোংলোন লাইচম, নোংলোন ক্রথোং নোংদোন লাংবুম, নোংদোন লৈচিনলোন, লৈবোন যুমচেৎপা, লৈচিনলোন নাউযোম, লৈপাক্তা হৌবা লৈচিনলোন, পাতাল লাংবুম, থিবেন শীংকাপ, থিবেল মৈবম লীবা, থিবেল লাইচম, থিবেল চেপ্পী, থিবেল থিপোকপী, থিবেল ক্রথোং, লৈশাংখোং থিবেল, যুম্বী থিবেল, নোংমাইজিং থিবেল, হৈপোক থিবেল, লাঙ্গোল থিবেল, কৌব্রু লাইখৈ, থাংজিং লাইখৈ, চীংখৈ শেকনীং, চীংঙা লাংখৈ, ললাম্বুং লানখৈ, ব্লাংব্রেন শেকনী°, নূংলোন লম্বুবা, নূংলোন যুম্বী, নূংলোন খ্রা, নূংলোন লাইচম. নূংলোন লাইচম, নূংলোন যাঙবী, শাকোক লাইচম, খোই মহৌ, মহৌ লাংবুম. মহৌ চান্ত, মহৌ শেকনীং, মহৌ ফিজপোক, মহৌ লাংবুমথেন, তাঙ্গোঙ মহৌ, লেমথোঙ মহৌ, নোংপাই মহৌ, লৈহৌ মহৌ, যুম্বী মহো, থেনখেন মহৌ, লৈচাই মহৌ, থেনকা মহৌ, নোংলোন মহৌ, লৈবোই মহৌ. চকপবোন মহৌ, হিবি লংশুং মহৌ, কিথুম মহৌ, চকপবোন থেনকাবা, কোন্না নুংবুং কোইবা. নোংদোন হিবি, খুনুং শমপুম, থিযান লোন, মনাৎ লোন, চুলাৎ লোন, মবাৎ লোন, হিবি লংশুংলোন, চোংখু লোন, খাম্বীবোন. লাইযাৎ থেংগৌবোন, চবাপ লোন, আপোকলোন, আপোক লাংবুমলোন, ০ংমাইচীং, চীঙ্গৈইবোন. হৈপোক চীংগোইবোন, নোইজিং চী°গোইবোন. কোঞ্জেং কোকফাইবোন, চোংখু লম্বী, খুনুং পুংগোইলোন, খাবী থেলেনলোন. শিবিকা, জতিৎ, খুম্লোক যাঙবী, চীংশৎলোন, মহৌ যাঙবী, উলোন ব্লালোন, পাবোৎ, খাংচীংলোন, শংবুম লাংবুমলোন, শী°তাপুং, সনা সেকনীং, পোইবৈতোন খুম্লোকপা, পোইবৈতোন নিংচিৎ, খম্মোই যাম্মোই শেকনীং, সনামহী থিবেন, পাখংবা থিবেন, নোংশাবা খুম্লোক, নূংবী নূংথাবোন, ব্লাবা লাংকা লোন,

কোংখা লাইচৌ লোন, শেল্লোয় নিংচিৎলোন, পাফম উহৌলোন, নুমিৎ খেনচংলোন, খা খেনজংলোন, থব্লানমিচাক খেনজংলোন, তাঙমা হিয়াং কোল্লোনা, পুয়া কয়া অমদি মৈনা চাকপা ঙমদনা পাইদুনা চৎখি হায়বসিনা তাকপদি পুয়াশিংগী খুৎশীন (কোপী তৌহৌবা) কয়া মীতৈশিংগী মফমদা লৈহৌই হায়বনি।

আর্য্য ওনবগী মৈজাওবী হৌবা মতাং

সনামহী লাইকন পুয়ানা তাকপদি অহোংবসিগী ইথিলনা ''মৈত্রবাক/পোইরৈবাক/কঙলৈবাক'' হায়না খংনরম্বা মীতৈগী লৈবাকপু ''মণিপুর'' হায়না মীংথোলদুনা আর্য্যগী য়ুমফমদা মরা চেৎহনবগীদমক মহাভারতকী মণিপুর ওইহনদুনা মীতৈশিংবু অর্জ্জুনগী মচানুপা বব্রুবাহনগী চারোন শুরোন ওইনা শক্তাকনবা হোৎনরকখি। খৃঃ ১৭২৪ দা নিংথৌবু ''মহারাজ'' হায়বা মীংথোলগা লোয়ননা ইনিংথৌবু গোপালসিং অমসুং লৈমবু গোমতী দেবী হায়না অনৌবা মীং হোংখি। মহাক্না পুথোকলবা শেনদা ''মণিপুরেশ্বর'', ''মেখলেশ্বর'' হায়না লৈরম্বসিনা লৈবাকশিগী মীং ''মণিপুর''/''মেখলে'' থোনখিরম্মী হায়বসি অরেপ্পা ব্লাফম ওইখি।

মীতৈগী য়েক তরেৎপু গোত্রদা- নিংথৌজাবু শাব্দিলো, অঙোমবু কৌসিকা, চেঙলৈবু ভরদব্লাজ, লুব্লাঙবু কৈশ্যপ, খুমনবু মধুগ্যল, মোইরাংবু ব্রতেরেয়া, খাব-ঙানববু গৌতম হায়না অসুম্না ওহোকখি।

মতৌ অসুম্না য়াইবীরোক্কী লাইনিং পরৈদগী নুমিৎ লাইগী মফমদগী পুরৈরোবনা লৈচিনগী য়েরুম ওইনা ফংজরকখ্রবা লাইগী মতিক ওইনা লাঙোনখ্রবা নোংদা লাইরেন পাখঙববু রমায়নগী য়ুমফম লৌদুনা রামগুম্না সুর্য্যবংশনি হায়না খংনবা হৌরকখি।

লাইনিং ওহোকপতনা অহোংবা পুরকপা ঙমখিদবদগী মীতৈগী হরাও কুম্মৈবু হিন্দুগী মওংদা ওহোকতুনা মীংসু হিন্দুগী হরাও কুম্মৈগা চান্নলা শেমজিনখি। হৈক্রু হিদোংববু (হিয়াং তানবা) জল যাত্রা, কোংবা লৈথোং ফাৎপা অমসুং চৈরাওববু সংক্রান্তি অসিনচিংবা হরাও কুম্মৈ কয়াবু হিন্দুগী মীংথোলদা হোংদোকখি লোয়ননা অনৌবা হরাও কুম্মৈ কয়াসু হৌদোকখি।

মীতৈগী য়েলহৌঙৈগী লাইনিংনা অকনবা পাঙ্গল ওইখিবদগী নিংথৌনা খোংফম অহুমলক হননা খৃঃ ১৭১৭, ১৭২৯, ১৭৩৭ তা লাইনিং হোংবগী থৌরম মীয়াম হুপনা পাংথোকখি। অনিশুবগী খোংফমদা খৃঃ ১৭২৯ দা লীলোং তুরেলদা অমসুং নুংজেং পূখ্রীদা ইনিংথৌ মশামক য়াওনা গুরু অমদি লোয়নবশিং ময়াম ইরূপখিবদুবু নোংখ্রং ইরূপ্পা হায়না খংনখি।

লোয়ননা সতী মৈথাবগী চৎনবী হৌদোরক্তুনা, খৃঃ ১৭২৬ তা ইহান হান্না নিংথৌ মচা মুরারীনা লৈখিদবদা মহাক্কী মতালোয় অনীবু পোলোয়বগী মৈফমদা চোংশিনহনদুনা শিহনখি। খৃঃ ১৭৩৩ দা সাপম খ্বাইরাকপগা লোয়ননা মহাক্কী মতালোয়, খৃঃ ১৭৩৫ দা ব্লাহেঙবম নোংথৌবগা লোয়ননা মহাক্কী মতালোয় অনী, খৃঃ ১৭৩৭ তা কৈরুঙবা থানোগাইগা মতালোয় অনীবু সতী মৈ থাখি।

মতমসিদগী বর্ণ লৈতবা মীতৈ খুনাই অমদি নিংথৌবু ক্ষত্রিয়া, বামোনসিংনা মীতৈদগী তোঙান্না, কবো অমদি চীঙমীশিংবু মীতৈ খুনাইদগী তোখায়না লৈবা হৌরকখি। মতমসিদগী মৈত্রবাক্কী মীতৈশিংনা গঙ্গাদা লাইফম চৎপা হৌদোকতুনা লৈখিদ্রবশিংগী লূ মচেৎ থাদরুবগী চৎনবী হৌদোকখি। অনৌবা লাইনিংদা লাইমীং লৌদবশিংবু অকনবা চৈরাক কয়া পীখি। কবোগী লমদমসু লাইনিংসিবু শন্দোকনবগীদমক বুধগী লাইশঙ পাগোদা কয়াবুসু থুগাযখি।

লাইনিংগী অহোঙবগা লোয়ননা পুদিন (সাহিত্য / literature) গী অহোঙবা কয়া লাক্তুনা খৃঃ ১৭১৭-১৭৩৭ গী মনুংদা সংস্কৃত অমদি বাংলা লোনগী লাইরিক (পুরান) কয়াবু মীতৈলোন্দা হন্দোকখি। মায়চৌ খোংনাং থাবনা থুপখ্রবগী মতুংদগীদি অঙোম গোপীনা মৈদিংঙু গরিবনিব্লাজগী কোনুংদা অথোযবা পণ্ডিত (মায়চৌ) ওইরম্মী। মহাক্না কৃতিবাসকী রামায়ন, গঙ্গাদাসকী মহাভারতপু মীতৈরোন্দা হন্দোকখি। মসিত নত্তনা অর‌্যণ কাণ্ড, লঙ্গা কাণ্ড, উত্তর কাণ্ড, সদর কাণ্ড, কিসকিণ্ডা কাণ্ডবু মীতৈলোন্দা ইথোকখি। লাইশ্রম অরোই অমসুং য়ুমনাম অতিবারনা ''সমঝোকঙম্বা'' অদুগা নুঙ্গাঙবম গোবিন্দরামনা ''তখেনঙম্বা'' অমসুং

''অন্নাঙম্বা'' লাইরিক ইখি। মহাক্না নিংথৌরেল অমা ওইবগী মপাঙ্গলগা লোয়ননা অথোয়বা লৈঙাকলোন খঙবা অমসু ওইখি। নিঙেলগী নুঙদা হকলম্বদগী খংবদি মহাক মসামকপু ''শ্রী গরিবনিব্বাজ মহারাজ'' অমসুং মহাক্কী মন্ত্রী অমবু ''হাবমচা ইবুঙো মন্ত্রী'' হায়না ''মহারাজ'' অমসুং ''মন্ত্রী'' হায়না, হিন্দুগী লৈঙাকলোনসু লৌশিনখি। মহাক্না ব্বায়েন পথাপতা মরাল লৈরবশিংবু মখোঙ, মখুৎ ককপনচিংবগী অকনবা চৈরাক থব্রম্মী। লৈঙাকলোন্দা অনৌবা মওঙগী লোয়শঙ কয়া হৌদোক্লম্মী। কাঙ্গৎ খোমগৎপদা অনৌবা মওঙগী লৌরুঙপুরেল থব্রম্মী। লৌ পরী, লৌখায়, লৌপীনচিংবগী তোঙান তোঙানবা শেনফম খায়দোক্লম্মী। খুঞ্জাগী লৈঙাকলোন্দা- খুলাকপা, লূপলাকপা, খুনবুবা শেমদুনা তোঙান তোঙানবা থৌদাং শিন্নরম্মী হায়বসি চৈথারোল কুম্বাবা অমদি নিংথৌরোল লম্বুবদা ময়েক শেংনা ইরি। লৈবাক্কী শেনফমদা নিংথিনা ঙাহোং চাহোংলম্মী। পূথ্রী কয়া তৌদুনা মদুবু নীংথেম পূথ্রী হায়না খংনখি, থংনবা লৈবাকশিংদগী শগোল, শামুনচিংবা কয়া লৈখিরম্মী, লাইশঙ কয়াসু শাগৎলম্মী। শেনমীৎ পুথোকতুনা লৈবাক মীয়ামদা শিজিন্নহল্লম্মী। শেলশিংদুদা নিংথৌ মশামক্কী অমদি লৈমা গোমতীগী মীং থাখিরম্মী।

অব্বাবনা পোলোই ওইখ্রবা মহাক্কী পুন্সি

মৈদিংঙু পামহৈবগী মতালোয় লৈমা তরা (১০) গী মচা ১৮ গী মনুংদা স্যাম সাইনা লৈম অহনগী মচা খ্বাইদগী অহননি অদুগা চীৎ সাইনা অহুমসুবী লৈমা গোমতী দেবী (শেনমীৎতসু মীং হকলিবা) গী মচানি। মতালোয় য়াম্বা মচা য়াম্বগী নিংথৌনা ফম্বাল শিন্নরম্বগী অব্বাবদু ইনিংথৌ গরিবনিব্বাজকী মফমদসু থোকখি। অহুমশুবী লৈমা গোমতীদা মচানুপাবু নিংথৌ ফম্বাল শিন্নরমগনি হায়না ব্বাশকখিবগী মতুং ইন্না মরৌশিং মথৌনা লৈরবা মচানুপা অহন স্যাম সাইবু থব্রগা চীৎসাইবু নিংথৌ ফম্বাল কাহনখি। মীয়াম্না য়াবা নিংথৌ ওইরম্বনা মপাবুঙনা নিংথৌ ফম্বালদগী কুমথখ্রবসু মীয়াম্না মপাবুঙদা য়াবদু উবদা পেন্দদুনা মপাবু থাপনা ইহোকপদগী হেল্লদুনা কবোদা লোই থাখি। তৌইগুম্বসুং মতমদুগী কবোগী নিংথৌনা মপাঙ্গল

হন্থরকপা মতম ওইখিবনা ইনিংথৌনা কবোদগী মৈত্রবাক্তা হল্লকলম্মী। মতাংসিদা চীৎসাইনা মীহাৎপশিংবু থাদুনা লম্বীদা মপাবুঙগা লোয়ননা অতৈ মীওই ১৮ অমসুং শান্তিদাস য়াওনা হাৎখি। থৌদোক অসিদা স্যাম সাইনা মথল্লাই পেনমন্দবদগী নীংথি তুরেলদা চোংথদুনা শিখি। অসুম্না নিংথৌরেলসিগী অরোইবা পুন্সিদি তমথীবা অল্লাবগা লোযননা লোমখি অমসুং মসিনা চীৎসাইবু মপা হাৎপা মচা, শাগৈগী মৈতান অশিবা ওইনা মৈত্রবাক্কী পুল্লারীদা হক্কুনা লৈখি।

মৈদিংঙু চীৎসাই (খৃঃ ১৭৪৮-১৭৫২)

অসুম্না মপাবুঙগী মতুংদা মহাক্লা চহী মরী (৪) নিংথৌ ওইখি। অদুবু লৈবাক মীযাম্না মহাক্কী মথক্তা পেন্নখিদে। মরম অদুনা মহাক্কী মনাও নুপা ভবত সাইনা মহাকপু ইমু নাইমু তানবা তোকহনদনা ফম্বালদগী তাম্লোকলগা নিংথৌ ফম্বাল মুনখি। চীৎসাইনা মহাক্কী মচানুপা দেবসাই অমসুং মনাওনুপা সেনাপতিগা লোযননা কছাডদা চেনখি অমসুং বৃটিশকী মফমদা মৈত্রবাক্কী নিংথৌ খুভম হনজনবগী মতেং নিখি। তৌইগুম্বসুং বৃটিশকী মতেং ফংদবদগী যাম্না ল্লান জযন্তিযা চীঙদা লেল্লম্নগা কাইনথংদা চাবা ফংদবা মওংদা শিখি। মহাক্লা লৈখিদ্রবদা অনন্তসাই কৌবা মচানুপা অমনা নিংথি তুবেল তোর্বান্দা চুকসাবা থৌরম পাংথোকখি।

মৈদিংঙু মরাম্বা (খৃঃ ১৭৫২-১৭৫৮)

মৈদিংঙু ভরত সাইনা খৃঃ ১৭৫২-১৭৫৩ ফাওবা নিংথৌ ওইবতা ঙাইরিঙৈদা স্যামসাইগী মচানুপা মরাম্বা (গৌরস্যাম হাযনসু খংনৈ) না মহাকপু নিংথৌ ফমদগী তাম্লোকপদগী কবোদা চেনখি। মতৌ অসুম্না ফম মুনহৌববগী মতুংদা মনাও নুপা চীংথং খোম্বনা মতেং পাংদুনা মরাম্বনা মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ওইখি, অদুগা মতোন অনন্ত সাইবুনা সেনাপতি ওইহনখি।

খৃঃ ১৭৫২ দা অল্লাগী তুঙগু নিংথৌ শাগৈনা মরাই চাইথরকপগা লোযননা মপাঙ্গল কনখৎলকলিবা অলূঙপায়না কোনবুঙ হায়বা অনৌবা নিংথৌ শাগৈ অমা লিংখৎখি। মহাক্লা ললোনবা লাকখিবা বৃটিশশিংবু তাম্লোকনবা অমদি কবোবু লৌশিনখিবা মৈত্রবাক্কী নিংথৌশিংবু মাযথীবা

পীনবগীদমক ফ্রেন্স অমদি পোরটুগালশিংদগী অনৌবা খুৎশু খুৎলাই কয়া লৈদুনা অকনবা লাম্মী মপৈ শেমগৎখি। মতুংদা খৃঃ ১৭৫৮ দা অচৌবা লাশ্মী তেঙ্গোলগা লোয়ননা মৈত্রবাক্তা লান্দারকখি। গৌরস্যাম অমসুং চীংথংখোম্বা মশামক য়াওনা অন্নাশিংগা লৈশাংখোংদা লানথেংনবদা মায়থিবদগী কোনুং থাদুনা লোৎখি অমসুং অন্নানা মীতৈগী মীওই মীশিং য়াম্না ফাদুনা অন্নাদা পুখি।

মৈদিংঙু চীংথং খোম্বা (ভাগ্যচন্দ, খৃঃ১৭৫৯-৬১ / ১৭৬৩-৯৮)

অন্নাশিংনা মরৈবাক্তা হনখ্রবগী মতুংদা নিংথৌ অমদি লোয়নবশিং কোনুংদা অমুক হল্লকখি। চহী মঙা মঙা নিংথৌ ওইনসি হায়নখিবগী মতুং ইন্না গৌরস্যামনা ফম্বালদগী কুমথরগা মনাওনুপা চীঙথংখোম্বা অমুক খৃঃ ১৭৫৯ দা ফম্বাল তোংখি। অদুবু মহাক্কী মীনাই অমনা বামোন হাৎলুবগী থৌদোক ন্নাথোকতগী অমুক হন্না নিংথৌ ফম্বাল থাদোকখি অদুগা ময়াম্বা গৌরস্যামনা অমুক খৃঃ ১৭৬২ দা ফম্বাল তোংখি। গৌরস্যামনা লৈখিদ্রবদা চীংথং খোম্বনা অমুক খৃঃ ১৭৬২ দা নিংথৌ ফম্বাল কাখি। অন্নাগী লানফমদা খুলাইগী মপাঙ্গল শোনখিবদু খংলকতুনা চীঙথঙখোম্বনা অন্নানা ফ্রান্সগী মতেং লৌবগুম মৈত্রবাকসু বৃটিশশিংগী মতেং লৌনবগী থৌরাংখি।

বৃটিশশিংগা ইনখিবা য়ান-চে

মদুনা মরম ওইদুনা খৃঃ ১৭৬২, সেপ্টেম্বরগী ১৪ দা বৃটিশশিংগা য়ান-চে (treaty) অমা ইনখি। হরিদাস গোসাইনা মৈত্রবাক্কী নিংথৌগী মায়কৈদগী অদুগা চিটাগোঙ ফেক্টরিগী লুচিংবা হেনরি ভেরেলষ্টনা বৃটিশকী মায়কৈদগী ওইনা খুয়েক থানখি। তশেংনমক্তি য়ান-চে অদু বৃটিশশিংগী তোংজনিঙাইঙাক্তনি। মরু ওইবা ন্নাফমদি- বৃটিশকী য়েকনববু মৈত্রবাকনসু য়েকনবনি হায়না লৌগদবনি, মৈত্রবাক্কী অন্নাবা তাবদা বৃটিশনা মতেং পাংবা, মৈত্রবাকনা থাগী ওইনা বৃটিশতা শেনফম পীব অসিনচিংবনি। য়ানচে অদুবু বেঙ্গলগী গভর্নমেন্টনা খৃঃ ১৭৬২, ওক্টোবরগী চৈথা ৪ দা অয়াবা ওইনা লৌশিনখি।

হায়নখিবগী মতুং ইন্না হেনরী ভেরেলষ্ট মশামক্লা লুচিংদুনা লাম্মীসিংগা লোয়ননা মৈত্রবাক্তা তেংবাংবগীদমক লাকখিবদু কছাড়গী কোনুং খাসপুর ফাওবদি (খৃঃ ১৭৬৩ গী এপ্রিলদা) য়ৌবা ঙমখি। নোং চুবনা মরম ওইদুনা লষ্টী চঙশিনবা ঙমখিদে, অদুগীসু মথক্তা বেঙ্গলদা বৃটিশ অমদি মুসলিমশিংগী মনুংদা লান থোরকপদগী অমুক হনবা তাখি।

বৃটিশনা মতেং পাংলকখিদবা অমদি লাম্মীগী মপাঙ্গল কনখৎহনবা ঙমহৌদবদগী খৃঃ ১৭৬৪ দা অব্বানা মৈত্রবাক্কী কবো তম্পাক্তা অমুক হন্না লান্দারকখিবদু কনবা ঙমখিদে। অব্বানা চীংথং খোম্বগী মচানুপা অনিবু ফাদুনা পুখি অমসুং চীংথং খোম্বা কছাড়দা চেনখি মতুংদা অহোম তান্না চেনখি। চৈরকসিদা চীংথং খোম্বগী মমা মরী মাম, হায়বদি মমাগী মবুঙ খেলেম্বা, তেলহৈ হায়দুনা তেলহৈবা হায়না গরিবনিব্বাজকী মতমদগী শকনাইবা অমা ওইনা মোইরাংগী লুচিংবা ওইনা থমখ্রবদুনা লালহৌরক্তুনা নিংথৌ মচা দুরলভ সাইবু হাৎলগা মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ওইখি। অব্বানা লান্দারকখিবা অসিমক মহাক্লা হায়রুদুনা লান্দারকখিবনি হায়না থাজনৈ। নিংথৌ কাংলিঙৈগী মতাংসিদা, মহাক্লা অব্বাদা কাঙ্গৎ পীদুনা মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ওইদুনা ব্বাকতাদা কোনুং শেমদুনা পানখিরম্মী।

অসোমদনা মলেস (বৃটিশ) কী মতেং ফংহৌদবদগী খৃঃ ১৭৬৪ দা অব্বাগী মখুত্তা মায়থীরবা চীংথংখোম্বনা তেখাও তানা চেনখিদুনা, তেখাও নিংথৌগী মন্ত্রী বরবুব্বাগী মতেংদগী, গৌরস্যামগী মচানুপী কুরঙ্গনয়নীবু তেখাও নিংথৌ স্বর্গদ্বেউদা থাজবিদুনা, মরূপ ওইনা অচেৎপা মরী থমখি। লোন্না খেলেম্বনা পাউ থারক্তুনা ভ্যাগচন্দ্রদি মৈত্রবাক্কী নিংথৌ নত্তে হায়বদগী স্বার্গদ্বেউনা চাংযেং ওইনা ভ্যাগচন্দ্রবু অঙাওবা শামু ফাহনখিবনি হায়না থাজনৈ। মতুংদা স্বর্গদ্বেউনা (তোখাউ নিংথৌ) মরূপকী মতেং ওইনা লাম্মী ময়াম থারকখি। মদুবু ''লতা কতা রেন'' হায়না খংনখি।

খৃঃ ১৭৬৭ তা খেলেম্বনা অব্বাদা চৎখ্রিঙৈদা চীংথংখোম্বনা মৈত্রবাক্তা লানজংলকতুনা অমুক নিংথৌ ওইখি। খৃঃ ১৭৭৮ দা খেলেম্বনা অব্বাদগী হল্লকপদা লষ্টীদা খারী হায়বা মফমদুদা হাৎখি।

অন্নাগী নিংথৌনা মরাই চায়থরকপগা লোয়ননা খৃঃ ১৭৬৯ দা মরক্তা অমুক লান্দারম্বা নত্তনা মতুংদা অমুক লান্দারকখিদে অমসুং মৈত্রবাক্লা মপুং ফানা মনীং তম্না লৈখি। মরৈবাক কনবতনা মথৌদাং ওইখ্রবা নিংথৌসিনা লৈবাক মরা তপনা পালকলবা মতমদা চীঙলমগী মফম কয়াবু-খা পাংবগী চীঙলমদা খোংজায় (কুকী) শিংগী ইরাংবু নমথরগা মিজোরাম অমদি মৈত্রবাক্কী ভমখৈদা নুঙগী চুক য়ুংদুনা ফিগৈ শেংদোক্লম্মী।

অহোমশিংগী মায়োক্তা·ময়ামারী হায়বা কাঙলুপনা লালহৌবদুবু মীতৈ লাম্মী কয়া থাদুনা মৈত্রবাক্লা মতেং পাংখি। কুরঙ্গনয়নীনা রাঘব মোরানবু হাৎতুনা লক্ষীসিংবু নিংথৌ ফমদা হনজিনহনখি।

লাইনিংদা থন্নায় য়াওরকপা

অসুম্না লৈবাক মরা তপ্না পাল্লক্লবদা মীতৈশিংনা লাইমীং লৌখিবা রমানন্দী লাইনিং থাদোক্তুনা বেঙ্গললোমদগী, কৃষ্ণবু থাজবা লাইনিং, বৈষ্ণব লাইনিং শন্দোকপা হৌরকখি। মতুংদা মহাকপু রাজর্ষসী হায়বা মীংথোল পীদুনা ইকায় খুমনখি। মহাক্লা কছাড়দা লৈরিঙৈদা সিলেটকী ঢাকা দক্ষিনদা চৈতৈন্যগী পারী পুরীগসু উনরকখি। খৃঃ ১৭৭৬ তা কাইন চীঙদা থৈবোঙ পাম্বী থিহনখি অমসুং থৈবোঙ পাম্বী থীবিরকপগীদমক পাংঙবম শাগৈদা মনা পীখি। থৈবোঙ পাম্বীদুদগী সাপম লক্ষমনসিংদা কৃষ্ণগী শক্তম (মুর্ত্তি) শাহনখি। শাখিবা শক্তম মরী - শ্রী গোবীন্দজীনা লাংথবান কোনুংদা, শ্রী বিজয় গোবীন্দনা অনন্ত সাইদা পীখি, শ্রী আবদ্যৈতনা বীষ্ণুপুরদা, শ্রী গোপীনাথনা নিংথৌখোংদা লাৎখি। মচানুপী বীমবাবতীনা মপুন্সি চুপ্পা কৃষ্ণগী থৌগনদা চংখিবদগী শিজলাইওইবী হায়না খংনখি। মচানুপী বীমবাবতীগী মতেংনা ইনিংথৌশিনা রাসকী জগোয় মখল অহুম থোকনা পুথোকতুনা শান্নখি। জগোয় মখল অহুম অদুদি - কুঞ্জরাস, মহারাস, বসন্তরাসনি। অসুম্না মীতৈগী জগোয়গী হৈজশিংজবদুগা বৈষ্ণবকী রাখনলোনগা পুনশিন্দুনা মীতৈ জগোয় রাসলীলাসি হৌদোকখি। ইনিংথৌসিবু বৈষ্ণব লীইমীং পীখিবদি শ্রী রুপ রমানন্দ ঠাকুরনি, মতুং তাবশিংদি গঙ্গা নরায়ন, চক্রবর্তী, কৃষ্ণচরন, কুঞ্জবীহারী, নীধীরাস অচার্য্য

অমসুং রামগোপাল বৈরাগ্যনি। অসুম্না বৈষ্ণব লাইনিং শন্দোকপশিংদু বেঙ্গলী ঙাংবশিংনা ওইখিবদগী মীতৈ পুদিন /খোরীরোল /কোর্বেক (সাহিত্য) অহোংবদা বেঙ্গলী লোনগী সাফু য়াম্না চাওনা লৈখি। ১৮ শুবা চহীচানা হৌরকপদা মৈত্রবাকনা হিন্দুরোমদা ওহৈরকপদা - ফিজেৎ-চাকচা, লাইনিং, ঈশৈ-নোংমায়, জগোয়, খুৎই ময়েকনচিংবা বেঙ্গলী লোন, ময়েক, পুদিননা অচৌবা সাফু পীখি। লোয়ননা চৈতৈন্যগী হৌরকফমগা অনকপা মরী হেন্না লৈবা হৌরকখি।

মসিগী মহৈনা ব্রাহ্মনশিংনা খুনাইগী অৱাংবা থাকতা ঐগ্যা হায়না কাখৎতুনা নিংথৌগী লৌউ কাঙ্গৎতগী নানথোকপা ঙমহৌখি। মীতৈশিংবু ক্ষত্রিয় অদুগা নীংথেমশিংবু সন্যাখ্যা হায়না খংনরকখি। অদুক্কী মতিক নিংথৌশিনা ব্রাহ্মণশিংবু ৱাংনা থাঙ্গৎখি মদুদি মহাক খংদনা অতৈনা বামোন মচা হাৎলুবগী প্রার্চীতি ওইনা মসানা খৃঃ ১৭৬৩, ১৭৯৮ দা নিংথৌ ফম থাদোকখি। নিংথৌকোনবু কৃষ্ণদা কৎথোকলগা মহাকনা লৈবাকপু থৌগনগী মশক ওইনা ঙাক শেনখি।

ইনিংথৌসিগী স্না হাক্তকতা লৈঙাকলোন্দা মৈদিংঙু লোযাম্বগুম্না শঙলেন কয়া লিংখৎতুনা চাউখৎনবা হোৎনখি। অৱাশিংনা তোয়না লান্দারকপদুনা কংলাদা চনিংতানা লৈবা ঙমখিদে। মরম অদুনা কোনুংবু মফম কয়াদা হোংলবগী মতুংদা লাংথবান্দা খৃঃ ১৭৭৯ দগী চহী ১৭ রোম কোনুং ওইখি।

মহাক্কী মতোলোয় ৯৪ (মরিফুতরামরী) গী মনুংদা ৮ (নিপান) অমদি লৈমগী ফমদা লৈতেংখি। লাবন্যচন্দ্রনা অহানবা লৈমগী মচানুপা, মধুচন্দ্রনা অনীশুবী লৈমগী, চৌরজিৎনা চীঙাখম চনু অহুমশুবী লৈমগী, মাবজিৎনা মরীশুবী লৈমগী অদুগা গম্ভীরসিংনা মঙাশুবী লৈমা খুমোংময়ুম চনুগী মচানুপানি। অহন ওইরক্লবা মতমদা বামোন মচা অমবু হাৎপগী পাউথোকতগী ফম্বাল থাদোক্লম্লগা বেঙ্গলগী মুরসিদবাদতা লৈখি। মফম অদুদা বৈষ্ণব লাইনিং শন্দোকপনা মথৌদাং ওইনা লৈখি অমসুং খৃঃ ১৭৯৯ দা মফমদুদা নোঙ্গাকখি। অসুম্না নিংথৌ মচাশিংগী মনুংদা মপুকচেল

তিন্নরকতবা অমসুং অন্নানা মপাঙ্গল কনখৎলকপা হায়বসি লৈবাকসিগী মরাইবক লেপ্পদা অন্নাবা অমা ওইখি।

মৈদিংঙু লাবন্যচন্দ্র (খৃঃ ১৭৯৮-১৮০১)

মপাবুঙনা লৈখিদ্রবদা লাবন্যচন্দ্রনা খৃঃ ১৭৯৮ দা মশাগী চহী ৪৪ শুরকপদা নিংথৌ ওইখি। মপাবুঙনা মতম কুইনা য়েংশিনবিরমদ্রবা কংলাগী কোনুংবু অমুক হন্না শেমগৎখি অমসুং কোনুংবু লানবন অমগী মওংদা চেকশিন্না শেমজিনখি। খৃঃ ১৮০০ দা মহাক্না শগোল কাঙজৈ শান্নরুবদগী হল্লকপদা অঙোম চন্দ্রমনী কৌবা মীওই অমনা হাৎখি। থৌদোক অদুবু গম্ভীরসিংগী শরৌ অমনি হায়না থাজনৈ।

মৈদিংঙু মধুচন্দ্র (খৃঃ ১৮০১-১৮০৪)

মপাবুঙনা লৈখিদবগী পাউ তাবদা মধুচন্দ্রনা নিংথৌ ফম্বাল কাখি অমসুং মচিন মনাওশিংগী মরক্তা ফম য়েনথোকতুনা চৌরজিৎপু যুবরাজ অদুগা মারজিৎপুনা লানজিংলেন (সেনাপতি) ওইহনখি। অদুমক্তদা খৃঃ ১৮০২ দা চৌরজিৎনা লানহৌরকপদু মায়থিবা পীখি। মদুদগী চৌরজিৎ অমসুং মারজিৎ কছাড়দা চেনখি। মৈদিংঙু মধুচন্দ্রনা কছাড়গী নিংথৌ কৃষ্ণচন্দ্রদা মচানুপী ইন্দুপ্রভাবু থাজখি। মদুদা মচানুপা ফৈজাওনা ঙাকশেন্দুনা মী ২৭৫ রোমগা লোয়ননা ঙা-চাক পুরকতুনা কছাড়দা থীল্লকখি।

মৈদিংঙু চৌরজিৎ (খৃঃ ১৮০৪-১৮১৩)

খংহৌদনা চৌরজিৎনা অমুক মৈত্রবাক্তা লান্দারক্তুনা মধুচন্দ্রবু মায়থিবা পীদুনা নিংথৌ ফম্বাল কাখি। মারজিৎপু যুবরাজ ওইহনখি। মধুচন্দ্র কছাড়দা চেল্লকতুনা লৈখি। খৃঃ ১৮০৪ দা মধুচন্দ্রনা কছাড় নিংথৌ কৃষ্ণচন্দ্রগী মতেংগা লোয়ননা লান্দারকপদুদা মায়থিবা পীদুনা মধুচন্দ্রবু সামুপনগী লানফমদা হাৎখি। নিংথৌ ওইরবগী মতুংদা কোনুংগী ফজনবা শেমগৎ শাগৎপদা থল্লায় চঙখিবদগী কংলা উত্রাগী মমাংদা কংলা শা, নোংখুম শঙ, মোংবা শঙ, নবরতন লাইশঙ, গোবিন্দজীগী জগোয় শাফম শঙ, যুম্বী ৮৪ য়ুংবা নিংথৌ সঙ্গায় অসিনচিংবা কয়া শাগৎলম্মী।

চৌরজিৎনা লুনা তৌবিবদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা ফম্বাল মুননিংবদগী মারজিৎনা মীওই খরগা লোয়ননা লালহৌরকপদু মাযথিবদগী অৱাদা চেন্দুনা লৈখি। মহাকপু অৱাদগী হল্লকনবগীদমক চৌরজিৎনা মী কয়া থাদুনা কৌরুবদসু থৌওইদদুনা কবোরোমদগী মী খরা খোমলগা মৈত্রবাক্তা লান্দারকখি। মদুদা চৌরজিৎনা থেমজিনদুনা মৈত্রবাকপু অনি থোকনা খায়দোকতুনা মোইরাংগী শরুক পীরবা ফাওবদা পেনদদুনা লান তৌরকখি। মদুদসু চৌরজিৎনা মায়থিবা পীবদগী মারজিৎ কছাড়দা চেল্লকতুনা শগোল খরা কৎলগা কছাড় নিংথৌগী মফমদা মতেং নিরখি। কছাড়গী নিংথৌ কৃষ্ণচন্দ্র অমদি গোবিন্দচন্দ্রনা মতেং পাংলকতবদগী অৱাদা চেন্দু না চহী ৭ (তরেৎ) লোম লৈরগা কাইনথংগা খৃঃ ১৮১৩ দা অৱাগী মতেংগা লোয়ননা মৈত্রবাক্তা লান্দারকখি। অৱাগী মখুত্তা মায়থিবদগী চৌরজিৎ অমদি গম্ভীরশিং কছাড়দা চেন্দুনা লৈখি, অসোমদনা মারজিৎনা কবোবু অৱাদা পীথোকখি অমসুং মৈত্রবাক্কী মনিং তম্ববু পীথোক্লগা অৱাগী মখাপোনবা য়াদুনা খৃঃ ১৮১৩ দা নিংথৌ ফম্বাল কাখি।

মৈদিংঙু মারজিৎ (খৃঃ ১৮১৩-১৮১৯)

অৱাদা মতম কুইনা লৈরুরবা মারজিৎনা অৱাগী মতৌ তমদুনা কংলাগী ফজনবা শেমগৎ শাগৎপা থৌরাং কয়া পাযখৎখি। নিংথৌ ফম্বালগী দমক্তা কবোবু অৱাদা পীখি অমসুং মরৈবাক্কী মনীং তম্ববু অৱা নিংথৌ বাউদাউপায়াগী মফমদা পীথোকপা ঙম্বা শাগৈগী মৈতান অশিবা ওইখ্রবা নিংথৌসিবু লৈবাক মীয়াম্না পামনখিদে। কছাড় নিংথৌগী মফমদা মমাংঙৈদা ইকাইবা নংখিবদগী পেনদবা ওইনা খৃঃ ১৮১৮ দা কছাড়দা অমুক হন্না লান্দারকপদুদসু, চৌরজিৎ অমদি গম্ভীরসিং অনিনা কাছাড় নিংথৌগী মতেং পাংদুনা মাযরোং যাদুনা লৈরম্বদুদা খুমাং চাওশিনবা ঙমদনা মৈত্রবাক্তা হনখি।

চহী তরেৎ খুন্তাকপা

চৈরকসিদা মৈদিংঙু মারজিৎপু মতেং পাংখিবা অৱাগী নিংথৌ বদাউপায়ানা খৃঃ ১৮১৯ দা লৈখিদ্রবদা মহাক্কী মশুনুপা বগিদাউনা খৃঃ ১৮১৯ দা নিংথৌ ওইবগা লোয়ননা অৱাগী মপাঙ্গল ঙমখৈ থেংনা কনখৎলকখি। অৱাগী অনৌবা নিংথৌসিনা ফম্বাল কাবগী থৌরমদা য়াওরনবগীদমক মৈত্রবাক্কী নিংথৌ মারজিৎতা পাউতাক্লবা ফাওবদা য়াওরুখিদে। অৱাগী চৎনবী মতুং ইন্না মখা পোনবা নিংথৌ অমনা মখোয়গী য়াথং হিকতোকপা হায়বসি অচৌবা ইকাইবা পীবা অমা ওইনা লৌখি। মদুনা মরম ওইদুনা, অৱা নিংথৌনা মহাক্কী লানজিংলেন মহাবানদুলাদা লাম্মী ৩০,০০০ (লিশিং কুহ্রা)গা লোয়ননা মৈত্রবাক্তা লান্দাহল্লকখি। খৃঃ ১৮১৯, ৱাকচীংগী ২ নি শুবদা মৈত্রবাক্তা লান্দারকখিবদু, ৱাকচীংগী ৫ নিদা মৈত্রবাক্তা থুংলদুনা লান তৌখি, অদুগা ৱাকচীংগী ১২ নিদা অৱানা মৈত্রবাক লোকখি। মীতৈ লাম্মী ৭০০০ (লিশিং তরেৎ) না চাউরবা অৱাগী লাম্মী তেঙ্গলবু ঙাকপা ঙমখিদে। লানফমদা মারজিৎ মায়থিরদুনা কছাড়দা চেনখি। মতৌ অসুম্না খৃঃ ১৮১৯ দগী খৃঃ ১৮২৬ ফাওবা চহী তরেৎ চুপ্পা অৱাশিংনা মৈত্রবাকপু খুদুম চম্দুনা মীওৎ মীনৈ তৌখি। মসিবু মৈত্রবাক্কী পুৱারীদা চহী তরেৎ খুন্তাকপা হায়দুনা ঈগী ময়েকনা ইদুনা লৈখি , ঙসি ফাওবা অকি তুজুং ফাওরিবা থৌদোক অমা ওইনা লৈখি।

নুপী অঙাং, অহন ওইরবা, শোল্লবা, অনাবা পুম্নমকপু য়ুম মনুংদা থোং লোনশিল্লগা মোরোক মৈ থাদুনা শিদ্রি ফাওবা হাহল্লগা হাৎখি। চনুরা ওইবীশিংবু মমা-মপা অমদি মপুরোইবগী মমাংদা মীওৎ মীনৈবীখি। মীতৈ লিশিং কুহ্রাবু মখুত্তা অমদি মনাদা য়াইরীনা লেংলগা অৱাশিংনা শগোল তোংলগা চিংদুনা অৱা য়ৌনা লানফা ওইনা পুখি। মীওৎ মীনৈদা খম থেংলবা অৱা নিংথৌনা মহাক্কী লাঞ্জিংলেনদা অহিংবা মীবু হীংলৌ লৌরগা পুরকউ হায়বদা মথল্লায় পুবা ঙমদদুনা লাম্মীদু চেনখি হায়রি। নুপী অঙাং থিরিবা অৱাগী লাম্মীশিং তাদনবগীদমক মমা ওইবীশিংনা মতমবাক্তা পল্লীবা অঙাংবু নুংপাক্তা হায়হত্তুনা হাৎলগা চেনমিন্নরিবা

মগাল্লবীশিংবু কনদুনা চেনমিন্নবা যাওখি। মৈত্রবাক্কী মীশিং ৫৫,০০০ (লীশিং [illegible] থাংখৈমঙাদগী) লিকথখিদুনা লিশিং ১০,০০০ (লীশিং ওবামুক্তা) ঙাইথ, মতুগী মনুংদা [illegible] ৮,০০০ (লীশিং [illegible]) মুক্তা ওইখি। হৌংখ্রৌবা মী ৮,০০০ (লীশিং অহুম) গী মনুংদা ১৮-১৬ থক্তনা এদাল্ট (adult) -ইদি

মৌদিংবু মাবাজিৎনা কছাড়দা লেপ্লকপা মতমদুদা মৈত্রবাক্কী মীশিং অহুম [illegible] অমাদি [illegible] লোয়নখি, মথংদা [illegible] [illegible] দুদগী মী [illegible] (৩০,০০০) দি অরানা [illegible] অমুম্বা মৈত্রবাক্কী [illegible] মী [illegible] হী কয়া লো [illegible] [illegible] চাক [illegible]। [illegible] অহিনা [illegible] মবাগী [illegible] [illegible] ইদি

[illegible] [illegible] ওইখিবশিংগী মনুংদা অরাগা [illegible] মী [illegible] [illegible] মপাক্ক [illegible] খুল্লাকপা অমা ওইদা। [illegible] থকানিঙা [illegible] মৈত্রবাক্কী দাকু নিংথৌ [illegible] [illegible] [illegible] অমা [illegible] মচিন [illegible] [illegible] চাঙ [illegible] [illegible] দা [illegible] মৈত্রবাকপু [illegible] দুনত্তন অ[illegible]কনা লৈখিদে। মৌদিংবু মাবাজিৎনা [illegible] চেনখ্রগী মতুংদা অরাশিংনা মৈত্রবাকপু খুদুম চাখিবগী মথাং [illegible] সিদগী মৈত্রবাক্কী পুরাবীদা মযামগী [illegible] মতোন লোমন্ম হায়যনা ঙোনৈ।

কছাড়দা শাইদাংখ্রবা মৈত্রবাক্কী নিংথৌ মচাশিং

খৃঃ ১৮১৯ দা অরাগী মনুংদা মাযথী। মার্বাজিৎনা কছাড়দা চেল্লক্তুনা গোবীন্দজীগী শক্তমতু চৌবাজিৎকী মফমদা কৎলখি। চৌর্বাজিৎনা জয়ন্তিয়া চীঙদা অদুগা গম্ভীরসিংনা অরাং কছাড়দা লৈখ্রবনি। অদুবু মাবজিৎনা লাঞ্জেল্লক্কবগী মতুংদা মখোয় অহুম পুন্না খৃঃ ১৮১৯ দা লান হৌবকতুনা কছাড়গী নিংথৌ গোবীন্দচন্দ্রবু সিলেটতা তাম্নোকখ্রগা কছাড়বু অহুম থোক্লা খাযদোকতুনা পানখি। চৌবজিৎনা নোংপোক থংবা মৈত্রবাক্কী ঙমদাইবা শকক লৌদুনা সোনাইদগী লৈঙাকখি, গম্ভীবসিংনা নোংচুপ থংবা

তিলাইন চীংগী শরুক লৌদুনা গুমরাহদগী লৈঙাকখি, মারজিৎনা হাইলাকাব্দি লৌদুনা জারিবোব্দগী লৈঙাকখি। খৃঃ ১৮২৩ দা অমুক মচিন মনাও নুঙাইনরক্তবদগী গম্ভীরসিংনা কছাড় পুম্বগী মপু ওইখি, চৌরজিৎতি সিলেটতা চেনখি, অদুগা মারজিৎপুদি মহাক্কী মখাদা জারিবোব্দগী লৈঙাকপা য়াওহনখি।

মৈদিংঙু তাকু নিংথৌ হেরাচন্দ্র

মৈত্রবাক লোক্লবগী মতুংদা অন্নানা পাখাউন অমসুং কালেউন লুচিংবা অনিদা মৈত্রবাকপু লাকশিনবা থন্নম্মী। পাখাউনদি মীতৈ নিংথৌমচা জয়সিংবু ফাদুনা মীতৈ লানফা কয়াগা লোযননা অন্নাদা হনখি অদুগা কালেউনদি লাম্মী ২০০০ (লিশিং অনি) গা লোযননা মৈত্রবাকপু লাকশিন্নবা লৈহৌখি।

মতাং অসিদা মধুচন্দ্রগী মচানুপা হেরাচন্দ্রনা মৈত্রবাক্তগী মীওই ৪০০ (চামরী) খক খোমজিনলগা, শগোল ৫০, নোংমৈ ১২ খক লৈজবদুনা লোন্না অহিংদা লান তৌদুনা অন্নাশিংবু তাম্বোবনা হোৎনখিরম্মী। য়ুমজাওতাবসু শগোন ২ , নোংমৈ ৩, থাংশাং খরগা পুরকতুনা হেরাচন্দ্রগা পুন্না লান তৌমিন্নখি। যুমজাওতাবনা কালেউনদা চেং হন্নাই পুরক্কদৌরিবনি অমসুং হেরাচন্দ্রবু নমথনবনি হাযদুনা শগোল ৪০, নোংমৈ ২০, লাম্মী ২০ লৌরক্লগা মচিন মনাও পুনসিনদুনা অন্নাগী লানবন শেমলিবা মফমদুদা লান্দাদুনা লাম্মী ৩০ হাৎখি অমসুং নোংমৈ ৩০ মুক মুলহৌখি। অসুম্না হেরাচন্দ্রনা ''মীতৈ লৈমা কনবা লূপ'' হাযনা লীংখৎতুনা লোন্না লান হৌখি।

পাখাউনসু লাম্মী ১০০০ (লিশিং অমা) পুরকতুনা কালেউনগা পুন্না থৌবাল তুরেলগী তোর্বান্দা লানথেংনখি, মদুদা হেরাচন্দ্র অমদি য়ুমজাওতাবনা মায়থীবদগী কছাড়দা চেনখি।

হূইদ্রোম লাবোলসিং কৌবা মীওই অমবু অন্নাগী অলোযবা লৈঙাকপা ওইনা মৈত্রবাকপু য়েংশিনবা থন্নন্নগা অন্নাশিং মরৈবাক্তা হনখি। য়ুমজাওতাবা অমদি হেরাচন্দ্র অনিনা কছাড়দগী অমুক হল্লক্লগা খৃঃ ১৮২০ দা য়ুমজাওতাবনা নিংথৌ ওইখি, হেরাচন্দ্রনা যুবরাজ ওইখি।

হেরাচন্দ্র অমদি যুমজাওতাববু কোনুংদগী তাহোল্লগা চানিঙাই থকনিঙাই লৈতবদগী মৈত্রবাক্তা লৈঙাকপা ঙমখিদবদগী মমাংগী লান্দা ফাদুনা পুখিবা জয়সিংবু থারক্লুনা খৃঃ ১৮২২ দা অল্লাগী অলোয়বা নিংথৌ ওইনা থল্লমখি। মমাংগী চহীদা খৃঃ ১৮২১ দা গম্ভীরসিংনা কাছাড়দগী লাক্লুনা মরক্তা চহী অমা নিংথৌ ওইরম্বদু ঙমদদুনা কছাড়দা অমুক হল্লকখি। মতুংদা জযসিংবু অল্লানা কৌথোকখ্রগা মনদলী (অল্লাগী মফম অমগী মীং) দা লৈবা যদুসিংবু থারক্লুনা অল্লাগী অলোয়বা নিংথৌ ওইনা খৃঃ ১৮২২ দা থল্লমখি।

মৈদিংঙু যদুসিং ১৮২৩

মহাক্লা নিংথৌ ওইরবগী মতুংদগীদি মীওৎ মীনৈ হল্লখিবদগী মীয়াম্ন া খরা চনিং তানা হিংবা ঙমখি তৌইগুম্বসুং চানিঙাই লৈতবদগী নিংথৌনা অচাপোৎ ফাওবা য়েনখি। মহাক্লা মপাবুঙ ভদ্রবু লৈঙাকনবগীদমক কৌরকখি। অদুবু ভদ্রনা মৈত্রবাক্তা থুংলবদদি নহা ওইরিবা (চহী ৩৫) মচানুপা শিরম্বদগী মথল্লাই নুঙাইখিরমদে। রাঘবসিংনা থৌগনলোন কায়না মপুবোকপু ইহোকতুনা চহী ১৬ তা শুরিবা, মহাক্লা খৃঃ ১৮২৩ দা নিংথৌ ফম্বাল কাখি। মপুবোক ভদ্রশিংনা নিংথৌ ফম্বাল পাল্লকপদগী রাঘবসিংনা মৈত্রবাক থাদোকতুনা অল্লাদা চেনখি। অল্লানা রাঘবসিংবু পুদুনা কছাড়দা লান্দানবা থৌরাং তৌখিবদু মায় পাকপা ঙমখিদে। কায়নথংদা রাঘবসিংবু অল্লাদা পুখ্রগা কালারাজা (কলিসাগী লুচিংবা অমা) বু অল্লাগী অলোয়বা নিংথৌ ওইনা মৈত্রবাকপু য়েংশিন্নবা থল্লম্মী। মশাগী চহীনা ৭০ সুরকপদা, অহন ওইরবা ভদ্রসিংনা মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ওইনা খৃঃ ১৮২৪-২৫ ফাওবা পানখি। মতৌ অসুম্না অল্লানা মৈত্রবাকপু লোকখ্রবগী মতুংদা মখোয়গী অলোয়বা লৈঙাকপা কযাদা মৈত্রবাকপু য়েংশিনবা থল্লম্মী।

মৈদিংঙু গম্ভীরসিং (খৃঃ ১৮২৫-১৮৩৪)

মহাকপু চীঙলেন নোংদ্রেনখোম্বা হায়নসু খংনৈ। অল্লাগী লাঞ্জিংলেন মহাবানদুলাননা খৃঃ ১৮২৩ দা অচৌবা লান্মী তেঙ্গল (লীশিং তরা / ১০০০০) গা লোয়ননা কছাড়দা লান্দারকপদা বৃটিশ অমদি গম্ভীরশিংগী লান্মী শরতনা লালোং হৈনা তলাইনগী লানফমদা অল্লাবু মায়থীবা পীরগা কছাড়া পুম্ববু মহাক্কী লৈবাক ওইনা শেমগৎখিবদুনা বৃটিশনা

মহাকপু মতীক চাববা নিংথৌ ওইনা লৌখ্রবনি। চৈহৌদা গম্ভীবসিংনা গোবিন্দগী লাম্মী ওইনা থাদা লুপা ৫০ (যাঙ্খে) তলব ওইনা পৌদুনা হৌবকখ্রবা নীংথেমনি। মৈত্রবাক্কী নিংথৌমচাশিংনা কছাড়বু যেহোক্লবগী মতুংদা চহী ৪ মতুংদা গম্ভীবসিংগী যাথংদগী শবৌ তৌদুনা গোবিন্দবু হাংখ্রবনি।

অল্লাগী খুমাং চাওসিনলকপদুনা বৃটিশনা বেঙ্গলবু ঙাকথোকন বগীদমক - ত্রিপুবা, কছাড, মৈত্রবাকপু অল্লাদগী কনদুনা থম্বশি মক ওইবা মবম ওইখিবনা গম্ভীবশিংবু মতেং পীবগা মৈত্রবাকতগী অল্লাবু তাহোকনবা তৌখিবনি। গম্ভীবসিংবু মপুং ফানা যানবা থল্লগা চৌবজিৎ অমদি মাবজিৎবু থাগী লুপা ১০০ (চাম) তলব পীবগা মথংশিংনা নদিযা অমদি সিলেটতা থাদোকখি।

মতাং অসিদা চৌবজিৎনা মহাক্কী "ব্রজসিং" থাংশাংদুনা অল্লাবু মৈত্রবাকতগী তাহোকলগা নীংথি তুবেলদা চামথোকউ হাযনা ল্লাশকপগা লোযননা গম্ভীবসিংদা শিন্নবকখি।

বৃটিশকী মতেংদগী মৈদিংঙু গম্ভীবসিংনা মনাওনুপা নবাসংগা লোযননা মীতৈ লাম্মী ৫০০ (চামঙা) বু (Manipuri levy) হাযনা থংনবা লালূপ অমা শেমগৎতুনা মৈত্রবাকপু অল্লাগী মখুৎতগী কন্নবগী দমক অকনবা থৌবাং পাযখৎখি। Manipuri Levy বু নীংথিনা ত্রেনিং পীববগী মতুংদা, খৃঃ ১৮২৪ দা মলেস (বৃটিশ) না অল্লাগী মাযোক্তা লান লাওথোকখি, অশোমদনা কছাড়গী নিংথৌ অমসুং জযন্তিযাগী নিংথৌগা লৈবাক অনিসিবু মলেসকী লৈঙাক মনুং চনবা হাযনা হাননা যান্নখ্রবনি। খৃঃ ১৮২৪, এপ্রিল থাদা, দেভিদ স্কোটনা গম্ভীবসিংগা যানখিবগী মতুং ইন্না Manipuri Levy বু ত্রেনিং পীবা হৌখি। লোযননা কবিগুবা মীতৈ লাম্মীনা মাযথীববসু কছাড় নত্রগা সদিযা নত্রগা আসামবু অপাম্বা অমদা লৈঙাকপা পীগনি হাযনসু যানখি।

জেনবেল সুলধামনা লুচিংদুনা, খৃঃ ১৮২৫, ফেব্রুৱাবী ২৪ দা মৈত্রবাক ফাওদুনা অল্লা যৌবগী খোংচত্তু বাসকান্দী ফাওবতং যৌবা ঙমখি। তৌইগুম্বসুং লীক্লবা লাম্মী ৫০০ খকপু গম্ভীবসিংনা লুচিংলগা নবসিংনা

ঙাকশেন্দুনা খৃঃ ১৮২৫, মেগী ১৭ তা সিটেত্তগী মৈত্রবাক্কীদমক খোংশানবগী লেঃ আর. বি. পেম্বারতোন্না য়াথং পীরকখি। গম্ভীরসিংগী লানজংদু খৃঃ ১৮২৫, জুনগী চৈথা ১০ দা মকলাঙ য়ৌখি। জুনগী চৈথা ১২ দা কোনুংদা চংদুনা অৱাগী জেনরেলবু ফাখি অমসুং মৈত্রবাক্তা লৈবা অৱাগী লানবুং (Camp) পুম্নমক থুগায়খি। অঙগো চীঙদা লৈবা অৱাগী লানবনদু থুগায়রবগী মতুংদা অৱাশিং মৈত্রবাক থাদোকতুনা মরৈবাক্তা চেনখি। মীতৈ লাম্মীশিংনা কবো তম্পাক য়ৌনা তকশিনখিদুনা সমঝোক্কী কোনুং থুগায়দুনা নীংথি তুরেল তোর্বান্দা মীতৈগী লানঙম ফিরাল হাযগৎখি অমসুং খৃঃ ১৮২৬ ফেব্রুৱারী চৈথা ১ দা নীংথি তুরেলদা মযাম্বনা শিন্নরকপা ''ব্রজসিং'' থাংশাং চামদুনা ময়াম্বগী মফমদা ৱাশকখিবদু ঙাকপগা লোযননা চহী তরেৎ চুপনা খুন্তাক লানসিরুরবা কাংখুল মুৎলুরগদবা মরৈবাকপু অমুক হন্না কনজবগী মংলানদু মঙাফাওনখি। অসুম্না মীতৈ লেভি (Levy) না মায় পাকলবগী মতুংদা বৃটিশ অমদি অৱাগা ''য়ান্দাবু য়ানচে'' (Yandabu Treaty) ইনখি, মদুনা মৈত্রবাক্তগী নত্তনা কছাড়, অসাম অমদি য়ুমথংনবা লৈবাকশিংগী অৱাগী মরায় কাংখৎলকপদুবু য়েহৎতুনা থম্বা ঙমখি।

য়ান্দাবু য়ানচে

খৃঃ ১৮২৬, ফেব্রুৱারী ২৪ অমদি নভেম্বর ২৩ দা মলেস অমদি অৱাগী মনুংদা য়ানচেসি ইনখি। কোপি অনি থোকনা ইনখি- অমনা মলেস মরোনদা (English) অদুগা অমনা অৱা লোন্দা।

অসুম্না মৈত্রবাকপু অৱাগী মখুত্তগী কল্লবগী মতুংদা, মৈদিংঙু গম্ভীরসিংনা লাংথবাল কোনুংদগী লৈঙাকখি। খৃঃ ১৮৩৪ মেগী চৈথা ৯ দা নোঙ্গাথ্রবদা অঙাং ওইরিবা চন্দ্রকীর্ত্তিনা নিংথৌ ফম্বাল তোংখি।

মৈদিংঙু নরসিং (খৃঃ ১৮৪৪-১৮৫০)

মৈদিংঙু নরসিংনা অঙাং ওইরিবা চন্দ্রকীর্ত্তিগী মীংদা (খৃঃ ১৮৩৪-১৮৪৪) লৈবাক ঙাক্লম্মী। চন্দ্রকীর্ত্তিবু নিংথৌপিসক হায়নসু খংনরম্মী। মদুগী থৌশিনদু চন্দ্রকীর্ত্তিগী মমাসিজ কমুদিনীনা পেনখিরমদে।

মরম অদুনা নরসিংবু হাৎনবগী সরৌ তৌরুবদা মায় পাকখিদবদগী মচানুপা পুদুনা কছাড়দা চেনখিরম্মী। মৈদিংঙু নরসিংনা খৃঃ ১৮৪৪, দা মশাগী চহীনা ৫১ শুরকপদা, লৈবাক মীয়াম্না পাম্বদগী মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ওইখি। চহী অদুদা লাংথবান্দগী কংলাদা অমুক কোনুং হোংলকখি। চৌরজিৎনা শারম্বা, অম্বাশিংনা চহী তরেৎ খুন্তাকপদা থুগায়খ্রবা কংলাগী শাগী শক্তম, শ্রী গোবিন্দজীগী লাইশঙসু কংলাদা শাহনখি। খৃঃ ১৮৫০, এপ্রিল ১০ দা মৈদিংঙু নরসিংনা নোঙ্গাকখ্রবদা মনাওনুপা দেবেন্দ্রনা নিংথৌ ওইখি।

মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি (খৃঃ ১৮৫০-১৮৮৬)

নরসিংনা নিংথৌ ওইবা চহী অদুমক্তদা চন্দ্রকীর্ত্তিনা লান তৌরকখি। লান্দা নরসিং মায়থীবা ফংবদগী কছাড়দা চেনখিরম্মী, অদুগা মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তিনা খৃঃ ১৮৫০ দা অমুক হন্না মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ওইখি। মহাক্না নিংথৌ ওইবা চহী অদুমক্তদা গোবিন্দজী লাইশঙগী মমাং শঙ্গায় অমসুং নিংথৌগী সনা শঙ্গায় শাখিরম্মী। মহাক্না কংলা মনুংগী শেংলবা মফমশিং অমদি লাইফমশিংবু নীংথিনা চেকশিন্না থম্লম্মী। অসুম্না মহাক্না কংলাগী ময়ায়দা লৈবা সনা শঙ্গায় অমসুং মদুবু কোয়শিল্লিবা লৈবাক্কী লৈপল, চেক্কী চেকপল লোয়ননা থাঙ্গপাৎনচিংবা কয়ানা য়ামদ্রবদা পলোন মঙান কোয়শিনবা কোনুংবু লানবন অমগুম শেমখিরম্মী। খৃঃ ১৮৮৬ তা নোঙ্গাকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী শাংলবা লৈঙাক ব্রায়েনদু মতোন লোমখি।

মৈদিংঙু সুরচন্দ্র (খৃঃ ১৮৮৬-১৮৯০)

মপাবুংগী মথংদা মৈদিংঙু সুরচন্দ্রনা মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ওইখি। মহাক্কী মায়োক্তা সনা বোরাচাউবা অমসুং ব্রাংখৈমযুম দিনচন্দ্রনা লুচিংদুনা লান হৌরকখি। থিলহৌ কয়ারক হৌখিবা লানফমদা লালহৌদু মায় পাকখিদে। তৌইগুম্বসুং খৃঃ ১৮৯০ সেপ্টেম্বর ২১ দা মনাও ইবুংঙোশিং - জিলাঙম্বা, অঙৌম্বা অমদি সেনাপতি টিকেন্দ্রজিৎনা মহাক্কী মায়োক্তা লান হৌরকপদগীদি মহাক্না নিংথৌ খুভম থাদোক্তুনা বৃন্দাবন্দা চৎখি।

মৈদিংঙু কুলচন্দ্র (খৃঃ ১৮৯০-১৮৯১)

মনাও ইবুংঙোশিংগী মতেংদগী মৈদিংঙু কুলচন্দ্রনা মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ওইখি। অসোমদনা সুরচন্দ্রনা ভারতা (বৃন্দাবন্দা) চৎখ্রবগী মতুংদ ভারত সরকারগী মফমদা মহাক্কী নিংথৌ খুভম হনজিনবীনবা হায়জখি মহাক্কা হায়জবদু মায পাক্কখিদে অদুগা কুলচন্দ্রবু মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ওইনা শক লেংবা হৌখি। তৌইগুম্বসু যুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎপুদি ফানবা বৃটিশ (ভারত সরকার) না শাথং পীখিবম্নি। ভারত সরকারগী ভাইসরোইগী যাথংদু ঙাকপ ওইনা আসামগী চীফ কমিস্নার মিঃ জেমস ক্বাল্লেস ক্বিন্টন্না কর্ণেল চার্লস মে কডোনাল্ড স্কিন গা লোয়নননা লুচিংদুনা লাম্মী (সিফাই) চামরী (৪০০) পুদুনা মৈত্রবাক্তা লাকখি। থৌদোক অসিদগী খৃঃ ১৮৯১ গী মৈত্রবাক মলেসকী (এংলো-মণিপুর) লাল ওইখি।

মৈত্রবাক-মলেসকী লাল (এঙ্গলো-মণিপুর ক্বার)

পাউসি তাবদা ইনিংথৌ কুলচন্দ্রনা কাংবম টিদাম্দ (থাঙ্গাল জেনারেল) বু মীৎন লাম্মী ৭০০ (চাকরেৎ) পুদুনা নাগা হিলসকা তাইনবা মৈত্রবাক্কী ওমংখিদা লৈনা মাও থানা ফাওনা আসামগী চীফ কম্মিস্নারবু ওক্লুনবা থাখিবম্মী। ইং ১৮৯১, মার্চ ২২, অয়ুক্কী পুং ১০ রোম তাবদা মিঃ ক্বিন্টননা মাগী ঙাকশেম্বা কাঙবুগা লোয়নননা ইম্ফালদা থুংলখি। মৈদিংঙু কুলচন্দ্রনা মনাওনুপা জিলাঙম্বা, শামু হঞ্জবগা লোয়নননা মিঃ ক্বিন্টনবু কোনুংগী নোংচুপ থংবা সনখোঙদা ওক্লম্মা। মিঃ ক্বিন্টননা নুমিৎ যুংবা মতমদা বেজিদেন্সিদা দরবার তৌগনি হায়না খঙহল্লম্মী। ইনংথৌ কুলচন্দ্রনা হায়নখিবা মতমদা যুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎ, সেনাপতি অঙৌম্বা, শামু হঞ্জবা জিলা ঙম্বা, থাঙ্গাল জেনরেল, নুরাং নিংথৌ শামু সিংহ, মঙোম নিংথৌ গিবিধারী সিংহগা লোয়নননা রেসিদেন্সিদা চৎনম্মী। ইনংথৌ অমদি মহাক্কী লোয়নবশিংবু মতম শাংনা রেসিদেন্সিগী থোঙ্গাম্দা ঙায়হল্লম্মী। অকোয়বদা থম্লম্বা লাম্মী (সিফাই) ময়াম অমা, তৌবিবা মওংদুদা শুযোং থীবা থোক্লবা যাবগী চিংনবা লৈবদগী যুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎ অমদি মনাও ইবুঙো অঙৌম্বাদি নুঙায়বকত্রদুনা কোনুংদা হন্নকখিবম্মী। ইনংথৌ অমদি অতৈ লোয়নবশিংদি অদুমক ঙায়দুনা

লৈহৌরম্মী। অসুম্না যুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎপু ইমু-নাইমু তাহনদনা ফাবগী সরৈদু মায় পাকহৌদবদগী দরবারদু মথংগী নুমিৎ, মার্চ ২৩, নিংথৌকাবা নুমিৎতা অমুক য়েথোকখি। চৈথা ২৩ গী দরবারদুসু মায় পাকখিদে। মরম অদুনা মিঃ ক্বিন্টননা মিঃ গ্রীমুদ অমসুং কর্ণেল স্কিনগা ৱা তান্নদুনা টিকেন্দ্রজিৎপু নমদুনা ফানবা ৱারেপ লৌখিরম্মী। মিঃ ক্বিন্টনগী য়াথংদগী মলেসশিংগী লাম্মীনা ইং ১৮৯১ মার্চ ২৩ গী অহিং নোংয়াইদা কোনুংদা লান্দাশিল্লম্মী। মদুদসু মথৌনা ফরবা মীতৈ লাম্মীসিংগী মায়রোংদগী মলেসকী লাম্মী মায়থিবা ফংখি। মতুং তারকপদা চীফ কম্মিস্নার মিঃ ক্বিন্টন, কর্ণেল স্কিন, মিঃ কোসিন্স, লেফটনেন্ট সিম্পসন অদুগা বেঙ্গুন খোংবা অমা য়াওনা ফাদুনা কংলাদা পুরকখি অমসুং মখোয় মঙাবু কংলা শাগী মমাঙদা শঙলিঙবনা মঙক কক্লুনা হাৎখি।

টিকেন্দ্রজিৎ যুবরাজ ফানবা হোৎনবদা মায় পাকখিদবা অমদি বৃটিশ ওফিসারশিং হাৎখিবগী পাউসি ভাইসরোইনা হেক ফংবগা, লাম্মী তেঙ্গোল অহুম - কোহিমাদগী জেনরেল এইচ. কোল্লেট, শিলচরদগী কর্ণেল আর এইচ. এফ রেন্নিক অমসুং তুমুদগী ব্রিগেদিয়র জেনরেল টি. গ্রাহামগী লুচিং মখাদা মৈত্রবাক্তা লান্দারকখি।

তুমু (অৱা) রোমদগী জেনরেল গ্রাহামনা লুচিংদুনা লাকখিবা লাম্মী তেঙ্গলদু থেংননবগীদমক ইনিংথৌনা মাইপাকস্না ৱাংখৈরাকপা অমদি য়েনখোইবা মেঞ্জরগী মখাদা লাম্মী ৭০০ (চাতরেৎ) থাখিরম্মী। অতোপ্পা লাম্মী ৪০০ (চামরি) অমনা মেজর চোংথামিয়া অমদি মেজর পাউনা ব্রজাবাসীগী লুচিং মখাদা থাদুনা হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহল্লম্মী। অৱারোমদগী লাকপা তেঙ্গোলদু ককচিংদা থৎনবা হোৎনবদা, ৱাংখৈ মৈরাবা পোইলা য়াওনা মীতৈ লাম্মী ২০ (কুন), ইং ১৮৯১ গী এপ্রিল চৈথা ২৩ দা লানফমদা মরৈবাক্কীদমক থৱায় কৎখি। মতুংদা এপ্রিলগী চৈথা ২৫ দা খোংজোমদা অকনবা হকথেংনবা খুৎকী লান শোক্লখি। মৈত্রবাক্কী মায়কৈদগী পাউনা ব্রজবাসী, মেঞ্জর, খম্বোম মেঞ্জর, চীংলেনসনা, লোইতোংবা জমাদার,

কৈশাম জমাদার, হৈরাং খোংজা অমদি থৌনা ফরবা মীতৈ লাশ্মী কয়ামরুম্না মমা লৈবাক কনবগীদমক খোংজোম লানফমদা থল্লায কৎখি। মলেসকী মাযকৈদসু অশোক-অপন, অশি-অনা কয়া থোকখি। অসুম্না মৈত্রবাক্কী মনীংতম্বদু ইং ১৮৯১ গী এপ্রিলগী চৈথা ২৭ তা মলেসকী মখুত্তা মাঙখি। খোংজোমগী লানফমদা মীতৈ লাশ্মীশিংনা মাযথীখিবগী মহৈ ওইনা ইং ১৮৯১ দগী মৈত্রবাকপু মলেসনা খুদুম চনখি। মলেসনা কংলাগী মনুংদা লৈবা কংলা শা অমদি শঙলেনশিংবু থুগায়খি। এপ্রিলগী চৈথা ২৬ কী নুমিদাংবাইগী পুং ৬ তারকপদা নিংথেম, যুবরাজ, সেনাপতিনচিংবা অঙম অথৌশিংনা কোনুং থাদোকতুনা চেনখি। মেগী চৈথা ২৩ দা, যুববাজ টিকেন্দ্রজিৎপু সুবদাব খেলন্দ্রসিংনা ফাবকখি। কাজাওবু গ্রীমুদ হাৎলুবগী মবাল অসুং নিবনজন সুবেদারবু মীতৈদা মিচং চংলুবগী মরাল ওইনা ফার্সি তৌদুনা হাৎখি। খৃঃ ১৮৯১ আগষ্টকী চৈথা ১৩ দা যুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎ অমদি থাঙ্গাল জেনবেলবু সনা কৈথেল ফৈদাপুংদা নুংথিলগী মতমদা ফার্সি তৌখি। ইনিংথৌ কুলচন্দ্র, অঙৌম্বা অমদি অতৈ মীওই কযাবু আন্দামানদা অমদি ভাবতকী মফমশিংদা লোই থাখি। যেলহৌঙৈগী কংলাগী কোনুংবুনা মলেসনা মখোযগী খুদুম মখাদা থমদুনা লৈখি অদুগা অনৌবা কোনুং অমা ব্রাংখৈদা শাবিদুনা মীতৈ নিংথৌশিংগীদমক থমবিখি।

মৈদিংঙু চুড়াচান্দ (ইং ১৮৯১-১৯৪১)

মৈত্রবাকপু খুদুম চল্লবা বৃটিশশিংনা লানগী মতুংদা গম্ভীবসিংগী চারোল শুবোলশিংবু মবাল লৈরে হাযদুনা নবসিংগী চাবোল শুবোলগী মনুংদগী নিংথৌ ওইহনবগীদমক মতিক চাবা নিংথেম থিখি। মৈদিংঙু চুড়াচান্দ সিংহ নবসিংহগী মশু ইবুংঙো চাউবীযাইমা সিংহনা মোইবাংথেম চনু ললিত মঞ্জুরী পান্নদুনা পোকখি। ইং ১৮৯১ সেপ্তেম্বর থাদা মশাগী চহীনা ৮ (নিপান) শুরকপদা, বৃটিশনা মহাকপু মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ওইনা খনখি। অসামগী চিফ কম্মিস্নাব, স্যার হেনরী কটননা মহাকপু মহৈ মশিং তম্নবগীদমক

দেহরাদুনগী মায়ো কলেজতা মচিন-মনাও থাখি, মতুংদা অমুক লৈঙাকলোন (politics) তম্নবগীদমক ইং ১৯০১ দা কৌরকখি। মহাক্না মপুং মরৈ ফারক্লবদা মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ফম্বাল তোংহনখি। ইং ১৯০৭ মেগী চৈথা ১৫ দা ফম্বাল কাবগী থৌরমদু মীতৈ নিংথৌগী ফম্বাল কাবগী চৎনবীদগী তোপ-তোপনা ইংরেজী চৎনবীগী মওং য়াওনা, বেঙ্গল অমদি অসামগী গভর্ণমেন্ট ওইরিবা লেমছলোট হারেনা পাংথোকখি। লোয়ননা নিংথৌবু প্রেসিডেন্ট (লুচিংপুরেন) ওইহল্লগা বৃটিশশিংনা মখুৎ চাবা রাজদরবার অমা শেমখি। অসুম্না কাঙ্গৎ চাবা নিংথৌরোনবু মরু ফংনা ফুকতোকতুনা লোয়লমগী চাউরবা মঙৌ মৈত্রবাক্তা লীংখৎখি। ইং ১৮৯২ দা পোলিটিকেল এজেন্ট মেক্সরেলনা পটা সিসটেম হৌদোকতুনা লৌ মপুশিংনা গভর্ণমেন্টতগী পোলিটিকেল এজেন্ট কোল. জহন সেক্সপিয়ারগী য়াথং মতুং ইন্না মৈত্রবাক্কী চীঙলম অমদি তম্পালমসি তোঙান তোঙান্না লৈঙাক ন্নায়েন তৌবা হৌখি। বৃটিশ গভর্ণমেন্টনা মহাকপু ইং ১৯১৭ তা সি.বি.ই. (C.B.E) অমসুং ইং ১৯৩৪ দা কে.সি. আই. এস. (K.C.I.S.) মীংথোন পীখি। মহাক্না রাজদরবারগী লুচিংপুরেন ওইবনা দরবারগী ফমনাইবশিং হাপ্পগী পাঙ্গল পুম্নমক মহাক্কী মখুত্তা লৈরম্মী। মহাক্না কোনুংগী লৈরম্বা ব্রাহ্মীন (অরিবা ব্রাহ্মীন) বু লৌথোক্লগা অনৌবা ব্রাহ্মন হাপখি। লোয়লমগী মখাদা লৈবগী পেন্দবা লৈখ্রবসু মীয়ামগী মথক্তা মপাঙ্গল শিজিন্নবা অমদি সেন চুপ্পগী লম্বীদি মতম অদুগী বৈষ্ণব লাইনীংগী মথক্তা য়ুমফম ওইরগা নিংথৌ, ব্রহ্মসভা অমদি (রতন) মীতৈ বাবুগী সেন খোম্বাগী খুৎলাই ওইখিবদি মাংবা-সেংবা খাইদোকখিবদুনি। মাংবা সেংবগী জরিমনা ওইনা খোম্লকখিবা সেনফমশিংদুনা হায়খ্রিবা খুনাইগী অন্নাংবা থাক্তা লৈরিবশিংগী শরুক খায়দোকনখি। চহীদা লুপা লাখ অমা মথায় বৃটিশতা পীবা ঙম্নবা, লমগী খাজনা অমদি গাড়ীগী খাজনাশু লৌবা হৌখি। নৌনা হোংলকলিবা লৈঙাকলোনগী শাফুনা মৈত্রবাক্কী খুনাইদা খেৎনবা থাক্কী - রাজকুমার, রতন, ব্রাহ্মন, অতৈ ফমনাইবশিং অমদি মীচম মীয়ামগী মরক্তা অচৌবা খেৎনবা অমা লাকপা হৌখি অমসুং মদুগী মহৈনা অনৌবা য়াওনগী ইহৌ লাকপগী ফীবম য়ৌখি।

ইং ১৯০০ দগী ১৯০৭ ফাওবগী মতমসিদা বৃটিশকী পোলিসি ''ফ্রি ত্রেদ পোলিসি'' গী মহৈনা, বৃটিশ অমদি ময়াং ললোনবশিং মান্নরগা মপান্দা চেঙ থাদোকপা, য়ুমকোক্কী খাজনা লৌবা হৌগৎলকখি। মসিনা মরম ওইদুনা লৈবাকসিগী পোথোক হুয়রকপদগী ইং ১৯০৪ দা নুপী লালগী ইহৌ হৌরকখি।

ইং ১৯০৭ তগীনা ১৯৩৩ ফাওবগী, বৃটিশনা মৈত্রবাক্কী লৈঙাক নিংথৌদা শিন্নরবগী মতুংদা, হায়রিবা তাঙ্কক অসিদা ফুরূপ মশক খঙবা (নেসনেল এৱেয়ারনেস) কী ইহৌ অমা লাকপা হৌখি। ইং ১৯১২ দা পোত্থাং মুখৎনবা ইহৌ, ইং ১৯১৩ দা পোত্থাং অমদি য়ারেক শন্ত্রি মুখৎপা, ইং ১৯২৯ দা য়ুমজাওনা পুৱারী থিগৎপগা এক্সকেভেসন (লৈতৌবা) তৌবা, ইং ১৯৩০ দা কাছাড়দা লাইনিংহন নাওরিয়া ফুলোনা ''অপোকপা মরূপ'' লিংখৎপা অসিনচিংবা খুনাইগী অনৌবা য়াকাযবোল লাকপা হৌখি।

ইং ১৯২০ দা অনৌবা বামোন্না নিংথৌগী নকনবা মরী ওইরকপদগী কোনুংগী ব্রহ্ম সভানা লৈবাক ৱাযেন্দা নাকোযননা খুৎ থীংজিন্দুনা মপাঙ্গল কনবা হৌখি। অরিবা ব্রাহ্মনশিংনা মীতৈগী খুনাইগী চৎনবীগা থোয়দোকনা চুংশিন্নরা চৎলম্মী অমসুং মখোয়ন অনৌবা ব্রাহ্মন্না মাংঙে হায়না খুনাইদগী ইনথোকখ্র বা মীওই কয়াবু অমুক হন্না পুসিল্লকনবা হোৎনখি। মদুদা মাংজিন থানা পনবা য়াবা অরিবা বামোনশিংদি - ললীত মাধব অমদি বঙ্গক বিহারী শর্ম্মানচিংবনি।

ইং ১৯২০ দা অনৌবা ব্রাহ্মনগী লুচিংবা ফুরাইলাৎপম অতোমবাপু শর্ম্মানা বৈষ্ণব লাইনীংগী মথক্তা য়ুমফম ওইরগা মীতৈগী পুৱারী, খুনাই, চৎনবী, লোন অসিনচিংবা খুদিংমক্তা আর্য্যশিংগা শমজিনবগীদমক অচৌবা থৌদাং লৌখি। ইং ১৯৩০ দা অতোমবাপু শর্ম্মানা কোনুংগী ব্রহ্ম সভাদা য়াওদুনা কোনুংগী পণ্ডিত ওইখি লোয়ননা ''নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভা'' গী ফমসু পুখিরম্মী। মহাসভাগী মীফমশিংগী ৱারেপ মতুং ইন্না মীতৈগী পুৱারীবু অমুক হন্না ইশিনবগী থৌদাংদু অতোমবাপু শর্ম্মাদা শিন্নখি।

লৌখিবা থৌদাং মতুং ইন্না অতোমবাপুনা ইখিবা পুন্নারীশিং খুদিংমকতা মৈত্রবাকপু মণিপুর হায়না ১৭০৯ দগী খংনখিবদুগী খুদোং চাবগা লোয়ননা অমুক্কা হেন্না মরিক চুন্বা য়ুমফম পীনবগীদমক মৈত্রবাকপু (মণিপুর) মহাভারত্তা য়াওরিবা মণিপুরগা শমজিনদুনা মীতৈশিংবু আর্য্যগী চারোন শুরোন (বব্রুবাহনগী চারোন শুরোন), বেদনা মীতৈগী হৌরকফম ওইহনবা অমসুং সংস্কৃতনা মপুং ওইনা মীতৈলোন্দা শিজিন্নবগী অচৌবা থৌদাং লৌখি। অসুম্না মীতৈগী খুদিংমকপু বেদনা হৌরকফম ওইহনদুনা মীতৈগী পুন্নারীবু শেমজিনদুনা কন্না ইবা মতমনি।

লোন অমসুং পুদিন (খোরিরোল / সাহিত্য)

ইং ১৮৭২ দা একটিং পোলিটিকেল এজেন্ট কেপ্টেন নুতালনা অহানবা ওইনা ইংরেজী মহৈশঙ লিংখৎখিবদু মায়পাকপা ঙমখিদে। ইং ১৮৯১ গী মলেস- মীতৈ (এঙলো-মণিপুরী) লানগী মতুংদা সার জেমস জহন্সতোননা ইহান হান্না Middle English School লিংখৎখি। ইং ১৮৯৭ তগী বেঙ্গলী লোলনা পাঠশাল্লা তন্বা হৌখি। ইং ১৯০৪ দগী বেঙ্গলী ময়েকনা ইবা লাইরিকশিং পুথোকপা হৌরকখি। অসুম্না বেঙ্গলী লোনগী ইহৌ লাকখিবসিগী মরু ওইবা মরমদি মতমদুগী মৈত্রবাক্কী লৈঙাক লোয়শঙ (administrative) থবক অয়াম্বদা বেঙ্গলী ঙাংবা মীওইশিংনা ওইখি। ইং ১৯১৪ দা মৈত্রবাক্কী রাজদরবারনা বেঙ্গলী অমসুং সংস্কৃত লোন্না চৎনবী (curriculum) ওইগদবনি হায়বা Director of public না পীরকপা য়াথংদুদি য়াখিদে।

মমাংঙৈদদি মীতৈগী অইবশিংসি অয়াম্বনা নিংথৌ কোনুংগী মায়চৌ (পণ্ডিত) ঙাক্তনা ইরম্মী, অদুগা পুয়াশিংসি কোনুংগীত ওইনা লৈরম্মী। পনবা য়াবদি - চৈথারোল কুম্বাব পুয়াসি মৈদিংঙু কিয়াম্বগী হাক্তকতগী ইবা হৌখিবনি, তৌইগুম্বসুং ইহান হান্না ফোংদোকতুনা লৈবাক মীয়ামদা য়ৌহনখিবদি ইং ১৯৬১ দনি।

ইং ১৮৬৭ তা হাওদিজম চৈতৈন্যনা মীতৈ পুয়াবু অনৌবা মীতৈলোন্দা বেঙ্গলী ময়েকনা ইথোকতুনা পুথোকপগী অকনবা থৌরাং

লৌথি। মহাক্কী খুদোলশিংদি খম্বা থোইবী ব্লাবী (১৮৯৯), খাগী ঙম্বা (১৯০০), তখেল ঙম্বা (১৯০২) নি। ইং ১৯২১ দা মীতৈলোনবু কলিকত্তা (ইউনিভার্সিটি) তেংবানবা মহৈকোন্না শকখঙথি অদুগা চহী অহুম মতুংদা মেট্রিক পবিক্ষা থাবা যাখি। ইং ১৯২২ দা হিজম ইবাবতনা ''মীতৈ চনু'' মেগাজিন পুথোকখি। ইং ১৯৩৫ দা নিংথৌজম লৈবেন্না ''যাকৈবোল'', মথংদা ''ললীত মঞ্জুবী'', ''দৈনিক মণিপুব প্রতিকা'' অমসুং ''মণিপুব মতম'' পুথোকখি। ইং ১৯০৫ দা বেঙ্গলীশিংনা ড্রামাটিক ইউনিযন লিংখৎতুনা বেঙ্গলী লোনগী ড্রামা হৌদোকখি, ড্রামাশিংগী মক ওইবা theme দি বৈষ্ণব লাইনীংগী যুমফমদা ওইখি। ইং ১৯২৫ দা লাইবেনমযুম ইবুঙোহলনা ইবা ''নবসিং'' ড্রামা মীতৈলোন্না শান্নখি। মতুংদা ইং ১৯৩২ দা হিজম ইবাবত যাওনা ''মণিপুবী ড্রামাটিক ইউনিযন'' লীংখৎখি। ইং ১৯৩৫ দা ''মণিপুবী সাহিত্য পবিষদ'' শেমখি অমসুং হিজম ইবাবতনা জেনবেল সেক্রেটাবী ওইগ। ইবাবতনা ইবা ''শৈদম শৈবেং'' না মীতৈলোনগী অহানবা তম্না লাইবিক ওইখি। মতমসিগী শিংথানিঙাই ওইবা অহৈশংদি নাওবিযা ফুলো (১৮৮৮ ১৯৪১), খ্বাইবাকপম চাউবা (১৮৯৫-১৯৫০), ডাঃ লমাবম কমল (১৮৯৯ ১৯৩৫), হিজম অঙাংহল (১৮৯২-১৯৪৩) অসিনচিংবনি।

ইং ১৯৩০, এপ্রিলগী চৈথা ১২ থাংজ নুমিৎ শজিবু নোংমা পানবা, লাইখুন্দিন লালুপ নুমিত্তা, কছাড়গী (হৌজিক্না হাইলাকান্দি), জাবিবোন, লাইশ্রমখুনদা নাওবিযা ফুলোন ''অপোকপা মকপ'' লীংখৎখি। মহাক্কী মীৎযেংদি - মীতৈগী লাইনিং, লোন, মযেক, নাৎ, পুন্নাবীনচিংবা খুদিংমক্তা মীতৈগী যেলহৌঙৈগী লৈজবদুবু অমুক হিংগৎহনবদুনি। অসুম্না মতম অসিগী মীতৈ খুনাইদা ফুকপ মশক খংবা (নেসনেল এন্নাবনস) অমসুং (কলচাবেল লিবাবেলিজম) নাৎ কনবা ঈহৌগী লমজিং মৈবা পাযখি।

অমবোমদনা বৃটিশ, মীতৈবাবু অমদি ব্রহ্মসভা অহুমশিনা কোলুগুম্না চপখাযবদগী মীচম মীযামনা চৈনা খাংবা ঙম্নকতবদগী খুনাইদা অচৌবা যাওন অমা লাকখি। অনৌবা মহৈ-মশিং তম্নুবগী মহৈনা মীতৈ

খুনাইদা অনৌবা মঙাল ফংলবা মীওয়শিং থোক্লকখি। ইং ১৯৩৩ নভেম্বরদা মীতৈ খুনাইদা নাৎকী য়াওন লাকপগা লোয়ননা বৈষ্ণব লাইনীং শন্দোকপগী মিৎয়েংদা ''মণিপুরী সভা'' হায়না লূপ অমা লীংখৎখি। ইং ১৯৩৪, এপ্রিলদা লুপসিগী মিং ''নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভা'' হায়না সেমদোকখি অমসুং চহীসিগী মেগী চৈথা ৩০ দা অফোংবা মীফম অমা কোনুংগী রাস মন্দলদা পাংথোকখি। মীফমলেন অদুগী প্রেসিদেন্টতি ইনিংথৌ চুড়াচান্দনা ওইখি অদুগা হিজম ইরাবতনা রিসেপসন কমিটিগী প্রেসিদেন্ট ওইখি। মীফম অদুদা মালেম মীতৈ (Diaspora) না - মৈত্রবাক, কছাড়, অসাম, ত্রিপুরা, ঢাকা, বর্ম্মানচিংবা মফমসিংগী মীহুৎসিংগা লোয়ননা মীওই চহুমুকনা শরুক য়াখি। থৌরমগী হৌগৎলকপদা ইনিংথৌ য়াওরল্লগা মথংদা অঙোম নিংথৌ, লাইরেন ময়ুম ইবুঙোহল, অতোম্বাপু শর্ম্মাদা শিন্নরল্লগা মীফমদুদগী চৎখি। মথা তানা ইরাবতনা মীযামবু তরাম্না ওকপগী ৱাফোং পীখি । মহাক্কী ৱাফোংদুগী থোয়দোকনা পনবা য়াবদি- লৈবাকসিগী (মৈত্রবাক) চাওখৎ থৌরাং, নুপী ওইবীশিংবু লাইরিক তমহনবা, মীতৈ ময়েক শিজিন্নবা অমসুং বৈষ্ণব লাইনীং (ধর্ম্ম)না মীতৈগী অমত্তা ঙাইরবা ধর্ম্মনি হায়বা ৱাফমশিংসিনি। অসুম্না খুনাইগী যাওন লাকপা হৌরক্লবসু মহাক্না হিন্দু লাইনিংবু হেন্না মরা চৎহনবগী মিৎয়েংদা বৈষ্ণব লাইনীংনা লৈবাকসিগী (মৈত্রবাক্কী) অমত্তা ঙাইরবা লাইনিংনি হায়না লাওথোকখি।

মীফমসিদা ৱারেপ ২২ (কন নিথোই) খক লৌখি। মদুদা পনবা য়াবা মরু ওইবা ৱারেপশিংদি - মণিপুর (মৈত্রবাক) গী পুৱারীবু মপান লমগী মীওইশিংনা ইরিবদু পেনদে অমসুং মীতৈ নাৎ অমদি হৌরকফম মশক খঙলবা ঐখোয় ইশানা মৈত্রবাক্কী পুৱারীবু অমুক হন্না ইথোকপগীদমক Historical society অমা লীংখৎপা অদুগা থৌদাং অসিবু অতোম্বাপু শর্ম্মাদা শিন্নখি। বরাক তম্পাক (সুরমা ভেলী) দা মীতৈ অমদি বিষ্ণুপ্রিয়াশিংগী মনুংদা নুঙাইনদবা তোখায় তানরিবদুবু পুনশিনদুনা নুংশি চান্না লৈমিন্নবা ৱাফমসু য়াওখি।

''গৌড় ধর্ম্ম'' বু শন্দোকনবগীদমক হিন্দু শাস্ত্রবু শন্দোকপা, মৈত্রবাক্কী মপান্দা মীতৈনা খুন্দাবা লমদমশিংদা মীতৈলোন তম্বা হৌগৎপা। মীতৈগী নাৎ- থাং-তা, মুকনা-কাংজৈ, শগোল কাংজৈ অসিনচিংবা হিংগৎহনবা। অরিবা মীতৈ ময়েকপু মীতৈ মীয়ামদা চৎনহনবা। অসিনচিংবা পনবা য়াই।

অনিশুবা মীফমগী মমাংদা- ''গৌড়ধর্ম্ম প্রচারিনি সভা'' হায়না নুপী ওইবীশিংবু ঙাকশেনবগী থৌদাং পাযখৎখি। মুতুব্বা ঝুলোননা ইবা ''মণিপুর বিজয় পনচালী'' হায়রিবা লাইরিকতুদা অতোম্বাপুগী ব্বাখল্লোন ময়েক শেংনা ইদুনা মীতৈ নিংথৌশিংগী হৌরকফমবু হিন্দু পুরানগী মথকতা য়ুমফম ওইহনখি।

ইং ১৯৩৬ জানুব্বারী চৈথা ৩০ দা, শিলচার, কছাড়, তরাপুরদা মহাসভাসিগী অনিশুবা মীফম ইনিংথৌ চুড়াচান্দনা প্রেসিডেন্ট ওইদুনা পাংথোকখি। মীফমদুদা ব্বারেপ ১৫ খক লৌখি। নবদ্বীপতা লৈবা মীতৈ মহৈরোযশিংনা লিংখৎপা ''মণিপুরী সেবা সঙ্ঘ'' বু মহাসভাগী মশা অমা ওইনা লৌখি। অহানবা মীফমগী ব্বারেপকুম্না থোইদোকনা শিংথানিঙাই ওইখিদে হাযবা যাই।

তৌইগুম্বসুং কানবা যাদবা খ্বাইদগী মরু ওইবা ব্বাফম অমনা, অনৌবা ফুরুপ নীংবগী যাকায়রোলগী লমজিং মৈরা পাযরিবা নাওরিয়া ফুলোবু মতম অদুগী মীতৈ খুনাইনা লাননা লাই থাজদবা মীশক অমগুম উরকপদগী মহাকপু ইনিংথৌগী মমাংদা পুথোকনিংবগী পুকচেল অমদগী মীফমলেম অসিদা নিংথৌনা মহাকপু কৌখৎতুনা কোনুংগী পণ্ডিত অতোমবাবু শর্ম্মাগা ব্বাখৈ শেংনহনখিবদুনি। শোয়রুরবদি মরু ফংনা মাংনিংঙাই ওইবা য়াবা খোঙফম অদুনা ময়েক শেংনা ফুন্দ্রেগী খোংথাং অদু অকনবা ব্বাশকনা মতোম লোমখ্রবা অচেৎপা লাইনীং অমনি হায়বসিনি। অমসুং মদুনা য়াকায়রোল অসিগী অচেৎপা মরূ লীংখি।

লুপসিগী অহুমশুবা মীফমদি বর্ম্মাগী মনদলেদা ইং ১৯৩৭ মার্চগী চৈথা ১ দা পাংথোকখি। মতমসিদা ইন্দিয়া অমদি বর্ম্মাগী পুনসিনবগী মতাংদগী নুঙাইনরক্তবা হৌরকখিবদুনা রাজনীতিগী তংতাদবা মতাং ওইরকপনা ইরাবতখক নত্তনা মীওই কয়া চৎপা ঙমখিদে।

মহাসভাসিগী মরীশুবা মীফম ইং ১৯৩৮ দিসেম্বরগী চৈথা ৩০ দা ইম্ফাল, মৈত্রবাক্তা পাংথোকখি। মীফমসিদা মহাসভাগী মিথোলদা ''হিন্দু'' ৱাহৈ লৌথোকতুনা ''নিখিল মণিপুরী মহাসভা'' হায়না খংনখি।

নাৎ অমদি লাইনিংগী ইহৌ

মতম অসিগী মীতৈ খুনাইদা ব্রহ্ম সভাগী অকনবা শাফুনা অনৌবা বামোনগী লুচিংবা অতোমবাপু শর্ম্মাগী লমজিং মখাদা নিংথৌগী পামজবগা লোয়ননা ইরাবতনচিংবা অতৈ লুচিংবশিংনা মীতৈশিংগী অমত্তা ঙাইরবা ধর্ম্মদি বৈষ্ণব লাইনীংনি হায়দুনা ''নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভা'' না ''গৌড় ধর্ম্ম'' শন্দোকপগী চং য়ৌরবা তাঙ্কক অমনি। মতাং অসিদা কছাড়দা নাওরিয়া ফুলোনা ''অপোকপা মরুপ'' লিংখৎতুনা মীতৈগী য়েলহৌঙৈগী লাইনিং অমদি নাৎপু য়োখৎপগী থৌরাংবু অচৌবা তায়োন্নবা অমসুং লাই য়াদবা অমা ওইনা উখি। মরম অদুনা ইং ১৯৩৬ জানুৱারীদা, শিলচার তরাপুরদা মহাসভাগী অনিশুবা মীফমদা ইনিংথৌ চুড়াচান্দনা নাওরিয়া ফুলোবু কৌথৎতুনা কোর্টকী পণ্ডিত অতোম্বাপু শর্ম্মাগা ৱাখৈ শেংনহনখি। নাওরিয়া ফুলোনা মমারোনবু নিংশিজবা, মমারোন্না লাইনীংবা, য়েলহৌঙৈগী মীতৈগী মনাৎ, ময়েক অমদি মপা মপুবু নৌহৌনা নিংজবদু ককপা ঙমখিদে অমসুং মদুনা মহাক্কী মায়পাকপা ওইখি।

মতৌ অসুম্না মীতৈ খুনাইদা পুংনৌ নৌবা, মনাৎপু নুংসিজবগী অকনবা ইহৌগী মঙৈ লীংবা হৌখি। ইহৌ অসিনা বৈষ্ণব লাইনীংগী তায়োন্নবদা মীতৈনা চৎলিবা অমমবদা থাজবা (Superstition) কয়াগী মায়োক্তা নৈনরকখি। মীতৈবু আর্য্যগী কাংলুপ ওইনা শেমজিনদুনা চৎনরোল অমদি লাইশিংবু হিন্দুগী লাই ওইনা চনৈনহনববু শেংদোকপা, সংস্কৃতাইজেসন ওইরকতুনা মীতৈগী লোল অমদি আইদেনটিটিদা চমমনরকপশিংদু শেংদোকপগী ইহৌ হৌরকখি। ইহৌসিগী মরু ওইবা পান্দমদি -

- হিন্দু লাইনিংব থাদোকপা।
- মীতৈবু সংস্কৃতকী হৌরকফমগা শমজিন্দুনা আর্য্যগী চারোন শুরোন ওইহনবগী থিওরিশিংবু চুমথোকপা।

- মীতৈ ইনাৎকী ওইবা লাইনীং, লোল, মযেক, পুদিন (খোবিরোল / সাহিত্য) নচিংববু মতমগা চান্ননা হিংগৎহনবা।
- মৈত্রবাক্কী চীঙমী তম্মী অমদি মালেম মীতৈবু পুন্না অমত্তা হিংমিন্নবগী খোংথাং।
- মীতৈগী পুৱারীবু থিজিনবা অমসুং মীতৈ সভ্যতাগী অথন্নবা মশক উৎপা। অসিনচিংবশিংনি হাযবা যাই।

মৈদিংঙু চূড়াচান্দনা অযাম্বা মতমদা নবদ্বীপতা অমসুং লাইফম কয়া চৎপগী থৌবমদা খোযজংবদগী লৈঙাকপগী অঙম অথৌশিংনা অমদি বৃটিশশিংনা মহাক্কা থৌবম পাংথোকপগী মতম ফংখিদে। মসিনা মবম ওইদুনা মহাকপু পেনখিদে অমসুং মতিক চাবা নিংথৌ অমা ওইনা লৌবা ঙমখিদে। মৈদিংঙু চূড়াচান্দ ইং ১৯৪১ দা নবদ্বীপতা তাইবং থাখি।

মৈদিংঙু বোধচন্দ্রসিং (ইং ১৯৪১-১৯৫৫)

মপাবুংনা লৈখিদ্রবগী মতুংদা মৈদিংঙু বোধচন্দ্রনা মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ফম্বাল কাখি। বোধচন্দ্রবু বৃটিশনা খোযদোকনা শিংথানদ্রবসু মহাকপু মবৈবাক্কী ওইনদি মপাবুংদগী হেন্না শিংথানখি। মৈত্রবাক্কী পুৱারীদা অচৌবা অহোংবগী মতম ওইখিবগী মবম অমনা মালেমগী লাঞ্জাওদু মৈত্রবাকতা থুংলখিবদুনি হাযবা যাই। লাঞ্জাওনা মবম ওইদুনা ইউরোপিযান, বর্মীজ, ইন্দিযান অমদি অতৈ মীতোপ কযানা মৈত্রবাক্তা থুংলখি। ইং ১৯৪২ ফেব্রুৱারীদা ইম্ফালদা ইহান হান্না জাপান্না বোম থাদখি। মদুদা মী ৭০ বোমদগী হেন্না শিখি অমসুং মপানগী মীওয কযা (মাবৱারী) নচিংবা মৈত্রবাক থাদোকতুনা চেনখি। ইং ১৯৪০ দগী হাযজবকপদুগী মতুং ইন্না বোধচন্দ্রনা ফম্বাল তোংলবগী মতুংদা ইং ১৯৪২ গী জানুৱারীদা কোনুংদা মীফম তৌদুনা নিংথৌনা লৈবাক মীযামবু লানদা মতেং পাংনবগীদমক হায়জখি। লান্না মবম ওইদুনা লৌউ-শিংউবা ৱাৎখি অমসুং লাম্মীশিংগী মফমদা চানবা চীঞ্জাক পীবদা অমদি মখোযগী চানবা শা-ষণ হাৎলুবদগী মীতৈ খুনাইদা মাংবা-শেংবা হাযবা অচৌবা ৱাথোক অমা লাকখি।

ইং ১৯৪৪ এপ্রিলগী চৈথা ১৪ দা INA গী লুচিংবা মীলিকনা মোইবাংদা ইহান হান্না ভারতকী মচু অহুমগী ফিবাল হায়গৎখি। ইং ১৯৪৬ জানুৱারীদগী ভারতকী নিংথৌ পানবা লৈবাক খুদিংমকপু মীখল তৌবা

লৈঙাক (Elected Govt.) হৌগৎপিয়ু হায়বগী মতুং ইন্না মৈত্রবাক্তসু ইহৌ অসি থুংলখি। মরম অদুনা ইরাবতনচিংবা লুচিংবা কয়ানা মীখলগী থৌরাং পায়খৎপা হৌরকখি। মৈদিংঙু বোধচন্দ্রনা লানগী মতুংদা চীঙলমনচিংবা মৈত্রবাক্কী মফম কয়াদা চত্তুনা মীয়ামগী অব্বাবশিং য়েংশিনখিরম্মী। মৈত্রবাক্কী লৈফমনা পীরকপা স্ত্রেতিজিক ইন্তরেষ্ট অদুনা বৃটিশপু কান্নহনখি। অনিশুবা লাঞ্জাওনচিংবদা বৃটিশনা মৈত্রবাক্কী লৈঙাকপশিংগী মফমদগী মতেং কয়া ফংখি। মরম অদুনা ইং ১৮৯১ গী লানগী মতুংদগী মৈত্রবাকনা বৃটিশতা পীবা কাঙ্গৎ লুপা ৫০,০০০ দু ইং ১৯৪৫ দগী পীবা তোকখি। ইং ১৯৪৬ এপ্রিলগী চৈথা ৫ দা ইরাবত য়াওনা ''নিখিল মণিপুরী মহাসভা'' অমদি ''মণিপুর প্রজা মন্দল'' লূপ অনী পুন্না মীফম তৌদুনা মৈত্রবাক্কী ওইরক্কদবা ফীবমশিংগী মরমদা শন্দোক্না নৈনখি। লোয়ননা "North East Frontier Privince" হায়বদি ''উত্তর পুর্বানচল'' হায়দুনা কছাড়, ত্রিপুরা অমদি মৈত্রবাক অহুমনা পুনশিল্লগা বেঙ্গলী অমদি মীতৈলোনবুনা লোয়শঙলোন (official language) ওইহনলগা শেমগৎপগী ব্রাফমদু মীফমদুনা ককথৎখি। মীফমদুদা ললীত মাধব শর্ম্মা, এলাংবম তোম্পোক, রাজকুমার ভূবনসনা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি। লৈঙাকলোন (রাজনীতি) গী খোংচৎ হোংলকপগী মতুং ইন্না ''নিখিল মণিপুরী মহাসভা'' সি ইন্দিয়ান কংগ্রেসকী খুৎপায় ওইখি। অসুম্না লূপ অসি পোলিটিকেল লূপ অমা ওইবা হৌখি। মতুংদা ইরাবতপু কমিউনিষ্টকী মীশক অমনি হায়দুনা মহাকপু লূপতুদগী লৌথোকখি। ইরাবতনা ''মণিপুর প্রজা মন্দল'' দা য়াওখিবগা লোয়ননা মপুং ফাবা লূপ অনি মৈত্রবাক্তা থোকখি। ইং ১৯৪৬ ওক্টোবরগী চৈথা ৪ দা রাজকুমার ভূবনসনানা প্রেসিদেন্ট ওয়দুনা লূপ খুদিংমকপু পুনসিনবগী মীফম অমা কৌথি অমসুং মদুনা ''মণিপুর স্টেট কংগ্রেস পার্টি'' পোকখি। ইং ১৯৪৬ দিসেম্বর চৈথা ১২ দা ইনিংথৌনা চৎনপথাপ (Constitution) অমা শেম্বগী য়াথং পীখিবগী মতুং ইন্না ইং ১৯৪৭ জুলাইদা চৎনপথাপতু ইবা লোয়শিনখি।

ইং ১৯৪৭ আগষ্টকী চৈথা ১৫ দা ভারতনা মনিং তম্বা লৈবাক ওইখিবগা লোয়ননা মৈদিংঙু বোধচন্দ্রনা ''Manipur Interim State Council'' হায়বদি ''মৈত্রবাক্কী মতম খরগী ওইবা স্টেট কাউন্সিল''

লাওথোক্তুনা মনাওনুপা নীংথেম প্রিযব্রতবু চিফ মিনিষ্টার হাপতুনা মৈত্রবাকসি মপুং ফানা মনিং তম্লবা লৈবাক হাযবদি ''সোভারেন স্টেট'' অমনি হাযনা লাওথোকখি। ভাবতকা লৈনরিবা মরীদি সুপনতগী খাযদোকনবা খকতগী (এক্ট ওফ এসেস) মঙাযরে হাযখি। মরম অদুনা মৈত্রবাক্কী পাখংবা যেকপা ফিরাল কংলাদা ইহান হান্না, মথংদনা কোনুংগী তম্পাক্তা হাযগৎখি।

মতৌ অসুম্না মৈত্রবাক্তা বৃটিশকী লোযলম লৈখা তাখিবগা লোযননা ইনিংথৌ বোধচন্দ্রনা নিংথৌ লৈঙাকলোনবু (Monarch) মশানা থাদোকলম্লগা মীখল লৈঙাকলোন (Democracy) হোংলকতুনা মৈত্রবাক্কী অনৌবা মবাইবক অমা লেপ্পা হৌখি। তৌইগুম্বসুং ভাবতকী লুচিংবশিংনা মৈত্রবাকপু ভারত্তা তিনশিনবগী মঙখিবা মঙলান্দুনা ইকুই কুইদনা মৈত্রবাকপু ভাবতকী ফিবান্দা নপ্পা তাখি।

ইং ১৯৪৮ দা মৈত্রবাক্তা অচৌবা চাকতাঙবা থোকখি। ইং ১৯৪৮ জুনগী চৈথা ১১ দগী মৈত্রবাক্কী মীখল থৌবম হৌদুনা কংগ্রেসনা মীহুৎ ১৪, প্রজা শান্তিনা ১২, কৃষক সভা ৬, লেমহৌবা ১৮ দুনা চীঙলমগী মীহুৎশিংনা শিনদুনা মীখল থৌবম লোযব্বদা প্রজা শান্তি, কৃষক সভা অমদি অতোপ্পা মীহুৎ খবগা পুনসিনদুনা মৈত্রবাক্কী অহানবা মীযাম লৈঙাক হৌখি। অনৌবা লৈঙাক (Government) তুগী চিফ মিনিষ্টাবদি নীংথেম প্রিযব্রতনা অমুক ওইখি।

চৈহৌদা ইন্দিযান কংগ্রেসকী লূপ ওইবমদবা মৈত্রবাক্কী ষ্টেট কংগ্রেসনা ফোংনা ভাবতনা মঙজবা ''উত্তব পুর্বানচল'' হাযবা ব্লাখল্লোনদু ফোংনা খোল্লাও পীদুনা ইন্দিযান কংগ্রেসকী মীৎযেং চিংশিন্নবা হোৎনবকখি। মদুগী মাযোক্তা মণিপুব কৃযক সঙ্গ অমদি মণিপুব প্রজা সঙ্গনা শিল্লাংদুনা সেপ্টেম্ববগী চৈথা ২১, মণিপুব ড্রামাটিক ইউনিযনগী শঙলেনদা ইবাবতনা মীফম পাঙথোকলিঙৈদা লমলাইগী কৃষক সভাগী মীযামনা মীফমদা কাখৎলকপদা মতমদুগী গভর্ণমেন্টকী পুলিশকা খুৎ থোকনবকতুনা ইবাং কনশিল্লকপগী পাউ তাবদগী, ইবাবততি হান্নদগী ইহোবক্লবা গভর্ণমেন্টনা শোযদনা ফাবগনি খংবদগী মীফম লোইবমদনা থাদোকতুনা চৎখি। মতাং অসিদা খুদোং চাবা লৌদুনা কৃষক সঙ্গ অমদি প্রজা সঙ্গবু ব্লাযেন

পথাপকী (Law) মাযোক্তা লৈবা লূপনি হাযনা থিংজিনবগা লোণননা ইবাবতকী মথক্তা লুপা ১০,০০০ (লিশিং তবা) গী জবিমনা থমখি। মসম অদুনা ইবাবতকী ফম হাংদুনা লৈখি, মহাক লৈ ভাকপদা শ রুক যাবা ফংখিদে। অসুম্না মহাক্কী লৈঙাকলোন (বাজনীতি) গী খোঙচৎ মতো ব লোমখি। ইং ১৯৫১ গী হৌগৎলকপদা ইবাবত বর্ম্মা চৎখিবগী মতুংদা ভাইফোড লাইনানা তাঙবো হাযবা খুনদুদা অবোইবা যাহিপ তানখি।

মৈত্রবাকনা ভারত্তা তিনখিবা

বৃটিশকী অবোইবা অদুগা ইন্দিযান দোমিনিয়নগী মহান শ পোলিটিকেল এজেন্ট ওইরম্বা ষ্টেব্রাটনা ইং ১৯৪৭ আগষ্টকী চৈথা ১৭ তা মৈত্রবাক থাদোকতুনা চৎখ্রবদা দেবেশ্বব শম্মাদা ফমসি শিন্নখি, অদুবু মহাক মৈত্রবাকতদি নভেম্বব ফাওবদি থুংলখিদে। মহাকপু থাজবা নাবা মীশক অমা ওইনা লৌবা ভমদবনা, অসামগী গভর্ণব সাব আকবব হাইদবী মশামবনা মৈত্রবাকপু যেংশিনবগীদমক ইং ১৯৪৮ দিসেম্ববদা লাকপদুদা শিগ্র বগী মতুংদা, শ্রী প্রকাশনা ফমসি পুখি। ইং ১৯৩৪ দা মপাযুং চুডাচন্দনা চিংনবকপদগী নীংথেম বোধচন্দ্রবু বনাবসতা থাদোকলুনা মতমদুদগী খংনবকখ্রবা, চহী ৩ (অহুম) লৈমিন্নবকখ্রবা, শ্রী প্রকাশকী অচেৎপা মীৎযেং অৱাং নোংপোক্কী লম (মণিপুব অমদি ত্রিপুবা) বু ইন্দিযাদা তিনশিন্বা হাযবদুমকন, মৈত্রবাকপু ইন্দিযাদা তিনশিনবগী খোংজংসি খংহেন হেনজিনলকখি।

প্রজা শান্তিগী লুচিংবা এন. ইবোমচা সিংনা, ইং ১৯৪৯ মার্চতা শ্রী প্রকাশনা মৈত্রবাক্তা থুংলবগা মার্চগী চৈথা ২৩ দা মৈত্রবাকতি মশাগী তোঙানবা লৈঙাকলোন চৎন পথাপ নৌনা শেমখ্রবা, মনিং তম্নবা লৈবাক ওইখ্রবা, নিংথৌদি সুপনতগী ফমথোন খকতগী ওইববা, ভাবতকা সুপনতগী ''এক্ট ওফ এসেস'' হাযবদি ''খাযদোকনবা খকতগী মগী লৈনবি'', মনিং তম্বা লৈবাকনি হাযদুনা শাংলবা ৱাকৎচে পীখ্রবা ফাওবদা, মতমদুগী লৈঙাকপা (Government) ওইবিবগী ৱাফমদু থৌ শাদনা, প্রকাশনা সুপনতগী ইনিংথৌ বোধচন্দ্রগতা মবী থমদুনা থৌবম পাযথৎপা হৌবকখি।

শ্রী প্রকাশনা প্রিয়ব্রত নত্তবা অনৌবা দেৱান অমা খনগনি হায়বা খংলকপগা ইনিংথৌ বোধচন্দ্রনা গভর্ণরদা, মহাক্কী দেৱান খনবা অমদি লৌথোকপগী পাঙ্গল লৈ হায়বা খঙহনবা ৱাকৎচে পীরবা ফাওবদা থৌ শাদনা, মেজর জেনরেল রাৱাল অমর সিংবু রুসতোমজীনা, ইং ১৯৪৯ এপ্রিল চৈথা ১৪ দা মৈত্রবাক্তা পুদুনা লাকখি। থা অনিগী মনুংদা বোধচন্দ্রনা মসিমসু খংহনখি মদুদি অনৌবা লৈঙাকলোন চৎনপথাপ (State Constitution) দা দেৱানগী ফম য়াওদে অমসুং নৌনা খন্বা লৈঙাকপনা (Government) লৈবাক্কী অসুপ্পা পাঙ্গলনি। মৈত্রবাকপু ভারত্তা তিনশিনবগী থৌদাং উরকপদা লৈবাক মীয়াম্না মদুগী মাযোক্তা খোল্লাও কয়া পীরকখি, অদুগা মায়কৈ অমরোমদনা ''মণিপুর স্টেট কংগ্রেস'' না ভারত্তা পুনবগী যানিংবা উত্তুনা মীফম তৌবা হৌরকখি। ইং ১৯৪৯ আগষ্টতা, মৈত্রবাক্কী লৈঙাক পুরিবা (Ruling Government) গী লুচিংবা এন. ইবোমচনানা মৈত্রবাক্তা করম্না ইন্দিয়াগী মনুং চনফম থোকতে হায়বা ৱাকৎচে অমা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টার নেহেরু, দিপুটি প্রাইম মিনিষ্টার সরদার পটেলনচিংবদা চেদু থাখি। ইন্দিযাগী মায়কৈদগী রাৱাল অমর সিং অমসুং শ্রী প্রকাশনা খংখি মদুদি মখোয়গী মিৎয়েংদু থুংনবগীদমক মৈত্রবাক্কী নিংথৌবু নাইতোম তাহনদুনা অপাম্বদু লৌবা তাই হায়বসি। ইনিংথৌনা পেল্লকতবদগী গভর্ণরগী মফমদা অমদি প্রকাশকী মফমদা উনবগীদমক আগষ্টকী চৈথা ২৯ দা শিলোংদা টেলিগ্রাম তৌখি। চৈরকশিদা প্রকাশ অমদি রুসতোমজীনা দেলহী অমসুং বোম্বেদা চৎতুনা সরদার পটেলগা উনরুখি। হলকপগা শ্রী প্রকাশনা ইনিংথৌবু শিলোংদা লাকনবা খংহনলকপগী মতুং ইন্না সেপ্তেম্বরগী চৈথা ১৫ দা ইনিংথৌ মহাক্কী লোয়নবশিংগা রেদলেন্দ, শিলোংদা থুংখি। নুমিৎ কয়া চংনা সেপ্টেম্বরগী চৈথা ১৫-১৯ ফাওবা ইনিংথৌ অমদি ইন্দিযাগী থৌবুবশিং শ্রী প্রকাশ, রুসতোমজীনচিংবগা ওমথৈ থেংনা উংখৎনরবগী মতুংদা, ইনিংথৌনা মীয়ামনা খল্লবা মীহুৎশিংগা মৈত্রবাক্তা চৎতুনা তাম্নরুখিগে হায়বা য়ারকতবদগী, লোয়ননা অচৌবা খুৎ থোকনবগী ফিবম য়ৌখিবদগী, পোলোযদা সেপ্টেম্বরগী চৈথা ১৯ দা ইনিংথৌনা মৈত্রবাকপু

ভারত্তা তিনশিনবগী য়ানচেদু খুয়েক থাখি। ইনিংথৌনা শিলোংদগী মৈত্রবাক্তা থুংলবগী মতুংদা ইং ১৯৪৯ ওক্টোবরগী চৈথা ১৫ দা, মৈত্রবাকনা ভারত্তা তিনবগী লৈবাক মীয়াম য়াওনা লৈঙাক খুৎশিনবগী থৌরমদু পোলো গ্রাউন্দা পাংথোকখি। নুমিত্তু নোং য়াম্না চুখি, লৈবাক মীয়াম থোইনা তিনখিদে, লৈবাক্কী ফমনাইবা লৈঙাক পুরিবা মীহুৎ অমদি নিংথেম প্রিয়ব্রতনচিংবা লুচিংবা কয়াসু থৌরমদুদা শরুক য়াখিদে। নুমিৎত্তুদগী রাবাল অমরসিংনা মৈত্রবাক্কী অহানবা ইন্দিয়ান চিফ কম্মিসনার ওইখিবগা লোয়ননা ষ্টেট এসেম্বলীবু থুগায়রগা পাঙ্গল পুন্নমক মহাক্কী মখুত্তা থমখি। থৌরমসিগী খর মাংজৌননা কংলা অমদি মফম কয়াদা মশিং য়াম্রবা আর্মীশিংনা য়াম্না চেকশিন্না থোকলবা য়াবা ইহৌবু নমথনবগীদমক ঙাক শেন্দুনা লৈখি। মতৌ অসুম্না মৈত্রবাক্না ঙমখৈ নাইদবা মতমগী খোঙচৎতা অনৌবা মরাইবক অমা লেপচনবগীদমক ভারত্তা তিনখি।

ঐখোয়গী শক্তাক অমসুং থৌদাং

"Ask not what your country can do for you, ask what you can do for your country."

John F. Kennedy.

ফুরূপ (জাতি) অমগী খুনাইদুনা হিংদুনা লৈবা হায়বসি, খুনাইদুগী মীওইশিংনা পীরিবা খুদোলদুগী মথক্তা মশাক লেপ্পী। মীহৌরোলদগী মীরোল কয়ানা য়োখৎচরকখ্রবা ফুরূপতুগী সভ্যতাবু ইকাই-খুম্না চৎপা ঙমলকত্রবদি, খুনাইদুগী হিংলিবা মীওইশিংগী মরৌশিং অমদি মরীংজেল তুংগী মীরোলনা মমল লেপদা শোয়দনা ইকাইনিঙাই ওইগনি। অদুগা খুনাই অমগী লৈজরব্রবা পুৱারী অমদি লীকমলীচৎ (সভ্যতা)বু হৌজিক্কী মীরোলনা চৈশিংলোন (গনিত)গী শোন্দোয়-শেল্লেপ পাবগুম্না অমাং-অতোং, চাগা-চাদিং খোৎতুনা তাহননিংবা মহৈ তাহনবা যাবা নত্তে। তৌইগুম্বসুং মদুদগী চাওরবা চৈরাক অমদি শোয়দনা তম্বা ফংই।

খুনাই নত্রগা লীকলমলীচৎ (সভ্যতা)বু Anthropologist E.B. Taylor না অসুম্না তাকলম্মী - 'Culture and civilization, taken in its wide ethnographic sense, is that complex whole which included knowledge, belief, art, morals, law, custom, and any other capabilities and habits acquired by man as a member of society.'

মমাংগী ৱারেংশিংদা নৈনরক্লিবসিদগী ঐখোযনা উবা ফংলিবা ফজবা-অথীবা, অৱাব-নুঙাইবা খুদিংমক মচা খাযনা যেংশিনদুনা করি তৌবা য়াই অমসুং তৌফম থোকই হায়বসি হৌজিক্কী মীরোল ঐখোযগী ইথৌদাং নত্রা! মরম অদুনা লৈবাক অমগী, ফুরূপ অমগী, খুনাই অমগী অরেপ্পা শক্তমদা (Identity) তঙায়ফদবা মচাক কবিনো হায়বদু মশাক খঙবা তাই। মতাং অসিদা ইবুঙো সোযাম লোকেন্দ্রনা অসুম্না ফোংদোকলি - 'The identity of a society appears to be a summation of what the individuals have to give to the society. But the reality is exactly the opposite. The individual

derives identity from the society through a process of conferment, where society uses individual as a medium to manifest its own identity ------ A society sustains its identity through a continuous process of projection in infinite space and time.' (১৫ঃ২২৩)

মতমগী মতুং ইন্না social scientist শিংনা মীওইবা খুনাইগা মরীলৈনবা পোৎশক কয়াবু মতম মতমদা তোঙান তোঙানবা থৈথরকপা ৱাহয়োক কয়া পীনৈ। মতৌ অদুগুম্না, খুনাই অমগী শক্তাক্কী (Identity) মরূ ওইবা মচাকশিংবু অপানম্না, পৌরপনা মখাগী অসুম্না লৌবা য়াই। মদুদি ঃ-

(১) **লীকলমলীচৎ (সভ্যতা) অমসুং পুৱারী (ইতিহাস)**
(২) **লৈবাক (রাষ্ট্র) অমসুং লৈঙাকলোন (রাজনীতি)**
(৩) **ফুরূপ, খুনাই অমসুং নাৎ**
(৪) **লোল, ময়েক অমসুং পুদিন (খোরিরোল / সাহিত্য)**
(৫) **লাইনীং , চৎনরোল অমসুং পুন্সি মরেল**
(৬) **মিংথোন অমসুং অতৈ অতৈ।**

মথক্তা পল্লিবা খুনাইগী শক্তাক্কী মচাকশিংশিবু খরগা শন্দোক্না নৈনদুনা য়েংশি।

(১)লীকলমলীচৎ অমসুং পুৱারী

চীঙলোন মাপম্না পুংকোই কোয়শিল্লবা, সুপনতগী পিক্লবা তম্পাকনা থমচেৎকুম্না লৈনাগুম্লবা চীঙদোনগী পলোনগী মনুংদা লৈজবা মীতৈ লৈবাক্কী মীহৌরোলনা মপান লমদমগা শকখংনদ্রিঙৈদা ওইরকখিবা / হৌরকখিবা মীতৈগী লীকলমলীচৎ অমা লৈরম্মী হায়বসি মীতোপতি থন্নদুনা, ঙসিগী মীতৈনা থাজবা ঙন্নরবা হায়বসি খন্ননিঙাই ওইরি। 'তিল্লি কোকতোন লৈকোয়লোন', 'পোইরৈ মীতৈ লৈবাক', 'কংলৈবাক' মতোমতনা তেংবানবগী হৌরকফম ওইনা খঞ্জবা, মী হৌরকখিবগী থাজজবা লৈজে হায়বসি য়ানিংব্রা; হংনিঙাই ওই। চহী কোটি কয়াগী মমাংগী থৌদোক, মী হৌরকপগী ৱারীবু চাংয়েং তৌদুনা ৱাচুম ওইনা উৎপা ঙমদ্রবসু, খ্বাইদগী হেন্না শিংথানিঙাই ওইবদি থাজনরম্রিবা মথাজদু মতমদুগী মালেমগী

মফম কয়াগী মীওইশিংগী থাজনবীগা লেঙ্গা ওইনা চৎমীম্নরম্মী হায়বসিনি। মীতৈ সিভিলাইজেনগী থীজিনবগী খোঙচৎপু থীরেন লমজিংপুরেন ইবুঙো নাওরেম সনাজাওবনা অসুম্না খোলাও পীরি -

'During the last few decades, the Meetei intelligentsia had been making attempts to pull the civilization out of the dark shadows cast upon it by the indological colossus, by way of rediscovering the message of the ancient civilization lying hidden in the ancient medieval manuscripts, which were kept in the personal custody of the Meetei maichous (scholars of eminence), and by way of giving meanings and significance to the archaeological, paleographic, philological, anthropological and folk evidences with the help of modern sciences and unbiased scientific analysis. At present, it is remarkable that the intelligentsia are in a position to pick up the loose end of the Meetei history due to their constant, voluntary and virtually non-official efforts. V.P. Menon who was partly instrumental in the merger of the Meetei country with the Indian union on Oct. 15, 1949 regarded the history to be obscure:' The early history of the state is obscure. During the closing years of eighteenth century and at the beginning of nineteenth, the country was constantly overrun by the Burmese. (The story of the integration of the Indian states, 1956). But Burmese recorded the installation of monarchy in the country in 550 B.C.; the ancient Chinese called her as Hsiao-po-lo-mein and the ancient Greek, among others, had shown their knowledge about the region ---.' (১৩ঃ১২)

অসুম্না ফুকপনীংবা, মবৈবাকনীংবগী যাকাযরোলদগী, চহীচা ২০ গী অহৌবদগী, মীতৈগী পাবী-পুবী, লীকলমলীচৎপু থীজিনবগী খোঙচৎতগী ফংলকখিবদগী 'মীতৈ সিভিলাইজেন'সি 'হাউবিহিযান সিভিলাইজেন'গা থংমুন নামুন্না B C 8000(লিশিং মবি) দগী হৌমিন্নখ্রে হাযবসি খাংখুই লৈখুন, থাবোন লৈখুন, নাপচীকনচিংবদগী ফংলকখিবা খুদম চাংদম্না মশাক লেপ্পা ঙমখ্রে। মমাংগী রাবেংশিংদা রাফমসি শব্দোক্রা নৈনখ্রে। তৌইগুম্বসুং

ঙরাংত খৃঃ ১৭০৯ দা মীতৈনা লাইনীং হোংলুবগী মহৈদগী সিভিলাইজেসন অসিবু 'সিন্ধু সভ্যতা'গা নৈশিন্নদুনা কোকতৈল ওইনা লৈরিবসি থোইদোকনা সভ্যতা অসিগী মরাইবক থীবনি হায়দবা ঙম্লোই।

ঋগ বেদগী মতুং ইন্না বিন্দু অমদগী ওঁ হায়বা খোননিলগা লোযননা তেংবানবা হৌরকখিবগী থিওরিদুগুম্না মীতৈগী লৈশেমলোন (cosmogony) পুয়াশিং হায়বদি - থীরেন লৈয়াৎ, শকোক থীবেন, লৈশেমলোন, লৈথক লৈখারোন, সনামহী লাইকন, নিংথৌরোল শৈবেং, শকোক লমলেনচিংবদা মীতৈনা থাজনরম্বা লৈশেমলোনগী রাঙুরোনবু লাইরা ওইনা শৈথাদুনা থম্বীরম্মী।

মায়চৌ ওয়নাম ভোগেশ্বরনা ফোংবা 'নিংথৌরোল শৈরেং'দগী মতেক অমতং মখাদা থমজরি।

''যাযবীরেলদি সিদবা খোয়ুম মতৌকচাউবনা
তাইবঙ পানবা শেম্লগে উনবী নুংদা নুংখজে
- - - - - - - - -
তেংবানবা শেমগে নীংবগা.
হূম হাযনা কোনজাওরে
- - - - - - - -
য়ায়বীরেলদি সিদবা
খোয়ুম উনবী পুকথোঙদা
অতিংকোকপু কৌবগা অমমবা কৌনগা
খোয়ুম চীঙু অনী পুথোকলে
- - - - - -
হূমলেন হামলেন কেৎনঙৈ
তরং লাইজ পোকখরে
- - - - - - - - - - - - - - - - ..'' (৩)

লাইনিংহন ফুলোনা 'সকোক থীরেন' পুয়াদা লৈশেম নোংশেল্লকপগী ৱাঙুরোনবু অসুম্না থম্বীরম্মী।

''ইপুরোইগী য়াথংনা অহন মরোঙ হোঙঘরে
অতিঙান চিংদুনা মখন মঙা ওইঘরে।।
নুংশিৎ নিংথৌ শিৎখরে তরং - নোংদোন শিনদুনা
লাইজ ঈশিং চোংখোকলে নুংশিৎ নোংলৈ ইন্দুনা।।
ঈশিং, নুংশিৎ চাইনরে কামবী মৈসু ফাওরক্লে
মরীমক্কী থৌরমন মালেম লৈশা চোংখোকলে।।

ঙসিদগী হৌদুনা নমিং সনা থোল্লগে
'সনামহী' হায়দুনা নুংশি চান্ন কৌরমগে।।
মরু মরু ওইরবা মিংথোন খিবিক থোল্লমগে
মরু ওইবা মিংখৈবু মথঙসিৎনা হাযবমগে।।

ইবুঙোদি লাইনিংথৌ
য়ায়বীকোনগী মপুথৌ
কায়াৎ কাংলেন সাথৌবা
লৈরক কোনসাং সিল্লিবা
য়েকন শরোয় লালওইবা
খোঙবান নুঙদ লান্নবা।। পারীহন (৪)

অসুম্না পুয়াগী নুংগী ঈচেলগী ৱাঙুরোনশিংবু অনৌবা কাংলোন (Science) কী মিৎযেংদগী য়েংবা হৌরকতুনা ইং ১৯৩৫ দা ইবুঙো য়ুমজাওনা মীতৈ লৈবাক্কী আর্কিওলোজি রিপোর্ট ফোংদোরকখি।

মৈত্রবাক্কী পুৱারীগী মচাক্তা অৱাৎপা লৈতে। লমদম অসিগী পুয়া, পুদিন অমদি থীজিনবগী লৈতৌবদগী ফংলকখিবা খুদম চাংদম কযানা মপুং ফানা পুৱারীগী মশক লেপতুনা লৈ। ঙল্লিঙৈগী মতমদা অয়াম্বনা নিংথৌকোনগী মায়চৌশিংনা পুয়ানচিংবশিং ইশিনবগী চৎনবী ওইরম্মী। ইং ১৯৬৭ তা

''চৈথরোল কুম্বাব'' মীয়ামগী মফমদা ফোংদোক্তুনা পুথোরকপদগীদি মৈত্রবাক্কী পুৱারীবু মশক খঙজবগী চাউরবা অহানবা খুদোল অমা ওইখি। খৃঃ ১৭০৯ দা লাইনীং হোংদুনা পূয়া মৈ থাবগী মতুংদগী লাকখিবা পুৱারীগী অহোংবা তশেংনমক মীতৈ খুদিংমক্না খঙফম থোকই অমসুং মদুবু ঙাকশেনফম থোকই। মীতৈবু আর্য্য ওইনবগী পান্দমদগী শেমগৎলকখিবা থিওরিগী মথক্তা য়ুমফম ওইরগা ইখিবা পনবা য়াবা লাইরিকশিংদি 'ধরনী সংহিতা', লাঙ্গোয় শগোল থৌবা', 'বীজয় পনচালী' নচিংবনি। অদুম ওইনমক চহীচা ২০দগীদি ফুরূপনীংবগী ঈহূলদগী পুৱারীবু মরীক চুম্না মৈত্রবাক্কী য়েলহৌঙেগা শমজিন্নবা ঙমলকখি। মতাং অসিদা লাইনিংহন নাওরিয়া ফুলোনা 'মীতৈ হৌভম ৱারী' দা তাকপীরম্বা ৱাফম খরদং থমজরি।

''হৌজিক্কী মতমদা মীতৈ ইবুঙোসিংনা পুক্লিংদা য়াম্না ৱান ৱাখন তৌনরিবদি - মীতৈ লৈপাক অসিনা মহাভারততা হায়ৰিবা মণিপুর হায়বদু ওয়দ্রবদি, মীতৈ হায়বসিনা বভ্রবাহনগী মচা মসু ক্ষেত্রী হায়বদু ওয়দ্রবদি মীতৈ ঐখোয়সি আর্য্য হায়বদু ওইবা ঙমমোইদৌরে, আর্য্য ওয়দ্রবদি মীতৈ ঐখোয়সি অতোনবা ফুরুপকী শাগৈ ওয়বা তারে হায়দুন থৌৱায় য়াম্না ৱানা লৈনরিয়ে। ------ । ঐখোয়নদি আর্য্যনি হায়দুনা হায়জে, মখোয়না মচেৎ অমতং থাজবিদে। মখোয়না ঐখোয়বু আর্য্যরা হায়দুনা মরি মখোং থিরবদসু ফংবা লৈতে। ঐখোয়বু মখোয়দা আর্য্যমকনি হায়দুনা খংনফম খুদম অমতং পুথোকতুনা উৎলুবা ঙমদে। পুম্নমকসি চিন কাংজৈমকতা মওইরে। কনাগী ৱাসু কনানা থাজবিদে। হকচাং কয়াৎকী খংনভম ওইরিবা Anthropology হায়রিবা 'বিজ্ঞান' লাইরিক অসিনা ৱায়েন কাতিনি। ----। মরম থিবিক অসি লৈবনা, ওইগে হাইদনসু ওয়বা য়াদে, নতে হায়দনসু ওইরোইদবা নতে। মীতৈ ঐখোয়বু আর্য্যনি হায়বসি ওইরোদমালে ইবুঙোশিং।'' (৫)

অসুম্না মীতৈগী পুৱারীবু থীজনবগী লময়ানবশিংদি এন খেলচন্দ্র, নাওরেম সনাজাওবা, গাংমুমৈ কবুই, এল ইবুঙোহল, য়ুমজাও অসিনচিংবনি। তৌইগুম্বসুং 'য়ুমদাংবনা কৈনাবা' হায়বা পাউরৌগুম, চহী ৪০ মুক্তগী, ময়াং কালিসা/বিষ্ণুপুরীয়া' হায়রিবা কাঙলুপ অমনা

পুংনৌনৌনা অমুক মৈত্রবাক্কী পুরাবীবু থরায যাওনা ইবা হৌবি। চহীচা ১৮ দা মীতৈনা লাইনীং হোংলুবগী ইথিলদগী পুরাবীবু শেমজিলুবদগী কাঙলূপ অসিনা খুদোং চাবা লৌবি। শিল্লকলিবা লাংলৌ অসি মীতৈনা খূঊ শেন্নহৌদ্রবদি। শন্দ্রেম্বীনা মমা ফংজহৌদবগী হেন্না পেনদনিঙাই ওইগদৌবি।

সভ্যতা অসিগা লোযন্না হৌমিন্নবকথ্রবা মৈত্রবাক্কী পুরাবী, শন্নপনা মবীক চুম্না মমাংগী রাবেংদা নৈনখ্রে। লাইবক থীবদি শেমজিনবা পুরাবী কযানা লৈবাকসিগী অমদি ফুরুপসিগী যেলহৌঙৈগী অশেংবা মশক তাকপা ঙমদ্রিবসিনি। মবম অদুন। মীতৈ খুদিংমক্কী তঙাযফদবা থৌদাংদি -

- মৈত্রবাক্কী সভ্যতাবু মশক খংবা তাই অমসুং থীজিনবগী খোঙচৎ লেপ্পা যাদ্রি। ইবুঙো যুমজাও অমদি ইবুঙো ওকেননচিংবগী মৈত্রবাক্কী সভ্যতাগী থিজিনবগী লৈতৌবা (Excavation) গী খোঙচৎ লেপ্পা যাদ্রি।
- মৈত্রবাক্কী শেমজিনবা পুরাবী লাইবিক খুদিংমকপু মালেম মীযাম ফোংনা ককথৎতুনা মদুবু লাল্লি হাযনা তাকপগী তঙাযফদবা মথৌদাং মীতৈ খুদিংমক্কীনি।
- পুরাবীদ শীংনবকপসিংবু মতীক চাবা পাউখুম পীবগী পান্দম অমা থম্বা তাই।

(২) লৈবাক্ অমসুং লৈঙাকলোন

ফুরুপ অমা খুনাই অমগী শক্তাক্কী মরু ওইবা মচাকতি মহাক্কী হৌবফম ওইবিবা লমদমদুগী লৈবাকতুগী মথক্তা যুমফম ওই ; নত্রবদি খোঙফম যাওদ্রবা ফীবেপ অমগুমবনি। লৈবাক অমগী ঈশিং-নুশিৎ তূ-খোং, উমং-রামং খুদিংমক্তুগী মবেক মহাওদগী হৌবকথ্রবা মীওইবা ফুরুপতুগী মবাইবকসু লৈবাকতুগা তৎন থানবা যাদ্রবা মবী লৈনৈ। লৈবাকতুগী মবাইবকসু মহাক্কী মীওইশিংগী মখুত্তা লৈ। মমাংগী রাবেংশিংদা, মীতৈ ফুরুপকী হৌবকফম ওইবিবা মৈত্রবাক্কী শমলপ্পা মবীক চুম্বা পূরাবী অমা উবা ফংলে। চহী লিশিংনা খুজিং ওইববা শাংলবা তমথিববা মতমগী ঈচেলদা নীংখাযহৌদনা লেপলকলিবা, নোংদা লাইবেন পাখংবগী মতমদগী (খৃঃ ৩৩) রান

য়োখৎচরকখ্রবা, য়েক কযাগী মীওই কাঙলুপ কযাগী খুদোলনা মঙ্উ লিংখ্রবা লৈবাকসি, ইং ১৯৪৯ দগী খেৎনবগী মরক্তা অমত্তা ওইবিবা ভারতবর্ষদা ইতিনখিবদগী, ভারতবর্ষগী অরাং নোংপোক্কী অপিকপা লৈখায (State) অমা ওইরকখি। মসিদা অপেন-পেনদা, মনীং থুংবা-থুংদবা কযা অমসু ফোংদোকনরি। রাফম অসিগা মরী লৈনবা নাওরেম সনাজাওবনা 'The Genesis of insurgency' দা অসুম্না তাকলি -

"The insurgency in Manipur dates back to 1948, when the Manipur communists under the charismatic leadership of Hijam Irabot, took up the cause of liberation of Manipur from the sufferings in a state of semi-feudalism and semi-colonialism, by resorting to Maoist line of armed struggle against the power that to be. Revolts and insurrections against the establishment were not new social ventures in the state." (১৪ঃ২৪৫)

মখা তান য়েংশিনবা যাবা রাফম অমনা, লৈবাকশিগী লৈঙাকলোনদা - নিংথৌ লৈঙাকতগী মীযাম লৈঙাক্তা হোংলকতুনা চহী ৬০দগী হেন্না লৈরকলবসিদা কদায যৌনা মায পাকপা ঙম্রবগে হাযবসি হংবা যাবা রাহং ওইবি। মৈত্রবাক্কী চৎন পথাপনা লৈবাক মীযামদা পীখিবা হকশিংদু য়েংশি।

"Manipur State Constitution Act, 1947 দা পীবিবা Fundamental Right and Duties of citizenship -

44. All citizens shall be equal before the law Titles and other privileges of birth shall not be recognished in the eyes of law.

45. The liberty of the individual shall be guaranteed --------

46. No person shall be tried save by a compenent court."

(১৬ঃ৩৬৭)

Country First হাযবা লাইরাশিনা চৌতিংগী মত [illegible] মীহাযগী মরু ওইবা পূন্সিচেঙজেলগী থৌদাং ওইরকনি। [illegible] লৈত্রবা।

অমসুং লৈঙাকলোন্না লৈখা তাখ্রবদি লমদমদুগী মীওইশিংনা হিংবা ওইথোকতে। মবম অদুনা ভারতবর্ষগী অনৌবা য়াকায়রোল India First হায়বা খোঙচৎনা অপুনবা ভারতবাসীশিংগী অনৌবা খুনাই অমা শেমগৎনবা কন্না হোৎনরি। মতৌ অসুম্না লাইনীংদগী ঈবৈরাক্লা হেল্লি হায়বা রাখল্লোনসিদা যুমফম ওইবগা ইবুঙো সিব খেবনা মহাক্কী Living with Honour দা অসুম্না ফোংদোক্লি -

'Hands that serve humanity are a lot better than lips that talk of divinity.' (২৩)

তৌইগুম্বসুং তিনশিনবা খুনাই ওইখ্রবা, মালেমগী মফম কযাদা চোযজাযন্না খুন্দাখ্রবা মীতৈ যুকপকীদি 'Country First' হাযবা লাইবোনসি কবম্না শিজিন্নগনি, শাজেন তৌগনি হাযবসি খন্ননিঙাই ওই।

খুনাইনা ঐঙোন্দা কবি পীবে হাযনা হংলিবা কনাগুম্বা অমনা খুনাইদুদা মহাক্লা কবি খুদোল তৌবা ঙমখ্রবগে হাযবসি হান্না হংজফম থোকই। অহনশিংনা 'মীতম্বাল' হাযবদি 'মীগী মপানতা তাংলবা মী' ওইনা হীংবদগীদি 'মী' অমা ওইনা হীংজনবগী পাঙ্গলদি মীওই খুদিংমক্কী মফমদা লৈ। ঐখোযনা তুংলমচৎপুদি শেম্লম্বা ঙমদে, খুনাইসিগী তুংলমচৎপুদি ইখুৎনা মেৎতুনা শেমলুবা ঙমদে; তৌইগুম্বসুং খুনাইসিগী মীওই খুদিংমক্লা মহাক্কী মচাগী তুংলমচৎকী পুন্সিবুদি শেমজবগী থৌদাং কনাগীশু মতেং যাওদনা মনীং থুংনা শেম্লম্বা ঙম্মী। অনৌবা মতম (Modern Age) অমদি গ্লোবোলাইজেসন হাযবিরসি মনাৎপু থাদোকপা, মবোনবু লংশোকপা, অরীং অবাংবা, লমকেৎ লমহাইবা, মথকথোংববু ইকাই খুম্নদবা, থৌগনলোন কাযবা খোংথাংদু নত্তে। নোংমতসু মীবু ইকাই খুম্নবা হৈতবা, মমা মপাগী রাবক রাতেম ফংদবা, থৌগনলোন খংদবা অঙাং অদুনা তুংদা খুনাইদু লমজিংলকলবদি, মদুগী খুনাইদু লৈখা তাববা খুনাইনি। লৈবাক অমা, খুনাই অমা, ইমুং অমগা খেৎনবা লৈতে। মপী মপা লৈত্রবা ইমুং অমগী অঙাংশিংনা নংলিবা অরাবদুগা লমজিংবিনবা লৈত্রবা, পানদম যাওদ্রবা খুনাই অমনা, লৈবাক অমনা নংলিবা মবাইবক থীবগা পাঙখকনি। কেপতেন

(পাইলোট) যাওদনা পাইবিবা কাঙবাই (এরোপ্লেইন) গী পম্বুংফমদ কুপতোযশান তাখিবদু নত্তনা অতৈ কবি লৈবি। মথম অদুনা Shiva Khera না অমুকসু অসুম্না ফোংদোকলি

'No country can survive where -

* Lawlessness becomes the law

* The guilty go unpunished

* The dishonest are rewarded

* Citizens are indifferent

* Custodians of the law become the biggest law-breakers '(23)

মথক্তা পল্লিম। লাইনাশিংগী মইহাক্। মশম শাবব' ভাবতবর্মদা ঐখোয়গা হিংগদবসি অচৌবা শীংনবা (Challenge) অমনি। অদুম ওইনমক মীতৈ অমা ওইনা মশাগী ফিবেপ অমদি লৈফম থোকই

মতমগী মতুং ইন্না মাউখৎপগী মাযদ্রে অমখন... মযজাইনগ্র মীতৈ খুদিংমক লৈক লৈরবা লমদমদুগী লৈনকম্মা শা (Citizen) ভাবত্তা লৈখ্রবশিংনা ভাবতবাসী, বাংলাদেশকীনা বাংলাদেশী, বর্মাগীনা বর্মীস, অসম্না লৈরুবা লৈবাক্কুগী লোখাংমচা ওইখ্রগনি।

তোঙগুম্বসুং অপুনবগী মিৎযেংদা চোযভাইন্না মালেমগী ম।ম কযাদা যুমলীংখ্রবা মীতৈ খুদিংমক্তা 'মৈত্রবাক '/কংলৈবাক' গী মীতৈগী লাইফমনি হাযবা লাইব্রাদু কাওরা যাদে। অমসুং মালেম মীতৈগী চাবোল শুবোল খুদিংমক্তা মৈত্রবাক্তা লাকচুনা পাৱী পুৰীগী লৈবাং লৈহুন তম্বা হাযবসি তঙাযফদবা মথৌদা অমনি।

-মৈত্রবাকপু মালেম মীতৈগী লাইফম ওইনা শোমদুনা মীথুংলবশিংবু চেকশিন্না ঙাকশেনবগী চাউখৎ থৌবাং পাইখৎপগী তঙাযফদবা লৈ।

- চহীচা ২০গী হৌগৎলকপদগী, মীতৈ খুনাইদা ফুকপকী ওইবা যাকাযবোলনা মিকপ থোবকপদুনা, লাঙ্গোয চল্লুববা মীতৈ নাৎ হিংগৎহনবগী থোঙচত্তা, চহীচা ১৮দা ইনিংথৌ পামহৈবা শ্রা হাক্তগী 'মৈত্রবাক'পু 'মণিপুব' হাযনা মীংথোল ওহোকলুবদু অমুক হন্না লৈবাকশিগী মীংথোল যেলহৌঙৈগুম হনজিনহনবা মীতৈ খুদিংমক্কী থৌদাংনি।

- মতমগী অহোংবগা লোযন্না, খুনাইগী অহোংবা থুংলখিবদগী চীঙমী-তম্মী অনিগী মবক্তা লৈনবম্বা মনাৎকী নকনবা থাপতোবকলিবসি ঙাকশেলহৌবা তাই।

মৈত্রবাক অমদি মীতৈনা খুন্দাখ্রবা মালেম মীতৈগী ফুরূপনীংবগী অপুন্বা পম্বুংগী পান্দম অমা থম্বা তঙায়ফদ্রবনি।

(৩) ফুরূপ, খুনাই অমসুং নাৎ

অনৌবা মতমগী খোঙচৎ মতুং ইন্না মতম অমগী মরৈবাকনীংবগী ঈশ্বলদু হৌজিক্তি ফুরূপনীংবনা মন্থৎ শিনখ্রে। লৈবাক / লমদম অমদগী হৌরকখিবা ফুরূপ অমনা পাক শন্দোকখিবদগী ফুরূপ অদুগী মরৈবাক্কী ঙমখৈ অক্কনবা পল্লোন অমদা থমদুনা লৈবা য়ারকখিদে। পূবারীনা চুক ওইনা লৈখ্রবা মৈত্রবাক্কী মীওইবা কাঙলূপ, যেক কয়ান যোখৎচরকখ্রবা ফুরূপতি ''মীতৈ'' হায়রিবা ফুরপসনি। তোঙান তোঙান্বা ফুরূপশিংবু মীতৈনা তোঙান তোঙান্না মীংগৌরম্মী; অদুগা তোঙান তোঙান্বা মীতোপ ফুরূপশিংনসু মীতৈবু তোঙান তোঙান্না মীংথোলম্মী হায়বসি মমাংগী ৱারেংদা শন্নপনা নৈনখ্রে। মতৌ অসুম্না মীতোপ্পনা ফুরূপসিবু ''মণিপুরী'' হায়না শকখঙবিরবসু মশান ''মীতৈ / মৈতৈ'' হাযনা শকতাকচদুনা লাকলি। তৌইগুম্বসুং মীতোপ্পনা থোনবিবা ''মণিপুরী'' ৱাহৈনা পাকশন্দোকনা খংনখিবদগীদি কবিগুম্বা মতমদা ''মীতৈ /মৈতৈ'' হায়বা মীংথোলসি লাল্লব্রা হায়বগী চিংনবা অমা মীতৈ মশামক্না ফাওজবা পোকখি। অসুম্না ''মীতৈ'' হাযজববু লোৎশিননিংবগী পুকচেল অমসু পোকলকখি।

অহোংবনা চাউখৎপনি খন্দুনা ইসাগী চৎনরোলবু থাদোকতুনা আর্য্য ওন্নিংবগী হয়িংখোয়গী খোঞ্জেলদা, চহীচা ১৮দা ইনিংথৌ পামহৈবগী স্না হাক্তুতগী চহী চহুমুক মপুং ফান পংথবুরবা মীতৈনা চহীচা ২০গী হৌগৎলকপদগী ফুরূপনীংবা /মবৈবাকনীংবগী অনৌবা ঈশ্বলদগী ''মণিপুরী'' ৱাহৈবু থাদোক্তুনা ''মৈতৈ/মীতৈ'' মীংথোলবু হিংগৎনবা হোৎনরকখি। অসুম্না ফুবপসিবু ''মণিপুরী'' নত্রগা ''মীতৈ'' হায়দুনা শক্তাকনিংবা মীতৈশিংগী মনুংদা ৱাখল্লোন অনি থোরকখি। ৱাখল্লোন অনিনা লমজিংবা ফুরপসি তসেংনা চিববা মতমদা মতু মমান পোনদে হাযবা যারোই। মমা অমত্তনা পোকপিবা মচানা করম্না মমাবু তোঙান্না শক্তাকদৌরিবনো; পনসিরমদাইর্দাদ পুন্না পিরাং শিম্বমিন্নবা নত্রা ?

ফুরূপসিগী অমদি লৈবাকশিগী মীংথোলগী মতাংদা যেংশিনবা যাবা ৱাফম অমনা ''মণিপুবী'' হাযবা মীংথোলসি লমদমসিগী মীং ''মণিপুব'' হাযবা মীংথোলদগী থোবকখি, অমবোমদনা ''মৈত্রবাক'' হাযবিবা মীংথোলসিনা ''মীতৈ''শিংগী যেলহৌঙৈগী হৌবকফম মবৈবাক্কী মীংথোলদগী থোবকখি; হাযবদি ফুরূপতগী মাগী মবৈবাক্কী মীংথোল থোবকখি। মমাংগী ৱাবেংশিংগী তাক্কক কযাদা ''মণিপুব'' অমদি ''মণিপুবী'' হাযবা মীংথোলসিগী মবমদা চাউবাকনা নৈনখ্রে। মত্তাং অসিদা নৈননিঙাই ওইবা ৱাফমদি ''মীতৈ'' অমদি ''মৈতৈ'' হাযবা মীংথোলসি কবম্না হৌবকখিবনো হাযবিসিনি।

'মীতৈ' অমসুং 'মৈতৈ' ৱাহৈ-হৌবকলোন (etymology)

ফুরূপ মমগী মীংথোল ওইবিবা বাহৈগী হৌবকলোন (etymology) নৈনবকপদা সুপনতগী বাহৈগী লোনশেম াকতং নৈনবণী াংমদসু খুনাইদুগী মীওইবা কাঙলুপকী হৌবকপগী (ethnology) মত্তাংদসু ম া মখোং থে ণা যেংশিনহৌবা তাই। মাযকৈ অদোমদগী যেংলকপদসু মীতৈগী মাযো া অমসুং অখঙ অহৈ কযানা মতিক চাববা খুদম চা দম কমা থম্বীবম্মী। অখঙ-অহৈশিংনা থম্বীবম্বা মিৎযেংশিংদু মথং শিংনা মথাগী অসুম্না লৌখৎপা যাই। লাইনিংহন নাওবিযা ফুলোন ফুরূপসগী মীংথোলগী মতাংদা অসুম্না ফোংদোকলম্মী

'মীতৈ হাযবা ৱাহৈসি 'মী+অতৈ' হাযবিবা ৱাযেক অানাসনা সুপখিদুনা ওইখিবা ৱাহৈনি।' হাযবদি মী+অতৈ=মীতৈ। (৫ঃ১)

ৱাফম অসি লাইবোন ওইনা থম্বীবম্বা 'শকোক থীবেন' পুযাদগীনি হাযনা তাকপিবম্মী।

''মী খবৌবা হাকতক্কী লাইগী মচা মসুন
মীগী মীঙ্থোন ফঙনঘি লাইনা যেনবা ৱাযেন্না।।
লাইগী হকথেং চাদাদো অতোপ্পনি খঙগনি
তোপখববা মীওইবু 'মীতৈ' হাযনা হাযগনি।।
মীতৈ মকপু খিবিকনা খুন্দাবিবা মফমবু
'মীতৈলৈবাক' কৌগনি মীতৈ পোকপী মালেমবু।।''(৪)

অসুম্না মীতৈগী পুযাশিংনা তাকলিবা ৱাফমশিংবু মতাং অমদা ইবুঙো চোংথাম বুধীনা য়ানিংদনা অসুম্না ফোংদোকলি।-

"----- based on a category of puyas which the palace pundits and their followers relegates as unauthentic, correlate the origin of their people (they render as 'Meitei') with myth they have created. They claim that their present land is the cradle of the 'Meitei' who are further claimed to be the first human beings created by the Immortal creator. Man was modelled (teiba) after the image (mi) of the creator. Hence the name of the people 'Mitei'.(১৭:)

তৌইগুম্বসুং ইবুঙো চোংথাম বুধীনা শীনিংলিবা ৱাখল্লোনদি -

'মৈতৈ' হাযবিবা ফুৰূপসি যাম্না ঙল্লিবৈঙে মতমগী চাইনীজশিংগী অপিকপা কাঙলুপ 'মৈ' অমসুং 'তি' অনিনা তিনশিনদুনা ওইখিবনি -

"There is a consideration based on which the 'Ti' could be taken as a people originally distinct from the 'Mei' people, but became integrated under certain historical circumstances, with the latter leading to the formation of the later 'Meitei' ethnic group." (১৭)

ফুৰূপসিগী মীংথোলগী মতাংদা মপানগী অখং-অহৈশিংনা কবি হাযনা ফোংদোকলম্মী হাযবদু মখাগী অসুম্না লৌথৎপা যাই -

T.C. Hodson না মহাক্কী "The Meitheis" হাযবা মশাক নাইববা লাইবিকতা অসুম্না ইবি - "The group name 'Meithei' has been derived from 'Mi' = Man and 'thei' = separate ---" (১১ঃ১০)

B.H. Hodgson না অসুম্না ইবম্মী -

"in the 'Moitay' of Manipur we have the combined appellations of the Siamese 'Tai' and Kochin Chinese 'Moy'."

ৱাফমসিগা মবী লৈননা ইবুঙো গাংমুমৈ কবুইনা ফোংদোক্লিবদি মৈতৈ হাযবা মীংথোলসি নোংদা লাইবেন পাখংবনা শেমগৎলম্বা নিংথৌজা হাযবিবা শাগৈ অদুদগী পাক শন্দোবকখিবনি।

"He (Nongda Lairen Pakhangba) was the first coroneted historical ruler who founded as new dynasty called Ningthouja, and the progenitor of a clan of the same which was - - - -"

তোঙান তোঙাম্বা মিৎয়েং কয়াশিবু সুপচিন্দুনা চোংথাম বুধীনা অসুম্না অমুক ৱারোইশিল্লি -

And the scuffle among the people over their ethnic name, as to whether it is 'Meitei' or 'Mitei', need not linger on; 'Meitei' or 'Mitei' carries the same historical meaning; these are simply free variations of this language, like any other language so permits. (১৭)

ইবুঙো নাওরেম সনাজাওবন অসুম্না তাকলি -

All the native ethnic groups of the present state of Manipur had, at one time or another, been the cognate of the Meetei in Manipur. Meeteis themselves were a melting pot of seven major ethnic state of Manipur. (১০)

হৌজিক মতমগী ইংলিস পুৱারীশুবা ইবুঙো John Parratt না অসুম্না ইরি -

'--- I use throughout the spelling 'Meetei' which the Government of Manipur has now adopted in place of the earlier 'Meitei'. (22:9)

তশেংনমক ইবুঙো চোংথাম বুধীনা ৱাখৈ শেংবগুম - 'মীতৈ' অমসুং 'মৈতৈ' হাযরিবা ৱাহৈ অনিমক সুপনতগী ফুরূপ অমথকপু শকতাকপগী শিজিন্নবা মীংথোলনি; তৌইগুম্বসুং লোনথৈ ওইনা মশক অনি থোকখিবনি হায়না লৌবা তাই।

নৈনরিবা হীরমশিদা খ্বাইদগী হেন্না মরু ওইরিবদি হৌজিক মীতৈগী ফিরেপ করিনো হায়বসিনি। ফুরূপশিগী থোননিংবা মীংথোল ফুরূপশিগী মখুত্তা মপুং ফাবা হক লৈজে; কনানশু য়েৎলকনিঙাই লৈতে, সুপনতগী মশাগী তংতাবা ফিরেপ অমতং তঙাযবদে হাযবতনি। মিৎযেং অসিদগী অমাং-অতোং নৈনরকপদা মথাগী অসুম্না উবা ফংজরকপশিংবু তরাগী মফমদা মথাগী অসুম্না ওইব য়াব্রা হায়না হংগৎচরি -

- ''মৈতৈ/মীতৈ'' হায়বসি ফুরূপশিগী মপা মপুশিংনা থম্বীরম্বা ললনি। মাংহনবা য়াদে অমসুং হৌজিক্কী মীরোলনসু চৎনরি।

- ''মণিপুরী'' হায়বসি মীতোপনা থোনবিবা মীংথোল মীতোপ লোলনি অমসুং মীংথোলসিদগী ফুরূপশিগী শক্তাক্কী (Identity) অচৌবা চমমম্বা অমা ওইরি। মায়কৈ অমরোদনা

- ''মণিপুরী' হায়বা মীংথোলসিনা ফুরূপশিবু মীতোপশিংনা শকখংনবিরি অমসুং ফুরূপশিগী লোল, নাৎ খুদিংমক্তা 'মণিপুরী' হায়বা মীংথোলসিদা শকখঙনখ্রে।

- করিগুম্বদা 'মণিপুরী' হায়বা মীংথোলসি থাদোকলম্লবদি, 'মণিপুরী' হায়না শকতাপা পামজদুনা তাঞ্জা ঙাইরিবা কাঙলূপনা, 'মণিপুরী' হায়বদি ''মীতৈ''গী লোল, নাৎ খুদিংমক্তা মহুৎ শিনদুনা লৈহৌগদৌরি।

তৌইগুম্বসুং রাফম অনিমকসি মনুং হুনজিন্না য়েংলুরবদি, তশেংনমক মীনা মায়দা চায়রকপা উফুলদা চম্মনরুবনি হায়দবা য়ারোই। মরমদি ''মীতৈ/মৈতৈ'' অমসুং ''মণিপুরী'' হায়বা মীংথোল অনিমকসি ফুরূপ অমসুং লোল অমথকতগীনি। অনিমক চপ মানবা পোৎশক অমথকতনি; অরী-অনৌ খায়রকখিবগী রাতনি। রাথোক অসিগী চৈহৌদগী শেংদোকতুনা লাকখ্রবনি অমসুং পূরারীনা চুক ওইনা লৈরিবনি। থোলাও অসিদা মালেমগী অমদি মীতৈগী অখং-অহৈশিং কয়ানা লাইরিক কয়া ইরম্মী অমসুং ইরি; লোয়ননা মৈত্রবাক্কী লৈঙাকপনা (মণিপুর সরকার) লিশিংলক হন্না ভারত লৈঙাকপা (সবকার)গী মফমদা খংহনখ্রবনি। মসিদা হৌজিক অমুক নৌহৌনা মীতৈনা মসিবু লোৎশিনদুনা থম্লুবদা থোয়দোকনা কাননিঙাই উদে। মরম অদুনা অচুম্বদুবু হেন্না লৈবাক মীয়াম খঙনবা লৈবাক পূঙজাও থীন্দুনা তাকপা তাই, খঙহনবা তাই। তশেংনমকসু খঙনা খঙনা খঙজিন্নদ্রিবনি অমসুং লাইশাবা য়াওরিবনি। মসি খুদিংমকপু অচুম্বা পূরারীগা লোয়ন্না রায়েন চৈরাক য়াওনা শোয়খিবা খুদিংমকপু চুমথোকপা লেপ্পা য়াদে।

মীতৈগী মশান্ন অমদি শরীৎ- শরাৎ

মীতৈগী পুন্সিরেলদা লোয়নরিবা মনাৎ তশেংনমক মালেমগী মীওইবা ফুরূপতা চাউরবা খুদোল অমনি। মসিমক্কা ফুরূপসি মালেমগী খ্বাইদগী লিরবা মীওইবা কাঙলুপশিংগী মনুংদা অমনি হায়বদা অরানবা ওইরোই। শানখোৎনবগী লমদা ফুরূপশিনা মালেম মীয়ামদা তমখ্রবা খুদোল 'শগোল কাঙজৈ' হৌজিকনা 'পোলো' হায়না খংনরিবসি থোয়দোক্লা চাওথোকচনিঙাইনি। পুৱারীগী মতুং ইন্না নোংদা লাইরেন পাখংবনা, খৃঃ ৩৩ দা, লৈমরেন লাইস্নাগী মতেংদগী মপা মপুশিংনা শানরম্বা মশানবু অমুক হৌদোকখি হায়রি। ঙসিদগী চহী ২০০০ মুক মমাংদা নোংদা লাইরেন পাখংবনা মপা মপুগী (মলিয়া ফম্বালচা B.C. ১৭৩৯) মশান শগোল কাংজৈবু অমুক হিংগৎহনবনি হায়বা তারবদি, মশানসি চহী লিশিং ৩/৪ মমাংদগী শানরকলে হায়রিবসি থাজনিঙাই ওই।

ৱাফম অসিবু ইবুঙো গাঙমুমৈ কবুইনা অসুম্না তাকলি

Horse hockey was started during his (Nongda Lairen Pakhangba) reign with a maiden match between the chief of different regions. Laisna took a great role in organising the game of the horse hockey. On 1st Saturday of the Meitei month of Lamda, the game was played. People were gathered at Lamdaipung. The players of the horse hockey were given salutation by Pakhangba -----. Horse hockey was played in immitation of the old game played in the traditional age known as Hayachak. (৬৪৮৯)

মালেমবু পুংকুপ কুপশিনলকপগী পোলোইদা মলেসশিংনা মৈত্রবাক্তা থুংলবদা থেংনরুবা মশানশি তশেংমক নিংথৌ মচাশিংগী মশান্ননি হায়না খং খি। মতুংদা মসিবু ইংলেন্দদগী মালেম শিনবা থুংনা শান্দোকখি।

তৌইগুম্বসুং পাকশান্না শন্দোকখ্রবা মৈত্রবাক্কী ৱাংমদা মীতৈনা খুন্দাখ্রবা মফমশিংদা শগোল কাঙজৈবু শানরিব্রা নত্রগা অমুকখতং শানখ্রবা নিংশিংনিঙাই ওই। হিংবগী চৈথেংদা শগোল যোকপগী অচৌবা ৱাহং ওইবা তারবদি মুক্লা কাংজৈদি নিংশিংলিব্রা হায়সিমসু হংনিঙাই ওইরি।

অনৌবা মতম, গ্লোবোলাইজেসন, মালেমগী থাক্তা (ইন্তারনেসনেল) - কৃকেট, ফুটবোল শানবা নত্তনা অরীবা মশানগী কাননিঙাই করি লৈ হাযবা তারবদি - ইশানা মশানসিবু হিংহনবা ঙমদ্রবদি করম্না মালেমনা শকথবিগনি হাযবসিনি। মসিত নত্তনা মীতৈগী শিংথানিঙাই ওইবা মশানশিংদি - হীয়াং তান্নবা, কাং শানবা, যুবী লাকপী অসিনচিংবনি। লোয়নননা মীতৈগী শরীৎ শরাৎ (মার্সিয়েল আর্ট) ওইরিবা-হুয়েন লালোং, থাঙ-তা মালেমগী অতৈ মার্সিযেল আর্টশিংদগী ময়েং তাদে। খা নোংপোক এসিযাগী (চাইনীজনচিংবগী) শরীৎ-শরাৎনা মালেম শিনবা থুংনা পাম্নরকপগুম্না, মীতৈসু খা-নোংপোক এসিযাগী শরুক ওইরকখিবনা শরীৎ-শরাৎতা চাউবাক্লা মানবা কযা উবা ফংলি।

মীতৈগী শবীৎ-শবাৎকী মতাংদা ইবুঙো এলাংবম নীলকান্তনা অসুম্না ফোংদোকলি -

"The history of Manipur is studded with fights and battles amongst themselves and against the enimies like Burmese and the Chinese and the Meitei community of the valley under their brave ruler reigned supreme till they lost freedom in their fight against the British in 1891 A.D. The Manipuri, properly speaking, the Meiteis, are a martial race. ------- ----------- The writting of the cultural history of Manipur is still at its infancy. For want of adequate research, it is still in the process and the solution to some of the problems clearly demands a very extensive acquaintance with the different cultures of South-East Asia and even of Tibet and Far-East China. ------------.

Thengou: The first step of Creation

This movement pattern of gods and goddesses is styled Thengou, a sacred ritualistic movement which the dancer with sword or spear executes on the symbolic head of a thousand-petalled lotus or the thousand-hooded top of snake god, called Pakhangba in Meetei. It normally admits of nine

kinds as follows: Akas Thengou, Leiphal Thengou, Nongphal Thengou, Leichai Thengou, Leikak Thengou, Leinet Thengou, Langkak Thengou, Akham Thengou, Leishit Thengou. -------------" (১৮ঃ১৯৮)

ইনাক খুন্বনা ঙমখৈ থেংলবা লৈবাক কয়ানা তুংহন্না মনাৎপু য়েংলকপদা মনীং থুংদবা কযা অমসু যাওরিবনি। অদুনবু ভারতকী ইনাৎনা মালেমদা ফিদা কনবা ঙমলকলিবসিনি। অদুগুম্বা ভারতকী মনাৎতা অচৌবা খুদোল তম্বা ঙমলিবা মৈত্রবাকনি। মীতৈগী জগোয়, শগোল কাঙজৈ, শরীৎ-শরাৎ হাযবদি থাঙ-তা অসিনচিংবা কয়াসি শিংথানিঙাইনি; তরাই তরাইনা লৌরুবা য়াদে। অসিগুম্বা লল কয়াসি ফুরূপসিগী খুনাইগী চৎনরোলদা চহী লিশিং কযাদগী লোয়নদুনা হৌমিন্নরকখিবনি; কনাগুম্বা অমনা হেক্তা মেৎতুনা শেমলগা মাগী ফুরূপকীসু অসি লৈজৈ হায়দুনা পংপু পুথোকপা য়াবা নত্তে। চেকশিনহৌবা তাই; লুনা তৌদবা য়াদে।

মীতৈ জগোয়

"The Foundation of Classical Dances-

It has been increasingly proved that the steps, gaits and poses of sword and spear dances of provide the framework of some of the classical steps of Lai-Haraoba, Ras Leela and Sankirtana movements. Chakra and hastas of both hands which is a must for martial arts used in Lai-Haraoba and Ras movements. The various poses of Pung Cholom also betray certain basic poses of sword fight. Even the basic movements like *Chali, Longlei* and *Uplei, Chamepra okpi* and *Lasing Kappi* have been demonstrated as having some affinity with steps and poses of martial arts. Since the characteristic poses and steps of Manipur cannot come out of the thin air, these must have at least some links with old tradition ----" (১৮ঃ২০৩)

অসুম্না মীতৈ জগোযগী হৌরকফমবু তাক্লি। হরাও তয়াম্বা অমদি ঈসৈ জগোয়দা শিংথানিঙাই ওইরিবদি মীতৈগী লাইহরাওবা অমদি রাস জগোয়

(নৃত্য কালা) নি। মরৈবাক কম্বতনা মথৌদাং ওইখ্রবা ইনিংথৌ মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বনা (খৃঃ ১৭৫৯-১৭৯৮) লাইনীংদা খোয়জঙলকপা মতমদা, খৃঃ ১৭৮০ তা, মচানুপী শিজলাইওইবীগী কৎথোকপগা লোয়ননা, মীতৈগী হৈজশিংজবা জগোয়গী খুৎথেক্তগী পুথোকতুনা শ্রী গোবিন্দজীগী লাইমাংদা কৎখিবা জগোয়বু রাস জগোয় হায়না খংনখি। মসিগী জগোয শাথেকসি অসৈবাহন (কবিগুরু/অসৈবা অহন) রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরনা উরুবদগী মহাক্কী শান্তিনিকেতনদা লৌশিনখি অমসুং জগোয় অসিবু ভারতবর্ষগী শকখঙলবা জগোয অমা ওইনা ''মণিপুরী নৃত্যকালা'' হায়বদি ''মীতৈ জগোয়'' হায়না খঙনখি।

"Three ojas of Tripura played very significant roles in spreading Manipuri dance outside Tripura and thus helping this dance form to achive world wide fame. They are Rajkumar Budhimant Singha, guru Panganbam Naba Kuram Singha and Thakur Kumud Bandhu Singha. - - - - - - - -. He (Rajkumar Budhimant Singha) was the first Manipuri oja to go to Shantiniketan to teach Manipuri dance. He was sent there by maharaja Birendra Manikya in response to a request made by Rabindra Nath Tagore. From Shantiniketan, Manipuri dance spread all over the world." (১৯ঃ৩৪৫)

জগোয অসি হিন্দু লাইনীংগী মথক্তা যুমফম ওইবা ৱাঙুরোনগী মতুং ইন্না তেঙবানবা মপু ইবুঙো শ্রী কৃষ্ণ অমদি ইবেম রাধাবানী অনিনা শানখিবা লীলাগী মশকনি। অদুগা অমরোমদনা মীতৈ লাইনীংগী ৱাঙুরোন অমদি সভ্যতাগী হৌমিন্নরকখ্রবা মীতৈগী লাইহরাওবগী জগোযসি তেংবানবা মপু ইবুঙো লাইনিংথৌ সোরারেন অমদি লাইরেম্বীনা লাইযাম খিবিক্কা লোয়ননা লৈশেম নোংশেমলকপগী নুংগী ঈচেলগী মথক্তা যুমফম ওই। লাইনিংথৌ অমদি লাইরেম্বীগী সায়োন ওইনা খম্বা অমদি থোইবীনা জগোয়সি শাখি। অদুম ওইনমক লাইহরাওবগী জগোয়না মীতৈগী য়েলহৌঙৈগী জগোয ওইদুনসু হিন্দু ৱাঙুরোনগী মথক্তা যুমফম ওইবা, আর্য্যগী অপুনবা মশাক

তাকপদা নুঙাইরবা ''রাস'' জগোয়বু মীতৈগী মশক তাকপা জগোয় ওইনা উৎপিরি। ইনাৎকী য়াকায়রোলগী য়াওন থুংলখিবদগী মীতৈনা লাইহরাওবা জগোয়বু হেন্না মরু ওইনা লৌবগী ঈরাঙ উখিবদগী, আর্য্যগী শুরোলনি হায়জবা অদুগা মৈত্রবাকপুনা মখোয়গী হৌরকফমনি তাকচনিংবা ''ময়াং/ কলিসা/ বিষ্ণুপুরীয়া'' শিংনা রাস জগোয়বু খুৎপায় চেৎনা পায়শিনলকলি। অসুম্না মণিপুর (মৈত্রবাক)পু মহাভারতকী অদুগা মখোয়না অদুগুম্বা লৈবাক্তুগী মচা মশুনি (আর্য্য) হায়বগী শাজিনবা পুৱারীদু য়ুমফম চেৎনবা য়াম্না কন্না হোৎনরি। মৈত্রবাক (মণিপুর)পু মখোয়গী হৌরকফমনি অদুগা মীতৈবুনা মীচেন/ মীথুংলবনি হায়বা ঙল্লিবা কাঙলুপসিনা মীতৈ সভ্যতাগী লৈজবা খুদিংমক মখোয়গীনি হায়বদা ঙকনিঙাই ওইদে। তৌইগুম্বসুং অচুম অরানগী ৱায়েল মীতৈশিংনা কদায় য়ৌনা য়েংশিনলিবগে হায়বসি খন্ননিঙাই ওইরি।

আর্য্যনি হায়না শকতাচনিংবা ময়াং কলিসা/ বিষ্ণুপুরীয়া শিংনা লাইনিংথৌ সোরারেনগী হৌরকপগী য়ুমফম ওইরিবা লাইহরাওবগী জগোয়বু হৌজিকমক্তি মখোয়গীনি হায়দ্রবসু তুংদা ওইথোকনিঙাই ওইদেদি হায়বা য়াদে। মীতৈগী জগোয়গী হৈজ শিংজবনা পুথোকখিবা ''রাস জগোয়'' মীতৈগীনি; তৌইগুম্বসুং মসিনা মীতৈবু আর্য্যনি হায়না শকতাকপা অদুবুদি অচুম্বনি হায়না য়াফম থোক্তে। অমরোমদনা হিন্দু ৱাঙুরোন (দর্শন) গী মথক্তা য়ুমফম ওইরগা মীতৈগী হৈজবা খুথেকতগী পুথোকখিবা রাস জগোয়বু মণিপুর (মৈত্রবাক্তুগী)দগী পুথোকখিবনি হায়দুনা, মৈত্রবাকপু মহাভারতকী মণিপুরনি হায়না শমজিনরুবসু চুমদে; লোয়ননা আর্য্যগী শুরোলনি হায়না শকতাকচনিংবা বিষ্ণুপুরীয়া শিংনা জগোয়সিবু পামজদুন তম্লুব খকতুনা লৈবাকসিগী (মৈত্রবাক্কী) য়েলহৌঙেগী মীওইবা কাঙলূপ ওইবসু য়াদে। মীতৈশিংনা পামজদুনা ''ভারতনাত্যম'', ''কথককলি'' তমলুরগা মীতৈশিংবু খা ভারতকী মীওইবা কাঙলুপনি হায়জিনবা য়াদবগুম্বনি।

- মরম অদুনা তরাগী মফমদা হংগৎচবনিংবদি চয়েৎনব খুদিংমকসিগী ওইবা য়াবা অরেপ্পা ফিরেপ অমা লৌবা তাই, মৈত্রবাকপু

মণিপুর হায়বা মীংথোলসিদগী পরৈ হন্দুনা লৈবাকসিগী পুৱারীবু চুমথোকপা তাই। অমসুং শেমজনবা পুৱারী খুদিংমক ৱায়েন চৈরাক য়াওনা ককথৎপা তাই।

(৪)লোল, ময়েক অমসুং পুদিন (খোরিরোল /সাহিত্য)

মীতৈলোল

মীতৈগী লৈরিবা পুয়া, পুদিন, লাইরোন খুদিংমক্তা তেংবানবা মপু ইবুঙো মহাক্না তাইবং পানবা শেমলকপগী ৱারী খুদিংমক্তা মৈত্রবাকশিনা য়ুমফম ওই। লমদমসিদা খুন্দারিবা মীওই খুদিংমক য়েলহৌঙৈদগী মফম অসিদগী হৌরকখি; করিগুম্বা মফম অমদগী লাকতুনা খুন্দাখিবগী ৱাফম যাওদে। অদুগা মায়কৈ অমরোদনা, নৌনা নৈনরকলিবা অখণ্ড-অহৈশিংনা মরী থন্নকলিবা খুদিংমক্তা মপান লমদগী লাকখিবা নত্রগা লম্বী চৎপশিংনা লমদমসি ফাওদুনা চৎপদা পোথাফম ওইনা শিজিন্নবগুম হেক হেক উৎনিংবা উবা ফংই। থৌদৌসি দাউর্ননা মী হৌরকফম থিরকপদা মীওইবসি ঙা, শা য়োংদগী মথং মথং শকফম ওইলখিবনি হায়না পীরিবা থিওরিবু, লাইনীংগী (ধর্ম্ম) অশেংবা লাইরিকশিংনা (Holy book) মীওইবদি তেঙবানবা মপুনা শেমখিবনি হায়বগী থিওরিনা ঙমদাইনবগুম্বগা ইমান মান্নরি। মীতৈলোলগী হৌরকফমবু থিরুবদা শমজিনখিদুনা লোলগী হৌরকফমদি ভারত, আফগানিষ্টান চৎখিদুনা আবব য়ৌখি; ইউরোপ য়ৌরকখিগদৌরিব্রা য়েংনিঙাই ওই। মীতৈলোলগী হৌরকফমদি মৈত্রবাক্তগীনি হায়বগী থাজবা থম্বা ঙমলকতবদগী, মসিগী ৱাংমদা তোঙান তোঙাম্বা ৱাখললোন কয়ানা লোল অসিগী হৌরকফমবু নৌহৌনা নৈনরকতুনা অনৌবা ফিরেপ অমা লেপকদগী হোৎনরি। খন্ননিঙাই ওই; চেকশিনহৌবা তাই।

ইনিংথৌ মৈদিংঙু পামহৈবনা খৃঃ ১৭০৯ দা লাইনীং হোংদুনা লোল, নাৎ, পুদিন খুদিংমক্তা অনৌবা চাউখৎপগী থোংথাং অমনি খন্দুনা আর্য্য অমদি সংস্কৃত লোনবু ইরন ওইনবা হোৎনরুবদগী থোরকখিবা শাজিনবা পুৱারী কয়ানা ঙসিদি মীতৈ খুনাইশি লাংদা থুরবা নোংশাগী ফিবমগুম্বা অমা

ইওই ওইরক্লি। চহীচা ১৯দগী মীতৈলোলবু মণিপুরীলোল হায়না তিবেতো-বর্মান লোল কাঙলুপনি হায়না Languistic Survey of India দা শকতাকপা হৌরকখি। মালেমগী লোলজাওশিংগী মসা খায়রকপগী মতুং ইন্না অসুম্না খায়দোরক্লি - মদুদি অহানবা লোলজাও কাঙলুপতি - ''সিনো-তিবেতান'', মসিদগী খায়থরকখিবা মসাদি - ''তিবেতো-বর্মন'', মসিদগী মথং খায়থরকখিবা মসাদি - ''কুকী-চীন'', মসিদগী মসা খায়থরকতুনা ''মীতৈলোল''বু - ''মণিপুরী'' লোল হায়না খাদোকপিদুনা থম্বীখি। (''সিনো-তিবেতান'' → ''তিবেতো-বর্মন'' → ''কুকী-চীন'' → ''মণিপুরী লোল'')। চৈহৌদগীনা ইবুঙো G.A. Grierson মশামক্না লোল অসিগী শরুক তম্বিরকপদা মহাক্কী Linguistic Survey of India দা অসুম্না নিঙমদবা ফোংদোকলি -

The denomination Kuki-Chin is purely a conventional one, there being no proper name comprising these tribes. Meithei-Chin would have been a better appellation, as the whole group can be subdivided into two group, the Meithei and the various tribes which are known to us under the names of Kuki and Chin. I have, however, to avoid confusion, retained the old terminology. (১২)

লোয়ননা G.A.G. না ''মণিপুরী'' হায়রিবসিমক ''মীতৈলোল''নি হায়দুনা মহাক্কী Meithei Language and Grammar দা রাখৈ শেংদোকলম্মী।

Meithei, the chief language of Manipur, differs from the other Kuki-Chin languages in so many points that it must be classed as a separate sub-group. It has been returned as the language of 240,637 individuals - - - - - -.

The valley of Manipur is inhabited by a people who call themselves Meithei.

মতুংদা মীতৈশিংগী অপুন্বা খোলাওদগী ইং ১৯৯২ দা ''মীতৈলোল''বু ভারতকী চৎনপথাপ (constitution) কী নিপানসুবা তাঙ্ককতা ''মণিপুরীলোল'' হায়না চনশিনবীদুনা ভারত লৈঙাকপনা শকখঙলবা লোল অমা ওইবকখি।

নিংশিংবা যাবদি মীতৈলোলবু Kuki-Chin গী কাঙবু ওইনা লৌবিবদা T.C Hodson নসু অসুম্না ফোংদোকলম্মী -

'Of its relationship to the numerous dialects composing the Kuki-Chin group, Dr. Grierson states that it must be held to be an independent member of the group with points of agrement, not only with the northern dialects but with the southern member as well, though differing from all in many essential points. (১১ঃ১৫৬)

মতৌ অসুম্না মীতৈলোলসি কবম্বা লোলজাওশিংগী কাঙলুপনো হায়না খিবকপদা ইবুঙো W. Ibohal না অসুম্না নৌহৌনা ফোংদোরক্লি -

The Manipuri language is therefore the youngest daughter of Tibeto-Burman and Mongolo-pre-Dravidoid (i.e. Indo) languages nourished in a family of Tibeto-Burman, to have characterised by itself a branch or a sub-family of a language which is between the Sino-Tibetan and Indo-European families with a versatile capability of expressing thought and having an independent development for a considerable length of time, and is to be characterised with a new nomenclature the Indo-Mongoloid language. (২০ঃ২৯০)

অসুম্না G.A. Grierson না মীতৈলোলবু Kuki-Chin গী মহুত্তা Meithei-Chin হায়না থম্বনা হেন্না চুমগনি খলমবদু, হৌজিক্তি মীতৈলোলসি সংস্কৃত অমদি বেঙ্গলী লোলবু ঙমখৈ থেংনা পুবুদুনা মীতৈগী লূ-তোংদা পকখিবদগী, মীতৈলোলবু সংস্কৃতকা নকশিননিংলকপদগী Indo-Mongoloid লোল ওইনা রাখৈ শেংলকপসিদা তোঙানবা মত কযা অমসু ফোংদোকনরক্লি -

''লাইবক থিবননি হায়গদ্রা, মতমগী শিংলকপা নুংশিংনা হুমজিল্লকখিবননি হায়গদ্রা, লমদমসিগী লময়ানবা অইবা খরদি মখোয়গী খূৎইদা সংস্কৃত বঙ্গলাগী ৱাহৈ- ৱাতা কয়া লৈজবী থাদুনা থেংনরম্বা থেংনৈ। মসিমক মতমদুদদি লাইরিক হৈবা অরেম্বগী খূদমনি হায়বা লৌন-খন্নরমবদগী ওইবসু য়াই। অসুম্না মপানগী ৱাহৈ কয়া মরাং কায়না থেৎতুনা শীজিন্নরুবদগী হান্না লৈজরম্বা ৱাহৈ কয়াদি অপান্নরা শীজন্নরোই হায়না শীজিন্নখিদবা ওইরবসু তপ্না তপ্না শীজিন্নদবা লোললীগী ৱাহৈ ওইরকখি। লোল অসিবু চাওখৎলবা লোলনি হায়নিংলুবদগীরা নত্রগা মখোয়গী মতমদুগী থাজরুবা পামজরুবদুনা ইনশিল্লকখিবা মীৎয়েংননি হায়গদ্রা লোল অসিগী ৱাহৈ ৱাতা কয়া সংস্কৃত অমসুং বাঙ্গলাগী ৱাহৈ ৱাতাগা মান্নে অমসুং সংস্কৃতকী ৱারু (root) দগী থৈথরকপনি হায়না উৎনবা হোৎনবা কয়া থেংনৈ।'' (২১ঃ৭৪)

মতৌ অসুম্না ইমালোন মীতৈলোলনা নৌহৌনা হিংগৎলকতুনা লাইরিক তম্বা হৌগৎলকপা অমদি পুদিন (খোরিরোল /সাহিত্য) না চাউখৎলকপগী মতাংদা ইবুঙো নাওরেম সনাজাওবনা মতাং অমদা অসুম্না ফোংদোকলি -

''রোসিন্ত আর্য্যশিংগী গুরু অতোম্বাপু শর্মানা ইং কুমজা ১৯৩৩দা 'দৈনিক মণিপুর' থোরকপদগী অনৌবা লিটরেচর ইবগী মতম লাকখি। মদুগী মহৈ ওইনা অনৌবা লোইনশিলোল (পুদিন) থোরকই। লোল অসিগীদি চাওখৎপদি লায়রদুনা, হিংবা হিংদবগী ৱাফম অসিনা মরু ওইনা লৈরকলি। মসিগী মরু ওইবা মরমদি লোলগী লান্দারকপা অমদি মণিপুরী লোলনা মদুবু ঙাকথোকপা ঙমদবনি। - - - -

ঐখোয়গী লৈবাক্কী পূৱারীদা লৈতাদবগী মতম্না হেন্না শাঙবা, অমদি লৈতাদবগী মরম ঐখোয়গী খুন্নাইদগী থোরকপনা মরম ওইদুনা, ঐখোয়গী অমম্বা অসি য়াম্না তোয়না থোকখি। পামহৈবা হাক্তককি মায়চৌশিং - লৌরেম্বা খোংনাংথাবা, লাঙ্গোল লুখোই, য়ুম্নাম তোম্বা, খাইদেম তেম্বা, ৱাংঙুবাজি, কমেং-ফদিবা অমহিক্তি খোঙাখুল তেকপিবানা মমি শামখ্রবা মতুংদা, লাইনিংদা অনি থোকপা, খুনাইগী চৎনবীদা অনি থোকপগী,

চৎন-পথাপ অমা লাকখিবনা ঐখোয়গী অরিবা লোলনা চাওখৎপগী মহুত্তা হিংনবগীদমক্তা লান শোক্লদুনতা লাকখি। কাছারদা মায়চৌ নাওরিয়া ফুলোগী ঈহৌ থোকলমদ্রগদি, মণিপুরী জাতিশি বেঙ্গলীগী দুই নম্বর খুদুং ইনবা ওইগদবনি।(৭ঃ৩০০)

মীতৈ পুদিনগী পূরারীবু থীজিনবগী লময়ানবা মায়চৌ নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্রনা 'অরিবা মণিপুরী সাহিত্যাগী ইতিহাস'তা অসুম্না শেহৌই-''সনা হাক্তক অদুদা হায়বদি খৃষ্টগী তরানীপালশুবা শতাব্দীগী অহানবা তংখায়দা মৈতৈ মযেকনা ইবা লাইরিক চামকুন খরা হেন্না শ্রীহট্টদগী লাকপা শান্তদাস মহাশয়গী থৌইনশিনদগী গরিবনরাজ মহারাজ সনা য়াথংনা মৈতৈ লৈবাক্কী লাইবিক ময়াম খোমগৎলগা কংলা উত্রা মমাংদা পৈশিলগা মৈ থাদোকখি - - - - - - - - । নিংথৌরেন গরিবনরাজনা পামলম্বদি মৈতৈ ময়েক্তা ইবা মৈতৈগী লাইরিক মাঙহল্লগা সংস্কৃত লোন্দা ইবা লাইরিকশিং অদু লৈবাক অসিদা চৎহনগে তৌবনি।'' (২ঃ১)

ঙসিদগীনা চহী ৩০০ মুক্কী মমাংদা, মালেমগী পূরারীদা তাংনা থোকলবা থৌদোক, পুযা মৈথাবগা লোয়ননা মীতৈনা লাইনীং হোংলকপগা লোয়ন্না লোল অমদি পুদিন (সাহিত্য/কোর্বেক) না পুংমাং মাংলুরবগী মতুংদা, কাইনথংদা ঙসিদগী চহী ৭৫ মুক্কী মমাংদগী ফুরূপনীংবগী ঈহৌদগী মীতৈলোল অমদি কোর্বেক (পুদিন/সাহিত্য)না হিংগৎলকলবসু, সংস্কৃত অমসুং বাঙ্গলাগী চং যৌবী তাঙ্গকতা ''মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ''না ইং ১৯৩৫দা মরু হুনখিবনা, মীতৈলোল যাওদ্রবা মীতোপলোল ঙাক্তনা মীংথোল ওইরবা লূপসিনা ঙসিসু মীতৈলোলগী মরাইবক লেপনবা থৌদাং পুদুনা লৈরবসু চুপ্পবা মনমদুদি ঙসি ফাওবা কোকত্রি হায়বসি মযেক শেংনা তাকলি। থোকলবা অমা লাকনি; মতম ঙাইবগী হৈনবীনা যায় কারবা মীতৈ খুনাইদা, চহী চাম নত্রগা লিশিংনা খুজিং ওইদ্রিবা মথৈ অহোংবা পামদে; হোংলুরবদি নামুংগদবা লৈবগুমই। মতম অমগী চহী লিশিং অমগী অহোংবগী খোঙচৎতু, ঙসিদি চহী তবাগী খোঙচৎনা ওইরে হায়বসি ঐখোয়গী ইরকতদি থাজবা রান থোকলি। অনীবা মতমসিগী

চাউখৎলকলিবা লৈবাকশিংনা চহী তরাগী/কুনগী মনুংদা, ঐখোয়গী চহী লিশিংগী কয়াগী লীকলম লীচৎ (সভ্যতা)বু ৱাংম লানদুনা চৎখ্রে হায়বসি উবা ফংদবগুম লৈখোকলি।

তৌইগুম্বসুং খ্বাইদগী হেন্না মরু ওইবা চঙবা-শিবগী ৱাফম অমনা, অরীবা মীতৈলোলনা অশিবা লোল ওইখিবগুম্না, ওইরকলিবা ফিবমসিনা হৌজিক ঙাংনরিবা মীতৈলোল তুংগী অঙাংশিংনা, চারোল-শুরোলনা পাবা/ঙাংবা ঙমলরোইদ্রা হায়বসিনি। হৌজিক্কী চহী ৪০/৫০ রোম শুরবশিংগী য়ুমথোং খুদিংগী মপী-মপাগী অঙাংশিংনা ইমারোন থাদোকতুনা ইংরেজীদা তম্বা তারবদি, ঙসিদগী চহী ২৫ মুক্কী মতুংদা, হৌজিক্কী অঙাংশিংনা চাওরকলবা মতমদা, কনাগুম্বনা পুন্সি নুংশাংলবদি, মহাক্কী মচা মশুশিংদু মীতৈরোল ইবা/পাবা/ঙাংবা ঙমদবদু শোয়দনা মমিৎমকনা উগদৌরিবনি। মদুগী অশোয়বদু করম্না ঐগী ইচা-ইশুশিংগী মরালনি হায়গদৌরিবনো ? ঐনা ইরিবা লাইরিক, ঐগী ইচা-ইশুনা পাবা ঙমদ্রবদি ঐনা লাইরিক ইরুবগী কাননিঙাই লৈরিব্রা নত্রগা ইচা-ইশুশিংবু লাইরিক তমহল্লুবগী কাননিঙাই লৈরিব্রা হায়বসি খননিঙাই ওইবা ৱাফম অমা ওইনা পুখোকপা ইকাইনিঙাইনি। মতাং অসিদা নৈনরিবা ৱাফমসি খুনাইগী অৱাব ওইনা লৌবগী মহুত্তা ইসাগী ওইনা লৌবনা হেন্না চুমফম থোকই হায়না লৌবা তাই। থুংলরিবা ইচাউসি অঙকপা ফংনা তমথিরবা ইচাউনি। মসিদগী কনদুনা হিংজহৌবা হায়বসি তরাইবা থৌদাংদি নত্তে। চহীচা ১৯ অমদি ২০দা, নুমিৎ তাবা লৈত্রবা লোইলমগী লৈবাক লৈচাউদা, মচিন মনাও পুননিংদবা লৈবাক মচা কয়ানা ঙমখৈ থেংনা মীনাই ওইবদগী খাঙবা ঙমলকত্রদুনা মিকপ থোকখিবদগী মালেমগী ওইবা লাঞ্জাওদু থোকলমদ্রগদি ঙসি ফাওবদা মীনাই ওইবগী মহাওদু কাওবা ঙমদনা ভারতবাসীশিংনা তংদুনা লৈরমবসু য়ারম্বনি। লৈঙাকলোনগী মীথাপোনবদগী মনীংতম্নবা লৈবাকশিংনা লৌশিং তারক্লিঙৈদা মনাৎ অমদি লোলগী ওইবা লোইলমনা পুংকুপ কুপশিনলম্বদুদগী কনজনবগী ৱাখল্লোনদুদি হৌজিক ফাওবদা মতীঙ থোকনা ফাওরকত্রি হায়বা য়াই। গ্লোবোলাইজেসনগী মহৈদগী WORLD IS FLAT হায়বা মিৎয়েংদুগা

লোয়ন্না, ইন্দিয়াদসু মালেমগী ওইবা কোম্পানি কয়া হাংলকতুনা, Call Centre কয়া হাংলকপদগী ইংরেজী লোলবু ময়েক শেংনা খঙবগী তঙায়ফদবা লৈরকপদগী, ইন্দিয়াগী লোলশিংগী মথক্তা লান্দাবগী শাফুসি কনখৎলকখি। ইংরেজী লোলবু লুন খল্লুবনরা, মসিগী মায়োক্তা হিংনবগীদমক ভারত লৈঙাকপনা (সরকার) থৌরাং কয়া পায়খৎলবসু থৌরাংশিংদু মতীক চানা লাম্বা তৌবা ঙমলে হায়না লৌবা ঙমদ্রি।

নিংশিংবা য়াবদি ইউরোপকী লৈবাকশিংদা ইংরেজশিংগা য়ুমথংননা লৈমিন্নরিবা ফ্রান্স অমদি জর্মাননচিংবা লৈবাক কয়ানা ইংরেজী লোলবু শুকঙাং ঙাংবিদে, তম্বা ফাওবদা য়াবিদে হায়বসি ভারতকুম্বা মীতৌ তম্বা পামজবা লৈবাক কয়ানা খঙনা খঙনা খঙজিন্নদে। তৌইগুম্বসুং, হৌজিক মালেমগী লৈবাক কয়ানা মমারোনবু কনজনবগীদমক খোচৎ অমদি চৎপা হৌখ্রে। মমারোননা মুৎপা য়াবগী খোঙফম উরক্লবা মালেমগী লৈবাক কয়ানা পুন্না মাগী মাগী মমারোনবু তমজনবগীদমক অপুনবা খোলাও অমা পুরকতুনা চহী খুদিংগী ফেব্রুৱারী ২১দা ''ইমারোন নুমিৎ'' (Mother Language Day) হায়না পাংথোকপা হৌরক্লি। নুমিৎ অসি বাংলাদেশকী লোলগী ঈহৌগা মরী লৈন্না UNESCO না ইং ১৯৯৯ নভেম্বর ১৭তা International Mother Language Day হায়না লাউথোকখি। খোঙচৎশিনা কয়া য়াংনা মখোয়গী পান্দমদু ফংজগদৌরিবনো হায়বগী মরাইববকতুদি কনানসু লেপলুবা ঙমদ্রি। অদুবু খোঙচৎতুদা মীতৈলোলনসু খুৎশমনরুবদা থোইদোকনা ইকাইনিঙাই ওইদে; চাওথোকচনিঙাইনি।

নৈনরকলিবা ৱাফমসিদা ইরোল থাদোকতুনা সংস্কৃত অমদি বাংলানা চং য়ৌখ্রবা মতম অমগী ইপা ইপুশিংনা ইংরেজী লোলবু মাংঙি হায়না থমখিবদুদগী ইতোং তোংঙাল্লি। ইংরেজী লোলবু মীরাইবগী ৱাফম য়াওদে; ইংরেজী লোলবু খঙনবগীদমকতদি ইমারোল থাদোকলুনিঙাই ওইদে হায়বগী ৱাতনি।

লোলগী লীপুন

পূৱারীগী তাঙ্গক কয়াদা উবা ফংখ্রে, মীতৈ হায়রিবা ফুরূপসি য়েক-শলায় কযানা খুৎশম্নদুনা অপুম্বা খুৎকন পাঙ্গম্বা লৈবাক অমগী অমত্তা ঙাইরবা

ফুরূপ ওইরকখি। ফুরূপ অসিদা তিনখিবা য়েক-শলাই অমদি মীওইবা কাঙলুপ কয়ানা মাগী মাগী লোল অমদি লোচ্ছে কয়াবু খুদোল তমদুনা মপুং ফাবা লোল অমদি পুদিনবু শেমগৎচরকতুনা চহী লিশিং কয়াদগী মীতৈলোল অমদি মীতৈ কোর্বেক (পুদিন/সাহিত্য) হায়না লৈরক্লি। মতাং অসিদা য়েংশিনবা য়াবদি - ওল্লিতৈগী মতমদগীনা চহীচা খরতগী মমাং ফাংওবদা মীতৈলোলদা করম্না লোচ্ছে/লোল মচা কয়ানা তিনখি হায়বসিনি -

''তোঙান তোঙানবা কাঙলুপকী মীনা মখোয় মশেন অমগা অমগা ৱা ঙাঙনবদা শীজিন্নবা মণিপুরদা লোল কয়ামুক লৈ। - - - - - - মদুদি খুমন্না পাৎপু কোন, কংফানবু য়া, শিরববু ফুরবা, থম্নাবু লাইরা, নৌবু তাউতেক, য়েনবাবু শোইপাই, য়েনবীবু শোইফি, শঙ্গাযবু য়াকোন, লাইখনবু শরিক কৌই। - - - - - । অসিগুম্বা কাঙলুপ খবতগী ওইবা লোন অযাম্বদি হৌজিক্কী মতম অসিদদি মখোয় মশেনসু ইঙাঙ ঙাঙনদ্রে, অয়াম্বা মীনা লৈ হায়বা ফাওবা খঙনদ্রে, শুপ্নগী লাইরিক্তা অমদি মখোয়গী মরক্তা কনা কনাগুম্বা অহন লমনগী মনাক ফম্বা মীতনা খরগী মখৈ খঙবতা মঙাযরে। - - - - - - - তোঙান তোঙান্বা কাঙলুপকী মীনা মখোয মশেন অমগা অমগা ৱা ঙাঙনবদা শীজিন্নবা মণিপুরী লোন্দি মৈতৈলোন্নি। মরম অদুনা মৈতৈ লোনবু য়েৎনবা লৈতনা মণিপুবী লোন হায়না খঙনৈ।'' (২ঃ৪৯)

মতৌ অসুম্না ওল্লিতৈগী মতমদগীনা, মৈদিংঙু খাগেম্বগী হাক্ততগীদি মীতৈলৈবাক্তা থুংলখিবা মীওইবা কাঙলুপ কয়াবু মশা মশাগী চৎনরোলবু ঙাকশেনজবগা লোয়ননা মীতৈলোল অমদি চৎনরোলবু ইকাই খুম্নদুনা মীতৈগী অপুনবা মশক তাকপা হৌরকখি।

"The pluralistic foundation of Manipuris society was further strengthened when large scale immigration was permitted by Khagemba when he settled the Muslims and Kacharis war captives in Manipur after the Kachari-Muslim invasion of 1606 A.D. The Muslims were given several economic occupations. They married local women but the liberal social policy of Manipur allowed the Muslims to follow their religion and particular way of life - - - - - -. These Muslims in turn contributed to the enrichment of the economy and cultural life of Manipur. The Brahmins continued to migrate into Manipur - - - - - -" (৬ঃ২১৬)

মতৌ অসুম্না লোলনা ফুরূপসিগী অমত্তা ঙাইরবা অচেৎপা লীপুন ওইদুনা লাকলি। তৌইগুম্বসুং চহীচা ২০গী অরোইবা শরুকতগী ইখঙ খঙহৌদনা ''ময়াং কালিসা'' হায়না খঙনবা, মতম খরা মৈত্রবাক্তা লৈরম্বা, মীতৈগা তিন্নবা পামখিদবা, অরা লাঙ্গায়বদা মখোয়গী হৌরকফমদা চেলকপদা মীতৈ লৈবাক্কী নোংচুপ থংবা য়ুমথংনবা লমদমদা খুন্দাথ্রবা কাঙলুপ অসিনা, মমিৎ মমায় পাংলকপদা মরোনবু শকতাকনবা হোৎনরকপদা, মখোয়সু মৈত্রবাক্কী হায়বদি মণিপুরগী কাঙলুপ অমনি হায়দুনা, মখোয়গী মরোনবু ''বিষ্ণু পৃয়া মণিপুরী'' হায়না শকতাকপদা মীতৈলোলবু ''মৈতৈ মণিপুরী'' হায়দুনা অহৈ অপা শাদুনা শেমজিনলক্লি। শেমজিনলক্লিবা লাংলৌসিদা মায় পাকনবগীদমক্তা, মৈত্রবাক্কী লৈজবা খুদিংমক - ফুরূপ (জাতি), পুরারী (ইতিহাস), লোল (ভাষা), লাইনীং (ধর্ম্ম), নাৎ (সংস্কৃতি) খুদিংমক্তা য়ানশিন তৈশিনলকতুনা অনৌবা শক্তাক উৎনবা হোৎনরকতুনা মখোয়গী ফিদা মুন্নবগী মওংতা নত্রে; মৈত্রবাকসিমক মখোয়গীনি হায়জিনলকলি। মসি য়ৌবা থৌরাংসি, কনাগুম্বা ফুরূপ অমতনা ঙাকপিরকনিঙাই ওইদে। লাংলৌসিগী মরী মখোং শেংনা মথংগী রারেংদা নৈনরি।

মীতৈ ময়েক

মীতৈ লৈবাকনা চীঙ লেম্না মচা খায়না নিংথৌ পান্দুনা লৈরকপা মতমদগীনা, কোর্বেক মখুম নাইনা থম্বা হৌরকপা মতমদগীনা, মশাগী ময়েক লৈজরক্লে হায়বসি পুয়া ইবগী চৎনরোল লৈরকখিবসিনা অদুমক তাকচিরি। লৈবাক অমগী পুরারীনা চৈথেং কয়া নংবগা লোয়ন্না, মাগী চৎনরোল, লাইনীং, লোল, পুদিনদা অহোংবা লাকপগা লোয়ন্না ময়েকতসু অহেংবা কয়া থুংলখি। মদুনা মরম ওইদুনা মীতৈ লৈবাক্কী ময়েকতসু মতম মতমগী ওইনা নিংথৌরোলশিংগী মতমদা অহোংবা কয়া লৈখ্রে হয়না থাজনরি। অসুম্না মীতৈ ময়েক্না হৌরকপগী মতাংদা মপান লমগী অখঙ-অহৈ কয়ানা ইরম্বশিংগী অশোয়ববু মীতৈগী অখঙ-অহৈশিংনা অমুক শেংদোকনরক্লি।

"Mr Damant is of opinion that the old Manipuri alphabet was introduced from Bengal in the reign of Charairongba who flourished about 1700 A.D. There are no traces of the existence of writing in Manipur

before that time. According to Mr. Hodson local tradition declares that the art of writing was acquired from the Chinese, who came to Manipur about 1540 A.D."

(Linguistic Survey of India, vol-III part - III, Ed. G A. Grierson, 1904)

বাফম অসিবু মায়চৌ নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্রনা অসুম্না শেংদোকলি।

''মখোয়না হায়রিবসি কদায় ফাওবা চুম্বগে হায়বদু খঙ্দুনা য়েংবদা চৈথারোল কুম্বাবদা ইরিবা ''মোইরাং শানোংগী শক ১৫৩৮ (খৃঃ ১৬১৬) দা মৈদিংঙু খাগেম্বনা মৈতে লাইরিক থোকহন্দুনা তম্বা হৌএ।'' - অসিনদি লাইনিংথৌ (মহারাজ) খাগেম্বগী মতমদা মৈতে লাইরিক য়ামনা থোকলে অমসুং তম্লরে। - - - - - । অদুনদি মিষ্টর ডামান্টনা হায়বা ইং ১৭০০ অদুবাইদা বেঙ্গলদগী তমদুনা মৈতে লাইরিক ময়েক থোকখিবনি হায়বসি অচুম্বা নত্রে অদুগা বাঙ্গলা ময়েক্কা মৈতে ময়েক্কা মওং মতৌসু মান্নদে।

- - - - - মিষ্টর হডসন্না খৃঃ ১৫৪০গী অদুবাইদা মৈতৈনা খাগীদগী তমদুনা লৈবাক অসিদা মৈতে মযেক চৎনখিবনি হাযরিবসিমসু ওইফম সুপথোক থোক্তে।'' (২ঃ২৮)

মরমদি মৈদিংঙু কিয়াম্বা (১৪৬৭ - ১৫০৮) গী স্না যাথং ইরিবা থোইবুদা য়ুংলিবা নুঙ, অমদি মৈদিং থোঙতেকচা (খৃঃ ৭৬৩-৭৭৩) গী মতমগী কোরী কোম্পাক্তা ইবিরম্বা মীতৈ ময়েকশিংনা ঙললিঙৈগী মতমদগীনা মীতৈ ময়েক চৎনরক্লে হায়বসি তাকলি। মসিতসু নত্তনা নৌনা থীজিনবগী খোঙচৎতগী পুবারীগী খুদম চাংদম কয়া পুথোরক্লি। মীতৈ ময়েকতি খাগী ময়েক্কুম মথক্তগী হৌরগা মখারোমদা য়ুংথনা চত্থবগী ময়িসু নত্রে নত্রগা আরবীক ময়েককুম (খরোষ্টি) য়েৎলোমদগী হৌরগা ওইরোমদা ইবগী ময়িসু নত্তে। মীতৈ ময়েকতি ওইরোমদগী হৌরগা যেৎলোমদা লোয়বা ব্রহ্মী ময়েককুমবনি হায়না লৌনরি।

"The script in which all the other inscriptions of Asoka were written is known as Brahmi, and is written from left is right. It is the earliest form of Indian writing known to us."

(Ed. - R.C. Majumdar & A.D. Pusalker, The History and Culture of Indian People, London, 1951)

অসিগুম্বা ব্রহ্মী ময়েকসিদগীসু মমাংগীনি হায়বসি খঙহৈরেবা কালিদাস নাগপালনা মীতৈ চে অমদি আগরপাক্তা ইবা মীতৈ ময়েকপু উরগা হায়রম্মী। মতৌ অসুম্না মীতৈ ময়েকনা হৌরকখিবগী অমদি মাগী শকলোনগী মরমদা তোঙান তোঙাম্বা রাখল্লোন (মত) কয়া অমসু লৈরি। পথাং-পুথাং খায়না লীকলম লীচৎ নাইনা পালক্লিবা মীতৈ ফুরূপনা খৃঃ ১৭০৯দগী, ইনিংথৌ পামহৈবগী স্না হাক্তক্তগী, পুয়া মৈ থাদুনা মীতৈগী লাইনিং, পুয়া, লোলবু মরু ফংনা মাংহনলগা অনৌবা লাইনীংনা মহুৎ শিনবগী থৌরাংদু, চহী চনীরোমগী মতুংদা ইনিংথৌ চুড়াচান্দগী স্না হাক্তক্তদি (১৮৯১গী মতুং) ঙমখৈ থেংখিদুনা, লাইনীংতা নত্তনা পুরারী, লোল অমসুং ময়েকনচিংবা খুদিংমক্তা পুংওন ওহোকখি হায়বসি মমাংগী রারেংশিংদা মচা খায়না নৈনখ্রে। মলেসশিংনা মৈত্রবাক্তা পালক্লবা মতমদগী লৈবাক্কী ফমনাইবা কয়া ভারতবর্ষগী মরু ওইনা বেঙ্গললোমগী মীওইশিংনা ওইখিবদগী, ইংরেজশিংনা হৌদোকপা মহৈশঙ মায় পাকপা ঙমখিদে; অদুগা ইং ১৮৯৭ তগী বেঙ্গলী লোলনা পাঠশালা তম্বা হৌখি। (২২ঃ২৬) মতাং অসিদগী বেঙ্গলী ময়েকপু যোখৎলকখিবদুনা ঙসিদি তৎনা থানবা যাদ্রবা মীতৈগী ময়েক ওইররে।

''কাউনরুরবা মীতৈ ময়েকপু নিংশিংলক্রুনা চৎন্নবা হোৎনরকপা হৌবসি, কাছাড়দা লাইনিংহন নাওরিয়া ফুলোনা ইং ১৯৩০দা ''অপোক্‌পা মরূপ'' লিংখৎতুনা মীতৈ ঈরূপ কন্নবা, মীতৈ লীচৎ (ধর্ম্ম), ইনাৎ, লাইনিং-লাইশোল, মীতৈরোল হিংনবা হোৎনরকপগা লোয়ন্না মীতৈ ময়েকসু চৎনবা হোৎনবা হৌখি। মথংদা নাওরিয়া অহলগী পাউতাক-পাউমেন মতুং ইন্না ১৪-৫-১৯৪৫ ইংদা মীতৈ লৈবাক্তা ''মীতৈ মরূপ'' পোক্রুনা মীতৈ মরূপকী মনুংদা মীতৈ ময়েক চৎনবা হৌখি।'' (২৪ঃ১) মতৌ অসুম্না মীতৈ ময়েকপু হিংগৎনবা হোৎনরকপদগী লূপ কয়ানা মাগী মাগী লৈজবা ময়েকশিং পুথোকনরকখি।

''মীতৈ লৈবাক, মৈত্রবাক ঈরমদমসিদা তোঙান তোঙাম্বা লুপশিংনা তোঙান তোঙাম্বা ময়েক কয়া পুথোক্লরক্লি।

পুথোক্করক্লিবা ময়েকশিং অদুগী মনুংদা -

১) ঈধৌ ইকান থাবা ময়েক।
২) নাওরিয়া ফুলোন থিজিনদুনা থম্বীরম্বা ময়েক ৩৬।
৩) থাংমৈবন্দ ওঝা ইবোয়াইমগী ময়েক ২৫।
৪) মণিপুর সরকারনা লেপখিবা ময়েক ২৭।
৫) মৈতৈ ময়েক ৩৫ অঞ্জিগা থারগা ৩৬ অসিনচিংবনি।

(২৫ঃ৯)

অসুম্না মীতৈ ময়েক্কী চনৈনবা লৈরকপদগী অশেংবা মীতৈ ময়েক খন্দোকপগী থৌরাং পায়খৎপা হৌরকখি। থৌরাং অসিদা লূপ কয়ানা শরুক য়াখি। ইং ১৯৫৮ মার্চকী চৈথা ৩ দা অপোকপা মরূপতগী মীওয় ৭ অমদি অতোপ্পা লুপতগী মীওয় ৭, লোয়ন্না ডিস্ট্রীক্ট এণ্ড সেসন জ্জ ওইবিরম্বা ইবুঙো এল ইবুঙোহলনা চিয়ারমেন ওইদুনা মীওয় ১৫না ''ময়েক লুপতিন কমিটি'' কৌবা লুপ অমা শেমখি। মদুগী মতুংদসু মীতৈ ময়েক্কী অপুনবা য়ানবা অমা পুরকপা ঙমখিদে। মরম অদুনা চহী ১৩ মুক্কী মতুংদা অনৌবা লুপ অমমুক শেম্বা উবা ফংই।

''অসুম্না লৈরম্বদগী এম, পী, পীগী লৈঙাকপা লাক্লবদা মতমদুগী ইডুকেসন মিনিষ্টার ইবুংঙো য়ুনাম য়াইমনা মীতৈ ময়েক্কীদমক্তা নোমলিবা কাংবুশিংবু কৌদুনা মীতিন অনিরক তৌরবা মতুংদা মীতৈ ময়েক্কী স্কুল অনি খন্দোকখি, স্কুল অমনা ডা. গ্রিয়র্সনগী লাইরিকতা য়াওবা ময়েকপু শৌগৎপা, অতোপ্পা স্কুলনা নাওরিয়া অহলনা থিজিন্দুনা থম্বীরম্বা (Discovered) ময়েকপু শৌগৎপা। হায়রিবা স্কুল অনিসিদগী চপ মান্নবা মীহুৎ অনি অনি লৌদুনা ইডুকেসন মিনিষ্টার য়াওনা ১৮-১০-১৯৭২ ইংদা ''মীতৈ ময়েক এডভাইজারী কমিটি'' শেমখি। নাওরিয়া অহলনা থিজিনদুনা থম্বীরম্বা ময়েকপু শৌগৎপা কাংবুদগী অহল ইবুঙো তখেলম্বা বোকুল অমসুং ইবুংঙো মোইরেংজম্বা মুনান, অদুগা ডা. গ্রিয়র্সনগী লাইরিকতা য়াওবা ময়েকপু শৌগৎপা কাংবুদগীনা ইবুংঙো আর কে হিরন্যসনা অমসুং ইবুংঙো ডবলিউ তোমচৌ কমিটিদুদা য়াওখি।'' (২৪ঃ৪)

শেমখিবা লুপসিনা অমসুং মীওয় কয়ানা অশেংবা মীতৈ ময়েক খন্দোক্ল বগীদমক্তা অকন্নবা থৌদাং কয়া লৌখি। তৌইগুম্বসুং লৈঙাকপা(সরকার) হোংলকপদগী, জনতা সরকার লাকপদগী, অনৌবা কমিটি অমমুক শেমনবা অনৌবা ৱারেপ অমা লৌখি। ৱারেপতুগী মতুং ইন্না ''মীতৈ ময়েক এক্সপার্ট

কমিটি'' কৌবা অমা order No. 1/38/SSE/78 গী মতুং ইন্না ১৯৭৮, নভেম্বরগী চৈথা ১৬ তা শেমখি।

''কমিটি অদুদা - চিফ মিনিষ্টার মণিপুর - (চিয়ারমেন), ডা. এল চন্দ্রমনি, - এগ্রিকল্চর (কন্‌ভেনর), টি. ইবোতোম্বী - দিরেক্তর ওফ ইদুকেসন (মেম্বর সেক্রেটারি), প্রো. মঙ্গী নিংঙোম্বা, জে. এন. ইউ. সেন্টর কাঞ্চিপুর (মেম্বর), নিংঙোম্বমচা ইবোয়াইমা, থাংমৈবন্দ (মেম্বর), লাইশ্রম কুলচন্দ্র, মালোম চঙাংগৈ (মেম্বর), ইবুংঙো য়ুম্নাম তম্ফাজাও. কৈশামপাৎ (মেম্বর), ইবুংঙো ডবলিউ তোমচৌ, ডি. এম. কোলেজ (মেম্বর), ইবুংঙো এল মোহিন্দ্র, ক্লাকৈথেল (মেম্বর), ইবুংঙো কাংজিয়া গোপাল, ওরিয়েনটেল কোলেজ (মেম্বর), ইবুংঙো এস রোহিনি কুমার, লাইব্রেরিয়ান মণিপুর সেক্রেটারিয়েট (মেম্বর), ইবেম্মা সোরোজিনি দেবী, আর্কাইভিষ্ট, ষ্টেট কালা একাদেমী (মেম্বর) অমসুং মপান্দগী এক্সপার্ট অনি য়াওগনি হায়না শেমখিবনি।'' (২৪ঃ৫)

অসুম্না শেমখিবা লুপসিনা মীতৈ ময়েক অশেংবা খন্দোকপাগী Criteria ১২ খকসু শেমখি। মতুংদা কমিতি অসিগী তকশিনবগা লোয়ননা মণিপুর সরকারনা, ইং ১৯৮০গী এপ্রিলগী চৈথা ২২, লৈপাকপোকপা নুমিৎতা "order No. 33" দা ময়েক ২৭ পু অশেংবা মীতৈ ময়েক ওইনা অয়াবা (Approved) পীখি। অতোপ্পা corrigendum অমা পুথোকতুনা, মমাংগী চেরোলদা ইং ১৯৮০, এপ্রিলগী চৈথা ২৪দা ''মৈতৈ'' রাহৈবু ''মীতৈ'' হায়না পাবিযু হায়না শেংদোকখি।

"No. 40 Imphal, the 24, April 1980, No. 1/2/70-SS/E - please read Meetei for Meitei occuring in Govt. order of extra number dated 16th April 1980." (২৫ঃ৬৩)

ময়েক ৩৫ অক্তি থারগা ৩৬ কী ময়েকশিংগা কাঙলুপ অমত্তা ওইবা, হৌজিক মৈত্রবাক্কী লৈঙাকপনা লেপলিবা ময়েক ২৭ সিদা অক্তি ময়েকপু অমুক হাপহন্নিংবা, অদুগা অমরোমদনা মশিং ময়েকপু লৌশিনখ্রবা মপী ময়েকপু লৌশিনহৌদবনা নিঙমদবা কয়া অমসু উবা ফংঙি।

(৫) লাইনীং, চৎনরোল অমসুং পুন্সি মরোল

লাইনীং

ঈথক কল্লবা মতমগী ঈচেলদা, মনাৎকী ওইবা লোইলম শন্দোকপগী ঈথিলদু ঙাকথোকপা ঙমহৌদ্রবা মীতে খুনাইনা অৱাব চৈথেং কয়া নংখি। মদুগী মহেনা মীতৈ ফুরূপকী খুনাইদা লাইনীংগী ওইবা অহোংবা কয়া লাকখিবগী পুৱারীবু মখাগী অসুম্না চাওরাক্লা তাক্কক অহুম থোকনা খায়দোকপা য়াই; মদুদি -

(১)য়েলহৌ লাইনীংগী মতম (য়েলহৌঙৈদগী - খৃঃ ১৭০৯)
(২)হিন্দু লাইনীংগী মতম (খৃঃ ১৭০৯ - খৃঃ ১৯৩০)
(৩)য়েলহৌ লাইনীংবু হিংগৎহনবা মতম (খৃঃ ১৯৩০ - হৌজিকফাওবা)

(৫.১) য়েলহৌ লাইনীংগী মতম

মীতৈশিংনা য়েলহৌঙৈদগী হৌনা মশাগী ওইজবা লাইনীং-লাইশোন চৎনরোল, থাজনবী কয়াবু লৈবাক মচা তানা চহী লিশিং অহুমগী মমাংদগীনা লৈজরকখ্রে হায়বসি মীতৈগী লৈজরম্রিবা লৈশেমলোন পুয়াশিং অমদি পুৱারী মমাংগী ৱারী লীখুন কয়ানা মচা খায়না তাকলি। অসুম্না নিংশিংবা থোকত্রবা মতমদগী হৌরদুনা, পুৱারী মমাংগী নিংথৌনি হায়না লৌনরিবা নিংথৌ মলিয়া ফম্বালচা (খৃঃ মমাং ১৭০৯)গী মতমদগীনা মৈদিংঙু চরাইরোংবানা (খৃঃ ১৬৯৭-১৭০৯) পানবা মতম ফাওবদা চৎনরম্বা লাইনীংগী মতমবু য়েলহৌ লাইনীংগী মতমনি হায়না লৌবা য়াই। মতৌ অসুম্না য়েলহৌঙৈদগীনা ঙসি ফাওবদা মীতৈনা লাৎনরিবা লাইশিংদি - লাইনিংথৌ শোরারেন, লাইনিংথৌ সনামহী, ইমা লৈমরেন সিদবী, লাইনিংথৌ পাখঙবা, পাম্ভোয়বী, লাইখুরেম্বী, নোংপোক নিংথৌ,

খোরীফাবা, কৌব্রু, মারজিং অসিনচিংবা কয়ানি। লাইয়ামশিংশিবু য়ুমলাই অমদি উমং লাই হায়না অনিথোকনা খায়দোকতুনা, নুংতিগী অমদি কুমজা মতম নাইনা লাইহরাওবা অমদি চৈরাওবা মতমদা চেৎন-চান্না লুনা লাৎনরি।

তশেংনমক্তি মৈদিংঙু চরাইরোংবনা মীতোপকী লাইনীংবু লাইমিং লৌখিরম্বনা, মীতৈলৈবাক্কী পুৱারীদা ঙকচাও হায়গৎলম্বা লোয়ন্না মায়চৌ তরুক্কা - কোনোক থেঙ্গ্রা, লাঙ্গোল লুখোয়, অপোইমচা, সলাম তোম্বা, য়ুমনাম তোম্বা, খোঙখুল তোপ্পানা নূঙয়ায় (রত্ন) তরুক্কুম মহাক্কী নিংথৌকোনদা ঙাম্মোযখিবা, মীতৈ লাইনীংবু য়োখৎপিরম্বা অরোইবা মীতৈ নিংথৌদি মৈদিংঙু খাগেম্বনি (খৃঃ ১৫৯৭ - ১৬৫২) হায়বা তাই। মহাক্কা খাগী (চাইনিজ)বু ঙমখি হায়দুন খাগী ঙম্বা হায়নসু খঙনরম্মী।

মীতৈ পুযাশিংদা ইরম্বগী মতম অমদি মিং থারমদবনা কয়া কুইরবগে হাযবগী তংদাংবা খঙবদা ৱান থোকলবসু, অরীবা মীতৈলোল অমদি মীতৈ মযেকনা শৈরেং অমদি ৱারেং ওইনা ইবম্বা, পুয়া মৈ থাবা মমাংগী পুয়াশিংদগী খঙবা ঙমলিবদি, মীতৈশিংগী লাইনিং-লাইশোন, চৎনরোল, লৈশেমলোন, ৱাঙুরোন্নচিংবদা য়াম্না চাওখৎলমলে হায়বসিনি। অদুগুম্নবা পুয়াশিংগী মনুংদা খরদং শিংথারবদা - নুমিৎ কাপ্পা, নিংথৌরোল, সকোক থীরেন, ঔগ্রী, হীজিন হীরাও, খেঞ্জো, সনা লমওক, অহোংলোন অসিনচিংবশি শৈরেং ওইনা থম্বীরম্মী; অদুগা ৱারেং ওইনা থম্বীরম্বশিংদি - পোইরৈতোন খুম্মোকপা, পাম্মোয়বী খোঙ্গুল, চৈথারোল কুম্বাবা, সনামহী লাইহুই, পাখঙবা লাইহুই, নোংশাবা লাইহুই, সকোক লমলেন, কঙলা হাওবা, লোয়াম্বা সিনযেন, নাওথিংখোং ফম্বাল কাবা, খাগেম্বা য়ুমলেপ অসিনচিংবনি।

(৫.২) হিন্দু লাইনীংগী মতম্

চৈথারোল কুম্বাবান তাকলিবদি খৃঃ ১৭৯৭ তা ইনিংথৌ পামহৈবনা গুরু গোপালদাসকী মফমদগী বৈষ্ণব লাইনীংদা লাইমিং লৌখি। মতুংদা গোপালদাস খৃঃ ১৭২০ দা মরৈবাকতা (ভারতবর্ষ) হনখি। সনামহী লাইকল পুয়ানা তাকলিবদি ইনিংথৌনা লৌখিবা লাইনীংসি মাধবচারয়াগী বৈষ্ণব লাইনীংনি। মসিগী মতুংদা ঔরঙ্গজেবগী মীওৎ মীনৈ নংলবা, সিলেটকী

নরসিং তিলা হায়রিবা মফমদগী শান্তিদাস মহন্ত বৈরাগীনা খৃঃ ১৭২৮দা মীতৈ লৈবাক্তা থুংলখি। মহাকপু নিংথৌকোন্দা মীথুংলবা ওইনা থমখি অমসুং কায়নথংদা মাঙোন্দগী রামান্দী লাইনীংদা অমুক লাইমিং লৌখি।

মসিত নত্তনা খরগা ঙল্লপ্পা ওইরবা ইনিংথৌশিংগী স্না হাকতকতা মীতৈ লৈবাক্তা বুধ লাইনীং থুংলখিব্রা হায়বগী থাজনবা অমসু ফাওনরি। অদুম ওইনমক উৎ-রাইনা খুম্বা য়াদনা, তবান তবান্না খংনরকলিবা, মৈত্রবাক্তা চৎনরম্বা মপানগী লাইনীংদি হিন্দু লাইনীংগী মনুং চম্বা - বৈষ্ণব অমসুং রমানন্দী লাইনীংনি। অদুবু কাযনথংদদি, হৌজিক ফাওবদা মীতৈনা চৎনরিবা হিন্দু লাইনীংগী হৌরকফমদি - মৈদিংঙু চীংথংখোম্বনা মরৈবাক কম্বগী অরোনবা খোঙচৎ কয়াদা কছাড়দা লৈরিঙৈদা চৈত্যনগী হৌফম ওইরিবা সিলেটকী ঢাকা দক্ষিন য়ৌনা চংশিনলম্বা, মখা তানা স্না খোমলেন মঙলানচাগা লোযন্না তেঙবানবা মপু কৃষ্ণনা অমতা ঙাইরবা মপু ওইনা লৌজরিবসি চৈত্যনগী রাঙুরোন্না মপুং ওইবা বৈষ্ণব লাইনীংদুনি হাযবা তাই। মতৌ অসুম্না পন্বা য়াবদি, ইনিংথৌ মৈদিংঙু পামহৈবগী (খৃঃ ১৭০৯-১৭৪৮) সনা হাক্তক্তা মীতৈ খুনাইবু হিন্দু লাইনীংদা পুংওন ওহোকপা ঙমখ্রবসু, মসিবু মঙলান ওইনা মঙজবা হৌখিবদি মহাক্কী পারী-পুরী ওইখিবা মৈদিংঙু চরাইরোংবগী (খৃঃ ১৬৯৭-১৭০৯) স্না হাক্তক্তগীনি; অদুগা মরা চেৎনা যুমফম লীংখিবদি মহাক্কী চাদা-নৌদা ওইখিবা মৈদিংঙু চীংথঙখোম্বগী (খৃঃ ১৭০৯-১৭৯৮) মতমদনি হাযবদা হায়মনবা খোকলোইদ্রা নীংজৈ। রাপুসিগা মান্না পুরারীশুবা ইবুংঙো গাংমুমৈ কবুইনা অসুম্না ফোংদোকলম্মী-

"In this revolutionary change in the Meeteileipak's (Manipur) life, three kings. father, son and a great grandson, Charairongba, Garibniwaza and Bhagyachandra played very significant roles, the stamp of which was imprinted on the history of Manipur." (৬)

মতৌ অসুম্না খৃঃ ১৭০০ তগীনা চহীচা ২০গী অহান্বা মসুং (Quarter) হায়বদি খৃঃ ১৯৩০ ফাওবদা চাওরাকনা চহী ২৩০ গী মতমসি মীতৈ খুনাইদা হিন্দু লাইনীংনা ঙমখৈ থেংনা মবাই কাংখৎপা মতমনি; অমসুং মদুগী মহৈনা মীতৈলৈবাক্কী পুরারীদা থোকখিবা অকি-তুজুংলবা তমখিরবা

থৌদোকশিংদি - পুয়া মৈথাবা (খৃঃ ১৭২৯), চহী তরেৎ খুম্তাকপা (খৃঃ ১৮১৯-২৬), মীতৈগী অরোইবা নীংতম লানফম ওইখ্রবা খোংজোম লান (মীতৈ - মলেস লান, খৃঃ ১৮৯১), নুপী লান (খৃঃ ১৯৩৯) অমসুং অতৈ, মীতৈলৈবাকনা ভারতবর্ষদা তিনখিবা (খৃঃ ১৯৪৯) অমসুং লেপ্পা নাইদবা পুৱারীদা পুকনিং নুংশিনিঙাই ওইবা তাঙ্কক অমমম ওইহনখি।

মতম অদুগী খা-নোংপোক এসিয়াগী খ্বাইদগী মপাঙ্গল কনখৎলকলিবা মরাই কাংখৎলকলিবা নিংথৌরেল মৈদিংঙু পামহৈববু, অচানবা মনাই ওইনা মখুৎ চন্বা ঙমখিবা, মরমদমদা ঔরঙ্গজেবগী মীওৎ মীনৈ খাংবা ঙমদনা চীংলমলোমদা চেলকপদা মৈত্রবাক্তা থুংলখিবা বৈরাগ্যশিংনা, চৈনাখোলদুবু তাইনশিন্নবা ওইনা থাজবদা ৱারবা লাংলৌ কয়াবু শরৌ তৌদুনা ইনিংথৌগী য়াথং ওইনা তাওথহনখিবদু, ঙসি ঙকনা উরিবা পুৱারীগী তাঙ্ককশিংগী মরম ওইরমবসু য়াই। খোঙচৎ অদুদা খৃঃ ১৭২৫ ফাইরেলগী ২০ নি, নোংমাইজিং নুমিত্তা লৈমা নিংথৌশিংগী নিংশিং খুভমশঙগী মথক্তা থমলিবা লূশিংবু থুগায়দুনা লৌথোকলগা মৈ থাখি; খৃঃ ১৭২৬ তা কৃষ্ণগী লাইশঙ শাখি; খৃঃ ১৭৩৩ দা থুগায়রুরবা লাইনিংথৌ সনামহীগী লাইশঙবু অকিবা খুদম ফংবদগী অমুক হন্না শাগৎখি; খৃঃ ১৭২৬ ৱাকচীংগী চৈথা ২৩ অয়ুক্কী পুং ৯-১০ তাবদা মৈত্রবাক্কী অলৈবা পুয়া পুম্ন মক খোমগৎলগা, চাওরাক্লা পুয়া ১২৩ রোম, কংলা উত্রা মমাংদা পৈশিনলগা মী পোলোইবগুম মৈ থাখি, লাইনীং হোংবতনা অহোংবা পুরকপা ঙমখিদবদগী লৈবাক অমদি খুনাইগী চৎনরোলদা অহোংবা কয়া অমসু পুরকখি। খৃঃ ১৭২৪ দগী 'নিংথৌবু' 'মহারাজ' অমদি মীতৈলৈবাকপু 'মণিপুর' হায়না খংনবগা লোয়ন্না লমদম কয়াবুসু সংস্কৃত মীংদা থোনবা হৌরকখি। মীতৈগী য়েক তরেৎপু গোত্রদা ওহোকপগা লোয়ন্না নিংথৌবু সুর্য্যবংস অদুগা মীতৈশিংবু খেত্রিয় লেংদা চনশিনখি। খৃঃ ১৭২৯ দা নিংথৌ অমদি লৈবাক মীয়াম পুমম্বা লীলোং তুরেল অমদি নুংজেং পূখ্রীদা নোংখ্রং ঈরূপখি। মায়চৌ লৌরেম্বম খোঙনাঙ থাবনা থুপখ্রবগী মতুংদগীদি অঙোম গোপীনা পণ্ডিত লোয়শঙগী ওইনা সংস্কৃত পুদিনগী অথোয়বা পুরান কয়াবু মীতৈরোনদা হন্দোকতুনা মীতৈ পুদিনগী অনৌবা শক্লোন অমা থুংলখি।

মতাং অসিদা নিংশিংবা য়াই - "Since then, it had started the Sankritised interpolation with the post-proselytisation writing for the last couple of centuries in the more than two millenia-old history of Meeteileipak."(১০) মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্রনা মরৈবাক কম্বগী অকনবা লাম্বেংনরুবদগী হম্বরকপদা মরৈবাকপু অমদি মপুন্সিবু কৃষ্ণগী মফমদা কৎথোকখিবা; মচানুপী শিজলাইওইবীনা মপুনসিচুপ্পা কৃষ্ণগী সেবাদ চংজখিবদু বৈষ্ণব লাইনীংগী চং য়ৌবা সাধনা অমনি হায়না কনানসু হায়দবা ঙমলোই। লোয়ন্না রাস জগোয়গী খুদোলনা মদুগী সাক্ষি (য়াচুম) ওইনা লৈরি।

তৌইগুম্বসুং মদুবু মিৎয়েং কয়াদগী তোঙান তোঙান্না য়েংনরকলিবসিগী য়াফমদনি। তশেংনমক্তি মসি বৈষ্ণব লাইনীংগী মখোঙ শোমলম্বনি হায়বদা অরানবা ওইরোই। মথং তারকখিবা ইনিংথৌশিংগী স্না হাক্তক্তা লৈবাক লৈঙাকপগী অচেৎপা খোঙফম লেপনবা হোৎনরিঙৈদা লাইনীংলোমদা মায় ওনশিনবা ঙমখিদ্রবসু কায়নথংদা মৈদিংঙু চুড়াদান্দগী স্না হাক্তুতগীদি মলেস কী মরুম থুপনা লৈঙাকলবসু, খুনাইরোনদদি মনীং তম্বা লৈজরম্মী; অদুমকনা মহাক্কী অচানবা গুরু অতোম্বাপু শর্ম্মনা মণিপুরী মহাসভাগী য়ারেপ মতুং ইন্না মীতৈগী পুরারীবু অমুক মপুং ফানা ইশিম্বগী থৌদাংদা ফোংদোরকখিবা লাইরিকশিং (বিজয় পঞ্চলী) না মণিপুরগী হৌরকফমবু মহাভারতকা শমজিন্নবা অমদি গৌড় ধর্ম্মনা মৈত্রবাক্কী লাইনীংনি হায়না লাওথোকখিবশিংদুনা, মতম অসি ফাওবদি মৈদিংঙু পামহৈবা হাক্তক্কী পরীং অদুগা অমতা ওইনা লৌবা তাই।

(৫.৩) য়েলহৌ লাইনীংবু হিংগৎহম্বা মতম

পোইবৈ মীতৈলৈবাকনা মহাক্কী য়ুমথংনবা লৈবাকশিংদা লাম্মীগী মপাঙ্গল কনথৎলকপদগী লান্দারুবা অমসুং লৈঙাকলোন (রাজনীতি)গী অচৌবা ঈহৈ অমদি য়াওন কয়া থুংলম্নবসু; পূরারীনা শাংলবা মতমগী ওইনা, লাইনিংহন নাওরিয়া ফুলোনা ইং ১৯৩০ দা থুংলদ্রিফাওবদা, খুনাইগী চৎনরোল অমদি লাইনীংগী ওইবা য়াকায়রোলবুদি পীবিরমদে। ইনিংথৌ মৈদিংঙু খাগেম্বগী (খৃঃ১৫৯৭-১৬৫২) স্না হাক্তক্তা, অথোয়বা মায়চৌ কোনোক থেঙ্গ্রনা কাইবরোন পুয়াদা পীবিরম্বা লাইবাওগী মতুং ইন্না,

মরা চেৎখ্রবা বৈষ্ণব (হিন্দু) লাইনীংসি মরু ফুকনা নোংমা পরে হল্লগনি হায়বসি চহী ৫০০গী মমাংদগী মীতৈশিংনা খংলকখি। মরম অদুনা ইং ১৯৩০ দগী ওইরকলিবা মীতৈ লাইনীংগী অহোংবগী খোঙচৎসি য়েলহৌ লাইনীংবু হিংগৎহনবা মতমনি হায়না লৌবা য়াই।

কুনশুবা চহীচাগী চৈহৌ (খৃঃ ১৯০০-৩০) অদুৱাইদা অনৌবা লাইরিক তমলুবগী মণ্ডালদগী অমসুং মালেমগী ওইবা লৈঙাকলোনগী অহোংবগী মমি তাখ্রবা কংলৈপাক্তা লোল, লাইনীং, পুদিন অমদি খুনাইগী চৎনরোলদা অনৌবা মরৈবাকনীংবা অমসুং ফুরূপনীংবগী য়াকায়রোলনা ময়োন চোংবা হৌখি। মমারোনবু নুংশিজবগী ঈথিলদগী, ইবুংঙো হাদিজম চৈতন্যনা মীতৈ ময়েকনা ইবা লাইরিকশিংবু অনৌবা মীতৈরোনদা বেঙ্গলী মযেকনা ইদুনা ফোংদোকপগী লময়ানবা ওইখি। খোঙচৎ অসিদগী মীতৈ গৌড়ৱ ধর্ম্মবু শন্দোকপগী মিৎয়েংদা, ইং ১৯৩৩দা ''মণিপুরী মহাসাভা'' শেমখি ; মতুংদা লূপসিগী মিং ''নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভা'' হাযনা থোনখি। ইং ১৯৩৪, কালেনগী ১৭ (মেগী চৈথা ৩০) তা ইনিংথৌ মৈদিংঙু চুড়ৱাচান্দনা লূপসিগী লুচিংপুরেন (প্রেসিডেন্ট) অদুগা ইবুংঙো হিজম ইরাবতনা রেসেপসন কমিটিগী থৌবুবা ওইদুনা, স্না কোনুংদা মালেম মীতৈ পুম্বা (মৈত্রবাক, তখেন, বর্ম্ম, আসাম, বাংলাদেশ) তিন্দুনা, (অহাম্বা মীফম ওইনা) লুপশিবু হৌদোকপগী থৌরম চাওনা পাংথোকখি।

অসুম্না লূপসিনা অনিশুবা মীফম শিলচার, তরাপুরদা (আসাম) ইং ১৯৩৬ জানুৱারীগী চৈথা ৩০, (ফাইরেনগী চৈথা৭)দা, অহুমশুবা মীফম মনদলেদা, (বর্ম্ম) ইং ১৯৩৭, মার্চকী চৈথা ১দা, মরীশুবা মীফমদা ইম্ফাল (মৈত্রবাক)তা ইং ১৯৩৮, ডিসেম্বরগী চৈথা ৩০ দা পাংথোকখি। মতৌ অসুম্না লূপসিনা মীতৈগী শক্তাক্কী (Identity) দমক অচৌবা থৌদাং লৌরকখি। মরীশুবা মীফমগী ৱারেপতা লূপসিগী মিংদগী 'হিন্দু' ৱাহৈ লৌথোক্তুনা 'নিখিল মণিপুবী মহাসভা' হাযনা মিংথোনখি। মতাং অসিদা নিংশিংবা য়াবদি, অসুম্না অনৌবা যাকায়রোলগী খোঙচৎ অসিদা, মীতৈগী শক্তাকপু (Identity) উৎনবা হোৎনরকপদা খ্বাইদগী মরু ওইবা ৱাফমদি মীতৈবু আর্য্যগী চারোল-শুরোল ওইনা উৎনবা হোৎনখিবদুনি।

তৌইগুম্বসুং মতম অসিমকতদা, লাইনিংহন নাওরিয়া ফুলোনা (১৮৮৮-১৯৪১) লময়াম্বা ওইনা মীতৈ খুনাইগী য়েলহৌ লাইনীংবু এপ্রিলগী চৈথা ১২, থাংজ, য়ায়ফথোয়রবা লাইখুনদিন লালুপ নুমিত্ত, জারিবোন (হাইলাকান্দি, আসাম), লাইশ্রমখুন্দা মহাক্না মালেম তাইবংগী ওইবা লাইনীং 'অপোকপা মরূপ' লিংখৎখি। মহাক্পু ইং ১৯৩৬ তা নিখিল মণিপুরী মহাসভাগী অনিশুবা মীফম শিলচার, তরাপুরদা, পাংথোকখিবদুদা ইনিংথৌগী য়াথংদগী রাজপণ্ডিত অতোম্বপু শর্ম্মাগা ব্রায়েৎনখি।

''মীতৈ লৈপাক্কী নোংচুপলোমদা লৈবা কছাড়দা পোকপা, পারী-পুরীগী মতুং ইন্না অরিবা মীতৈ ওয়বা লাইনিংহল ইবুংঙোনা মীতৈগী কংলৈরোন, পুয়ানচিংবা থিজিন্দুনা শন্দোক্লগা মীতৈগী লাইনিং-লীচৎ হজিনহনবা হৌখি। মহাক্না তাইবং ফাউখিবা মফম, মতম অমসুং মহাক্কী থবক্না মহাক অসি মীতৈ পুয়ানা তাক্লম্বদুনি ''নোংচুপলোমদগী মীতৈ অরিবনা পুয়া কোকথোংনাদুনা লাক্কনি, মতমদুদা মীতৈগী লাইনীং-লীচৎ পুন্নমক অমুক হল্লকনি। (কাইবরোন পুয়া)'' (২৬ঃ৩)

অসুম্না পাক শন্দোরক্লিবা ঈহৌসিদগী, লাইনিংহনগী থৌজান ফংদুনা মহাক্কী পাউতাক পাউমেন মতুং ইন্না মহাক্কী মখা তাবদা অহল ইবুংঙোশিং তখেল্লম্বা বোকুল, পুখ্রম্বা সুরচান্দ অমসুং পুখ্রম্বা ইবোমচা অহুম্না লুচিংদুনা ইং ১৯৪৫ দা ''মীতৈ মরূপ'' লিংখৎতুনা মীতৈ লৈপাকতা মীতৈগী ঈনাৎ-লীচৎ (ধর্ম্ম) হিংগৎহনবা হৌখি।

অহোংবা মতমগী ঈচেলদা, লাইনীং চাযাম পোকপা ভারতবর্ষদা মীতৈলৈবাকনসু তিল্লরবনিনা, মীতৈলৈবাক্কী লাইনীং মরূপসু নোংমা নোংমাগী মশিং হেনগৎলকখিবদু মখাগী অসুম্না উবা ফংই -

- মীতৈ গৌড়িয়া (হিন্দু)
- অপোকপা লাইনীং মরূপ
- মীতৈ মরূপ /সনামহী লাইনীং মরূপ
- পাখঙবা লাইনীং মরূপ
- ঈথৌ ঈকান লাইনীং মরূপ

অমসুং অতোপ্পা লাইনীং মরূপশিংদি খৃষ্টান, ইসলাম, বুধ অসিনচিংবনি।

ভারতবর্ষদদি মীশিং থীবা (Census Report) গী মতুং ইন্না ধর্ম্ম (লাইনীং) অমগী মপাঙ্গলসু লেপ্পী। মরম অদুনা মালেমগী খ্বাইদগী মীশিং যাম্বা লৈবাক ওইরকলিবা ভারতবর্ষগুম্বা লৈবাক্তা, মীশিং লীকচখ্রবা মীতৈগুম্বা খুনাইগী মনুংদা লাইনীং মরূপ যাম্না খায়দোকতুনা উৎলুরবদি, মদুগী কাননিঙাই করিমত্তা ওইরোই। তশেংনমক্তি, মীতৈগী লীকলমলীচৎ (সভ্যতা)তগী হৌরকখিবা মীতৈ লাইনীং মরূপ অয়াম্বগী মিৎযেংদি চপ মান্নে; মদুদি মীতৈগী যেলহৌ লাইনীংবু নৌহৌনা হিংগৎহন্বা হাযবসিনি। লাইনীং মরূপশিংসিগী মনুংদা মান্বা মচাক খরদি উবা ফংই -

- লাইনিংথৌ ইবুঙো শিদবা মপুবু তেঙবানবা মপু ওইনা লৌজবা,
- পোইবৈ মীতৈ লৈবাকপু লাইরৈবাক ওইনা লৌজবা,
- লাইনিংহনবু অথোযবা অহন (গুরু) ওইনা লৌজবা,
- সকোক থীরেনবু অশেংবা পুয়া ওইনা লৌজবা অসিনচিংবনি।

মীতৈ সভ্যতাদগী হৌরকখিবা মীতৈ লাইনীং মরূপশিংসিগী রাঙুরোনদা মানবা মশক লৈজবসিনা সুপনা পুম্নমপু ''মীতৈ লাইনীং'' বু ''মীতৈইজম'' নত্রগা ''লাইনিংথৌ লাইনীং'' হাযবদি ''লাইনিংথৌইজম'' হাযনা অযাম্বনসু লৌনবি।

তৌইগুম্বসুং মীতৈ যেলহৌ লাইনীংবু ভারত লৈবাক লৈচাও অমদি মালেমগী থাক্তা শকখংহনবগীদমক লৈজরিবা লাইনীং মরূপ খুদিংমক্না অপুন্বা শক্তম অমসুং লীচিং অমতদা পুরকপা তাই, নত্রবদি কৈদৌঙৈদসু পন্থুংফম যৌবা ওইথোকলোই।

(৬) মীতৈগী মিং

মিংনা মীওই অমগী মশক তাকপদা (শক্তান্বী) মক ওইবা মচাক অমা ওই, অমসুং মসিনা চাউরাকনা মীওইদুগী মহান্বী কাংলুপ অমসুং খুনাইগী মশক অমসু নাকোযননা লেপ্পা ঙমই। মালেমগী ওইবা থাক্তা মিংগী ময়িদা (Format) চাওরাক্না মান্নবা কয়া উবা ফংই, তৌইগুম্বসুং মীতৈগী মিংগী ময়িদি মদুশিংদুগা চান্ন চুন্ননা চৎপা ঙমদ্রি হায়বা যাই। মীতৈ মিংগী

মযিগী হোংলকখিবা মতমগী খোংচৎসি যেংলুরগা মখাগী অসুম্না তাক্কক অহুম থোক্না খায়দোকপা য়াই।

(১) অরিবা মতম

(২) ময়ায় মতম

(৩) অনৌবা মতম

(৬.১) অরিবা মতম

মীতৈগী অবিবা মতমগী মিংগী মযিদি - পুযা, লাইআ-লাইবোন, কংলৈবোন্নচিংবসিংদগী খংবা ঙমই। চৈথাবোল কুম্বাবদা মৈদিংঙু নোংদা লাইবেন পাখংবগী (খৃঃ৩৩) মতমদগী মৈদিংঙু বোধচন্দ্রগী (খৃঃ ১৯৫৫) মতম ফাওবগী ইনিংথৌশিংগী মিংথোন ইশিনদুনা থম্বিবি। পুযাশিং অমসুং কংলৈবোনগী মতুং ইন্না অঙম্বা মতমগী মিংগী মযিসি - (ফমথোন + মিং) অমসুং (যেক + মিং) অনিসিনা চৎনবী ওইবম্মী।

(ক) মীতৈগী লাইবোন অমদি পুযাশিংদা থম্লব্রিবা লাইশিংগী মিংদি-অশেংবা মীতৈলোন অমসুং ইবগী মযিদি - (ফমথোন + মিং) না ওইবম্মী।

খুদম ওইনা পনজববদা -

লাইনিংথৌ সোবাবেন = ফমথোন (নত্রগা মিংথোল) + মিং

লাইনিংথৌ সনামহী = ফমথোন + মিং

(খ) কংলৈবোননচিংবা শিংদগী ফংলিবদি মিংসি অশেংবা মীতৈলোননা ওই অদুগা মযিদি (যেক + মিং) ওইবম্মী।

খুদম ওইনা পনজববদা -

খুমন খম্বা = যেক + মিং

অঙোম নোংবান = যেক + মিং

মৈদিংঙু চবাইবোংবগী (খৃঃ ১৬৯৭-১৭০৯) মিংবু পিতম্বব হায়না সংস্কৃত মিং পীখিবদুগী মমাংদা অশেংবা মীতৈবোননা মিংথোন থম্বা ঙমখিবসি মৈদিংঙু পাইখোম্বা (খৃঃ ১৬৯৭) ফাওবদনি। মবম অদুনা যেলহৌঙৈদগীনা মৈদিংঙু পাইখোম্বগী মতমবু অবিবা মতম ওইনা লৌবা যাই। মন্দুগী মতুংদগীদি মীতৈগী মিংথোনদা সংস্কৃতকী শাফু তপনা তপনা কনসিনবা হেনগৎলকখি। মতম অদুগী ইনিংথৌশিংগী মিংদি পাখংবগী চাবোন

শুরোনগী লেংদা (ফমথোন + মিং) গী ইবগী ময়িদা ইনরম্মী।

খুদম - মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবা = ফমথোন + মিং

মৈদিংঙু খাগেম্বা = ফমথোন + মিং

(৬.২)ময়ায় মতম

খৃঃ ১৭০৯ অদুগ্গাইদগী মীতৈশিংনা বৈষ্ণব লাইনীং লৌরবগী মতুংদগী মীতৈলোনগী মথক্তা সংস্কৃতকী অকনবা শাফু লাকখি, অমসুং মদুনা মরম ওইদুনা মীতৈগী মিংথোলদসু সংস্কৃত মিংনা অয়াম্বা থোনবা হৌরকখি। তৌইগুম্বসুং খৃঃ ১৭০৯ দগী খৃঃ ১৮২১ ফাওবদা চাওরাক্না চহী ১০২ মুক্তি, 'সিং' নত্রগা 'সিংহ' হায়বা title (ফমথোন নত্রগা মিংথোন) সি কয়া চৎনরমদে। কুম্বাবগী মতুং ইন্না, ইহান হান্না 'সিং' হায়বা ফমথোন / মিংথোনসি শিজিন্নখিবা ইনিংথৌদি "মৈদিংঙু চিংথং খোম্বা" নি। মহাকপু জয়সিং হায়নসু খঙনৈ। চপ চাবা গ্গাহহোক্তা 'সিং' নত্রগা 'সিংহ' হায়রিবসি 'নোংশা' হায়বনি। মিংথোনসিনা তাকলিবদি মরীংজেন লৈবা লাম্মী অমগুম তাকপনি। তশেংনমক মীতৈ খুদিংমক্কী পুন্সিমরেলদি মতম অমদা ইনিংথৌশিংগী হাক্তক্তা লাল্লুপনচিংবা থমদুনা লাম্মী অমগুম হিংলম্মী।

খৃঃ ১৭০৯ দগী সংস্কৃতকী শাফু থুংলখ্রবসু 'সিং' মিংথোনবুদি শিজিন্নরমদবা, লোয়ননা খৃঃ ১৮২১ গী অগ্গাগী লানদা মৈদিংঙু গম্ভীরনা মথৌনা ফনা অগ্গাবু তাহোকখিবদু উখ্রবা মলেসশিংনা (ইংরেজশিংনা), ভারতসু মথৌনা ফবশিংবু 'সিং' হায়বা মিংথোন পীবগা লোয়ননা, মলেসশিংনা মীতৈদসু 'সিং' হায়বা মিংথোনসি পীখিবনি হায়না লৌনরি। মতৌ অসুম্না মীতৈ মীয়াম্না মিংগী ময়িসি-

(য়ুমনাক + মিং + মিংথোন) নত্রগা (মিং + মিংথোন + য়ুমনাক)

কী ময়িসি শিজিন্নবা হৌরকখি।

খুদম ঃ- খ্বাইরাকপম চাউবা সিং = য়ুমনাক + মিং+ মিংথোন(title) লোয়ননা মীতৈ অঙাংগী মিং থোনবদা সংস্কৃত লোলনা অয়াম্বা ওইনা থোনবা হৌরকখি, অমসুং মসিগী খোঙচৎসি খৃঃ ১৯৩০ ফাওবদা মীতৈ ফুরুপ নিংবগী ইহৌ লাকত্রি ফাওবদা খোঙচৎসি ইচেল কন্না চেল্লম্মী।

(৬.৩) অনৌবা মতম

খৃঃ ১৯৩০ দা, লাইনিংহন নাওরিয়া ফুলোনা মীতৈগী নাৎ, লাইনিং অমসুং লোলনচিংবা খুদিংমক্তা ফুরুপ নীংবগী ইহৌ হৌদোকপগা লোয়ননা মীতৈ অঙাংশিংগী মিংদা অশেংবা মীতৈলোননা থোনবা অমসুং মীতৈ অঙাংশিংগী মিংদা অশেংবা মীতৈলোলনা থোনবা অমসুং 'সিং' / 'সিংহ' মিংথোন থাদোকপগী ইহৌসু লোয়নরকখি।

খুদম ঃ নাওরিয়া ফুলো = য়ুমনাক + মিং

কোনসবা ইবোচৌ = য়ুমনাক + মিং

মসিদা য়ুমনাক 'নাওরিয়া' হায়রিবসি 'নাওরেম' দগী থৈথরকপনি। মসিগী ম্লাহল্লোকতি 'নাওরেম' + 'মচা' হায়বগুম্বনি, অমসুং মসিগীময়িসি মীতৈগী খ্বাইদগী পাম্নবা শাগৈগী ময়ি অমনি। অসুম্না (য়ুমনাক + মিং) গী ময়িসিদা লোয়ননা (মিং+ 'মীতৈ') হায়বা ময়ি অসিমসু য়াম্না চৎনবা হেনগৎলকখি। ময়িসিদা 'মীতৈ' হায়বা ম্লাহৈসি হান্নগী 'সিং' / 'সিংহ' বু মহুৎ শিনবগুম্বনি।

খুদম ঃ পাচা মীতৈ = মিং + মীতৈ

মসিদগী অমুক খরা থেংথরকপদা চৎনরক্লিবা ময়িদি -

(য়ুমনাক + মিং) নি। মসিদা য়ুমনাকপু থৈথবা মওংদা ইদে।

খুদম ঃ নাওরেম সনাজাওবা = য়ুমনাক + মিং

সাইরেম নীলবীর = য়ুমনাক + মিং

কায়নথংগা, হৌজিক হৌজিক খ্বাইদগী চৎনবী ওইনা শিজিন্নরিবা মীতৈগী মিংগী ময়িদি - (মিং + য়ুমনাক) নি। মসিগী ময়িসি (format) মালেমগী মিং ইবগী ময়িগা চপ মান্নরে হায়বা য়াই।

খুদম - রতন থীয়াম = মিং + য়ুমনাক

মসিগী ময়িসি জোর্জ বুস = মিং + য়ুমনাক ইবগী ময়িগা চপ মান্নরে।

মী অমগী মশামক্কী মিংবু First Name হায়বদি অহানবা মিং হায়না লৌই অমসুং অহান্বা মিংবু মমাং থানা ইবগী চৎনবীসি মালেমগী মীওই পুম্ন মক্কী মিং ইবগী চৎনবীনি। মতৌ অসুম্না মীতৈগী মীংগী ময়িদা অহান্বা মিংনা মমাং থারগা শাগৈনা মথংদা থম্বগী চৎনবীসি মালেমগী মিংগী ময়িদা চান্ন চুন্নরবনিনা, মসিগী ময়িনা চৎনবী ওইনা থম্বনা ফগদ্রা খনজে। মীতৈগী

মিংথোনগী ইচেলসি হংগৎনা য়েংলুরবদি ঈরৈ কয়াদা ঙাইহাক ঙাইহাক ইরুপতুনা অরেপ্পা শক্তম থীবদা নিংসা ফুইনা হোল্লুরবসু পোলোইদদি মীয়ামগা তিন্নবা য়াবা গ্লোবেলাইজেসনগী তোর্বান অমদা থুংলরে হায়না লৌবা য়াই।

মতেং লৌখিবা লাইরিকশিং

১) নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র অমসুং লাইবেনময়ুম ইবুংঙোহল, চৈথাবোল কুম্বাবা, ১৯৬৭
২) নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র, অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাস
৩) ওযনাম ভোগেশ্বর, নিংথৌবোল শৌবেং, ১৯৬৭
৪) লাইনিংহন নাওবিয়া ফুলো, শকোক থীবেন,
৫) লাইনিংহন নাওরিয়া ফুলো, মীতৈ হৌভম বাবী,
৬) গাংমুমে কবুই, History of Manipur, ভোলুম-১, ১৯৯১
৭) নাওবেম সনাজাওবা, মণিপুর পুরাবী কুনমাথোইশুবা চহিচা, ১৯৯৭
৮) দা. নাওবেম সনাজাওবা, Manipur Past and Present, ভোলুম-১, ১৯৮৮
৯) দা. নাওবেম সনাজাওবা, Manipur Past and Present, ভোলুম-২, ১৯৯১
১০) দা. নাওবেম সনাজাওবা, Manipur Past and Present, ভোলুম-৪, ২০০৫
১১) T.C. Hodson, The Meitheis, ১৯০৮
১২) G.A. Greirson, Languistic Servey of India, ভোলুম - ৩, পার্ট-৩
১৩) দা. নাওরেম সনাজাওবা, Perception and World-view of Meetei Culture and Civilization, মথক্কী লাইবিক ৮-শুবদা যাওবা
১৪) দা. নাওবেম সনাজাওবা, The Genesis of Insurgency, মথক্কী লাইবিক ৮ শুবদা য়াওবা
১৫) দা. সোয়াম লোকেন্দ্র, Identity and Identity Crisis: A case study of Manipur, মথক্কী লাইবিক ৮ শুবদা যাওবা
১৬) Manipur State Constitution Act, 1947, মথক্কী লাইবিক ৮ শুবদা য়াওবা
১৭) চোংথাম বুধী, The Ethnonym of 'Meitei', মথক্কী লাইবিক ৮ শুবদা য়াওবা
১৮) এলাংবম নীলকান্ত, The Traditional Martial Arts, মথক্কী লাইবিক ৯ শুবদা য়াওবা
১৯) আর কে. জিতেন্দ্র, The Cultural life of the Manipuris in Tripura, মথক্কী লাইবিক ১০ শুবদা য়াওবা
২০) দব্লিউ. ইবোহল, The Origin of Manipuri language, An Etymological Approach, মথক্কী লাইবিক ৯ শুবদা যাওবা
২১) দা পাওনম গুনিন্দ্র, মণিপুরী কলচবদা মীৎয়েং অমা, ভোলুম-১, ২০০০
২২) John Parratt, Wounded land, ২০০৫
২৩) Shiv Khera, Living with Honour, ২০০৩
২৪) কোনসবা ইবোচৌ, মীতৈ ময়েক্কী রাখোক, ১৯৮৩
২৫) থাংহি মঙ্গীস্রা, ময়েক্কী ঈহৌ, ২০০৮
২৬) কোনসবা ইবোচৌ, মীতৈ লীচৎ হিংগৎলকপা, ১৯৮৫

কালিশাগী লাংলৌ

পুৱারীগী তাঙ্কক অমদা নোংমা ইনিংথৌশিংগী স্না হাক্তক্তা লানফা ওইনা পুরকখিবা, মতম মতমদা লৈমা নিংথৌশিংগী মনাই ওইনবগীদমক উল্লকখিবা মীওই কাঙলুপতুনা ঙসিদি পুংকক চাওরকতুনা শাফোংলকে তৌরকপদা, মখোয়গী লৈমাববু ঙমদাইনরকতুনা লেং ইনরকলিবসি মালেমগী পূৱারীদা মরাং পংকাই কাইবদি নত্তে। মসিবু তরাই তরাইনা লৌরিবা ঙসিগী মীতৈশিংনা খংদে, মদুদি মাংলমচৎ অমদি তুংলমচৎ অনীগী মীরোলশিংদা চাওরবা মরাল/পাপ অমা তৌরে হায়বসি। মরমদি ঙসিগী মীতৈশিংনা থৌশাদবদগীরা নত্রগা পাংদবদগীরা চহী লিশিং কয়াগী সভ্যতাবু ঙাকপা ঙমলকত্রিবা অমসুং মদুনা তুংলমচৎকী মীরোলশিংদা য়ুমফম য়াওদবা সভ্যতা অমা শিনরমগদৌরি। হৌজিকমক, ঙসি ঙসিমক, মীতৈগী শক্তাকতা চনৈনবা ওইরক্লিবসিগী খ্বাইদগী চাওরবা মরু ওইবা মরমদি কালিশাগী ৱাথোক অমসুং মখোযগী লাংলৌসিনি। ৱাফমসিবু নৌহৌনা নৈনদুনা ৱাচুমনি হায়না তাকলুনিঙাইগী থোয়দোকপা তঙায়ফদবা লৈত্রে। মরমদি মীতৈশিংনা মীচেন ওইনা মৈত্রবাক্তা লাকখিবা অদুগা মখোয়না (কালিশাশিংনা) য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবা ফুরূপনি হায়জিলক্লিবাসিদা - অমুক করম্বা খন্ননিঙাই অমদি ঙাকপিনিঙাই লৈরিবগে হায়বসিনি। তৌইগুম্বসুং ঙসি ফাওবসু মীতৈশিংনা মখোয়না হায়জিলগা য়াৱ্রা; অচুম্বা নত্তে হায়দুনা অদুমক নিঙাইদনা লৈথোকলি। তশেংনমক নিঙাইদনা লৈথোকলিব্রা; নত্রগা মখোয়না (কালিশা) হায়রিবদু য়ারে হায়রিব্রা; নত্রগা শিল্লকলিবা লাংলৌসি উদদুনা খংদ্রব্রা হায়বনাচিংবসি খঙবদা ৱান থোকলি। অদুবু চহীচা কয়াদগী মপানলম অমদি মীতৈগী অখণ্ড-অহৈশিংনা মীতৈ সভ্যতাবু ঙাকনবগীদমক পীরকখিবা খোলাও অমদি ইরকখিবা পুম্ন মকতু লেমনা মাঙহলসিরা; উত্ত ঘী হৈরেসিরা হায়বসিনি। মীতৈ পুম্নমকনা তুমখ্রবসু, য়াতাবা যাদনা মীশেং খাঙলিবা কনাগুম্বা মীতৈ অমতংদি শোয়দনা য়াহৌরক্তুনা মাংজিন থারখিনি হায়বগী থাজবদুদি ৱারেংবনা চেৎনা থমজরি। অদু ওইরবদি ৱাথোকসিগী মরমদা শব্দোকনা নৈনদ্রিঙৈগী মমাংদা কালিশা/বিষ্ণুপুরীয়া কনানো হায়বসি হান্না খংদোকপা অমা চংই।

কালিশা কনানো

পুৱারীগী লৈমায়দা খুনাম খিবদা ৱারবা, লৈবাক অমা, ফুরূপ অমা নাইনা মচা খায়না পালমদবা মীওইবা কাঙলুপ অমগী পুৱারীবু মশক লেপ্পা হায়বসি, মহাক্কা তাংজরুবা নত্রগা চঙজরুবা মরুম থুপনা লৈরুবা ফুরুপতুগী পূৱারীগী মতেং নত্তনা ওইথোক্কে। মরম অদুনা কালিশাগী পূৱারীবু খিরকপদা মীতৈগী পূৱারীগী চাওরবা মতেং অমা চংঙি। কালিশা কনানো হায়বসিগী মরমদা, মালেমগী অমদি মীতৈগী অখঙ-অহৈ কয়ানা, লোয়ন্না মখোয়গী অখঙ-অহৈশিংনসু য়ানরবা ৱাফমদি - মীতৈ নিংথৌশিংনা লানফা ওইনা পুরকখিবা অমদি মতম মতমদা লৈমা নিংথৌশিংগী মনাই ওইনবা উল্লকখিবা, নোর্থবেঙ্গল, কামরুপলোমদগী চঙলকখিবা মীওবা কাঙলুপনি হায়বসিনি। ৱাফম অসিবু মনুং হুনজিন্না থীজিল্লম্বা ইবুঙো নাওরেম সনাজাওবনা অসুম্না ফোংদোক্লম্মী -

''তমদা মীতৈ হায়বা কাংলুপসিদা, নোর্থবেঙ্গল কামরুপতগী থেংনা মণিপুরদা চংলকখিবা মযাং হায়বদি - 'কামরুপী-বেঙ্গলী' নোংচুপ হারমগী চংলকখিবগী মনুং চন্না মীতৈ ফুরূপতা চহী ২০০-৩০০গী মমাংদা তিনখ্রবনি। অৱা লানগায়বদগী, কাছাড়নচিংবদা মণিপুরী ওইনা চংজফম লৌখ্রবা মতুংদা মণিপুরী ফুরূপতগী 'ময়াং'/'কামরুপী বেঙ্গলী' হায়বা মচেৎসি ইং কুমজা ১৯৫০দগী কাছাড়দা চোংথোকখি। মখোযনা বিষ্ণুপৃযা হায়না মীতৈনা পীবা মিংদগী শেমদোকতুনা 'মণিপুরী' তপশন্দুনা, মণিপুরীবু অনিথোক্লা উরকই। (২ঃ৩১৯)

মযাংলোল বিষ্ণুপ্রিয়ানা মণিপুরীবু চিংখাযহনবা মীওইবগী পুৱারীদা বিষ্ণুপ্রিয়া কৌবা ফুরূপ অমা লৈখিদে ফুরূপ অসি নোর্থ বেঙ্গলগা আসামগা তায়নবদগী লাকখিবা কামরুপী বেঙ্গলী কাঙলুপনি। গ্রীয়ারসন্না মখোযবু 'ময়াং' হায়না কৌই। - - - - - - বিষ্ণুপ্রিয়াবু মণিপুরীশিংনা 'ময়াং কালিশা' হায়না থাইনদগী কৌরকই। ফুরুপসিবু 'অমুবা ময়াং' হায়বদি 'কালিশা' হায়না কৌথি। মণিপুরীশিংতনা শিজিন্নবা ৱাহৈনি চাইনিজ, বরমীজদি তোক্তুনা অনকপদা লৈবা কাছাড়ী, বেঙ্গলীনা ফাওবা মখোয়বু ময়াং কালিশা হায়না কৌখিবা শুক্লে লৈতে। ময়াং কালিশা হায়না খঙনবা

মীরমদগী লাকখিবশিংবু গম্ভীরশিংগী মতমদা 'বিষ্ণুপ্রিয়া' হায়না মমিং পীখি। (২ঃ৩১২)

হৌজিকমক অকনবা য়ুমফম য়াওনা পীরিবা - 'সঙ্গায় ফম্মাং' পুয়াদা পীরিবা গম্ভীরসিংগী মতমদা ময়াং বিষ্ণুপ্রিয়া মণিপুরদা লাকখিবদুনা চুমই। পণ্ডিত এন. খেলচন্দ্রনা পুয়া কয়াদা য়ুম্ফম ওইরগা ইবদদি, ১৩শুবা সেনচুরীদা খুমন নিংথৌনা মখোয়বু লানফা ওইনা থমখি হায়রি। অদুবু নোংচুপ হারমগী মী কয়া মীতৈগী ঈতোংদা য়াওখ্রবা মতুং কায়নথংদা মশাবু ফোরেনর ওইনা লৌজবা বিষ্ণুপৃযাদি মণিপুরগী মপান্দা ইং কুমজা ১৮১৯ গী মতুংদগী খুন্দা লৈতাখ্রবনি। (২ঃ৩১৬)

মথক্কী ৱাফমসিবু খরগা মরী-মখোং শন্দোকনা য়েংসি। মৈত্রবাক্কী পূৱারী মতুং ইন্না যেংলুববদি - মৈত্রবাক্কী নোংচুপলোমদগী লাকখিবা মীওই কাঙলুপশিংবু 'ময়াং' হাযনা খংনরম্মী। মীতৈশিংনা 'ময়াং'বু 'মীয়ান' হায়নসু কৌই। 'মীয়ান' হাযবগী ৱাহল্লোকতি ভারতবর্ষগী মশিং য়াম্লবা মীশিং অমদি কাঙলুপ কয়া তিনশিনলবা মীওইশিংনি হাযবনি। কালিশাগী তোঙান তোঙাম্বা মিংথোনদি - মযাং, কালিশা (লৈমনাই, নিংথৌনাই), বিষ্ণুপুরীযা নত্রগা বিষ্ণুপ্রিযানি। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু মখোয়গী হৌরকফমদি মৈত্রবাক্কী নোংচুপ থংবা লৈবাকশিংদগী হায়বদি - নোর্থবেঙ্গল অমদি কামরুপতগী মৈত্রবাক্তা মতম অমদা চংলকখিবনি হায়বসি ময়াম পুম্ন মকনা ইয়া য়ানরবা ৱাফমনি। মীতৈশিংনা ঙসি ফাওবদা কাছাড়, আসামনচিংবা নোংচুপথংবা লৈবাকশিংবু 'ময়াংলৈবাক' হায়না মিংগৌনরি। অদু ওইরবদি মীতৈ লৈবাক্লা করম্না নোংচুপথংবা হায়বদি ময়াংলৈবাক্কী মীওইশিংগা শকথংনরকখি হায়বসি যেংশিনবা অমা চংই।

পূৱারীগী মতুং ইন্না, ইহান হান্না মীতৈ নিংথৌশিংনা ময়াংশিংগা শকথংনরকপগী ৱাফমদি মৈদিংঙু নাওথিংখোংনা (খৃঃ ৬৬৩-৭৬৩) চীংখুরেম্বী লৌখিবদুনা ইহান হানলি। চীংখুরেম্বীবু ময়াংলৈমা হায়নসু খংনৈ। মদুগী মতুংদা নোংচুপলোমগী য়ুমথংনবা লৈবাকশিংদগী লোম্না লান্দারকখিবশিংগী তাঙ্ককশিংদি - মৈদিংঙু কোংযাম্বা (খৃঃ ১৩২৪-১৩৩৫), গী হাক্তক্তা লান্দারকখিবশিংবু ইঙেনচীংদা লানথেংনদুনা মী ২০০ মুক লানফা ওইনা পুরকখি।

"His reign was marked by the invasion of his kingdom by a group of people from the west. Cheitharol Kumbaba describes them Mayang whereas Ningthourol Lambuba calls them Thongnang. The battle was fought at Ingenching. The invaders were defeated. (৩ঃ১৩৭)

মথংদা মৈদিংঙু ক্যাম্বা (খৃঃ ১৪৬৭-১৫০৮) গী স্না হাক্তক্তা, খৃঃ ১৫০৪ দা ময়াংশিংগা লাম্ছেংনদুনা মায়থীবা পীখি, মদুবু থোংনাং (কাছাড়ী) কাঙলুপনি হায়না তাকলি। মীতৈসিংনা কাছাড়ীবু থোংনাং হায়না কৌরম্মী।

"The chronicles record the invasion for the first time, of Kyamba's kingdom by the Mayang (Thongnangs) in 1504 A.D. The identification of their invaders is still vague. The editor of the Ningthourol Lambuba thinks that the Thongnangs were the Kacharis. - - - - Still it is probable that the fight of 1504 was between the Manipuris and the Koches. - - - - - some of these Mayangs were disperse among the Tibeto-Burman tribes of Bodo-Kachari and Tripuri who afterward were called Mayang in Manipur's literary documents." (৩ঃ১৯৭)

অসুম্না লানফা ওইনা পুরকখিবা ময়াং হায়না খংনবা নোংচুপলোমগী মীওইবা কাঙলুপ কয়াশিংদু লমাংদোংদা খুন্দাহনখি। মতৌ অসুম্না মৈত্রবাক্কী নিংথৌশিংনা মপাঙ্গল কনখৎলকপগা লোয়ন্না মহাক্কী য়ুমথংনবা লৈবাকশিংদগী - নোংপোক থংবদগী কবো/পোং অদুগা নোংচুপলোমদগী কাছাড়, আসাম, বেঙ্গল অমদি ভারতকী লমশিংদগী লাকখিবা মীওই কয়াবু নিংথৌগী অয়াবগা লোয়ন্না মৈত্রবাক্তা খুন্দাহন্দুনা মীতৈগী য়েক শলাইদা তিনখি। কবোনচিংবা নোংপোকলোমদগী লাকখিবা মীওই কাঙলুপ্পু মীতৈ খুনাইদা ''নোংপোক হারম'' হায়না খংনখি। মসিবু ''নোংপোক হারমলোন'' হায়বদি ''কবোলোন''দা ময়েক লান ইন্দুনা থম্বীরম্মী। অদুগা নোংচুপলোমদগী লাকখিবা মীওই কাঙলুপশিংবু 'ময়াং' হায়না খঙনরম্মী; অমসুং কাঙলুপশিংদুনা মীতৈ খুনাইদা তিনখিবদগী ''নোংচুপ হারম'' হায়না খঙনখি, মসিগী মীহৌরোলদু ''নোংচুপ হারমলোন্দা' ময়েক লানা ইদুনা থম্বীরম্মী। নোংচুপ হারম হৌরকলোন/

শাগেলোনবু সঙ্গায় ফম্মাং পুয়াদা অসুম্না ইরি -

নোংচুপ হারমলোন

"ইঁ হেরামপুং কৌবা লৈবাকপু শেমলকপা লাইথোংলাং কারকে লাই ময়াং কাকাই লাইবু খুরুমন নোংচুপচাগী শল্লাই অহানবা লোনবু হায়রক্কে। মৈতিংঙু নাওফোংবা হাকথক্তা নোংচুপ হারম্না পোকএ। নোংচুপলোমদা খুল তাহলে। হান্না লাকপদি কম্বোং লোকখুদা চাইশিনখ্রে। মৈতিংঙু থবান থাবা হাকথক্তা থোকলকপা খুমলইনবা কালাতাওনা কৈথেল্লাক চনু পান্নে। মাগী ঈদি, সঙাইপ্রৌ খুল্লাকপম খুরাইনে, খাইখিবা ইমজাওশংবম খেলেনে। পোরোক তাওনা লোইতাম চনু পান্নে। মাগী ঈদি, পাখংলাকপম কাহ্নরামনে। - - - - - - - - - - - - - - - -
মৈতিংঙু চরাইরোংবা হাকথক্তা মরমতাওনা লৈশাংথেম চনু পান্নে, মাগী ঈদি লাংজিং তাবা থোমতাংনে। মৈতিংঙু ময়াংঙম্বা গরিবনিবাজ হাকথক্তা থোরকপা থৌশেলতাওগী শাল্লাইদি ময়াং হিশাবদা চৎখি। - - - -
মিৎতাওগী শল্লাইদি অয়েকপমদা চংখরে। ঙাইপাতাওগী শল্লাইদি ঙাইরাংবমদা চংখরে।কমশাতাওগী শল্লাইদি কাম্বাদা চংখরে।"

(৫ঃ১৫৮-১৬৮)

মতৌ অসুম্না নোংচুপলোমগী মীওয় কাংলুপশিংনা ইনিংথৌ মৈদিংঙু নাওফংবগী খুঃ হাক্তক্তগীনা মৈদিংঙু গরিবনাবাজ ফাওবগী হাক্তক্তা মীতৈগী য়েক শল্লাইদা তিনখিবগী বাফমবু নোংচুপ হারমলোম্দা ময়েক লানা ইদুনা থমবিরম্মী। হায়খ্রিবা নোংচুপ হারমগী মীওয়শিংদু কায়নথংদা চংলকখিবা কালিশাগা ইতোং তোঙাললি; অদুনবু 'কালিশালোন'বু তোঙান্না সঙ্গায় ফম্মাংদা খায়দোকতুনা থমবিরম্মী।

কালিশালোন

লৈরিক নেশোম্বগী ঈদি থরিক তোনবনে, দাসরাজনে, কালারাজা কীর্ত্তিধবজগী অবিনধবজ কালারাজানে। লাইশ্রমদা পকপা মাধনু চোংখালবগী ঈনি হায়না অরাই খুল্লাকপনে, লাকোই খুল্লাকপনে, অন্দ্রাম কালারাজনে। - - - -

লাকাময়ুম কার্ত্তিককি মুরারী দোলাইরোই হঞ্জবনে। লৈমনাই ওল্লিরাজগী ঈদি ময়াং লৈমনাই খুল্লাকপম পুনশিবম বসিত্তগী ঈদি কুঞ্জরাজনে।------
মৈদিংঙু গম্ভীরসিংগী স্না হাকথক্তা শোক ১৭২৯দা ময়াং কালিশাবু বিষ্ণু কৌদুনা নগুণ থাংহল্লি।''(৫ঃ১৬৫-১৬৭)

মীতৈশিংনা কালিশাবু 'ময়াং কালিশা' হায়না মমাংঙৈগী 'ময়াং' হাযনা খংনবদুদগী ইতোং তোঙন্না মীংগৌরম্মী হায়বসি ময়েক শেংনা তাকলি; অমসুং মখোযগী অহান্বা পন্বা য়াবা ঈগী মিংদি দসরাজ, কৃর্ত্তিধবজ কালা রাজানি। দসরাজ অমদি কৃর্ত্তিধবজবু ইহান হান্না মৈত্রবাক্কী পূরারীদা থেংনবদি অসুম্বনি -

"Shri Advaita was worshipped at the second palace at Bishnupur and Shri Gopinath was looked after by Shri Krittidhawaja who was given the tittle of Kala Raja by the king. The temple was located at Ningthoukhong. Krittidhawaja was the son of Dsaraja, the chief of Bishnupuriyas who accompanied king Bhagyachandra (1763-1798 A.D) during his refuge in Assam and died there."(৩ঃ২৭৬)

রাফমসিনা তাকপদি ইনিংথৌ গরিবনিৱাজ ফাওবদা নোংচুপলোমদগী লাকখিবা মীওয় কাঙলুপ ময়াংশিংবু নোংচুপ হারম হাযনা মীতৈ খুনাইদা য়েক-শলাই, শাগৈ কয়াদা তিনখ্রবগী মতুংদা ইনিংথৌ ভাগ্যচন্দ্রগী মতমদগী হানগী 'ময়াং' অদুদগী ইতোং তোঙান্বা 'মযাং কালিশা' হায়বা কাঙলুপ অমমুক লমাংদোংদা (হৌজিক্কী বিষ্ণুপুর) থমখিরম্মী হায়বসিনি।

মরম অদুনা ইবুঙো নাওরেম সনাজাওবনা 'মযাং কালিশা' হায়বদি 'অমুবা ময়াং' কাঙলুপসি হানগী 'ময়াং' হাযবদি ' নোংচুপ হারম্না' মীতৈ খুনাইদা তিনখ্রবগী মতুংদা কায়নথংদা মৈত্রবাক্তা চংলকখিবা কাঙলুপনি হায়বসি চুম্নবা রাফমনি।

মতৌ অসুম্না মীতৈনা বৈষ্ণব লাইনীং লৌরবগী মতুংদগীদি হিন্দু লাইনীংগা মরী লৈনবা মীতৈগী হরাও কুম্মে খুদিংমক্তা 'অনৌবা ময়াং'/ 'মযাং কালিশা'শিংসি মীতৈশিংগা চাকতিন ফিদিন্নবা হৌরকখি। মতম অসিদগী তিনরকখিবা ময়াং কালিশাশিংসি চহী ৬০ মুক্কী মতুংদা

খৃঃ ১৮১৯-১৮২৬ তা, চহী তরেৎ খুন্তাকপগী মতমদা, মীতৈশিংনা মৈদিংঙু গম্ভীরসিংগী মচিন মনাওনা পাল্লিবা কাছাড়দা চেলকপা মতমদা, মীতৈশিংগা লোযন্না মখোয়সু (কালিশা) লাঞ্জেনমিনরকখি; মখোয়গী হৌরকফম বেঙ্গল য়ৌনবা কাছাড়, ত্রিপুরা ফাওবা চেনখি। তৌইগুম্বসুং মৈদিংঙু গম্ভীরসিংনা মৈত্রবাকপু অৱাগী মখুত্তগী কল্লবগী মতুংদা 'অনৌবা ময়াং'/'ময়াং কালিশা'বু অমুক হন্না মীতৈ খুনাইদা লৌখৎখি। বিষ্ণুপুরদা লৈ হায়দুনা 'বিষ্ণুপুরীয়া' হাযনা খংনবা হৌরকখি। অদুবু মখোয়না পামজনা শিজিনরকখিবা মিংথোনদি 'বিষ্ণুপ্রিয়া' ওইখি। মতম অসিদগী হৌনা মৈত্রবাক্কী পুৱারীদা 'বিষ্ণুপুরীয়া' হায়বা কাওলুপ উবা ফংলকখিদে। ময়াং কালিশাশিংনা মৈত্রবাক্কী মপান্দা- কাছাড়, আসাম, ত্রিপুরা, বাংলাদেশতা খুন্দা লৈতাদুনা লৈবা হৌরকপদগী মীতৈশিংগা নকশিন্না ধর্ম্ম-কর্ম্মদা পুন্না চাকতিন ফিদিন্নদুনা লাকখি। মতমদুদগী মখোয়না যুমথংনবা মীওযশিংদা 'মণিপুরী' হায়বদি মৈত্রবাক্কী মীওইশিংনি হাযনা শকত্তাপা হৌরকখি। মদুনা মতমদুগী, অৱা লাঙ্গাযবগী মতমদি, অচৌবা উকন অমা ওইনা মীতৈগী মরুমথুপনা লৈজবা পামখি।

অদুবু মিকুপ নাহুম শিংনা য়েংশিন্বা তাববদি মৈত্রবাক্কী পুৱারীদা অসুম্না উবা ফংই -

"Raghav Singh (1823 AD) was taken by the Burmese leaving the country under the charge of Kalaraj."

মৈত্রবাকনা চহীতরেৎ খুন্তাকতুনা অৱাবা তারবা মতমদা নিংথৌ কাংলবা কোনুংদা মীৎযেং তাখিবশিংগী মনুংদা মযাং কালিশাশিংগী লুচিংবসু অমনি।

তৌইগুম্বসুং খ্বাইদগী লুরিবা ৱাফমদি - মখোয়না (কালিশা) মীতৈশিংগুম্না (মণিপুরী) হিন্দু লাইনীংগী হৌনলোনচৎতা মাননা তৌরবসু; মীতৈবোনবুদি ঙাংখিদে। মরমদি মখোযগী তোঙান্বা আসামী নত্রগা বেঙ্গলী লোন্থৈনি হায়রিবা লোল অদুবুদি থাদোকপা পামখিদে। অদুম ওইনমক মখোয়না ইনিংথৌ চুড়াচান্দগী মতমদা মখোয়সু মণিপুরীনি হায়বনা শক্তাকপগীদমক তকশিনখি। অইবা রেকর্দমক নত্রবসু কাছাড়দা লৈরিবা মীতৈ

খুদিংমকনা খংনরিবা নিংশিংবা যাবা ৱারী মতেক অমদি অসুমননি -

অঙাং ওইরিঙৈদা ঐখোয ইপুনা মাঙ্গোন ফম্বদা লীরম্বা, মতমদুদগী চহী ৭০ মুক্কী মমাংগী ৱারীনি, কালিশাশিংনা ইনিংথৌ চুড.াচান্দগী মফমদা মখোয়সু অশেংবা মীতৈনি হায়না ৱাকৎলখি। ইনিংথৌনা ঙহাক মরাই লুকনা খল্লগা হায়রকখি-

ইনিংথৌ - ফরে! নখোয়সু অশেংবা মীতৈনি হায়রবদি - অমা, অনী মশিং থীয়ু।

মখোয়না (কালিশা) - এক, দুই ------- হায়না খুম্লকখি।

ইনিংথৌ - নাকোং, নাতোনসি করম্না হায় ।

কালিশা - কান, নাখ -------। হাযনা খুম্লকখি।

ইনিংথৌ - চয়োন তরেৎ থীয়ু।

কালিশা - রবি, সম ------ । হাযনা খুম্লকখি।

মখোয়গী পাওখুম তারগা ইনিংথৌনা হাযখি - নখোয়না খুমলকখিবা খুদিংমকতুতা মীতৈ ঐখোয়গী ইরোনগা মানদে; অদুনা করম্না নখোযবু মণিপুরী হাযবদি মীতৈনি হায়বসি যাগদৌবিবনো?

মথক্কী ৱাবী মতেকশিদা খঙজিনবা যাবা পাউতাকতি - ইনিংথৌনা লোলবু মরু ওইবা চাংযেং খুলাই ওইনা শিজিন্নখি হাযবসিনি।

তশেংনমক্তি বিষ্ণুপুরীয়া/বিষ্ণুপ্রিযাশিংনা মতম অদুদা অতৈ মীতোপশিংদা 'মণিপুবী' হায়না শক্তাকখিবদু 'মীতৈনি' হাযনা খন্না শকতাকলমবনি। তৌইগুম্বসুং মমৈথংদা লোলগী খেৎনবনা অমত্তা ওইবা যাররোই খংলকপদগী 'মীতৈ' গী মানবা থাক্তা 'বিষ্ণুপ্রিয়া' হাযনা লেং ইনশিনলকখিবনি। অসুম্না মৈত্রবাক্কী মপান্দা (কাছাড়) দা কালিশা অমদি মীতৈশিংনা থাইবুঙ থাইবুঙ নুঙাইনরকতবদগী ইং ১৯৩৪গী 'নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভা'গী অহান্বা মীফমদা সুরমা ভেলীদা (বরাক তম্পাক) মীতৈ অমদি কালিশাশিংবু নুংশি চান্না লৈমিন্নবগীদমক ৱাবেপ লৌদুনা তাইশিনখি। মীফমলেনদুগী মঙাসুবা ৱাবেপতা অসুম্না ইরি -

"That this conference requests all the Manipuris of the Surma Valley to remove that sectional ill-feeling which it is learnt with great regret, in cropping up in our body social between the Meiteis and the

Bishnupriyas owing to the incisive sectionalism and which is nonentity in Manipur the homeland of all the Manipuris and advises them to withdraw the internecinly segregating and invidious portions in their memorials sent up to the Assam Government."(৯ঃ২৯৪)

মথক্কী ৱারেপশিনা ময়েক শেংনা তাকলিবদি - মৈদিংঙু গম্ভীরসিংগী স্না হাক্তুক্তগী মীতৈ খুনাইদা লৌখৎখ্রবা ময়াং কালিশা/বিষ্ণুপুরীয়াশিংসি মৈত্রবাক্তদি অমত্তা ওইনা মীতৈশিংগা চিন্ন-চানন্না লৈমিনখ্রে হায়বসিনি; লোয়ননা বরাক তম্পাক্কী মণিপুরী (হায়বদি মীতৈ) খুনাইগী মনুংদা মচেৎ তানিংবা (Sectionalism) ৱাখল্লোনদু থাদোকপিদুনা অমত্তা ওইবা পুকচেলদা পুনশিনবিরকউ হায়বসি ইনিংথৌ অমদি লৈবাক মীয়ামগী অপামবা ওইখি।

কালিশা ৱাথোক করম্না হৌরকখি

হৌজিক ওইরিবা কালিশা ৱাথোক্কী অককনবা চৈহৌ অমা নাইনা থম্বা ওইথোক্তে। মমাংগী তাক্ককতা নৈনখ্রিবা মীহৌরোলদগী উবা ফংলিবদি - ইনিংথৌশিংগী স্না হাক্তক্তা চীঙমী-তম্মী, শাগৈ-শলাই, মীওইবা কাঙলুপ কয়ানা থুংলদুনা অপুম্বা মীতৈ (মণিপুরী) ফুরূপ (জাতি)গী খুনাই অমা লীংখৎলকপদা পোলোয় তাখিবা ''ময়াং কালিশা'' শিংবু ইনিংথৌ গম্ভীরসিংগী স্না হাক্তক্তা মীতৈশিংগা তিন্নবা য়াবগী থৌরাং কয়া পাংথোকখ্রবসু অৱা লাঙ্গায়বগী মতমদা মৈত্রবাক্কী মপান্দা খুন্দাখ্রবা ময়াং কালিশাশিংনা মীতৈশিংগা নুংশি চানন্না লৈমিন্বা ঙমলকখিদে হায়বদু ইনিংথৌ চুড়াচান্দনা মহাসভাগী অহানবা মীফমদা মরুওইবা ৱারেপ অমা ওইনা লৌখিবদুনা ময়েক শেংনা তাকলি। নিংথৌ লৈঙাকপনা (Monarchy) মপান ফরিঙৈদদি হায়জগদবা খুদিংমক ইনিংথৌগী স্না খুয়া খাদা হঙ্গৎলমবদু মালেমগী অহোংবা থুংলখ্রবা মৈত্রবাক্তা মীখল লৈঙাকপা (Democracy) ভারতবর্ষদা তিল্লুরবগী মতুংদগীদি অনৌবা লাংলৌ অমা শিনজিনলকখি। মরম অদুনা মৈত্রবাক্তা (মণিপুর) অমত্তা ওইনা হিংমিন্নখ্রবসু, কাছাড় অমদি অতৈ লমশিংদদি, ইং ১৯৩৪ গী অদুৱাইদা তাশিন্নখ্রবা ৱাফমদু ইং ১৯৫০গী অদুৱাইদগী অমুক নৌহৌনা লংজিন শৎপা

হৌরকখি। মদুগী মহৈনা ইং ১৯৮০ দগীদি লম্বী লমজাও থোক্নুনা মীতৈ (হায়বদি মণিপুরী) শিংগা ময়াং কালিশা (হায়বদি বিষ্ণুপুরীয়া) শিংগা লাম্বা তৌবা হৌরকখি।

ইনিংথৌশিংগী হাক্তক্তগীনা য়ারমদ্রবা ৱাফমবু মখোয়না (কালিশা) হিতেশ্বর সইকিয়াগী মতমদা, আসাম লৈঙাকপগী (গর্ভণমেন্ট) মফমদা তকশিন্দুনা ইং ১৯৮৩, নভেম্বর ১৪দা আসামগী কাছাড. (হৌজিক্কী কাছাড, করিমগঞ্জ, হাইলাকান্দি) দিস্ট্রীকতা প্রাইমারী স্কুলশিংদা 'বিষ্ণুপ্রীয়া মণিপুরী' লোন্দা লাইরিক তম্বা য়ারগনি হায়না য়াথংচেরোল (Order) লাওথোকহনখি। মসিনা মণিপুরী (হায়বদি মীতৈ) খুনাই অমদি লোলবু অনি থোকনা 'মীতৈ মণিপুরী' অমসুং 'বিষ্ণুপ্রীয়া মণিপুবী' হায়না খায়দোকতুনা উৎপা হৌরকখি। তৌইগুম্বসুং অৱাংনোংপোক ভারতকী মীতৈশিংগী অপুম্বা খোলাও - মীতৈরোন হায়বদি মণিপুরীলোনবু অনি থোকনা খায়দোকপা য়ারোই হায়না থীংলকপদগী, আসাম লৈঙাকপগী পীথোকখিবা য়াথংচেরোলদু নুমিৎ ২৪নিগী মনুংদা, ইং ১৯৮৩, দিসেম্বর ৮ দা, ককথৎতুনা পম্থহনদুনা থীংদুনা থমখি। অসুম্না থীংজিনদুনা থমখ্রবা ৱাথোক ওইরবা ৱাফমবু নৌহৌনা অমুক ইং ১৯৮৯, জুলাই ২১দা, আসাম লৈঙাকপনা হিংগৎহন্দুনা চৎনবা য়ারগনি হায়না লাওথোকখি। মদুদসু মীতৈশিংগী অপুম্বা অথীংবা খোলাওদগী ইং ১৯৮৯, ওক্টোবর ১৭তা আসাম লৈঙাকপনা পীথোকখিবা য়াথংচেরোলদু চৎহন্দনা থীংদুনা থমখি।

মতৌ অসুম্না আসাম, ত্রিপুরা, বাংলাদেশতা কালিশাশিংনা মশাবু 'বিষ্ণুপ্রীয়া মণিপুরী' হায়না শক্তাকপগা লোয়নান, মীতৈশিংবু (হায়বদি মণিপুরী) মখোযনা 'মৈতৈ মণিপুবী' হায়না লান্না মীযামদা উৎপা হৌরকপদগী মণিপুরীগী শক্তাকতা চমমনবা মৈজাওবী হৌনা হেনগৎলকখি। অরিবা কাছাড়না ৱাথোকশিগী মরু ওইবা লানবুং ওইরকখি। চীনকাংজৈ ওইনা ফিরৈ তাথৎনরম্বদু অইবা লাইরিক ওইনা পুথোকপা হৌনরকখি। মখোয়গী ৱাঙম ওইম্বা ইরকখিবা লাইরিকশিংদি - নবখেন্দ্র সিংনা ইবা - খুমোল পুরান, ভিমসেন সিনহানা ইবা - Let History and facts speak about Manipuri, ১৯৮৪, দা. কে.পি. সিনহানা ইবা - The Bishnupriya Manipuri language, ১৯৮১, মহেন্দ্র কুমার সিংহনা ইনা - মণিপুরের প্রাচীন

ইতিহাস, ১৯৬৮, উপেন্দ্র চন্দ্র গুহানা ইবা - কাছাড়ের ইতিবৃত্ত, ১৯৭১, R.M. Nath না ইবা - The Background of Assamese Culture, ১৯৪৮ অমসুং অতৈ নৌনা পুথোরকপশিং কয়ানি। মখোয়গী য়ানশিন-তৈশিন্বা ময়ি কয়ানা অতোপ্পা কাঙলুপকী মীওয় কয়ানসু মণিপুরী (হায়বদি মীতৈবু) লাননা খঙলুবদগী ইখিবসু কয়ানি।

মণিপুরীশিংনা (হায়বদি মীতৈশিংনা) মখোয়গী (কালিশা) চনৈন্বা থিওরী কয়ানা মণিপুরীশিংবু লাননা শক্তাকপদু শেংদোকতুনা ইরকখিবা লাইরিকশিংদি - Ch. Manihar Singh না ইবা - A clarification on the Bishnupriya as in relation to the Manipuris, ১৯৮৭, সোরোকখাইবম মণিকচান্দনা ইবা - The voice of Manipuris on the Bishnupriya Issue, ১৯৮৯, হুইরেম মদনমহন সিংহনা ইবা - A short Note on the term Manipuri, ১৯৮৯, নাওরেম সনাজাওবনা ইবা - Bishnupriya Menace to the Manipuri i.e. Meetei language and culture, ১৯৮৯, অমসুং নাওরেম সনাজাওবগী - মণিপুরী পুৱারী, ১৯৯৭, ৱাহেংবম ইবোহলনা ইবা - The History of Manipur, লোয়ননা সেনা সিংনা (বিষ্ণুপ্রীয়া মচা) ইবা - প্রাচীন আধুনি সংক্ষিপ্ত মণিপুরের ইতিহাস, ১৯৬২, শোনামনিনা ইবা - অন্ধের গজ দর্শন অসিনচিংবা কয়ানি।

তৌইগুম্বসুং থাদোকপা য়াদবা ৱাফম অমনা, লাম্বা অনিশিগী মনুং চন্দবা, মপান লমগী মীওইশিংনা 'মণিপুরী' হায়রিবসি কনাবুনো হায়বদু থীজিনলুরবগী মতুংদা খংলদুনা ময়েক্ শেংনা তাকলম্লবনি। অদুগুম্বা শিংথা য়াবা অইবশিংদি - G.A. Grienson, মহাক্না Linguistic Survey of India পুথোকলম্মী, দা. সুনিতি কুমার চতার্জিনা ৱারেং লাইরিক কযা ইরম্মী, Gait কী Assamese Census Report, Imperial Gatzetter of India 1907, লোয়ননা মণিপুরগী মরমদা Report কয়াবু ইরম্বশিংদি - E.W. Dun, T.S. Hodson, B.C. Allen, R. Brown, M. Mc. Culloch, A. Mackenzie, Sir James Johnstone, R. W. Pemberton, T.C. Hodson অসিনচিংবা কয়ানি। মখোয়না খুৎ থারম্বা Reports শিংদগী লৌখৎপারা (Quote) কয়া লাইরিকসিগী ৱারেংমতপ (Appendix) তা য়েংবিয়ু।

তৌইগুম্বসুং মনুং হনজিন্না য়েংলুরবদি - মখোয়না (কালিশা) শিল্লকলিবা লাংলৌসি ইং ১৯৮৩ সিতদগী নত্তে। ভারতনা হেক নীংতম্বা ফংলবগী মতুং, মৈত্রবাক্লা খুৎথাং লৈঙাক ওইরবগী মতুং, লৈম-নিংথৌনা লৈরকত্রবা মতমসিদগী, অহান্বা মীশিংথীবা (census) ইং ১৯৫১দা 'মণিপুরী' ওইনা য়াওরম্বদু, ইং ১৯৬১ অমসুং ১৯৭১ গী মীশিংথীবাদগীনা মখোয়না 'মণিপুরী'দগী খায়দোরকতুনা, G.A. Grierson না Classification তৌদুনা মখোয়বু 'Mayang' হায়না শক্তাকলম্বদু ওহোকতুনা 'বিষ্ণুপ্রিয়া' হায়না চোংথোরকখি। ৱাফমসিগী খুদম ওইনা ৱারেংমতপ (Appendix) তা হাপলিবসি য়েংশিনবিয়ু। কালিশাশিংনা মীতৈদগী (হায়বদি মণিপুরীশিংদগী) তোঙাল্লকতুনা হান্নগী 'ময়াং' মীংথোন থাদোরকতুনা 'বিষ্ণুপ্রিয়া' হায়না মীশিংথীবদা শক্তাকপা হৌরকখিবদুদা মণিপুরীশিংনা অয়েৎপা লৈখিদে অমসুং লৈতে।

অদুবু ইং ১৯৯১ দা মখোয়না ভারত সরকারগী মাযোক্তা মীশিং থীবদা 'বিষ্ণুপ্রিয়া' হায়না ইবগী মহুত্তা 'বিষ্ণুপ্রিয়া মণিপুবী' হাযগদবনি ; 'মণিপুরী' হাপতবা য়ারোই হায়না কেইস তৌরকপদুদগীনি মণিপুরীমচাশিংনা (হায়বদি মীতৈমচাশিংনা) কেইসতুগী মায়োক্তা কেইস তৌখিবসি। মতৌ অসুম্না মখোযনা ভারত লৈঙাকপগী অঙম্বগী লোয়শঙশিংদা (সরকারগী ওথরিটি ওফিসশিংদা) 'ময়াং'দগী 'বিষ্ণুপ্রিয়া' হাযনা চোংথোরকপগী মথংদা 'বিষ্ণুপ্রিয়া মণিপুরী' হায়না শক্তাকপগী তকশিনবা হৌরকখি। লোলগী মতাংদা মীতৈশিংনা (হায়বদি মণিপুরীশিংনা) ইং ১৯৮৯ দা 'বিষ্ণু প্রিয়া মণিপুরী' হায়বা য়ারোই হায়না থীংলকপদগী, আসাম লৈঙাকপনা অহান্বা থাক্কী মহৈশঙদা (Primary school) মখোয়গী লাইরিকতম্বা চৎথহন্দনা থীংদুনা থমখ্রবসু; মীশিংথীবদা (census) অমসুং আসাম অমদি ত্রিপুরাগী OBC list তা মখোয়বু মণিপুরীশিংগা লেং মাননা অমত্তা ওইনা - Manipuri Muslim (হায়বদি মীতৈ পাঙগন) অমসুং Manipuri Brahmin (হায়বদি মীতৈবামোন) গুম্না Bishnupriya Manipuri হায়না নপশিন্দুনা শক্তাকপা হৌরকখি।

চীনহায় ওইনা লেং ইনরম্বদগী, অইবা লাইরিক কয়ানা অঙম তাম্নরকখি, পোলোয়দা ৱায়েনশঙগী (Court) ৱায়েনমরৈ (বিচার) য়ৌরকখি। লেংল লেংলগা পুথগদৌবদু অরোনবা চৈঙাক কয়া য়াওশিনবদগীদি মরাই কাংখৎপা হেনগৎলকখি; অচুম্বদু লৈখুন চংবা তাখি। য়েকম্বা মশিং য়াম্মী খুকউ শেনবা খরাগা হেন্না চেকশিন্বা তাই হায়বসি ৱাচুম (সাক্ষী) ওইনা চোংখোরকখি। ঙাংবা কম্বনা অচুম্বা শকখি; মীচঙ খোম্বা হৈবনা অকনবা ওইখি। ৱায়েন চৈরাক্তা মণিপুরী (হায়বদি মীতৈ) শিংনা ৱাকৎচরিবদু অরেম্বা তাখি। অদুবু ৱায়েনশঙগী ৱাখৈ অমনা ফুরূপ অমগী সভ্যতাবু মরু ফুকতুনা লংখোকপা য়াবদি নত্তে। নোংমা লানফা ওইনা পুরকখিবা, মনাই ওইনবগী থমখিবা মীওইবা কাঙলুপ মচাদুনা ওনখৎলকতুনা ঙসিদি মাগী লৈমাবা/মনিংখৌগী সভ্যতাবু নমদুনা মুল্লগা মাগীনি হায়না চোংখোরকলিবসি - ''য়ুমদাংবনা কৈনাবা'' হায়বা ইপা ইপুনা পাওমেনবিরম্বা পাউরৌদমক হেক থোক্লরি অচুম্বাগী চাংয়েংদা মণিপুরী (হায়বদি মীতৈ) মচাশিংনা লাম্বেংনবগী অনৌবা খোংথাং অমদি চৎপা হৌখ্রে।

অদুদি ৱায়েনশঙদা চৎথখিবা ৱায়েনমরৈ (বিচার) শিংদু খরাগা শন্দোকনা য়েংশিন্বা অমা চংই। ''মনম মহাও চেন্বা আইদেন্টিতি অমগী মপু ওইনিংবগী আশাদা কোর্টতা হান্না চংজখিবসিদি বিষ্ণুপ্রীয়া মচানি। গুৱাহাটীগী এদভোকেট বিষ্ণুপ্রিয়া মচা মিঃ বি. সিংহনা গুৱাহাটী হায়কোর্টতা কেইস অমা পানখিবসি ইং ১৯৯১ দনি। ভারত সরকারগী মায়োক্তনি। কেইস অদুদা হায়জরিবনা বিষ্ণুপ্রীয়াদা মণিপুরী তোপশিন্দ্রি ফাউবা ভারত সরকারগী সেন্সস বিভাগপু লৈবাক অসিগী মীকোক থীবিগী থবক পাংথোকহনবিগনু। হিয়ারিং তৌখিবসি ইং ১৯৯১গী ফেব্রুৱারী তাং ৬ তনি। নুমিৎ অদুদা শিলচরদা মরু লোয়শঙ ওইবা মণিপুরী লেংগুয়েজ প্রোটেক্সন কমিটি অমসুং মণিপুরগী মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফালনা interfere তৌজগে হায়না পিটিশন অমমম লানখৎখি। নুমিৎ অদুমক্তদা হিয়ারিং তৌবদুদা interfere তৌজগে হায়না লানখৎখিবা পিটিশন অনীমক লৌশিনখি অমসুং পিটিশনারদা মহাক্কী পিটিশনগা মরী লৈনবা চেচাং অককনবা মতম অমগী মনুংদা পীখৎলক্লবা য়াথং - তৌথরকখি।

পিটিশনারনা মতম চানা চেচাং পীখৎপা ঙমখিদবদগী কেইস অদু dismiss তৌখি।'' (৬ঃ৮০)

মথংদা বিষ্ণুপৃয়াশিংনা (হায়বদি কলিশা) করম্না OBC list তা চনশিনখি হায়বগী কেইসকী ৱারী-ৱাখোঙ তেনতকনা মখাগী অসুম্না পুথোকপা য়াই -

''আসাম সরকারন তাং 27-11-75 তা পুথোকখিবা নোটিফিকেশন অমনা আসাম বাজ্যদ পাব্লিক সার্ভিসশিংদা বির্জাভেশন তৌবা যাবা কমিউটিশিংগী ওইবা OBC list অমা শেমদুনা ফোংখি। লিষ্ট অদুদা Serial - 13 দা যাওরিবদি - "Manipuri including Manipuri Brahmins and Manipuri Muslims." চাওরাকনা চহী ৭ কী মতুংদা ইন্দ্র শাহনিনা ভাবত সবকাবগী মাযোক্তা সুপ্রীম কোর্টতা থাবা পিটিশনগী Judgment লাওথোকখি। জাষ্টিস বিঃ পি. জীবন রেদ্দিনা লাউথোকখিবা Majority Judgment গী পেবা 117 দা পল্লিবদি কমিসন নত্রগা ট্রিবিউন্যালগী মওংদা তুংকোযবা বোদি অমা লৈগদবনি। সুপ্রীম কোর্টকী ৱাবোল অদু ঙাকপা ওইনা কেন্দ্রগী থাক্তা Parliament না National Commission for Backward Classes Act. 1993 শেমখি। অসুম্না মথংদা রাজ্যগী থাক্তা আসাম বিধান সভানা The Assam Backward Classes Commission Act, 1993 হায়বদি শন্নপনা Assam Act শেমখি। আসাম সরকারনা Act অসিগী থবক পাযখৎপা ওইনা Assam Backward Classes Commission (ABCC) শেমখি। কমিশন অসিনা তাং 27-11-75 গী Notification অমনা শেমখিবা OBC List Serial - 13 দা বিষ্ণুপ্রিযা মণিপুবী যাউদবগী ৱাকৎ পবীক্ষা তৌখি অমসুং Case No. 1/94 গী মতুংদা তাং 29-9-95 দা ওর্দাব অমা পুথোকতুনা তাং 27-11-75 গী Assam Govt. কী OBC List Serial - 13 দা মণিপুরীগী শরুক অমা ওইনা বিষ্ণুপ্রীযা মণিপুবী য়াউহনবা recomend তৌখি।

ABCC গী recomendation মতুং ইন্না 27-11-75 গী Notification অদু corrigendum অমা আসাম সবকারনা তাং 18-3-96 তা পুথোকখি। মসিগী মহৈ ওইনা আসাম OBC List Serial - 13 শেমদোকতুনা

মখাগী অসুম্না ওইহনখি। "Manipuri including Bishnupriya Manipuri, Manipuri Brahmins and Manipuri Muslims." আসাম সরকারগী খোঙথাং অসিদা পেন্দদুনা কাছাড়৯ জিলাগী পালারবন্দ খুনগী মণিপুরী মচা কে. কুমারধন সিংহনা গুৱাহাটি High Court তা ইং 1996 তা পিটিশন অমা থাখি। কেইস নম্বরদি Civil Rule No. 3146 of 1996 নি। Respondent মাপনগী মনুংদা ভারত সরকার, আসাম সরকার, মণিপুর সরকার অমসুং বিষ্ণুপ্রীয়া মণিপুরী সাহিত্য সভা য়াওই। চহী কয়ামুক লিশাং-থানা হিয়ারিং চৎথরবগী মতুংদা ইং 1999, April 9 দা Judgment লাউথোকখি। জাষ্টিস এ. কে. পাঠক অমসুং জাষ্টিস দি. বিশ্বাস অনিনা পুননা কোর্টতা হিয়ারিং চৎথখিবনি।

পিটিশন অদুদা পিটিশনারনা হায়জরিবদি -

(১) Assam Act অসি Unconstitutional নি হায়না লাউথোকপিউ অমসুং

(২) আসাম সরকারগী তাং 18-3-1996 কী corrigendum অমসুং কেইস নম্বর 1/94 গী মতাংদা Assam OBC Commission গী তাং 29-9-1995 তা পুথোকখিবা Order Quash তৌবিউ।

পিটিশনারনা মখা তানা হায়জরিবদি -

(৩) মণিপুরী লোল নত্রগা কমিউনিটি অসি করিগুম্বা মওংদা বিষ্ণুপ্রীয়া মণিপুরীগা মরী লৈনদে হায়না লাউথোকপীউ। অমসুং

(৪) করিগুম্বা মরম অমগীদমক বিষ্ণুপ্রীয়াগী মাং নত্রগা তুংদা মণিপুরী ৱাহৈ শিজিন্নদনবা Direct তৌবিউ। অমসুং

(৫) আসাম সরকারনা তাং 27-11-1975 কী Notification গী মতুং ইন্না শেমখিবা OBC List Serial - 13 দা বিষ্ণুপ্রীয়া মণিপুরী নত্রগা বিষ্ণুপ্রীয়া হাপচিনখিবদুগী মতাংদা আসাম সরকারবু তৌবিগনু হায়না থীংবিউ।''

মখংদা ৱাযেনশঙদা (কোর্টতা) চৎথখিবা ৱায়েৎ মবৈশিংদু শন্নপনা মখাগী অসুম্না পুথোকপা য়াই -

(১) ''পিটিশনারগী কাউন্সেল মিঃ বি কে দাসনা থমজরিবদি শোথরবা কাংলুপ মশক খঙদোক্লবা অইন শেম্বগী শক্তি ইউনিয়ন পার্লিয়ামেন্টগী লৈ অমসুং রাজ্য বিধান সভাগী লৈতে। মহাক্না য়েৎচরিবদি সংবিধানগী তরেৎ

শুবা সেডিউলগী List II গী Entry 41 না রাজ্য বিধানসভ অমদা রাজ্যদুগী পাব্লিক সার্ভিসেসগা মরী লৈনবা আইন শেম্বগী শক্তি পী তৌইগুম্বসুং য়েৎনরিবা আসাম এক্ট অসিদি আসাম রাজ্যগী পাব্লিক সার্ভিসেসগী মতাংদা লৈবা আইন নত্তে। সি শোৎথরবা কাংলুপ মশক খঙদোক্লবগীদমক লৈবা আইনি। আসাম সরকারগী মায়কৈদগী এদভোকেট জেনারেল মিঃ পি. জি. বরুবানা অরোমদা হায়রিবনা সংবিধানগী তরেৎশুবা সেডিউলগী List II গী Entry 41 গী মখাদা রাজ্যগী পাব্লিক সার্ভিসেসগা মরী লৈনবা আইন শেম্বগী Exclusive Power লৈ। Respondent 9 গী কাউন্সেলশিং মিঃ এন. দত্ত অমসুং মিঃ বি. সিংহনা মিঃ বরুৱাগী ৱাফমসি শৌগৎলি।

(২) পিটিশনারগী কাউন্সেল মিঃ বি. কে. দাসনা মথংদা হায়রিবদি তাং 27-11-75 গী OBC List Serial-13 বু শেমদোকতুনা তাং 29-9-95 তা পুথোকখিবা ওর্দারগী মতমদা সুপ্রীম কোর্টনা Judgement তৌবদা পীখিবা Criteria শিংগী মনুংদা para 700 ৱাফমদু ইনখিদে হায়বসিনি। Para 700 দা পল্লিবদি - শিনফম, সমাজগী ফিভম, মহৈমশীং হৈবগী থাক অমসুং শেলথুমগী ফিবমগুম্বা ৱাফমশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা রাজ্যগী Public Services দা মতীকচানা represented ওইহৌদবা কাংলুপ মশক খঙদোক্কদবনি অমসুং সংবিধানগী Arlicle 16(1) গী মখাদা রাজ্যগী পাব্লিক সার্ভিসেসদা reservation থমগদবনি।

মিঃ বি. কে. দাসনা শাথিনা কন্না য়েচ্চরিবনা মণিপুরী কাংলুপকী হৌরকফমদি টিবেতো-বর্মননি অমসুং মখোযনা ঙাংনরিবা লোননা মৈতৈ লোননি। অদুগা বিষ্ণুপ্রীয়া কাংলুপগী হৌরকফমদি ইন্দো-এরিয়াননি অমসুং বিষ্ণুপ্রীযা লোননি। মরম অদুনা আসাম সরকাবনা 18-3-1996 তা পুথোকখিবা corrigendum অনীমক কোর্টনা quash তৌবিবতা নত্তনা বিষ্ণুপ্রীযা কমিউনিটিনা বিষ্ণুপ্রীযা ৱাহৈগী মাং নত্রগা তুংদা মণিপুরী ৱাহৈ নপ্পা য়ারোই হায়না লাউথোকপীয়ু।

Respondent 9 ওইরিবা মণিপুর সরকারগী কাউন্সেল মিঃ এম. সিংহনা মিঃ বি. কে. দাসকী ৱাফমবু শৌগৎখি। মহাক্না মশানা হায়রিবদি মণিপুর সরকারনা রাজ্যবিধান সভাদা ৱারেপ অমা যোত অমত্তা ওইনা পাস

তৌদুনা আসামগী মুখ্যমন্ত্রীদা থাখিবতা নত্তনা বিষ্ণুপ্রীয়াগী মাংতুংদা মণিপুরী শিজিন্নবিগনু হায়জখ্রবনি মরমদি বিষ্ণুপ্রীয়াগী মাং নত্রগা তুংদা মণিপুরী ৱাহৈ শিজিন্নবসিনা মণিপুরী কমিউনিটিগী Cultural Identity শোকহল্লি। মহাক্না মখাতানা থমজরিবনা ভারত্তা খুন্দালৈতারিবা Linguistic Minorities শিংগী কমিশনারনা বিষ্ণুপ্রীয়াশিংনা বিষ্ণুপ্রীয়া ৱাহৈদা মণিপুরী ৱাহৈ তোপশিনজগে হায়না হাযজরকপদু য়ারোই হায়না ৱারেপ লৌখ্রবনি। লোয়ননা ইং ১৯৭১ গী সেন্সাসতা মণিপুরী অমসুং বিষ্ণুপ্রীয়া তোঙানবা কমিউনিটিশিংনি হায়না থাইদোখ্রবনি। মরম অদুনা Statutory Authority শিংনা অসুম্না খায়দোকখ্রবসি ওহোকপগী অসাম বেকওর্বাদ ক্লাসেস কামিশন অমসুং আসাম সরকারগী Jurisdiction লৈতে।

আসাম সরকারগী এদভোকেট জেনারেল মিঃ পি. জি. বরুৱানা হায়রিবদু মদু Assam Backward Class Commission গী recommendation মতুং ইন্না তৌখিবনি অমসুং মদুগী justification গী মতাংদা ৱাফম অমত্তা থমখিদে। লোয়ননা Respondent 9 গী কাউন্সেল মিঃ বি. সিংহনা শৌগৎলদুনা মখা শমথরকলিবদি - বিষ্ণুপ্রীযা মণিপুরীবু OBC List Serial - 13 নত্তবা অতোপ্পা Serial অমা থমবদা মহাক্কী করিমত্তা আপত্তি লৈতে। অমসুং বিষ্ণুপ্রীযা লোল লোন্বা মীওইশিংবু মণিপুরীনি হায়না খঙনৈ অমসুং বিষ্ণুপ্রীয়া জাতি অসিগী Identity Safeguard তৌনবগীদমক বিষ্ণুপ্রীয়াগী মাং নত্রগা তুংদা 'মণিপুরী' ৱাহৈ হাপ্তবা য়ারোই। অমসুং মখা তানা হায়রিবদি - Census Report কী অরান্বা ৱাফম অমগী খুদোংচাবা লৌদুনা মণিপুরী লোল লোনবতমক মণিপুরী কমিউনিটি হায়না শক তাক্লবা হোৎনরে। Respondent 9 গী অতোপ্পা কাউন্সেলে মিঃ এন. দত্তনা হায়রিবদি - সংবিধানগী আর্টিকল 226 না পীরিবা শক্তি শিজিন্নদুনা কোর্টনা বিষ্ণুপ্রীয়া কমিউনিটি অসি মণিপুরী কমিউনিটিগী শরুক অমরা হায়বদু লেপথোকপা ঙমদে অমসুং মরম অসিনা বিষ্ণুপ্রীয়াগী মাং নত্রগা তুংদা মণিপুরী হাপ্পা য়াই।

কোর্ট অসিনা সংবিধানগী Article 226 না পীরিবা শক্তি শিজিন্নদুনা বিষ্ণুপ্রীয়াগী মাং নত্রগা তুংদা 'মণিপুরী' ৱাহৈ শিজিন্নবা য়াদে হায়না লাউথোকপা ঙমদে। মসিগী মরমদি কমিউনিটি অনীগী মরক্তা লৈরিবা

dispute অসিদি আসাম রাজ্যদা পাব্লিক সার্ভিসেসতা সংবিধানগী Article 16 (4) গী মখাদা OBC ওইনা resevation তৌবগা মরী লৈনবা dispute নত্তে। অসিগীসু মথক্তা dispute অসি কোকহন্নবা বিচারগী হৌনবী মতুং ইন্না রারেপ লৌবা তারগদি কমিউনিটি অনীগী হৌরকফম, ইতিহাস অমসুং সংস্কৃতি study তৌবগী মখৌ তাই। মরম অদুনা কোর্টনা বিষ্ণুপ্রীয়া রাহৈগী মাং নত্রগা তুংদা মণিপুরী রাহৈ শিজিন্নবা য়ারোই হায়না লাউথোকপদা inclined ওইদে। সংবিধানগী Article 16(4) গী মখাদা আসাম সরকারগী তাং 27-11-75 গী Notification অমগী মতুং ইন্না শেমখিবা OBC List Serial - 13 নত্তবা অতোপ্পা Serial অমদা বিষ্ণুপ্রীয়া মণিপুরী হাপচিন্নবা Direct তৌই।''

আসাম সরকারগী OBC reservation গী মতাংদা পেন্দদুনা কেইস তৌখিবগুম্না ত্রিপুরা সরকারগী OBC reservation গী মতাংদা পেন্দদুনা কেইস তৌখি। মদুগী মরী-মখোং মখাগী অসুম্না লৌখৎপা য়াই।

''কাছাড. জিলাগী মনুং চম্বা পালোরবন্দগী মণিপুরী মচা কে কুমারধন সিংহনা গুৱাহাটী হাযকোর্টতা কেইস অনীখক, ইং ১৯৯৬ তা, ত্রিপুরা সরকারগী মথক্তা থাংগৎলি। কেইসশিংগী No. দি Civil Rule No. 1439/96 অমসুং Civil Rule No. 4499/96 নি Civil Rule No. 1439/96 দনা ত্রিপুরা সরকার য়াউনা ভারত সরকার, আসাম সরকার, মণিপুর সরকারনচিংবা respondent মাপন লৈ অমসুং Civil Rule No. 4499/96 দনা ত্রিপুরা সরকার য়াউনা ভারত সবকার, মণিপুর সরকারনচিংবা respondent মণ্ডা লৈ। জাষ্টিস এ কে পাঠক অমসুং জাষ্টিস দি. বিশ্বাস অনী পুন্বা কোর্টতা বিচার চখখি। ইং ১৯৯১, এপ্রিল ৯ দা judgement লাউথোকখি।

আসাম সরকারগী মায়োক্তা তৌখিবা কেইসকী বিচার চৎথরিবা কোর্টতুনা চপ মাননা ত্রিপুরা সরকারগী কেইসকী বিচারসু চৎথখিবনি। কোর্টনা হায়রিবনা ত্রিপুরা সরকারগী মায়কৈদগী পীখৎলকপা কাউন্টার অ্যাফিদেভিট অদু পারে অমসুং পল্লিবা কাউন্টার অ্যাভিদেভিট অদুগী paragraph 13 দা মখাগী অসুম্না ইবা থেংনৈ।

মণিপুরীগী ফুরূপ অনী হায়বদি মৈতৈ অমসুং বিষ্ণুপ্রীয়াশিংগী মরক্তা লোলগী খেৎনবা লৈ হায়বনি ত্রিপুরা সরকারনা রিট পিটিশিনদা [Annexur V] অহানবা ওইনা ফোংখিবা OBC List serial - 25 দা পুন্না মণিপুরী অমসুং বিষ্ণুপ্রীয়া মণিপুরী য়াউবদু অখন্নানা পনখিবনি। তৌইগুম্বসুং কাংলুপ অমনা (মৈতৈ মণিপুরী) অতোপ্পা (বিষ্ণুপ্রীয়া মণিপুরী) কাংলুপকী মায়েক্তা যানিংদবা ফোংদোরকপদগী ত্রিপুরা সরকারনা কাংলুপ অনীসিবু তোঙাম্বা serial No. অমমমদা - অমনা Serial No 9. (বিষ্ণুপ্রীয়া মণিপুরী) অমসুং অতোপদুনা Serial No. 26 তা (মণিপুরী) হাপচিল্লবনি।[রিঠ পিটিশন Annexure VI]

মরম অদুনা ত্রিপুরা সরকারনা সংবিধানগী আর্টিকল 16 (4) গী মখাদা রিজার্ভেশনগীদমক কমিউনিটি অনীমক তোঙাম্বা শোত্থববা কাংলুপনি হায়না লৌখ্রবনি।

মতৌ অসুম্না, মখক্কী নৈনখ্রিবশিগী মহৈ ওইনা রিটপিটিশনশিংদু দিসমিস ওইখি।

ইবুঙো কে. কুমারধন সিংনা গুৱাহাটী হাযকোর্টগী রাযশিংসিগী মাযোক্তা ভারতকী Supreme Court তা ইং ২০০০ দা আপিল তৌই। আপিলগী মবী মখোং ওইরিবনা 4800 / 2000 নি।

মণিপুর সবকারনা Special লিভ পিটিশন অমা থাখিবদুগী মরিমখোংদি 9046-47 / 1999 নি।

ইবুঙো কে. কুমাবধন সিংহনা গুৱাহাটি হাযকোর্টকী রায স্টে তৌবিনবা মরক্তা আপিল অমা তৌজৈ। মদুগী বিচার তাং ১২-০৫-২০০১ দা তৌখি। জাষ্টিস কে টি থোমাস অমসুং জাষ্টিস আর পি শেঠীগী অপুন্বা কোর্টতা চত্থখিবা বিচার অদুদা ইন্টারিম আপিল অদু সিভিল আপিলগা পুনশিল্লনি হাযনা ওর্দার তৌখি। সিভিল আপিলগী বিচার ইং ২০০৬, মার্চ ৮ দা তৌখি। জাষ্টিস রুমা পাল অমসুং জাষ্টিস দলবীব ভাণ্ডারী অনীগী অপুন্বা কোর্টতা চত্থখিবা বিচারগী মহৈ ওইনা থোকখিবা ওর্দারদি ঃ

সিভিল আপিল নম্বর 4796-4797 / 2000 অমসুং সিভিল আপিল নম্বর 4798 / 2000 গী মতাংদা - The appeals are dismissed as withdrawn.

সিভিল আপিল নম্বরশিং 4799 / 2000 অমসুং 4801/ 2000 গী মতাংদা ঃ We see no reason to interefere with the order under challenge. These appeals are, accordingly, dismissed.

ইবুঙো কে. কুমারধননা ফুরুপ অমগী খুনাইগী অৱাববু মণাগী অৱাবদগী হেন্না লৌজদুনা ইং ১৯৯৬ তগী ইং ২০০৬ মার্চকী চৈথা ৬ ফাওবদা, চহী ১০ চুপ্পা, গুৱাহাটী অৱাংবা ৱায়েনশঙ (High Court) দগী হৌরদুনা ভারতকী ৱায়েনশঙলেন (Supreme Court) ফাওবদা ৱাকৎচরম্বদু অরেম্বা ওইখ্রে। পণ্ডিতরাজশিংবু ইকাই খুম্নদুনা মতুং ইন্নিঙৈদা মীতৈগী মায়চৌ তরুকপু ইকাইখুম্নবা পীবা ঙমদ্রবা মীতৈ খুনাইনা ঙসিসু কুমারধনগুম্বা কয়াবু ঙাকপীদুনা নুংশিনা লৌখৎপীবা ঙমলব্রা হায়বসি য়েংনিংঙাই ওইরি। নুমিৎ নোংচুপতগী থোকই হায়বসি চুমহন্বা ঙম্বা ৱায়েনশঙগী ৱায়েনলোয়শিংনা মণিপুরী হায়বদি মীতৈ সভ্যতাবু ইকাই খুম্নবিবা ঙমখিদে হায়বসি খঙলবা অমসুং ৱায়েনশঙগী ৱাখৈদা নাতৈ চাদবা কয়া'মা য়াওখ্রে হায়বসি খংলবা মীতৈ খুনাইনা ঙসি ফাওবদা মতীং থোক্লা উকন ওইবা থৌরাং অমতং পায়খৎখ্রবা হায়বসি খন্ননিঙাই ওইরি।

কালিশাগী লাংলৌ

ৱাথোক লৈরবা ৱাফম হায়বসি লাংলৌ অমদি ইলৈতা লৈরবনি। ৱাথোক অসিদা ৱায়েৎ মরু অমসুং মদুবু শৌগৎপা চৈঙাক কয়া অমসু লৈরি। ৱাথোকসিগী মরু ওইবা ৱায়েৎতি 'মণিপুরী' বু লাননা শক্তাকতুনা কালিশা হায়বদি বিষ্ণুপ্রীয়াশিংনা মখোয়গী শক্তাকপদা 'বিষ্ণুপ্রীয়া মণিপুরী' হায়না শিজিন্নবসি য়ারোই হায়বসিনি। মীতৈ লৈবাক হায়বদি মৈত্রবাক কংলৈপাকনা 'মণিপুর' মীংথোনখ্রবগী মতুংদগী 'মণিপুরী'অমসুং 'মণিপুরী' লোল হায়রিবসি 'মীতৈ' অমসুং 'মীতৈলাল' বুনি হায়না মহৌশাগী লৈজরিবা অমসুং মালেমগী মীয়াম্না য়ানরিবা, খঙনরিবা ৱাফমবু কালিশাশিংনা নৌহৌনা খায়দোরকতুনা 'মণিপুরী' ৱাহৈবু লৌশিন্লগা 'মণিপুরী লোল' হায়বদি 'মীতৈলোল' বুদি ঙাংবা পামদে। মণিপুরী হায়বদি মীতৈসিংনা হায়রিবদি করিগুম্বা কালিশা (বিষ্ণুপুরীয়া) শিংনা মখোয়সু মণিপুরীনি হায়বা তারবদি , মখোয়সু মণিপুরীলোল হায়বদি মীতৈলোল ঙাংবা তাই। ৱাথোকসিগী চৈহৌদগী কালিশাশিংনা মখোযসু মণিপুরীনি হায়না শক্তাকপা পামজবদু অনৌবা খুনাই পোমীৎলোন (Social Science) শিংনা খুৎলাই থাদুনা য়েংবা হৌরকপদগীদি - লোল কাংলোন (Languistic) গী মতুং ইন্না মখোয়সি 'ইন্দো-এরিয়ান' কাংলুপনি হায়বসি ময়ামনা য়ানখ্রে অমসুং মখোয় মসানসু মীচঙ খোম্বা নুঙাইজনবা ওইনা মদুমক হায়নিংঙি। অদুবু হায়গৎলুবা হৌরুরবনিনা পুংথা থাদোকপদি ঙমদবদুগী

মখোয়গী ফুরুপকী হৌরকফমদি মৈত্রবাক (মণিপুর)গী মঙ্গোলোয় কাওলুপনি হায়না কন্না লাওরি। কালিশাশিংনা অচুম্বা খংলকলবসু অওম তানখিবা ৱাফমবু থাদোকনিংদবগী অমসুং মদুগীসু মথক্তা মখোয়গী হৌরকফম অমদি থন্নমদবা য়াদবনিনা, মমাংঙৈগী মখোয়গী বেঙ্গললোমগী ৱাফমবু লোৎশিনলগা, মৈত্রবাকপুনা মখোয়গী হৌরকফমনি হায়না মুনদুনা লৌগে হায়না থৌরাংলি। মতাং অসিদা য়েংশিননিঙাই ওইরিবদি করিগীদমক কালিশাশিংনা 'মণিপুরী' ৱাহৈবু থৱায় শোকনা পামজরিবনো হায়বসিনি।

কালিশাশিংনা 'মণিপুরী' মীংথোলসি থাদোকনীংদবগী মরমদি-

''ঙসিগী মণিপুরসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা লোন কাংলুপশিংনা পোলিটিকেল মীৎয়েংদা মখোয় পুম্নবু 'মণিপুরী' হায়না খঙলবসু মশা-মশাগী ইথনিকেল শক্তাক পীবদা কনাসু 'মণিপুরী' নি হায়নদে, মদুগী মহুত্তা নাগা, কুকি, তাংখুল, রোংমৈ, কবুই, চোথে অসিনচিংব মশাগী ইথনিকেল আইডেন্টিটিবু পীনৈ। মীহৌরোনদগী লৈমিন্নরকখিবা হায়রিবা কাংলুপশিংসিনা খঙই মদুদি 'মণিপুরী' হায়বদি মীতৈশিংগী ইথনিক মীংথোলনি হায়বদু। অদুবু মণিপুরদসু লৈতবা, আসাম, ত্রিপুরা, বাংলাদেশতা লৈরিবা বিষ্ণুপ্রীয়াশিংনা 'মণিপুরী' হায়না শকতাকপা অমদি 'মণিপুরী' মীংথোলসি থাদোকনীংখিদবগী মরম খরা লৈ, মদুশিংদুদি -

১) 'বিষ্ণুপ্রীযা' হায়না মীংথোল্লবা কাংলুপসিগী মীওইশিংসি মণিপুরদগী থোরকখিবনি হায়দুনা মখোয়সু মণিপুরীনি হায়না লৌজে।

২) অৱা লানগাযবগী মতমদা মৈত্রবাক্কী মপান্দা কাছাড়, আসাম, ত্রিপুরানচিংবা মফমশিংদা খুন্দাদুনা লৈরকপা মতমদগী হৌরদুনা লোন-লি ফাওনদবা য়ুমথংনবা মীরৈবাকচাশিংগী মরক্তা হান্নদগী খঙন-চান্নরকপগী মহৌসা মীতৈ অমদি কালিশাশিং নকশিন্নরকখি, ধর্ম্ম-কর্মগী লমদা হীদাকপু ফিদা তিন্নরকখি। মদুগী থৌওংদুনা মীরৈবাকচা ময়াংশিংগী মীৎয়েংদা কাংলুপ অনীমকসু মণিপুরদগী লাকমিন্নরকখিবা ওইবনা 'মণিপুরী' হায়না খঙনখি। মদুগী খুদোংচাবদু বিষ্ণুপ্রিয়াশিংনা থাদোকনীংখিদে।

৩) কায়নথংদদি লাইবিক লাইশুগী মঙাল ফঙলক্লব বিষ্ণুপ্রিযা নহাবোলশিংনা খঙলকখি মখোযনা নহানঙৈ 'মণিপুবী' নি হাযদুনা শকতাকলম্বসিদি অচুম্বা ওইবমদ্রে। মদুনা মখোযদা মজাতি, মমাবোল, সাহিত্য- সংস্কৃতিগী মতাংদা নেশনেলিজম অমা লাকপা হৌখি। অদুবু মতাংদুদা তুংগী খল্লুবগা তুজুংবা ফাওখি। কবিনা, বিষ্ণুপ্রিযা কৌবা পীকখ্রবা মশিং লিকপা (পোলিটিকেল সাইন্সকী মতুং ইন্না জাতি অমা ওইবগী থাক যৌদ্রিবা) কাংলুপ অমনা মাইগৈ পুম্নমক্তা শোখববা, অদুগা হৌবকফম লৈপাকনি খঞ্জবিবা মণিপুবদনা 'বিষ্ণুপ্রিযা' কৌবা কাংলুপ লৈবমদবদুদা মদুনদি ইতিহাসকী চীববা তাঙ্কক কযাদা তমথীনা ওৎ-নৈবদা মমীং ফাওবিবা অল্লাগী লাম্মীশিংনা মণিপুববু খুদুম চন্দুনা চহী কযা চুপনা মুথৎকে হোৎনখিবদা ঙমদ্রবা অদুগুম্বা 'মণিপুবী জাতি' গী মকম থুপ্না হিংবা তঙাযফদে হাযবদু খঙলকপদগী মপাঙ্গোং 'মণিপুবী' নি হাযনা লান্না শকতাক্লগা নুংদনা মণিপুবীগা তাযোন্নবা 'বিষ্ণুপ্রিযা শাজৎ' চৎপা হৌবকখি।

মতৌ অসুম্না চিনদনা খোইহী অদুগা নুংদনা হূ হাপ্পা শাজৎশিনা মখোযগী অনিংবদু থুংনবগীদমক শিল্লকলিবা লাংলৌসি মপানখোংদগী তবাই তবাইনা লৌকবা যাদে। মখোযগী ফিবেপ নাইদবা মিৎযেং অদুদগী ওইবকখিবা কানখোক কানশিন তৌবা খোঙচৎসি শমলপনা মখাগী অসুম্ন া লৌবা যাই।

ল্লাবেংসিগী মমাংগী তাঙ্ককশিংদা নৈনখ্রিবসিদগী উবা ফংলিবদি মীতৈশিংনা 'মযাং কালিশা' হাযনা খঙনবা কাঙলুপসি, মপান লমগী (বৃটিশ) মীওইশিংনা 'মযাং' হাযনা খঙনবম্মী। নোংচুপ হাবমবু মীতৈনা মযাং হাযনা অহানবদা খঙনখিবগুম বিষ্ণুপুবিযা কাঙলুপসু 'মযাং' হাযনা লৌখিবগী মওংনি। ল্লাফমসিগা মবী লৈনবা লৌখৎল্লা (Quote) ল্লাবেং মতপ (Appendix) তা য়েংবিযু। গ্রীযাবসন্না মখোযবু 'মযাং' হাযনা খাযদোকতুনা Languistic Survey of India (LSI) দা মচা তানা থল্লম্মী। অদুবু ইং ১৯৬১, ১৯৭১ দগী হৌনা 'বিষ্ণুপ্রীযা' হাযনা মখোযনা খাযদোকচবকখি। ল্লাফমসিবু Census Report কী মীকোক মীশিংদুনা

তাকলি। অসুম্না য়াম্না পোঙনা 'মণিপুরী' থাদোকতুনা 'বিষ্ণুপ্রীয়া' নি হায়না চোংথোকলুরবগী চহী ২০ গী মতুংদা ইং ১৯৯১ দগী 'মণিপুরী' বু অমুক হন্না মখোয়না পামজবা মওংদা শিজিন্নরকতুনা 'বিষ্ণুপ্রীয়া মণিপুরী' হায়না হাপচিন্নবা কেইস তৌরকখি। লোয়ননা ইং ১৯৮৩ অমসুং ১৯৮৯ দা অহাম্বা থাক্কী মহৈশঙ (Primary School) শিংদা মখোয়গী লোলবু 'বিষ্ণুপ্রীয়া মণিপুরী' হাযনা তম্বা হৌগৎনবা হোৎনরকখি। তৌইগুম্বসুং মণিপুরীশিংগী (হায়বদি মীতৈ) অপুম্বা খোলাওনা 'মণিপুরী লোল' বু (হাযবদি মীতৈলোল) অনি থোকনা খায়দোকপা যারোই হায়না থীংজিনখ্রবগী মতুংদগী OBC list তা মখোয়গী কাঙলুপ্পু 'বিষ্ণুপ্রীয়া মণিপুরী' হায়না 'মণিপুরী' গী মশা অমা ওইনা চনশিনলকখি।

অহোংবা কযা নংলবা কাঙলুপশিনা করম্না 'মণিপুরী' হাযরিবা ৱাহৈশিনা অরোইবা লাইৱা (মন্ত্র) ওইররিবনো হাযবসি মখোয়না চল্লকলিবা লাংলৌসিগী ৱাযেনশঙগী অঙম-অরৈ তানখিবা ৱাহৈশিংদুমক্কা মযেক শেংনা তাকলি।

''আসাম বেকওৱার্দ ক্লাসেস কমিশনগী য়েৎনরিবা তাং ২৯-০৯-১৯৯৫ গী ওর্দারদগী মরী লৈনবা মতেক অমা মখাদা লৌখৎচরিঃ

মোঙ্গোলোযদশিংগী তোঙান তোঙাম্বা ফুরুপশিং অমসুং মযাং / বিষ্ণুপ্রীয়া তরামঙাশুবা শতাব্দীগী মমাংদগী চহী চা কয়া চুপ্না মণিপুরদা নক্ক না লৈবা মফমশিংদা খুন্দা লৈতামিন্নরকই। মীতৈ লোন্না লৈরকখিবসি খৃষ্ট কুম তবামঙাশুবা শতাব্দী মতুংদগীনি অমসুং বিষ্ণুপ্রীয়া লোননা লৈরকখিবসি খৃষ্ট কুম তরামঙাশুবা শতাব্দী অদুৱাইদগীনি। লোন অনীমক লৈরকখিবসি খৃঃ কুম তরামঙাশুবা শতাব্দী অদুৱাইদগীনি। লোন অনীমক লৈরকখিবসি মণিপুরগী লৈবাক লৈহাওমক্তদনি। মতমসিগী মতুং তারকপদা লমদমসিবু মণিপুর কৌখিবগী ওইথোকপা য়াবা ৱাফম পুন্নমক লৈ হাযবদি লমদমসিগী মীওইশিংনা আর্য্য পুমওন ওন্সিল্লকপা তাঞ্জা তরেৎশুবা শতাব্দীগী অদুৱাইদগীনি। মসিগী মহৈ ওইনা মণিপুরগী মীশিংবু 'মণিপুরী' থোনখি। মরম অদুনা 'মণিপুর' অমসুং 'মণিপুরী' হায়বা ৱাহৈশিংসি মীতৈ অমসুং বিষ্ণুপ্রীযা কমিউনিটি অনীমক্কা অপুম্বা ময়ামগী ওইনা অমসুং

চপমান্নবা অধিকারগা লোয়ননা শিজিন্নরকখি। Practical ওইবা মওংদা য়েংলগদি ফুরূপ অনীমক্কী মীওইশিংনা Reservation থমদনা মখোয়গী লৈবাক্কী মমিং অমসুং মখোয়গী শক্তম তাকপদা মথংশিংনা 'মণিপুর' অমসুং 'মণিপুরী' শিজিন্নে। আসামদা কুইরবা মতমদগী মৈতৈ অমসুং বিষ্ণুপ্রিয়া অনিমক্কী Common recognition লৈ অমসুং Reservation অমত্তা থমদনা মণিপুরীনি হায়না শক তাক্লরম্মী। থবক ওইনা পাংথোকপা মতাং খুদিংমক্তা মখোয়গী recognition / identity ঙাক্তুনা চৎলি। তৌইগুম্বসুং মৈতৈ কাংলুপকী মীওইশিংনা মখোয়না ঙাংনরিবা লোনগী মমিং 'মণিপুরী' লোন থোল্লি অমসুং বিষ্ণুপ্রীয়া কাংলুপকী মীওইশিংনা মখোয়না ঙাংনরিবা লোন অদুগী মমিং 'বিষ্ণুপ্রীয়া মণিপুরী' থোল্লি।

আসামদা খুন্দা লৈতারিবা বিষ্ণুপ্রীয়াশিংনা মণিপুর থাদোক্তুনা আসামদা য়ুম হোঙকপদা (ইং ১৮০৬ মমাংদা অমসুং ১৮২৯ গী মতুংদা) মপুং ফানা চাওখৎলবা 'বিষ্ণুপ্রীয়া মণিপুরী' কৌবা মখোয়গী লোন শাগোন্নরকখি অমসুং ঙসি ফাউবা হীরম খুদিংমক্তা লোন অসি শিজিন্নবা চৎনবী অমা ওইনা লৈ। মতমদুগী মণিপুরী ফুরুপকী বিষ্ণুপ্রীয়া কাংলুপনা মখোয় বিষ্ণুপ্রীয়া মণিপুরী লোন লোন্বা বিষ্ণুপ্রীয়া মণিপুরীনি হাযনা শক তাকচৈ। ব্লাফমসি আসাম রাজ্যদা reservation লৈতনা হীরম খুদিংমক্কী ওইনা থবক পাংথোকপদা মীয়াম্না খঙনরবনি। মসিদি লেংদ্রবা ব্লাফমনি।

আসামদা মণিপুরী নত্রগা মণিপুরীশিং হায়বসিদা য়াউরিবশিংসি মৈতৈ, বিষ্ণুপ্রীয়া অমসুং মণিপুরী মুসলিমনি। মখোয়গী মরক্তা অয়াম্বদি কাছাড় (অরিবা) জিলাদা খুন্দা-লৈতাদুনা লৈ অমসুং লেমহৌরিবশিংনা আসামগী অতোপ অতোপ্পা মফমদা চোয়জায়ননা খুন্দা-লৈতাদুনা লৈ। কাংলুপ অনীগী সংস্কৃতি হীরম খুদিংমক্তা চপমান্নে। মখোয়গী কীর্ত্তন, রাসলীলা, জগোয, ঈশৈ, ফিজেৎ, চাকচা, পুন্সিমরেল, লুহোং খোঙদোংবা, শ্রাদ্ধগী থৌরম, সমাজ অমসুং সংস্কৃতি চৎনবী চপমান্নে। লোনদতনি মৈতৈগা বিষ্ণুপ্রীয়াগা খেৎনরিবা। মৈতৈশিংনা মণিপুরী লোন ঙাংই অদুগা বিষ্ণুপ্রীযাশিংনা বিষ্ণুপ্রীয়া মণিপুরী লোন ঙাংই। তৌইগুম্বসুং অচুম্বা ওইরিবদি মণিপুরী কাংলুপ অনীমক্না য়াম্না strict ওইনা মণিপুরীনি হায়না শকতাকচৈ। ব্লাফমসি লেংদ্রবনি।

মথক্কী ৱায়েনশঙগী ৱায়েনমরৈদা পুথোরকখিবা ৱাঙাংসি তাবদা তশেংনা লৈবাকমচাতাবা (সভ্য/civilize) মানবা অমসুং মণিপুরী জাতিবু য়োখৎচবা পাম্বা মরৈবাক নীংবা মচামক হেক মাল্লি। মসিনি 'বিষ্ণুপ্রীয়া শাজৎ' হায়রিবদু। চিনদা খোইহীনি অদুগা নুংদা করম্না হু ফুমলি হায়বদু মখা তাথরক্লিবসিদা য়েংবিয়ু। মখোয়না (কালিশা) শাগৎলকলিবা মেনবুসিদা য়ুমফম ওইরিবা উরেপ (Pillar) শিংদু খন্না শন্দোকনা মনুং হুনজিন্না য়েংশিনবা অমা চংই।

নুমিৎ নোংচুপতগী থোকই হায়বসি অচুম্বা ওইনা উৎনবগীদমক মখোয়না পুথোরকলিবা থিওরীদুগী পথাপ (Law) শিংদি -

(১) অহাম্বা পথাপ (Law)

কৈথেল নংনবগীদমক সুংদুনা পুথোরকখিবা পুরানদি 'খুমোল পুরান' নি অমসুং মসিনা মখোযগী লাইৱামরূগী অথোয়বা লাইরিকনি। মসিদা মখোয়না করম্না 'বিষ্ণুপ্রিয়' ওইনা শাফোংলকখি হায়বদু মখাগী অসুম্ন া পাউথোকলি-

''খুমোল নিংথৌগী খুৎদি নোংখ্রাঙলূপবা য়াতে। গোসাইনা হই কৰিগীনো নিংথৌনা খোইনা লুপবা অসিদি য়াতাবা। নিংথৌনা খুমে গোসাই মণিপুৰ অসি খুবাই ফাত্তাবা নেত্তে, মাপা মপু নাম ফাঙলাকবা খুমোল লুৱাঙনা চিংদনা সাগৈ জাৎ ফানা য়ামনা লৈবানে মখোই অসিদি থোইথোকনা ফাৎতাবা মাচেৎ তৌদবনে প্রায়চি তৌ দনা নাম ফংবা যাবনে ..... । গোসাই গৰিবনিৱাজ নিংথৌদা মানা হইবা অসি চুমবাৰা হইদনা হঙে। গোসাই খুমোল নিঙথৌবু হই নিংথৌ ঐদি ৰাম উপাসনানে ঐসি ৰামাউতি ধৰ্ম্ম অসি নাংসোলৌও খুমোল নিংথৌনা হই গোসাই ঐগি ইপা ইপু পুংনামাদি বিষ্ণু উপাসনানে ঈষ্ট দেব অদু থাকোকবাদি ঐগি পুকনিংনা য়াতে অদুনা ঐবু ভিষ্ণু মন্ত্র পিও বিষ্ণু উপাসনা তৌজবাগে।নিংথৌগি ৱা তাদুনা গোসাই হই বিষ্ণুবু য়ামনা পামলবা ওৰে হইদুনা বিষ্ণু মন্ত্র পিখিযে। বিষ্ণুবু য়ামনা পামমে হইদানা গোসাইনা বিষ্ণু উপসনা তৌবা খুৎ অসিবু 'বিষ্ণু প্রিয়' কৌৱে। অসিগী মতুংদা নোংখ্রাঙলুপবা খুৎ অসিনা লুপতবা খুৎসিবু মখোইদি নোংখ্রাঙ লুপতদনা ইলাই লাইনা নাম ফাঙে হইবা অসিদা মিহৌনদনা নোংখ্রাঙ

লুপতবা নখোইগদি নোংখ্রাঙ লুপদনা প্রয়চিত্ত তৌখৎবানে নাখোইগা তিল্লোই হায়ে। মসুম তৌদনা লাঙনাদুনা মচিন মনাওনা অমানা মৈতেনে হইদনা খাইখবে। অমনা বিষ্ণুপ্রিয় হইদনা গোসাইনা থাম্বা মিং অদুনা জাৎ অমা খাইবে। মৈতে বিষ্ণুপ্রিয়া খাইবগি মৎমদি হইখৎবা অসিনে।'' (১ঃ১৬)

(২) অনিশুবা পথাপ

মখোয়না (কালিশা) করম্না মণিপুরগী যেলহৌমী ওইরিবনো হায়বদো মখাগী অসুম্না শাগৎলি ঃ-

"Orthodox Bishnupriya hold that the language was carried over to Manipur by some immigrants from Dwarka and Hastinapura just after the Mahabharata war. It is further said that these immigrants were led by Babruvahana, the sone of Chitrangada and Arjuna the third Pandava. Some scholars and history writers came to support the Mahabharata origin...."

(৩) অহুমশুবা পথাপ

মখোয়না শাগৎচবা মথক্কী পথাপ (Law) ৱাখনলোনসিগী হেক মথংগী চহীদা অমুক অনৌবা পথাপ (Law) অমমুক K.P. Sinha না অ সুম্না পুখোরকখি-

"They call themselves and their language "Manipuri", and use the term "Bishnupriya" to distinguish them from other ethnic races of Manipur. The term "Bishnupriya" is most probably derived from "Bishnupur" along with suffix- "iya", meaning 'people of Bishnupur', the old capital of Manipur. .... disagree with the theory (i.e. Mahabharata origin) and is of the opinion that the language we originate through Magadhi Prakita"

(৪) মরীশুবা পথাপ

হৌজিক য়াম্না কন্না, মখোযনা (কালিশা) মৈত্রবাক্কী পুন্নারীগী মথক্তা য়ুম্ফম ওইরগা, মৈত্রবাক্কী মীওই কাঙলুপ মচাশিংনা করম্না মীতৈ খুনাই ওইরকখি হাযবদুগা শমজিন্নবগা পুখোরকলিবা পথাপ (Law) ৱাখল্লোনদি -

"The people of Manipur comprise both the migrants of East and West

who came to Manipur in different periods of history. During the earlier period migrants were in general assimilated and assigned to one or other to the clans, no doubt according to the area in which they settled. Their origins are remember by terms Nongpok Haram (mainly the Shan, Kabaw, Pongs, Chinese, Burmese) and Nongchup Haram (Dravidian and Aryan) .... Though the Bishnupriyas never identify themselves as Mayangs, the Meities sometimes call them Mayang Kalishas and the written history of the Mayang Kalishas in Manipur goes back to the 7th century A.D. if not earlier, when Kamrupi people entered Manipur in the company of Mayang Leimaa Chingurembi who was married to King Naothingkhong of Manipur (667 AD) as per the manuscript Mayang Leima Chingurembi Nayaum.

The land was known as Manipur towards the 17th century, and the people were called Manipuris after that time. The term 'Manipur' was attributed to the land. So, when the terms of 'Manipur' and 'Manipuri' came into use, both the Meiteis and the Bishnupriyas had 'equal right' to them as the Bishnupriyas were living in the valley of Manipur from centuries before the period of Aryanisation. So both Bishnupriya and Maitais are Manipuri."(৮)

(৫) মঙাশুবা পথাপ

মালেমগী অখঙ-অহৈ কয়াশিংনা (G.A. Grierson, Maja M.C. Culloch, T.C. Hodson, R. Brow, E.W. Dun, S.K. Chattriji, etc.), মীতৈগী অখঙ-অহৈ কয়ানা মৈত্রবাক্কী পুন্নারী অমদি পুয়াগী মতুং ইন্না মখোয়গী হৌরকফমগী মরমদা হায়রিবা খুদিংমকতু ককথৎতুনা / য়াদদুনা শাগৎলকলিবা থিওরিদি -

''মৈতৈ লোলনা লৈরকখিবসি খৃষ্ট কুম তরামঙাগী মতুংদগীনি অমসুং বিষ্ণুপ্রিয়া লোলনা লৈরকখিবসি খৃষ্টকুম তরামঙাগী অদুম্নাইদগীনি। .... লমদম (মৈত্রবাক মণিপুর) অসিগী মীওইশিংনা আর্য্য পুমওন ওনসিল্লকপা তাঞ্জা তরেৎশুবা শতাব্দীগী অদুম্নাইদগীনি।'' (৬)

মখাতানা মখোয়গী লোলনা হৌরকখিবগী শাগৎচবা থিওরীগী

মতাং অমদা অসুম্না হায়রি -

"A study of pronouns and the conjugational and declensional endings of Bishnupriya shows that most of these forms are the same, as they are closely related to those of languages derived from Sanskrit. The Magadhi element is also remarkable, as the language retains many characteristics of Magadhi. It can further be noted that Bishnupriya Manipuri retains much of the old (15th century to 17th century A.D.) Meitei sound vocabulary, as the majority of speakers of the language left Manipur during the first part of the 19th century" (৮)

(৬) তরুকশুবা পথাপ

মৈত্রবাক্তা মতম খরা লৈরম্বা মতমদা লৌজখ্রবা / তমজরকখ্রবা, খুনাইগী, চৎনরোলগী মথক্তা যুমফম ওইরগা শাগৎলকলিবা থিওবীদি ব্লাযেনশঙদা পুথোকনরকখিবদুগী মতুং ইন্না -

''কাংলুপ অনীগী সংস্কৃতি হীবম খুদিংমক্তা চপমান্নে। মখোযগী কীর্ত্তন, রাসলীলা, জগোয, ঈশৈ, ফিজেৎ, চাকচা ইথক, পুন্সিমরেল, লুহোং খোঙদোংবা, শ্রাদ্ধগী থৌবম, সমাজ অমসুং সংস্কৃতিগী চৎনবী চপমান্নে।''

ব্লাপু অসিগা চপ মান্ননা মওং অমদমুক অসুম্না পাউথোকলি -

"The Bishnupriya and the Meiteis have formed a homogenous culture. Their Kirtana, Rasalila, dance, music, dress, style of living, food-habit, marriage-system, birth and death rituals and all other socio-cultural matters are identical in nature. For centuries, the same songs and ragas of Kirtana and Rasa are sung uniformly by the people of both the sections living any where whether in Manipur, Assam, Tripur, Bangladesh."(৮)

(৭) তরেৎ শুবা পথাপ

শাগৎচবা থিওরী মযামশিংদু অমদা নত্রগা অমদা পাননিংবা অমদা পাল্লুরসনু হায়বগী মওংদা, মৈত্রবাক্কী পুব্লারীদা যাওরম্বা খুদিংমক কৈিগুম্বা মতমদনা বিষ্ণুপুরগী 'বিষ্ণুপ্রিয়া' করিগুম্বদনা মহাভারতকী যেলহৌমী, করিগুম্বদনা মযাংগা মবী শমজিল্লগা 'মযাং লৈমা চীংখুরেম্বীগী' মীওই ওইজনিংবা, করিগুম্বদনা 'বিষ্ণু' লাইবু নুংশিবা মী ওইজনিংবা,

করিগুম্বদনা সংস্কৃত লোলগী হেক মনাওনুপা ওইনিংবা অমসুং ভারত লৈচাওগী মীয়ামদগী মীচঙখোম্বদা নুঙাইনবা মওংদা অফং অফংবা হায়জিনবা লেপ্পা লৈত্রি, থোরকখিগদবা ব্রাৎলি। পংকুই কুইদনা নোংমা 'মীতৈ' নি হায়না হায়রক্কদবা উবা ফংই। মৈত্রবাক্কী (মণিপুর) মীতৈ নত্রে হায়বা খংলকপদগী মৈত্রবাকপু আর্য্যগী লৈবাক ওইনা উৎনিংবদুনা হেনগৎলকপদগী ফংলকখিবশিংদুগী তাক্কক অমতং য়েংসি -

"History of Vaishnava practices in Manipur started with a King of Shan Kingdom of Pong gifted a murti of Vishnu to Kyamba, King of Manipur, so since 1470s the Kings of Manipur started worshiping Vishnu. Many Brahmana priests from the west, main areas of India, came to Manipur and settled there. King Kyamba (1467-1523) built a Vishnu mandir in Vishnupur, a notable architectural monument. In 1704 King Charai Rongba was initiated into Vaishnava tradition .... King Gareeb Nivaz was ruling from 1709 to 1748 and he was initiated into Vaishnavism of Chaitanya ...."(৮)

অসুম্না মৈত্রবাকপু আর্য্যগী য়ুমফমদা শাগৎলগা, মখোয়না অদুগুম্বা আর্য্যগী লৈবাকতুগী যেলহৌমী ওইনা উৎতুনা মখোযবু (কালিশা) অমসুং মখোয়গী লোলবু এরিয়ান কাঙলুপনি হায়না উৎপদু মপুং ফানবা হোৎনজৈ। মখোয়গী থিওরী লোয়বা নাইবা নত্তে।

(৮) নিপান শুবা পথাপ

হৌজিক খ্বাইদগী থৌনা থোকনা ময়াং কালিশাশিংনা লাওরিবদি ব্রায়েনশঙগী ব্রায়েন চৈরাক্তগী মখোয়গী ব্রাকৎতুনা ব্রাচুম ওইনা পীথোরকখ্রে হায়বসিনি।

কালিশাগী লাংলৌ কাইবা

মমাংগী তাক্ককতা কালিশাশিংনা করম্না লাংলৌ শিল্লকলি হায়বসি ময়েক শেংনা উবা ফংলে। তশেংনমতি মখোয়গী লাংলৌসি লোয়নমক মচা খায়না মখোয়গী হৌরকফম অমদি মীহৌরোলগী মতাংদা ব্রারেংসিগী ব্রাহৌদোকতনা নৈনখ্রে। মসিমকনা অদুমক তাকচরবনি মদুদি- কদায় য়ৌনা

মখোয়না য়ানশিন তৈশিনদুনা শাগৎতুনা মীতৈগী শক্তাকপু অমদি পুৱারীবু চনৈনশিল্লগা মখোয়গী শক্তাকপু উৎনবা হোৎনরকই, অমসুং মিৎ মাংদা মীনম্বা ঙাংবা ঙম্বগে হায়বদু।

মখোয়গী লাংলৌসিগী থিওরীগী শাগৎচবা পথাপ (Law) খুদিংমক অমমমতা ওইনা করম্না অরানবনো হাযবদু মখাগী অসুম্না চাংয়েং তৌদুনা পুথোকপা য়াই -

(১) মখোয়গী (বিষ্ণুপুরীয়া) অহান্বা পথাপকী চাংয়েং

খুমোল পুরানগী মতাংদা ইবুংঙো নাওরেম সনাজাওবনা অমসুং মীতৈগী অখণ্ড অহৈশিংনা অরানবনি অমসুং মীনম্বনি হায়না মখাগী অসুম্না শেংদোকখ্রবনি -

(ক) অঙম্বা অমদি মযায মতমগী মৈত্রবাক্কী পুযাগী মিংথোল শিংদা 'পুয়া' হায়না শিজিন্নরম্মী 'পুরান' হাযনরমদে অমসুং 'খুমন' হায়না শিজিন্নৈ 'খুমোল' হাযনদে।

(খ) খুমন যেক্কা মরী লৈনবা মীতৈগী পুযাশিংদি - খুমন কংলৈরোন, খুমনলোল অমসুং খুমন যেক্কী ৯৮ খুমন য়ুমদাবা পুয়ানি। শেমজিন্দুনা পুথোরকখিবা 'খুমোল পুরান' হাযবসি পণ্ডিত লোযশঙদা অমদি মীতৈ মায়চৌশিংগী মফমদা শুকলৈ লৈতে, ৱাফমসি 'A clarification on Bishnupuriya' হায়না মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা ফোংবা লাইরিকতুদা (১৯৮৭) দা সেংদোকখ্রবনি।

(গ) লাইরিক্কী লোম্দাশিনা তাকলিবদি লাইরিকসি ঙরাং নহানতা শেমজিনখিবনি, ঙল্লবদা ১৯ শুবা চহীচাগী অরোইবরোমদনি।

(ঘ) শাজিনদুনা পুথোরকলিবা লাইরিকশিদা, অহান্বা ৱাহৈপরেংদা শিজিন্নরিবা ৱাহৈশিং, খুদম ওইনা - খুমোল, খুৎদি, নোঙলুপবা নিংথৌ হায়রিবসি মীতৈলোল নত্তে।

(ঙ) লাইরিকশিদা শিজিন্নবা ৱাহৈশিং খুদম ওইনা মনিপুৰ, গোসাই, প্রায়চিৎ, উপাসনা, বিষ্ণু হায়রিবা ৱাহৈশিংসি মীতৈগী পুয়াশিংদা শিজিন্নরমদে। অসিগুম্বা ৱাহৈশিংসি 'নুমিৎ কাপ্পা', 'পাম্ভোইবী খোঙ্গুল' নচিংবা পুয়াদা সুকফং ফংনরোই।

(চ) মীতৈ পুয়াগী অককনবা লোন্দা অমসুং ইবগী ময়ি লোয়ননা মনুং হনজিনবা ৱাহয়োক মীতোপ (মীতৈ নত্তবা) অমনা ইলাই লাইনা খংবা ঙমদে। মদুবু শেমজিন্দুনা পুথোকপা ওইথোক্তে। মরম অদুনা 'খুমোল পুরান' দি শেমজিনবনি হায়বসি য়াম্না লায়না খংবা ঙম্মী। দিল্লী অমদি স্টেটকী লৈঙাকপগী অঙম্বগী লোয়শঙশিংগী মিৎয়েং চিংশিন্নবগীদমক কালিশা লুচিংবা খরনা কৈথেল নংনবগী ইখিবনি। (১ঃ১৭)

দাঃ ইবুঙো নাওরেম সনাজাওবনা -

'পুরান' অসিগী চাংয়েংগীদমক Manipuri University গী অখঙ অহৈশিংগী মফমদা হংখিবগী পাউখুমদা Scholar শিং - নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র, নিঙোম্বা, এলাংবম নীলকান্ত, দা. ওয়নাম ইবোচৌবনচিংবা ওজাশিংনা শেমজিনবা লাইরিকনি হায়না শেংদোকখ্রবনি।

মথক্তা নৈনরিবসিনা মযেক শেংনা তাকলি মদুদি মখোয়গী 'মণিপুরী' হায়জনিংবগী থিওরীদুগী অহাম্বা law (পথাপ) দু অরানবনি, অমসুং মদুমনা 'মীতৈ' অমসুং 'কালিশা' খায়রকখিবগী ৱারী শুকলৈ লৈতে।

(২) মখোয়গী অনিশুবা পথাপ কী চাংয়েং

মতম অমদা মৈত্রবাকপু মহাভারতকী মণিপুরগা মরী থম্নদুনা শাগৎলম্বা পুৱারীশিংদু অলানবনি হায়না মীতৈগী অখঙ অহৈশিংতা নত্তনা ভারত অমদি মালেমগী অখঙ অহৈ কয়ানা ককথৎখিবা মতম ফনা কুইরে। মীতৈলৈবাক মণিপুরসি মহাভারতকী মণিপুর নত্তে হায়বসি মমাংগী ৱারেংদা নৈনখ্রিবদু য়েংবিয়ু। চৈহৌদা কালিশাগী লুচিংবা খরনা মীতৈশিংগুম্না মণিপুরবু মহাভারতকা শমজিন্নরুরবসু কায়নথংদদি দাঃ সিনহানা (মখোয় মশানসু) ৱাফম অসিবু ককথৎখ্রবনি। মতৌ অসুম্না অনিশুবা পথাপ (law) অরানবনি হায়বসি ময়েক শেংলে।

(৩) মখোয়গী অহুমশুবা পথাপ কী চাংয়েং

দা. সিনহানা মহাক্কী থীজিনবগী মতুং ইন্না 'বিষ্ণুপ্রীয়া' হায়রিবা ৱাহৈসি হৌজিক্কী মৈত্রবাক মণিপুরগী, মমাংগৈদা 'লমাংদোং' হায়না

খংনরম্বা, 'বিষ্ণুপুর' লমদমগী মীওইশিংনি হায়দুনা 'বিষ্ণুপুর' + 'ইয়া' দগী 'বিষ্ণুপ্রীয়া' ওইরকখিবনি হায়বসিনি। ঙকলিবদি হৈশিংলবা মীওই অমনা ৱাহৈ অনিসিগী পুনশিল্লকপদা 'বিষ্ণুপুরীয়া' হায়ফম থোকই হায়বা খংদ্রিবসিনি। খংদ্রবসু, মীতৈশিংনা অমদি মলেসশিংনা 'বিষ্ণুপুরীয়া' হায়না রেকর্দ খুদিংমক্তা থমলমলবনি। মসিনা তাকলিবদি তশেংনমক হায়নিংদুনা তৌবনি।

তৌইগুম্বসুং পোলোইদা ৱারোইশিল্লিবদি মখোয়গী লোলগী হৌরকফমদি 'মগধী প্রকিতা' দগীনি হায়বসিনি।

মতাং অসিদা শাগৎলকলিবা ৱাখল্লোন / পথাপ (law) সিদা করিগুম্বা বিষ্ণুপুরদা লৈবা মীওইনি হায়দুনা মিংথোলসি ওইখিবনি হাযবদা তারবদি লমদমসিগী (বিষ্ণুপুর) মিং চহিচা ১৮ গী মমাংদা লমাংদোং হায়না খংনরম্মী অমসুং মফমদুদা লৈবা মপানদগী লাকপা মীওইশিংবু নিংথৌনা খুম্দাহম্দুনা থমখিবশিংদু 'ময়াং' হায়না খংনরম্মী। মখোয় শিংনা (হান্নগী ময়াংশিংনা) মীতৈ খুনাইদা তিনখ্রবগী মতুংদা লাকখিবা মপানগী কাঙলুপ অদুবুনি 'ময়াং কালিশা' হায়না খংনরিবসি। অদুনবু মীতৈগী অমসুং মপান (ইংরেজ) গী অখণ্ড অহৈশিংনা 'ময়াং কালিশা' হায়না রেকর্দ খুদিংমক্তা অমসুং হৌজিকসু শিজিন্নরি। ৱারেং মতপ (Appendix) তা য়েংবিয়ু। লোয়ননা মখোয় মশানা য়ারবা ৱাফমদি মখোয়গী লোলসি মৈত্রবাক্কী নোংচুপ থংবা লমদমদগী মখোয়না মৈত্রবাক্তা লাকপদা লোয়নরকখিবনি হায়বসিনি। মদুগী মতুংদা অৱা লানগায়বগী মতমদা খৃঃ ১৮২৬ কী অদুৱাইদা মৈত্রবাক থাদোকতুনা চেল্লকপদা মীতৈগী ৱাহৈ খরসু লোয়নরকতুনা খরগা হেন্না মপুং ফারবা লোল অমা ওইনা মৈত্রবাক্কী মপান্দা য়োখৎচখি। হৌজিক মৈত্রবাক্তা লোলসি লৈতে। মরম অদুনা মৈত্রবাক্কী নোংচুপলম- নোর্থ বেঙ্গল অমসুং কামরুপকী তাইনবদগী লাকখিবা মৈত্রবাক্তা মতম খরা লৈরম্বা, পুৱারীগী মতুং ইন্না ইনিংথৌ মৈদিংঙু চীংথং খোম্বগী (ভাগ্যচন্দ্র, খৃঃ ১৭৬৩-১৭৯৮) গী মতমদগীনা মৈদিংঙু গম্ভীরসিংগী (খৃঃ ১৮২৫-১৮৩৪) মতম ফাওবা চাওরাকনা চহী ৫০ মুক লৈরম্বা, ঙসিদগীনা চহী ২৫০ মুক্কী মমাংদা মীতৈশিংগা শকখংনরুবা,

ঙসিদগীনা চহী ২০০ মুক্কী মমাংদা (খৃঃ ১৮১৯) মৈত্রবাক্কী মপান্দা খুন্দাখ্রবা ঙসিদগী চহী ৮০ মুক্কী মমাং (খৃঃ ১৯৩৪) অদুব্লাইদগী থাপতোকনরকলবা কাংলুপ অসিনা মখোয়গী ফুরুপ অমদি লোলবু য়োখৎচরকপদা, মীতৈগী শক্তাক ওইরিবা 'মণিপুরী' ব্লাহৈবু শিজিন্নবসি অরানবনি হায়বদু অদুমক তাকচরবনি।

মরম অদুনবু মপান লমগী (ইংরেজ) অখণ্ড অহৈশিংনা - Major Mc. Culloch না An Account of the Valley of Munnipore and of Hill Tribes, 1859 দা, G.A. Grierson না Linguistic Survey of India গী ভোল্যুম মরীমক্তা অমসুং অতোপ্পা রিপোর্ট কযাদা, E.T. Dalton না Discriptive Ethnology of Bengal, 1972 দা, R. Brown না Statistical Account of Manipur, 1874 দা, E.W. Dun ; A bridge gazetter of Manipur, 1891 দা Edward Gait না Census of Assam, 1891 দা B.C. Allen না T.C. Hodson, সুনিতিকুমার চাতার্জীনচিংবনা কালিশালোলবু তোঙান তোঙান্না- হিন্দীগী লৌছৈ, সংস্কৃতকী লোছৈ, বেঙ্গলী লোছৈ, আসামীস লৌছৈনি হায়দুনা 'ময়াং' হায়না তাকলমলবনি। লোযননা মীতৈ খুদিংমক্না ময়াং কালিশালোল হাযনা খংনরি।

(৪) মখোয়গী মরিশুবা পথাপকী চাংয়েং

মতাং অসিদা কালিশাশিংনা পুথোরকলবা পথাপসি মথক্তা নৈনখ্রিবা পথাপশিংদগীদি ফনা য়াম্না কাংলোন চাবা (Scientific) মওংদা চংশিল্লকলি। তৌইগুম্বসুং অচুম্বা হায়রিবা পোৎশকতুদি কাংলোন চাবা ব্লায়েৎ মরৈনা (Scientific Argument) অরানবনি হাযনা ওহোকপা য়াবা নত্তে। মতাং অসিদা ময়াং কালিশাশিংনা হাযরিবদি মৈত্রবাক্কী মীতৈশিংসি নোংপোকলোমদগী চাইনিজ, বর্ম্মীজনচিংবা মীওইশিং চংলকতুনা নোংপোকহারমগী মীওই কাংলুপ ওইখি অদুগা নোংচুপলোমদগী মরু ওইনা মখোয়না (কালিশাশিংনা) চংলক্তুনা নোংচুপ হারমগী মীওইবা কাংলুপ ওইনা মীতৈলৈবাক হায়বদি মণিপুরগী মীওইব ফুরুপনা হৌরকখি হায়বসিনি। অদুগা নোংচুপ হারমগী মীওইশিংনা হায়বদি কালিশাশিংনা মৈত্রবাক্তা কুইনা লৈরকপনা চহীচা ১৮ দা মীতৈনা আর্য্য ওনসিল্লকপুদা মখোয়সু

মমাংঙৈদা 'ময়াং কালিশা' হায়না খংনরমবদু, 'মীতৈ'বু 'মণিপুরী' হায়খিবগুম মখোয়সু 'মণিপুরী' হায়বগী হক লৈজে হায়বসিনি।

মতাং অসিদা মখোয়না (কালিশাশিংনা) খঙজিন্নদবা নত্রগা তশেংনা খঙদবা ওইরবসু, মখোয়না খঙজিনগদবসি -

(ক) মৈত্রবাক্তা লৈরম্লিবা য়েলহৌমী মীতৈ হায়রিবা ফুরুপসি মপান্দগী লাকখিবা মীওইশিংনা য়ানশিন্নরগা ওইখিবা নত্তে। মীতৈনা মীতৈলৈবাকতগী হৌরকখিবনি হায়বগী পুন্নারীগী মমাংদগী ন্নারীলীখুনদনা লৈখ্রবনি। Historically, Archaeologically কয়ানা তান্নবনি।

(খ) মৈত্রবাক্লা মপাঙ্গল কনখৎলকপা মতমদা, মৈদিংঙু খাগেম্বগী মতমদা, মপানলমগী মীওই কয়ানা চংলকখিবশিংবু খুন্দা লৈতাহন্দুনা মীতৈ খুনাইগা অমত্তা ওইনা লৈমিন্নরকখি। মতম অদুদগী মৈত্রবাক্কী নোংপোক নোংচুপতগী লাকখিবসিংদুনি নোংপোক হারম, নোংচুপ হারম হায়না থোরকখিবদু। য়েলহৌঙৈদগী লৈজরক্লবা মীওইবা ফুরুপ 'মীতৈ' হাযবদু হারম অনীসিগী মনুং চনদে। মীতৈ ফুরুপতা নোংপোক অমদি নোংচুপ হারমগী মীওইশিংনা তিনখিদুনা, ঙসিদি মীতৈগী য়েক শলাই ওইখিদুনা, অমত্তা ওইনা ঈতোংদা ওইশিনখিদুনা, হিংমিন্নদুনা কনানা কনানো হাযবা ফাওবদা নিংশিংনদ্রবা, কাওথোকখ্রবা ন্নাফমসিবু কালিশাশিংনা হনজিন হনজিন্না লান্না অনৌ অনৌবা পুন্নারী কয়া পুথোরকতুনা, অচেৎপা য়ুম্ফম লৈখ্রবা মীতৈ ফুরুপ্পু থুগায়নবা য়াম্না কন্না লাংলৌ শিল্লি।

(গ) ন্নারেংসিগী চৈহৌদনা 'কালিশা কনানো' হায়না নৈনরকপদা মচা তানা নোংপোক , নোংচুপ হারমগী ন্নাফমসু নৈনখ্রে। মরম অদুনা কালিশাশিংদি নোংপোক নোংচুপ হারমগী মনুং চন্দবা কায়নথংদা লাকখিবা 'ময়াং কালিশা' নি। অদুনবু ঙসি ফাওবদা 'ময়াং কালিশা' দি মীতৈ হায়বদি মণিপুরী নত্তে হায়না তশেং তশেংনা তান্নিবসিনি।

(ঘ) তাংখুল কবুইনদি মণিপুরী হায়দে।

(৫) মখোয়গী মঙাশুবা পথাপকী চাংয়েং

মতাং অসিদনা মখোয়না (কালিশা) য়াম্না কন্না পাউথোকলিবদি মীতৈলোলসি চহীচা ১৫ গী মতুংদগী অদুগা মখোয়গী লোলনা চহীচা ১৫

দগী হৌরকখিবনি হায়বসিনি। খা-নোংপোক এসিয়াগী খ্বাইদগী ইনাকখুন্বা মনাংকী পুকৈ লৈজবা মীতৈগী- লোল, ময়েক, পুদিন (সাহিত্য), মনাং, লাইনীং খুদিংমক্তা চহী লীশিং ২ দগী হেল্লবা অইবা পুন্নারী লৈজরবা, চহী লীশিং ৪ (মরি) দগী হেল্লবা পুন্নারী (History) গী খুদম চাংদম লৈজরিবসিবু, মখোয়না মীতৈলোলবু চহীচা ১৫ গী অদুন্নাইদগী হায়না হায়জিল্লি। মৈদিংঙু লোয়ম্বাগী মতমদগী (চহীচা ১১) অইবা চৎনপথাপ (Written constitution) লৈরকলবা, পুয়া পুদিন কয়া খৃঃ গী মমাংদগী (B.C.) লৈরকখিবগী ন্নাফমবু খংজিন্নদনা, চাউরবা মীনম্বা ন্নাফম পুথোরকলি। মীতৈলোল অমসুং নাংকী পুন্নারী মমাংগী ন্নারেংদা য়েংশিনবিয়ু।

মসিনা তাকপদি,খৃঃ ১৮২৬ কী মতুংদগী মৈত্রবাক্কী মপানদা খুশ দাম্নবা, মীতৈলোল খরসু লোযনজরকখিবা, কালিশালোলনা মৈত্রবাক্কী মপান্দা মমি তমলখিবসি, ঙসিদগী চহী ২০০ মুক ওইরক্লে। অসিগুম্বা লোল অমগা চাংদমনজনিংবদগী মীতৈলোলবু নৌথহনবনি হাযবসি তশেংনা তাকলি।

(৬) মখোয়গী তরুকশুবা পথাপকী চাংয়েং

মতাং অসিদা, মখোযগী ন্নায়েংকী ন্নাঙম ওইনবা পুথোরক্লিবা পথাপ (law) সিদা হায়রিবদি মীতৈ (হায়বদি মণিপুরীশিং)অমসুং ময়াং কালিশাশিংগা খুনইগী চৎনরোল, পুন্সিমরেল, নাং অমসুং হরাও কুম্মৈ, রাসলীলানচিংবা খুদিংমক্তা চপ মান্নে। মরম অদুনা মখোয়গী থিওরীদা 'মণিপুরী' হাযবগী চপ চাবা হক লৈ হায়বসিনি।

পথাপ (law) অসিবু চাংযেং তৌদুনা য়েংনিঙাইদি মীতৈ খুনাইনা pluralistic society ওইনা শেমগৎচরকপা মতমদা ইনিংথৌশিংনা, মৈদিংঙু খাগেম্বগী (১৫৯৭-১৬৫২) মতমদগীনা করম্না খুনাই অমা শেমগৎচবগী মরু ওইবা মচাক ওইনা লৌথি হায়বসিনি, লোয়ননা মখোয়না (ময়াং কালিশা) মীতৈশিংগা হীরম অসিদা চপ মান্নৈ হাযবসি কদায় ফাওবা চুম্বগে হাযবসিনি।

(ক) অহাম্বা ৱাফম (point)

মৈত্রবাক্কী ইনিংথৌশিংনা মপাঙ্গল কনখৎলকপা লোয়ননা, মৈদিংঙু ক্যাম্বগী (১৪৬৭-১৫০৮) মতমদগীনা মপান লমশিংগা শকখংনরকতুনা মরী থম্নরকখিবা, লোযননা মৈদিংঙু খাগেম্বগী (১৫৯৭-১৬৫২) মতমদগীনা মথং মথং মৈদিংঙু চরাইরোংবা, পামহৈবা, চিংথং খোম্বা, গম্ভীরসিংনা চিংবা খুদিংমকনা মীতৈ খুনাইবু হেন্না মপোপ চাওবা খুনাই অমা ওইনা শেমগৎচরকপদা লাইনীংগী (ধর্ম) অখুবা মীৎয়েংদা মীচঙ মীখায নায়খিদে। অদুনবু মতম অদুদগী হৌনা মৈত্রবাক্তা তোঙান তোঙাম্বা চৎনরোল অমসুং লাইনীংনা মশা মবেং ফনখিদুনা হেন্না মপুং ফাবা খুনাই অমা ওইখি। অসুম্না মীতৈ ফুরুপনা (Nation) মপুং ফারকপদা খ্বাইদগী মরু ওইবা মচাক ওইখিবদি লোল (Language) নি। লোয়ননা মীওইবা কাংলুপ কযাবুসু মীতৈগী যুমনাক শাগেদা তিনদুনা, কাংলুপ খুদিংমক্কী মাগী মাগী শিনফম অমমমসু শিন্নখি। হীরম অসিদা শন্দোকনা মমাংগী ৱারেংশিংদা নৈনখ্রিবদু য়েংশিনবিয়ু।

মরম অদুনা মীতৈগী কাংলুপ (ethnic) অমা ওইনা, মণিপুরী (হায়বদি মীতৈ) খুনাইগী শরুক অমা ওইবদা মণিপুরী লোল (হাযবদি মীতৈলোল) ঙাংবগী তঙাযফদবা অমা লৈ হাযবসি ময়েক শেংলে।

করিগুম্বদা খুনাইগী চৎনরোল, হবাও কুম্মৈ থরথক মান্নরুবনা কাংলুপ নত্রগা ফুরুপ অনিবু চপ মান্নে হাযনা লৌবা তারবদি ভারতকী মশিং যান্নবা কাংলুপকী মনুংদা চৎনরোল, হবাও কুম্মৈ চাওরাকনা মান্নে, অদুনদি কনানা কনানো হাযন ethnic group শক্তাকপবু ঙমলমলোই।

(খ) অনিশুবা ৱাফম

মীতৈ অমসুং কালিশাশিংগী খুনাইগী চৎনরোলদা কদায় ফাওবা মান্নবগে হায়বসিনি। মপানথোংগী মিৎযেংদগী হীরমসিদা কাংলুপ অনিসিগী মনুংদা মান্নজবগী ৱাতনি। তশেংনমক্তি হীরমসিদা অদুক্কী মতিক খেৎনৈ, মদুদি কাংলুপ অনিসি চাংদমনিঙাইবু লৈতে। নতলমদ্রবদি মীতৈ অমদি বেঙ্গলী, আসামীসনচিংবগা অমত্তা ওইনা লৌবা য়ারম্বনি। মীতৈ খুনাইগী পুন্সি মরেলদা লৈবিবা অবোনবা মশক ঙসি ফাওবদা মীতোপশিংনা

(মীতৈ নত্তবা) খংদ্রি, মখোয়না (কালিশা) খংবসু ওইথোকত্রি। মরম অদুনবু ইনিংথৌ মশামকনা অমসুং বৈরাগ্য শান্তিদাসনা, মীতৈ পুম্নমকসি বৈষ্ণব লাইনীং লৌদুনা আর্য্য ওল্লে হায়না লান্না খনখ্রিবদুনি। মসিনি মীতৈগী অচেৎপা মচৎ অমসুং চৎনরোল, অদুনবু ঙসি ফাওবদা মীতৈ সভত্যানা হিংদুনা লৈবা ঙমলিবা।

মথক্তসু নৈনখ্রে, নোংচুপ হারমগী মীওইশিংনা মৈত্রবাক্তা লাকতুনা পুংতিন তিনখ্রবগী মতুংদা, কায়নথংদা লাকখিবা ময়াং কালিশাশিংনা মীতৈশিংগা তোৎন তিন্নরকপদগী মৈদিংঙু চীংথং খোম্বা (ভাগ্যচন্দ্র, ১৭৬৩-১৭৯৮) গী মতমদগী, ইনিংথৌনা মরৈবাক কনবগীদমক অমসুং লাইফম চৎপা ওইনা বেঙ্গললোমদা (ঢাকা দক্ষিন্নচিংবা) তোয়না চৎপদা, ময়াং কালিশাশিংনা নিংথৌগী অচানবা মনাই ওইবা য়াওখিবা কয়াদগী (কালিশা কনানো হায়বা তাঙ্ককতা যেংবিয়ু) মীতৈগী চৎনরোল, পুন্সিমরেলগী চাকচা ইথক. হিন্দু লাইনীংগী ৱাঙুরোল, ঈশৈ নোংমাই, জগোয় রাস লীলা. মীতৈলোলমকসু তমদুনা মীতৈ পুমওন ওনখ্রবনি। মতৌ অসুম্না ময়াং কালিশা অমদি মীতৈশিংগী চৎনরোলদা মান্নবা মশক খরা লৈখিবগী ৱানি। খৃঃ ১৮২৭ কী মতুংদগী মৈত্রবাক্কী মপান্দা খুন্দাখ্রবা মচেৎ খরনা, ২০ শুব চহীচাগী তঞ্জাযদগী মণিপুরী (মীতৈ) ওইজনিংবা, অদুগা মরোলসু খরা য়োখৎচরকতুনা মণিপুরীগী (মীতৈ) গী মশা ওইনা চোংথোরকখিবগী ৱানি।

খ্বাইদগী মরু ওইরিবদি - মীতৈ সভ্যতাগী অশেংবা মশক তাকপদা তঙায়ফদবা মচাক ওইরিবা অমসুং মীতোপশিংনা ঙসিফাওবদা মশক মুন্না খংদ্রিবা চৎনরোল অমসুং হরাও কুম্মৈশিংদু খংজিনবা অমা চংঙি, করিগুম্বা মখোয়সু মপুং ওইবা মীতৈ ফুরুপ (nation) কী মনুং চনগে হায়রবদি। মীতৈ সভ্যতাগী ৱাঙুরোলনা মযোন ওইরিবা মীতৈগী লাই হরাওবদা য়ুমলাই, উমংলাই লাৎপগী চৎনরোল, মীতৈ অমাইবা অমাইবীশিংগী লাইতোংবা, চৈরাওবা, লাইখুন্দিন লালুপ, য়েক শাগৈগী লাই লাৎচবা, শাগৈগী লাই হরাওবা, লাই হরাওবগী মখল কযা, খম্বা-থোইবী, ফৌওইবী-অকোংজাম্বগী মপোক তরেৎকী ৱারী, ঔগ্রী চোংবগী

চৎনবী, মীতৈগী শরীৎ-শরাৎ, মুক্লা কাংজৈ, শগোল কাংজৈ, কোংবা লৈথোং ফাৎপা, কাং শান্নব, চীংখৈরোল অসিনচিংবা মীতৈগী য়েলহৌ লীচৎ অমসুং চৎনরোল কয়ানি, লোয়ননা মীতৈগী ইমুং-মনুং অমসুং খুনাইগী চৎনরোল খুদিংমক্তা মপানথোংদগী হিন্দু লাইনীংগী মমি তাখ্রবসু নুংদা মীতৈগী য়েলহৌ চৎনরোল অমদি অদুমক থাদোকপা য়াদনা লৈরি। খুদম ওইনা- মীতমঙা, শ্রাদ্ধকর্মদা য়ুমলাইগী ব্বারী অসিনচিংবা কয়ানি। মসিগী খুদম মীতৈ নত্তবা কনাগুম্বা অমত্তনা খংবা শুকওই ওইথোক্তে। মদুনি মীতৈগী অরোৎপা অমদি অচেৎপা মনাৎ হাযরিবদু।

মীতৈগী য়েক শলাইগী মতুং ইন্না লৈরিবা মশিং থীঙমদ্রবা শাগৈশিংগী মনুং ফাওবা চনবা ঙমদ্রিবা কালিশা কাংলুপনা হিন্দুগী গোত্রগা খরা শমজিন্নরগা করম্না মীতৈগা নাৎ অমদি পুন্সি মরেলদা চপ মান্নে হাযনা লৌবা ঙমগদৌরিবনো? হিন্দু লাইনিংগী মতুংদগী মপানথোংদগী মান্নরুবা খরথকনা মান্নরবোই নিংলিবদু পুংলান লানবা ব্বাফমনি।

মীতৈ ফুঙ্গাব্বারী, লাই হরাওবা অমদি খুনাই চৎনবোল খুদিংমক্তা, অইবা পুয়াত নত্তনা থৌরম কয়াদসু অমদি পুব্বারীনা মশক তাকনবা য়েলহৌঙৈদগী লৈমিন্নরক্লবা চীঙমী-তম্মী মচিন মনাওনি হায়বা খঙলবা ইচিন ইনাওশিংনা মশাগী ইথনি মশক তাকপদা তোঙান তোঙান্না-তাংখুল, কবুই অসিনচিংবা হায়না তাকচরি। মসিগা চাংদম্নকরবদি মযাং কালিশাদি ঙরাংতগী ব্বাফম নত্তে, ঙসাইব্বাইগী ব্বাফম তাবক্লে।

(৭) মখোয়গী তরেৎশুবা পথাপকী চাংয়েং

পথাপ অসিগী মতুং ইন্না মখোযনা (ময়াং কালিশাশিংনা) শাগৎচনিংলিবদি মৈত্রবাকসি আর্য্যগী লৈবাকনি হায়বগী ব্বাফমদু মমি তাহননিংবদুনি। ফুরুপ অমগী সভ্যতানা চাওখৎলকপদা নিংথৌ খুদিংমক্কী মতমদা নোংলৈ নুংশিৎতগী হেন্না কল্লবা যাওন কযা থুংলখিবা হায়বসি পুব্বারীনা অদুম তাকচরিবনি, তৌইগুম্বসুং মদুনা সভ্যতা অদুমকতি মরু যুকতুনা লংথোকপা শুকওই ওইথোক্তে। মতৌদুগুম্না মীতৈ নিংথৌনা খুৎশম্ন কবা অমদি মীতৈ খুনাইনা শারেপ ফারকপদা - পোং নিংথৌগা মরুপ ওইদুনা সনাগী লিকফাং অমত্তদা ফম্মিন্নরগা, সনাগী পুখম অমত্তদা লুক হামিন্নখিবা,

খুদোল ওইনা লাইগী শক্তম অমবু (বিষ্ণু ওইরম্বা য়াই হায়বগী ৱাতনি) মৈদিংঙু ক্যাম্বদা পীরকখিবা, মথংদা ইনিংথৌশিংন আর্য্যগী লাইনীং লৌরকখিবগী ৱারী, তেখাউলু উল্লকখিবগী ৱারী, পুৱারীনা ৱাচুম ওইনা লৈরি। মসিদা বিষ্ণুগী শক্তমগা শমজিন্নরগা বিষ্ণুপ্রিয়ানি হায়জনিংবা কাংলুপসিনা উৎনিংলিবসি নাতেশুকচা চান্নদে। করিগুম্বা 'বিষ্ণু' + 'প্রিয়' (বিষ্ণুবু নুংশিবা) হায়বা পথাপ (law) দু উৎনিংবদগী ওইরবদি বিষ্ণুপুরানগী হৌরকফম আর্য্যগী খুঙ্গং অমদা শমজিল্লুগদবনি, ঙরাংতা মণিপুর ওনখিবা মৈত্রবাক কংলৈপাক্তা পুসিনলকপসি অঙাং শান্নবগী মওং অমা তাশিনলকলি। বিষ্ণুবু নুংশিজবা মীওইনি হায়রবদি বিষ্ণুগী শক্তম (মুর্ত্তি), পুরান, মন্দিরনা পীক থল্লবা ভারতবর্ষগী হায়নিংবা মফম অমা হায়জিনবা য়াই। মৈত্রবাক্তি নত্তে।

নত্রগনা বিষ্ণুপুরদগী বিষ্ণুপুরীয়া থৈথখিদুনা বিষ্ণুপ্রীয়া ওইখিবনি হায়জনিংবা ওইরগদি, বিষ্ণুপুরদি মমাংঙৈদা 'লমাংদোং' হায়না খংনরম্বদগী চহীচা ১৮ দা মমিং ওহোকখিবগী ৱাতনি। মহাভারতকী ৱারীগা শমজিন্নরগা বিষ্ণুপুরনা অরীবা মফম ওইহনবগী শাগৎচবা পথাপতু (law) লাল্লি হায়না পুৱারীশুবা ময়াম্না য়ানরবা ৱাফমনি।

মরম অদুনা মতাং অসিদা মখোয়গী থিওরীগী চৈঙাক ওইনবা পুথোরক্লিবা পথাপ (law) অসি পুংলান লাল্লবনি হায়বসি অদুমক তাকচরে।

(৮) মখোয়গী নিপানশুবা পথাপকী চাংয়েং

মীতৈ অমসুং কালিশাগী লালোংদা অরোইবা খোংথাং ওইখিবা ৱায়েনশঙগী ৱায়েন মরৈ অমদি ৱায়েন চৈরাক্কী হীরমদা মমাংগী তাক্ককতা শন্দোকনা নৈনখ্রে। মথক্তা নৈনখ্রিবসিদগী ময়েক শেংনা খংবা ঙমলি মদুদি-কালিশাগী শাগৎচবা মখোয়সু মণিপুরীনি হাযবগী থিওরীদুবু চৈঙাক ওইনবা পুথোরকখিবা পথাপ (law) ময়ামদু অরানবা ঙাকতনি হায়বসিনি। অরানবনি হায়বা খঙলবা ৱাফম, মদুগীসু মথক্তা মীতৈ ফুরুপনা (জাতি) মালেমগী অখণ্ড-অহে কয়ানা, মণিপুর লৈঙাকপনা (Govt.), অমসুং ভারতকী লৈঙাকপগী অঙম্বগী লোয়শঙ (Authoritative Govt. official)

খরনা ককথৎলবা ৱাফমসিবু, গৌহাটি হাইকোর্ট, অমসুং সুপ্রীম কোর্টকী ৱায়েন চৈরাক্তা মখোয়না হায়বদুনা ৱাচুমনি হায়না পীথোকখিবগী মরম খরা লৈ।

খ্বাইদগী মরু ওইবা মরম খরদি - কেইস অদুদা মীতৈগী মায়গৈদগী ওইনা পিটিশনার- ইবুঙো কে. কুমারধন্না মনুং মতম চাদনা তাইবং থাখিবনা কেইসতুবু য়েংশিনবা ঙমখিদবা, লৈরিবা মীতৈ খুনাইগী কনাগুম্বা অমত্তনা কেইসতুবু থৱায় য়াওনা যেংশিনবিহৌদবা অমসুং ঙসি ফাওবসু মনাৎকী লোয়লম শন্দোকপগী ৱাখলগী মমি শামদ্রিবা ভাবতবর্ষদা অৱাং-নোংপোকলোমগী কাংলুপ মচা তারবা মীতৈ, মঙ্গোলোযশিংগী শরুক অমা ওইনা উবিরিবা ফুরুপসি নমহৎতুনা থম্বা, লোযননা চফু কাইরগা ৱাকনা হরাওবা মওং অমা ইচং চংবা ৱাথোকসিদা, মীতৈ মচা অমনা অসাম লৈঙাকপা (সরকার) অমসুং ত্রিপুরা লৈঙাকপগী (সরকাব) মথক্তা কেইস তৌবদা মাযথীবা হায়বসি মশানা পোপ তাবা ৱাফম ওইখি।

মরম অদুনা, হীরমসিদা কালিশানা হায়বশিংদু অচুম্বা ওইখিবদগী নত্তে হাযবসি মযেক শেংলে। তৌইগুম্বসুং ৱাযেনশঙগী ৱাখৈ ওইখিবনা, মসিনা মীতৈ সভ্যতগী অচৌবা লাইবক থীবগী মরম অমদি ওইরি।

অহানবা ৱারেংদা কাউবা ঙমদনা নিংশিংখিবা নিংথৌমচা অমদি মন্ত্রীমচা অনিগী মরক্তা ওইখিবা শক্তাৰুী লানদু মতাং অসিদা অমুক্কা নিংশিংজনিংঙি। নিংথৌমচাদু মন্ত্রীমচানা শিল্লকপা লাংলৌদা মরু ফংনা মাংলুরবনি। অদুবু চঙবা শিবগী অরোইবা খোংথাংদা ফনমক নিংথৌমচাদুনা অশেংবা, অচুম্বা ওইববসু মহাক্কী নিংহন্নবা লৈতনা হোৎনবা অমসুং মতালোযদা অচুম্বা ৱাবী লীদুনা মীচঙ খোমখিবদু নৎলমদ্রবদি, মহাক্কী লুখুমদা যাল্লিবা থাংশাং অমদি মপোক্কী ওইবা মশিন শরীৎ-শরাৎ, থাঙ-তাগী কান্নফম লৈরম্রোইদবনি। শক্তাক মাংখিবদুখকনা মতালোয, কোনুং, লৈবাক মীযাম অমদি মরৈবাক্কী পুম্নমক পুংমাং মাংলম্বা যাবম্বনি। নিংথৌমচাদুনা মশাগী শক্তাকপু হনজিনবা ঙমখিবগী অমত্তা ওইবা লাইৱাদি মহাক্কী নিংহনবা নাইদবা হোৎনবা কনখিবদুনি।

নিংথৌমচাগুম্না মরাইবক থীবা (দশা) নংলবা মীতৈনা ফনমক অশেংবা, অচুম্বা ওইরবসু নিংথৌমচাগুম্না হন্বা নাইদবা হোৎনবদু নত্রবদি পুব্বারীগী লৈময়াদা তুংগী মীরোলনা অঙকপা জীব খরদি লৈরম্মী হায়বসি শোয়দনা থেংনগদৌরি। শক্তাক ঙাকপা ঙমদবা খকতনা মীতৈগী চহী লিশিং কয়াগী সভ্যতাবু যোখৎচরকখিবা ইনিংথৌশিং অমদি পারোন-পুরোন পুম্ন মক্কী হোৎনজমনবু উত্তা ঘী হৈবগুম মাংহন্দুনা সভ্যতা অসিবু পুংমাং মাংহনগদৌরি। ঙসিদগী চহী ২০ গী মমাংদগী ইবুঙো নাওরেম সনাজাওবনা, হনবা নাইদবা হোৎনবগী মায়োন্দু, অসুম্না খুদোম্বী থীনদুনা

The Task Ahead হাযনা তাকপিরম্মী

- "The Minority Commissioner of India, The Census Authority of India, The Registror of India under Union Home Ministry, The State Government of Assam and any other State Government concerned should have to revoke and nullify any order or report or instruction (confidential if any) the usurps the nomenclature 'Manipuri' so as to juxtapose or use it along with Bishnupuriya or for that matter with the name of any other non-Manipuri community or linguistic group. The Union government of India has a moral obligation to raise an issue with the Bangladesh government which, on the initiative and pressure of the Bishnupuriyas, has desecrated the Manipuri cultural history by way of adding Manipuri term to Bishnupuriya word."

তৌইগুম্বসুং ঙসি তুংহন্নদুনা যেংলুরবদি করিগুম্বা খুমাং চাউশিন্বা অমত্তা থোযদোকনা উবা ফংদে। ব্লাযেনশঙগী ব্লাখৈদা মাযপাকহৌদ্রবা মীতৈ মা অমগী মরাইবক থীদুনা, কেইসতুগী অরোইবা ব্লাখৈসু মশানা খংখিদ্রবা, থৌদৌদুদগী, ঙসি ব্লাথোক অসিবু কনানা য়েংশিনবিরি হাযবসি ব্লাহং ওইনা তত্তনা চেফোং কযাদা উবা ফংই। তৌবগীদি থৌদাং অসি কনাগুম্বা লুপ অমত্তগী মশাগী ওইজবা থৌদাং ওইনা লৌফম / পীফম থোক্কে। কালিশা ব্লাথোকনা মৈবী কনখৎলকপা মতমদা মণিপুর অমদি মপান মণিপুরগী মীতৈগী লৈজবা লুপ খুদিংমক্লা, মণিপুর সরকারনা, লোযননা য়ুমথংনবা ইচিন-ইনাওগী মহৈরোয়গী লুপ কয়ানসু অকনবা থৌদাং লৌবিদুনা ব্লাথোক

অদুবু ঙাকথোকনবা হোৎনখি। মতৌ অদুগুম্না হোৎনবিখিবা লুপ খুদিংমকনা অমসুং মণিপুরী হায়বা ফুরুপসিগী মরুম থুপনা লৈরিবা কাংলুপ খুদিংমক্ক া, লোয়ননা চীঙমী-তম্মী ইচিন-ইনাও খুদিংমক্না মণিপুর হায়বদি মৈত্রবাক্কী সভ্যতাবু (খা-নোংপোক এসিযাগী অল্লাং-নোংপোক ভারতকী মঙ্গোলয় ফুরুপকা নকশিন্নবা কাংলুপ মচাশিংগী সভ্যতা) ঙাকনবগীদমক, অপুনবা লীংজেন অমা পুথোকতুনা ল্লাথোক অসিবু মখৈ ফংনা তং তাহনবা, অরেপ্পা ফিরেপ অমা লেপথোকপা হায়বসি তঙায়ফদবা থৌদাং অমা ওইদুনা লৈরি।

মতেং লৌখিবা লাইরিকশিং

১) নাওবেম সনাজাওবা, Bishnupuriya Menace to the Manipuri i.e. Meetei Language and Cultural History. ১৯৮৯

২) নাওরেম সনাজাওবা, মণিপুব পুৱারী কুনমাথোইশুবা চহীচা, ১৯৯৭

৩) গাংমুমৈ কবুই, History of Manipur, Vol.-1, ১৯৯১

৪) হুইরেম মদন মোহন সিংহ, A short note on the term Manipuri, ১৯৮৯

৫) চনম হেমচন্দ্র, মৈহৌবলোন সঙ্গাই ফম্মাং, ২০০৮

৬) ওক্রম চূড়ামনি সিংহ, শিলচার জেলদা নুমিৎ হুমনি অমসুং, ২০০৯

৭) কব্রম ধীরেন্দ্র, কালিশা ৱাথোকঃ মসিগী ৱাখৈ কৈদৌঙৈ? ইচেম্মা (চেফোং), জানুৱারী, ২০০৯

৮) ইন্তারনেতকী Website কয়াদগী

৯) কারাম মণিমহন সিং, NupiLan (Women's War of Manipur) ২০০৬ ।

তপসিনব্বা (Appendix)-১

চৈথারোল কুম্বাবগী মতুং ইন্না মীতৈ নিংথৌরোল

মথং মনাও	নিংথৌশিংগী মিং	পানখিবা মতম (খৃষ্টাব্দ)	পাল্লম্বা চহী
১.	মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবা	৩৩ - ১৫৪	১২০
২.	,, খুইয়োই তোম্পোক	১৫৪-২৬৪	১০০
৩.	,, তাউথিংমাং	২৬৪-৩৬৪	১০০
৪.	,, খুই নিংঙোনবা	৩৬৪-৩৭৯	১৫
৫.	,, পেংসিবা	৩৭৯-৩৯৪	১৫
৬.	,, কাওখংবা	৩৯৪ - ৪১১	১৭
৭.	,, নাওখম্বা	৪১১-৪২৮	১৭
৮.	,, নাওফংবা	৪২৮ - ৫১৮	৯০
৯.	,, সমৈরাং	৫১৮ - ৫৬৮	৫০
১০.	,, উরাকোন্থৌবা	৫৬৮ - ৬৫৮	৯০
১১.	,, নাউথিংখোং	৬৬৩ - ৭৬৩	১০০
১২.	,, খোংতেকচা	৭৬৩ - ৭৭৩	১০
১৩.	,, কৈরেনচা	৭৮৪ - ৭৯৯	১৫
১৪.	,, য়ারবা	৭৯৯ - ৮২১	২২
১৫.	,, অয়াংবা	৮২১ - ৯১০	৮৯
১৬.	,, নিংথৌচেং	৯১০ - ৯৪৯	৩৯
১৭.	,, চেংলৈ ইপান লান্থবা	৯৪৯ - ৯৬৯	২০
১৮.	,, য়াংলৌ কৈফাবা	৯৬৯ - ৯৮৪	১৫
১৯.	,, ইরেংবা	৯৮৪- ১০৭৪	৯০
২০.	,, লোইয়ুম্বা	১০৭৪-১১২২	৪৮
২১.	,, লোইতোংবা	১১২২-১১৫০	২৮
২২.	,, অতোম যোইরেম্বা	১১৫০-১১৬৩	১৩
২৩.	,, ইব্লান্থাবা	১১৬৩-১১৯৫	৩২
২৪.	,, থব্লান্থাবা	১১৯৫-১২৩১	৩৬
২৫.	,, চিংথাং লান্থাবা	১২৩১-১২৪২	১১

মথং মনাও	নিংথৌশিংগী মিং	পানখিবা মতম (খৃষ্টাব্দ)	পাল্লবা চহী
২৬.	,, থিংবাই শেলহোংবা	১২৪২-১২৪৭	১১
২৭.	,, পুরান্থাবা	১২৪৭-১২৬৩	১৬
২৮.	,, খুমোম্বা	১২৬৩-১২৭৮	১৫
২৯.	,, মোইরাম্বা	১২৭৮-১৩০২	২৪
৩০.	,, থংবী লান্থবা	১৩০২-১৩২৪	২২
৩১.	,, কোংয়াম্বা	১৩২৪-১৩৩৫	১১
৩২.	,, তেলহৈবা	১৩৩৫-১৩৫৫	২০
৩৩.	,, তোনাবা	১৩৫৫-১৩৫৯	৫
৩৪.	,, তবুংবা	১৩৫৯-১৩৯৪	৩৫
৩৫.	,, লাইরেনবা	১৩৯৪-১৩৯৯	৫
৩৬.	,, পুনশিবা	১৪০৪-১৪৩২	২৮
৩৭.	,, নিংথৌখোম্বা	১৪৩২-১৪৬৭	৩৫
৩৮.	,, ক্যাম্বা	১৪৬৭-১৫০৮	৪১
৩৯.	,, কোইরেম্বা	১৫০৮-১৫১২	৪
৪০.	,, লমক্যাম্বা	১৫১২-১৫২৩	১১
৪১.	,, নোংইন ফাবা	১৫২৩-১৫২৪	১
৪২.	,, কবোম্বা	১৫২৪-১৫৪২	১৮
৪৩.	,, তাংজাম্বা	১৫৪২-১৫৪৫	৩
৪৪.	,, চলাম্বা	১৫৪৫-১৫৬২	১৭
৪৫.	,, মুংযাম্বা	১৫৬২-১৫৯৭	৩৫
৪৬.	,, খাগেম্বা	১৫৯৭-১৬৫২	৫৫
৪৭.	,, খুঞ্জাওবা	১৬৫২-১৬৬৬	১৫
৪৮.	,, পাইখোম্বা	১৬৬৬-১৬৯৭	৩২
৪৯.	,, চরাইরোংবা	১৬৯৭-১৭০৯	১২
৫০.	,, গরিবনিৱাজ	১৭০৯-১৭৪৮	৩৯
৫১.	,, চিৎশাই	১৭৪৮-১৭৫২	৪
৫২.	,, ভরত শাই	১৭৫২-১৭৫৩	২
৫৩.	,, মরাম্বা	১৭৫৩-১৭৫৯	৬
৫৪.	,, চীংথং খোম্বা	১৭৫৯-১৭৬১	৩

মথং মনাও	নিংথৌশিংগী মিং	পানখিবা মতম (খৃষ্টাব্দ)	পাল্লবা চহী
৫৫.	,, মরাম্বা	১৭৬১-১৭৬৩	১
৫৬.	,, চীংথং খোম্বা	১৭৬৩-১৭৯৮	৩৫
৫৭.	,, লাবন্যচন্দ্র	১৭৯৮-১৮০০	৩
৫৮.	,, মধুচন্দ্র	১৮০০-১৮০৩	৩
৫৯.	,, চৌরজিৎ	১৮০৩-১৮১৩	১০
৬০.	,, মার্জিৎ	১৮১৩-১৮১৯	৬
৬১.	,, তাকু নিংথৌ (হেরাচন্দ্র)	১৮১৯	১
৬২.	,, য়ুমজাওতাবা	১৮২০	১
৬৩.	,, গম্ভীরসিং	১৮২১	থা ৬
৬৪.	,, জয়সিংহ	১৮২২	১
৬৫.	,, যদুসিং (নোংপাক চিংলেন খোম্ব)	১৮২৩	১
৬৬.	,, রাঘব সিং	১৮২৩-১৮২৪	২
৬৭.	,, ভদ্রসিং (নোংচুপ লমতাইঙম্বা)	১৮২৪	১
৬৮.	,, গম্ভীরসিং (চিংলেন নোংদ্রেনখোম্বা)	১৮২৫-১৮৩৪	৯
৬৯.	,, চন্দ্রকীর্ত্তি (নিংথেম পিশাক)	১৮৩৪-১৮৪৪	১০
৭০.	,, নরসিংহ	১৮৪৪-১৮৫০	৬
৭১.	,, দেবেন্দ্রসিং	১৮৫০	থা ৩
৭২.	,, চন্দ্রকীর্ত্তি (কে.সি.এস.আই)	১৮৫০-১৮৮৬	৩৬
৭৩.	,, শুরচন্দ্র	১৮৮৬-১৮৯০	৪
৭৪.	,, কুলচন্দ্র	১৮৯০-১৮৯১	১
৭৫.	,, চুড়াচান্দ সিং (কে.সি.এস.আই)	১৮৯১-১৯৪১	৫০
৭৬.	,, বোধচন্দ্রসিং	১৯৪১-১৯৫৫	১৪

তপসিনরা-২

মীতৈগী মরমদা হায়রবশিংগী লৌখৎরা

1. The Native State of Manipur lies between Latitude 23° 50' and 25° 30' North and Longitude 93° 10' and 94° 30' East, and consists of about 7000 square miles of hill territory, and of 1000 square miles of level country forming the broad valley, to which the Manipuris have given the name **Meithei Leipak**, or the broad land of the **Meitheis**. On the west its frontiers march with those of the Brits District of Cachar up to a point in the hills near which is the Naga village Maolong, from which the boundary line follows the river Barak and then traverses the hills to Mao, where a natural frontier line begins again. .... The frontier touches Upper Burma and passes along the western edge of the Kubo Valley, for so long the subject of contention between Manipur and Burma. On the south the confines of the state touch the Chin Hills on the east and Lushai Hills on the west. The Burmese call it **Kathe**, the Assamese **Mekle**, while, according to Colonel McCulloch, the Bengali name for the State id **Moglai.**

T.C.Hodson, The Meitheis, 1908, London.

2. "Manipur is only the name of the capital : the country and people subject to the Raja of Manipur are by themselves called Moitay ....."

Dr. Francis Hamilton ***An Account of Assam : compiled in*** *1807-14 A.D. 2nd impression, 1963, page 80.*

3. While stating the history of Pong in his "Report on the Eastern Frontier of British India", published in 1835 A.D. at pages 112-13, ***R.B. Pemberton*** said -

"The name by which this territory was known to Dr. Buchanan, were those of Mrelap Shan, or Shan tributery to the Kasis, Kathees, or Cassayers, by all of which names the people of Muneepoor, who call them-selves Moitay or Mieethiee, were designated. To the

Muneepoorees, the whole country under its ancient limits was, and is still, known as the kingdom of Pong, of which the city called by the Burmahs Mogaung, and by the Shans Mongmaorony, was the capital. The people, they generally called Kubo, and distinguished them, as they were dependent on Muneepoor or Ava, by the terms Mieethiee Kabo or Awa Kabo, which expressions are synonimous with names Kashi Shan and Mrelap Shan, applied by the Burmahs to the same people and country."

4. The Chin call the Manipuri 'Mete' being a corruption of the Meithees."
   *S B. Carey and H.N. Tuck : **The Chin Hills,** 1895, page 123 in footnote.*

5. " ত্রিপুরা রাজ্যের উত্তর পূর্ব কোণে এবং কাছাড় জেলার পূর্ব দিকে মণিপুর রাজ্য অবস্থিত। এই রাজ্যের প্রকৃত নাম মিতাই লেইপাক ..... । পামহৈইবার শাসনকালে শ্রীহট্ট নিবাসী অধিকরিগন মিতাই ভূমিতে গমন পূর্বক সেই দেশকে মণিপুর, এবং অধিপতিকে বভ্রুবাহনের বংশধর বলিযা প্রচাব করেন। তদবধি মিতাইগন 'মণিপুরী' আখ্যা ধারণ পূর্বক হিন্দু শ্রেণীতে প্রবিষ্ট হইযাছেন।''

   - কৈলাস চন্দ্র সিংহ রাজমালা ত্রিপুরার ইতিবৃত্ত, ২য খণ্ড, ৩য ভাগ ২য অধ্যায, ১৮৯৭ খৃঃ, পৃঃ ১৪-১৭।

6. "Meithei is popularly known as Manipuri"
   T.C. Hodson : The Meitheis 1908 A.D., page 155

7. "Hau- Hillman, a Manipuri term apparently used in contempt. Meithei=Manipuri,"
   Dr. J H. Hutton . The Angame Nagas, Appendix II, 1921 page-349 in footnote.

8. "The Manipuri is the lingua-franca of the state and is the language of the rulling race."
   S.J. Duncan, S D.O. Okhrul, Manipur, in an Official letter dated the 27th July 1933 addressed to G.P. Stewart I.C.S., President, Manipur State Darbar.

9. "Manipuri is the lingua-franca and the language of the ruling race"
   A.I. Singh, Asst. to G.P. Stewart, President Manipur State Darbar, (Vide N Khelchandra Singh : Manipuri Language, Status and Importance, 1975 page-3)

10. "Although their general facial characteristics are Mongolian there is a great diversity of feature among the Manipuris, some of them showing a regularity approaching the Aryan type. In the valley the people are chiefly Hindus, that religion being of recent intruduction. Their own name for themselves is Meitheis, and their language is a branch of the Kuki-Chin family"

Encyclopaedia Britanica, Vol. -14 , 1960 page 810.

11. "The majority of the people in the Valley are Manipuri Hindus known also as the Meiteis while the hills are peopled with as many as 29 tribes which may be broadly divided into Nagas and Kukis."

Annual Administration Report of Manipur 1968-69. page-1.

12. "Manipuri/ Meithei, Both the names referred to one and the same language."

Cencus of India, 1971.

13. "মণিপুরী সকল পূর্বতে ব্রহ্মদেশর ফালরপরা মণিপুরত সোমাইছিল। অসমীয়া মানুহে মণিপুরীক মগলৌ বোলে, মণিপুরীয়ে নিজকে মৈয়ৈতৈই বোলে।''

লীলা গগৈ ঃ অসর সংস্কৃতি, ১৯৮২ পৃঃ১৮০

14. "The state of Manipur is a very polyglot tract of country. The Principal language is Meithei or Manipuri."

*Dr. G.A. Grierson : **The Linguistic Survey of India,** Vol.-I, part-I, 1903 page 419.*

15. "Meithei is the official language of the state which all other tribes have to use in their dealings with the rulers."

*Dr. G.A. Grierson : **The Linguistic Survey of India,** Vol-III, part-III, 1904, page-4.*

16. "South of th Naga Hills lies the state of Manipur and here we first meet the group of languages known as Kuki-Chin. Meithei, the official language of the state is the only one of them which possesses an alphabet and a literature."

*Dr. G.A. Grierson in **Imperial Gazetteer of India, Indian Empire** Vol-I, 1907, page-387.*

17. "The Manipuris or Meitheis, who also will concern this history later on belong to the same Thibeto-Burman group."

*Colonel L.W. Shakespear : **History of the Assam Rifles**, 1929, page-15.*

18. "Another highly advance language of the Tibeto-Burman family in India is Meithei or Manipuri."

*Dr. S.K. Chatterjee in his article published in the **Souvenir of Cultural Conference of Eastern India**, 1973-74, page-33*

তপসিনরা-৩

ময়াং কালিশা / বিষ্ণুপুরীয়াশিংগী মরমদা হায়রম্বশিংগী লৌথংরা

1. "Mayangs are descendants of people from the western plains who were captured in arms a against Munnipore and of some who immigrated of their own accord. At one time they are said to have been very numerous, and their former chief place of residence Mayang yimpham, which is well situated on an elevation raised unless they had been numerous. They amongst themselves always speak their own language which is a dialect of Hindee, but they all understand and most of them can speak Munniporee."

Major MC Culloch : An Account of the Valley of Munnipore and of Hill Tribes, 1859, page 14.

2. "The linguistic affinities and physical characterestics of the Manipuris clearly connect the present race with the Nagas and the Kukis ..... it is highly probable that these hords overran a country that had been previously occupied by people of Aryan blood known in western India and to the herds. The present population of Manipur includes a tribe called

Meiyang who speak a language of Sanskrit derivation. They are now in a servile condition performing the duties of grass-cultures to their conquerors."

E.T. Dalton : Descriptive Ethnology of Bengal
1972, pages 48-49

3. "The Mayang class are descendants of Hindus who originally emigrated from the west, also of such captured by the Manipuris in arms against them."

R. Brown : Statistical Account of Manipur, 1874, page 145.

"The Mayangs are descendants of Hindus who originally emigrated from the west."

E.W. Dun : A bridge gaqetteer of Manipur, 1891

4. "There is also degraded class called Kalacheiya or Bishnupuri, which consists of the descendants of Doms and other Bengalis of low caste. Their occupation was originally that of supplying grass for royal stable. They speak a language, which is different from that of the true Manipuris, and is in fact closely allied to Vulgar Bengali."

Edward Gait : Census of Assam 1891,
chapter X, Shillong, 1895.

5. "Western Assamese differs slightly from that spoken at the eastern and of the valley, but the only true dialect is the Mayang of Bishnupriya, spoken by a Hindu colony in the state Manipur and by a scattered members of the same trive in Sylhet and Cachar."

G.A. Grierson : The Languages of India, contributed
to the report on the census of India, 1901, page 78.

6. "The state of Manipur is very polyglot tract of country. The Principal language is Meithei or Manipuri .... A tribe known as Mapang speaks mongrel form of Assamese known by the same name .... All of them can speak Meithei .... Mayang is a mongrel form of Assamese .... This is just as much the ease with the speakers of Mayang who are settled in sylhet, so that it may be taken as certain that they have come there from Manipur, although, according to tradition, they originally came into Manipur from an Aryan speaking locality."

G.A. Grierson : Linguistic survey of India, vol. V,
Part I, 1903, page 419

7. "Mayang, one of the languages spoken in the polyglot state of Manipur, may, however, be classed as a dialect of this language (i.e. Assamese)."

G.A. Grierson in the imperial gazetteer of India, Indian Empere, vol. I, 1907, page 378

8. "........ the Meitheis or original Manipuri race came to the conclusion that the new comers (i.e. Bishnupuriyas) were of inferior stock, ... According to another version they are Manipuris who came from Lakhipur in Cachar with a Salagram called Bishnu, which is thought to be possessed of peculiar sanctity........ Another story says that they are the illegitimate descendants of a Manipuri Raja who stayed sometime at Ningthoukhong. Both of these legends fail to account for the undoubted physiological differences between Bishnupuriyas and other Manipuris or for the slightly inferior position which they hold."

B.C Allen : Assam District Gazetteers vol IX, Part II, 1905, pages 53-54

9. "The Mayang sajik department supervise the elephants and ponies .... Meithei is popularly known as Manipuri."

T.C. Hodson : The Meitheis, 1908, page 96, 70 155.

10. "There is moreover, an Aryan dialect called Mayang still spoken in Manipur, the head quarters of which are two or three plain villages near Vishnupur."

Padmanath Bhattacharjya · Gait's History of Assam 1908

11. "Mayang = Men of the plains of Assam"
"Meithei = Manipuri"

J H. Hutton The Angami Nagas, Appendix II 1885, 1921, 1968, page 349 it footnote

12. "Mayang or Bishnupuriya is spoken by a few people in Manipur, it is much mixed u with Tibeto-Burman and in the LSI, it is regarded as a dialect of Assamese. but its forms show unquestionably a greater affinity with Eastern vanga"

S K Chatterji The Origin and Development of the Bengal Language, vol. I, 1970, page 140 at footnote.

13. "When Dr. Grierson visited Manipur towards the very end of th nineteenth century, he found, according to the latest census, only abou

one thousand speakers of Mayang most of whom must have belonged to the original Manipuri group, few families of the Mayang proper being found there; shortly afterwards, however, they got themselves merged in the Meitei section still remaining in Manipur valley, and their language died away..... what strikes us most is that adequate information to serve as the historical background of the subject for investigation was wanting. Rather, the author appears to have been misquided by some lop-sided (and hence erroneous) statements in the name of history .... the author had never come in direct contact with the Mayang proper; he had happened to meet only those speakers of Mayang who belonged to the original Manipuri group; and this created in his mind the empression "except for their language. the Mayangs are indistinguishable from the general Manipuri population."

K Nilmani Sinha : Mayang (Bishnupriya) (MS)
Custodian ; H.M.M.S.

14. LINGUISTIC SURVEY OF INDIA

G.A. GRIERSON

Volume V. Part I, Page 426

(1903 A.D.)

No. 5

INDO-ARYAN FAMILY (EASTERN GROUP)

MAYANG OR BISHNUPURIYA

(A. Porteous, Esq., I.C.S., 1900) (DISTRICT SYLHET.)

SPECIMEN I

Manu agor muni jiput dogo asila. Duyo bebunir marke (Man a-of male child two were. The two brothers-of mmong) baiyok khula augoi bapok-orang matlo, 'baba, mor sarukor don (brother younger that father- to said, father, me-of share-of) wealth bage-de.' Aukhonat diyogor bapoke don bage dillo. Koto-din (diriding-gire. Thereon the-two-of father wealth dividing gave, Some-days) thaya khula augoi don khomkoriya durai des akhonat gel-ga, (after younger that wealth together-

having-made (ar land a-to went.) Pham aukhonat lichot hobanaya doh habi mat koilo. Don (Pluce that-in condut good-not-by wealth all destroy made. Wealt) auta tumailaro des aukhanat tang-oil. Taug-oil-ga ta (that spending land that-in dearth- arose. Dearth-arose that-in he) hin peilo. Hin peilo aukhonat des aukhonar manu agor tullo (poverty got. Poverty got that-on land that-of man a-of with) til-oila. Tar huor miyam rakhani-roka tar lopuke diya petheilo. (he-joined-became. His swine many keeping-for his field-in giving he-sent.) Pham aukhouat huor-ore dilo dhus auta-lo ta, 'pet bujing,' buliya. (Place that-at swine-to given husks that-by he, 'belly will-fill,' saying' ning koilo. Aukhonat tare kung-go ago-i natla. Aukhonat (wish made. Thereon him-to any body-even not-gave, Thereon) tar pete ning-sing oiya matle, 'mor bapokor laikh betiye (his belly-in mind-wise being he-said, 'my father's slave servants) lampa-ampa kore bhat paitra, autat mi bok peiya morotu. Mi (superfluous making rice get, that-in I hunger getting well dis. I) uthiya mor bapokorange mat-tau-ga, 'baba, sworgo mai-thong-khn aolothok (rising my father-to will-say, "father heaven face-before turning) oiya pap koilu, to munge-o pap koilu, tor putok bulte (being sin I-did; thee-of front-in-also sin I did. thy son to-say) mor matik nail. Tor laikh-go para- kore thoade" Aukhonat (me-of f t is-not. Thy servant-one like-making place." Thereon) uthiya bapok-ore ta-lak-ore jar-ga. Du ait thaite dekhiya nungsi (rising father-to him- to he- goes. Far remaining seeing mind-agitasion)

15. প্রাচীনাধুনিক সংক্ষিপ্ত

মনিপুরের ইতিহাস, (১৯৬২)

BY

SENA SINGHA. (A Bishnupuriya Historian)

১১৬ মনিপুরের ইতিহাস

বাঙ্গালী ভাষা	বাঙ্গালার উপভাষা	বিষ্ণুপ্রিয়া ভাষা
মার	কিলাইদি	কিলা
বিক্রয়	বেচা	বেচ্
লবন	নুন	নুম
বস	বঃ	বঃ

এদিকে আয়	এদিকে আঃ	এগদে আয়
এখানে বস	অতে বঃ	এহানাত ব ঃ
রাত্রি প্রভাত হাইয়াছে	রাতি পোয়াছে	রাতি পোয়াছে
শৃগাল ডাকিতেছে	হিয়াল মাতে	হিয়াল রহিতারা
আমি বাজারে যাইতেছিলাম	ময় আটৎ যাওতে	মি বাজারে জেইতেগা
তাহার সঙ্গে কে ছিল	তাব লগ কুনিছিল	তার লগে কোঙ্গ আছিল
তুমি কি করিতেছ	তয় কি করং	তি কিতা করর
আমি কলিকাতা যাইতেছি	ময় কলিকাতা যাওঙ্গে	মি কলিকাতা যাপরিগা
তাহাকে রাঙ্গামাটি যাইতে দেও	ছি রাঙ্গামাটী যাগগি	তা রাঙ্গামাটী যাগগা
তুমি কি যাইছে	তয় কি যাওগে	তি যারগাতা
তুমি যাও	তয যাওগি	তি যাগা
আমি যাই	ময় যাঙ্গে	মি যাঙ্গা

বিঃ দ্রঃ - উপরোক্ত ভাষা সাদৃশ্যতাতে দেখা যাইতেছে যে, পুর্ববঙ্গের বাঙ্গালার উপভাষার সহিত **বিষ্ণুপ্রিয়া ভাষার** সাদৃশ্যতা বহুল। সুতরাং বিষ্ণুপ্রিয়া ভাষা আর্য্য সংস্কৃত ভাষার পৌত্রী বলিলে কোন অত্যুক্তি হইবেনা।

16. EXTRACT OF THE

Bishnupriya Manipuri Language
BY
Dr. Kali Prasad Sinha, 1981

P.10

The Babhruvahana- Legend-theory holds that this language was transported to Manipur by some emigrants from Dvaraka and Hastinapura just after the Mahabharata war, which happened, before the 9th century B.C. as generally accepted by modern research. These emigrants, it is held, were led by Babhruvahana, son of Citrangada and Arjuna who brought a Visnu-image from Hastinapura and installed it in Bishnupur of Manipur.

This theory also can not be accepted on the following grounds:
First, the story of migration from Dvaraka and Hastinapura does not occur in the Mahabharata.
Secondly, there are reasons to doubt whether the present Manipur was that of the epic.
Thirdly, it is not possible for a handful of persons to retain their language for such a long period in the hear of a land which was pre-eminently a land of the Tibeto-Burman- speakers. Fourthly, thedistinctive maska of Magadhi and the striking similarities which Bishnpriya shares with Assamese and Bengali can not be explained if it is held that Bishnupriya was transported from Dvaraka and Hastinapura and developed in a quite distinct atmosphere having no relation to the Magadh Prakrata of Magadhi Apabhramsa.
From a study of the characteristics of this language, it can be said that towards the 13th century, it was very much simila to Assamee and Bengali As time pased, it was more and more influenced by Meitei and, towards the 16th century numerous Meitei words were incorporated into Bishnupriya. During the second half of the 17th century and the first half of the 18th century, this language underwent another great remodelling. During this period, various groups of Aryan- speaking people entered Manipur from different parts of Eastern India and the Vaisnavism of Sri Chaitanya began to gain popularity among the people. Dr. Sinha is the leading idealogue of the Bishnupriya on the cover of his book, he prints Bishnupriya, Assamese Bengali as similar languages.

17. LINGUISTIC SURVEY OF INDIA
VOLUME-I PART - I (1927 A.D.) BY
G.A. GRIERSON
page-403
CLASSIFIED LOST OF INDIAN LANGUAGES
Appendix I
(Census of 1921)

Serial No.	Name of Languages or Diaject	Number of speakers	
		Survey of Estimates (1891)	According to Sensus 1921
552	ASSAMESE	1,447,552	1,727,323
553	Standard	859,950	-----
554	Western	543,500	-----
555	Mayang	23,500	-----
555.	Jharwa	9,000	-----
	Unspecified	11,602	------

Note :
Grierson classifies serial No. 555 Mayang i.e.
Bishnupuriya as a dialect of Assamese language.
Other volumes of Grierson are consistent in the classification.

তপসিনৱা - ৪

অতৈ খৱা

1. **GAZETTEER OF MANIPUR**

E.W. DUN.

(1986 A.D.) PP.14-15

POPULATION

The popullation of Manipur, distributed according to religion, stood in 1881 as follows :

Hindu	---	130,892
Muhammadans	---	4,881
Chritians	---	7
Buddhists	---	2
Hill tribes	----	85,288
	Total	221,070

Distributed according so language, as follows :-

Bengali	---	15
Sengmaie	---	7,151
English	---	7
Kuki	---	25,384
Manipuri	---	128,526
Naga	---	59,904
Hindustani	---	83
	Total	221,070

THE PEOPLE

We may state table thus :-

PLAINS POPULATION

Foreiners - Bengali - 15		Manipuris- Maithai -	117,100
English - 7			
Hindustani - 83			
Total - 105			
Kei + Loi + Maiyang + Muhammadans	= 18,574		
		Total population -	221070

HILL TRIBES

Kuki	---	---	25,384
Naga	---	---	59,904

The Maithai, or Manipuris proper, constitute therefore rather more than half the entire population of the State.

2. VALLEY OF MANIPUR

M Mc CULLOH

1859 A.D.

APPENDIX NO. I

COMPARATIVE Vocabulary of the Maniporee, Undro, Sengmai, Charial, Meeyang, Koupote, Pooeeron, Koupoees, Songboo, Quoireng, Khoonggoee, Phudang, Koopome, Tukaimee, Muram, Murring, Anal Namfau, Kookie, Burmese and Shanangages.

The words of the Comparative Vocabulary heregiven; are the same as those contained in that appendied to Lieutenant Stewart's account of the tribes in Northern Cachar published in the transactions of the Asiatic Society.

The language of the tribe, designated by Liutenant Stewart Aroong. is sopkent by all the Naga tribes as far as the Koupooees and Quoirengs, and by adopting his vocabulary, I thought. I might by amplifying the range of comparison increase its interest.

In its preparation I have taken much pains, but the ear is deceptive and mistake, though not I believe egeregious ones, may have crept in.

The Undro, Sengmai, Chairel and Meeyang languages are spoken by Looes in the valley of Munipore, of which the Undro and Sengmai people claim to have been the original inhabitants. The Shan language is also spoken by Loees who inhabit a few villages, and were brought originally from Kubbo. The Kubbo Shan languages differes from that of the Shan to the east of Burma considerably. It will be ebsorved that there is some difference between the Kookie words given by me, and those given by Lieutenant Stewart. Those I have given are the Thado proper, whereas some of those given by Lieutanant Stewart are of the Shingsol or other dialects of the Thado. I may also observe that the Angamie Naga language given by Lieutanant Stewarti is not the Angamie proper, but a dialect of it.

a - is pronounced as in Italian
e - ,, ,, ,, Do,
i - ,, ,, ,, short.
o - ,, ,, ,, "Tone."
u - ,, ,, ,, "Fun."
th - always has the h aspircted, except in Burmese
where it is pronounced as in "theme."
gh - is pronounced as the Persian "Ghain."